
লজ্জা

হন্দোকচবা :
শ্যামকিশ্বর থিঙুজম

ফোঙজবী ঃ - মেমা দেবী, থিঙ্গুজম, থোংজু।

১বা ফোঙবা ঃ— ৫, এপ্রিল ৯৫

কোপী ঃ— ১০০০



মমল ঃ— লুপা ৮০ (মরিফু)

ফংফম ঃ
- খিঙ্গুরা চেন স্তোর, থোংজু (অইবগী যুম)
- রাষ্ট্রভাষা পুষ্টক ভন্দার, পাওনা বজার ইম্ফাল।
- রাজেন্দ্র বুক স্তোর সেন্ত্রেল লাইব্রেরী মনিং ইম্ফাল।

মথুম য়েকপা ঃ— অচৌ লাইশঙবা

ছাপা নমফম ঃ- সোল প্রেস, শিংজমৈ ওক্রম লৈকাই।

ৱাহৌদোক

লজ্জা বঙ্গলাদেশকী মমিং চংলবী অইবী তসলীমা নসরীনগী ৫শুবা উপন্যাসকী খুদোলনি। লাইরিক অসি ৬, ডিসেম্বর ১৯৯২ গী বাবরী মসজিদ থুগায়খ্রবা মতুংদা ইবনি। মসিগী মরুওইবা শুডগী ঈচেলদি ইংরেজী শৈরাংবা W. H. Longfellow না আমেরিকানশিংনা নিগ্রোশিংবু কাবগা মমল হুন্নহুনা লৈবা য়োননবু শামদহুনা থীংননবা শৈথাবগুম্না, ওসিগী চাউখৎলবা ২০শুবা শতাব্দী অসি য়ৌরবা কাওবদা অকনবা কাংবুম্না অশোনবা কাঙবুবু য়োংশিন্নবা ল্লাকনরিবা চংনবীসি মায়রোংনবা হায়বদি ওসিগী বাঙ্গলাদেশতা শাওলনা য়োৎশিন্নকলবা হিন্দুগী পুক্নিবু তেংথাহুনা অহুগা লাইনীং লাইশোন্দা য়ুমকম ওইরগা লৈবাক বায়েল থৌদানবদা অকনবা খোল্লাও অমথক্তং পীবতনি।

লাইরিক অসি য়াম্না থঙজ হৈজহুনা হন্দোকচবা নচ্চদে শুপ্নতগী পৃথি পূম্বদা মমিং লৈখ্রবা বাঙ্গলা দেশপু মথক মখা ওনখ্রবা লাইরিক অমা ওইবহুদা মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিনবিনবা অমদি মৈতৈ সাহিত্য লৈকোলগী করিগুম্বা লৈরাং লৈন। অমত্তসু ওইবা য়াগক্রা হিন্দীদগী থগ্রহুনা খুদোল তম্মজবনি।


হৈত হৈত লেঙজবা লৈম্বাং পরেংসে লৈচন চাত্রবসু শুপ্নগী মুংশিবা লৈনমহুদদি লৌবিবা ওইরবসু হোংনজমলগী মহৈ য়াম্বরে লৌজরে।

হন্দোকচরিবা

কচ্চবা

শ্রীমতি শৌগ্রাকপম নিঙোল
খিজুজম ওংবী ৺মণি দেবী

ইমা পাংলবা নচানা হৈতা হৈতা
ইমাগী খুদোল তমজরি।



তসলীমা নসরীন

পোকপা — ২৫ আগষ্ট ১৯৬২, ময়মন সিংহ, বঙ্গলাদেশ

মহৈ — এম: বি: বি: এস: মায়মন সিংহ মেডিকেল কলেজ

থবক মকম— ঢাকা মেডিকেল কলেজ অহুবু লজ্জা ইবদগী মাঙ-দহুনা থবক তোকখি।

কোংলবা লাইরিকশিং— নির্বাসিত বাহিরে অন্তরে, ১৯৮৯, আমার কিছু যায় আসেনা, ১৯৯০, অন্তরে অন্তরীন, ১৯৯০, বালিকার গোল্লাছুট, ১৯৯২, নির্বাসিত কবিতা, ১৯৯৩

অপর পক্ষ, ১৯৯২, লজ্জা ১৯৯৩, ফেরা (উপন্যাস)।

নির্বাসিত কলম, ১৯৯২ অমসুং নষ্ট মেয়ের নষ্ট গদ্য, ১৯৯৩, ঙন্নপংলবা লাইরিক।

মনা — বাংলা সাহিত্যগী মথং চংলবা "আনন্দ পুরস্কার" ১৯৯২

অপাম্বা — লায়েংবা অমদি শৈরেং ইবা।

লজ্জা

সুরঞ্জন য়াতাম্বুনা লৈরম্মী। "তামো, হোংনবা য়াবা থবা হোংবিয়ো থেংজিল্লকবদি কত্থবা খোকলকপা য়াই হোগংলসি" হায়না মায়ানা হুয়া কয়া মাবু হৌদোকখি। সুরঞ্জননা করিগুম্বা থবা হোংনবা হায়রবসি কদায়দনো অমা চৎলগা লোংলুবগি হায়রবা থগলম্মী। উটনা কিরগা মথুংদা চত্থুনা লৈরগা অকিবা কোকলবদা মায়কৈ মখি কোইয়েং য়েত্তলগা মথুংদগী মপাল খোয়কপা অহুগুম্বা মহৌশাদু ইরাং করবা মতুংদা লোংকমদগী খোকলকদৌরিবনি। করিগী মখোয়না ময়ুম থাদোকদৌরিবনো? সুপনগী মাগী মমিং সুরঞ্জন দত্ত. মপাগী মমিং সুধাময় দত্ত, মমগী মমিং কিরনময় দত্ত অহুগা মচেগী মমিং নীলাঞ্জনা দত্ত কৌবগীদা? করিগী মম, মপা অমম্ভুং মচল ময়ুম থাদোকদৌরিবনো? কমাল, বেলাল নত্রগা হৈদরগী ময়ুমদা চত্থকম লৌদুনা লৈগনা? চহি অনিগী মমাংদা হৌখিবদু গুম্বা তৌগদৌরিবা? ওক্তোবরগী তাং ৩০ গী অয়ুক্তা কনলনা মাগী ইমকোতনগী য়ুমদগী করিগুম্বা থবা চিংনদুনা চেল্লকলগা সুরঞ্জনবু তুম্বা হৌদোক্লগা "থুনা চৎসি, শেংন-ইমবা কি ১/২ পুম্বগা য়ুম শো লোনশিল্লমলে অহুগা ময়াম পুম্বক ঐগা লোয়ননা চৎলসি খিত্থরগদু হুরো" হায়রম্মী। কমালগী য়ুমদ'দ মী থুংকমগী অরাংপা লৈরমদে অহুগা অয়ুক্তা য়েকম অমদি তল, তুংথিজদনা ঙা থোংবগা লোয়ননা চাক, থুমিদাংবাইরমদা লৈকোলদা কমলগা য়েকম অতাওবা, থুমিদাংদা থুংঙাইরবা কমুংদা পোংথাদুনা মতম লেনলম্মী। তৌইগুবসুং মানা করিগী কমালগী য়ুমদা চত্থকম লৌরুরিবনো? কমাল মাগী মরূপ অরিবনি। মরিমতা ইমুং মঙুংশিংগা লোয়ননা মানা কমালগী য়ুমদা লোংমা-নিনি চত্থকম লৌবদি য়াই অদুবু মানা করিগী তৌগদৌরিবনো? কমালনদি চেত্রগা মানা ময়ুম থাদোক্লুনা করিগী চেনগদৌরিবনো লৈবাক অসি কমালগী ওইবা অহুগুম্বা সুরঞ্জনগীসু মরৈবাক ওইরিবনি। মখোয় অনিমক্তা Citizen right লৈবাক অমগী মীগী কত্থকম খোকপা শরু? অহু চপ মান্না

কংমিন্নহনগদবনি। অদুগ মহাক্না কদিদা কমালগুম্বা দিপা থোকপা ওমখিবনো? মহাক্না ঐহাক নম অসিদা পোকপা নম অসিগী মচানি ঐঙোন্দা অরাবা থুদোংথীবা থোকহনগনু হায়না মায়কোক্তা যাবা ওমখিবা কন্নিগনো?

অরজ্ঞন ভিগুনা লৈরী। মায়ানা মথক্তা য়াম্না চায়কম তৌকম থং-চনা কা :দকী :দা হনগং-হন্দা চত্তুনা লৈরম্মী। কন্নিগুম্বা থুদোংথীরবা থোদোক অমা থোক্লুনা অরাবা নংবনা কারবা লৈত্তে হায়না মীনা মন্না খঙহনবা পামলম্মী। সিঃ এনঃ এনঃ টি, ভি দা বাবরী মসজিদ থুগায়খিবনু উংলকলম্মী। টেলিভিজনগী মমাংদা সুধাময় অমসুং কিরনময় তৌকম খঙদনা কমচুনা লৈরম্মী। শক ১৯৯০ গী থোদোক্তা তৌবগুম্বা অরজ্ঞননা মংখায়রু কনাগুম্বা পাওল অমগী মগুনদা পুহনা লোৎপিগনি হায়না ম,থাইনা খল্লম্মী। অদুমু ঙসিদি অরজ্ঞন কন্নিগুম্বা অমম্ভদা চৎনীংবগী অপাম্বা লৈরমদে, মহাক ক্লমিংচুম্না তুমহনা লৈ.থাক্লগে হায়না লেপ্লম্মী। কমাল নত্রগা ভত্তে কনা অমনা লৌবা লাকলবনু "মহাক য়ুম থাদোক কণা কন্নিমত্তা চংলরোই, থোকলবা অহু থেংনরগনি" হায়না হায়রংগ হন্নখি।

ঙসি ডিসেম্বরগী তাং ৭ নি। ওয়াংদি নুমিংয়ুংদা মতুংদা অযোধ্যাদা ফমু তোরবান্দা অকিবা থোদোক থোকখ্রে। কার সেবকশিংনা চগী ৪৫০ শুংবা লাইশঙ অমা থুদেকখ্রে। বিশ্ব হিন্দু পরিসদনা হায়রিবা মতুং ইন্না কার সেবা হৌগদবা মিনিট ২৫ হাংলিঙৈদা থোদোক অসি থোকখ্রে। কার সেবকশিংনা চাউরাক্লা পুং ৫ কাওবগী মতুংদা লেপত্তনা হোংমবদগী লাইশঙগী মথক্তা হাপ্না অতুম্বা যুমথক (গুম্বজ) ৩ তুমহনখ্রে। লোয়ননা শঙ অহু থুগায়খি। থবক অসি ভারতিয় জনতা পার্টি, বিশ্ব হিন্দু পরিষদ আরঃ এসঃ এসঃ, অমসুং বজরঙ্গ পার্টিগী মরু-ওইবা লুচিংবশিংগী লুচিং মখাদা থোকখি অদুগা থোদোক অসিদা Cent al Reserve Police, পিঃ এঃ সিঃ অমসুং উত্তর প্রদেশকী পুলিস মথৌ ভৌদনা লেপ লেপ্পুনা কার সেবকশিংগী থাজদনা থোকলকপা থোদোকশিংবু য়েংহুনা লৈখি। নুমিৎ মুংথা মতুং

পুং ২'৪৫ দা লাইশঙ মথক্তা হাপ্পা তুম্মংশা (গুম্বজ) অমা থুগায়খি। পুং ৪ দা ২শুবা (গুম্বজ), পুং ৪'৪৫ দা ৩শুবা গুম্বজ কার সেবকশিংনা থুগায়খি। শক্তম থুগায়রবদা কার সেবক ৪ অতেক-অকায়না মশিন্দুনা শিখি অদুগা চামগী মথক্তা অশোক অপন মংখি।

থুম্মক্ষন কম্পুংদা হিপনা-হিপনা খবরগী চেনা কাকলম্মী। ওসিগী খবরশিংগী মরুওইবা হেদিংদি বাবরী মসজিদ মাওহনবা থুগায়বা। মহাক কখিত্তরদা অযোধ্যা চংত্রি অমস্থুং বাবরী মসজিদ উখিত্রি। মদি মাগী লৈবাক্কী মপান থোক্তবশিংনা কয়মনদি উগদগেদো। রাম করম্বা মতমদা পোকখি অদুগা মহুগী লৈবাক-চৌখোকলগা মসজিদ শাখিত্রা শাদত্রা হায়বসি মতোঙ্গা থোইনা থম্লুদে অমুবু ১৬ শুবা শতাব্দীদগী লৈরকলবা কুইরবা মকম অসিবু শোকহনবসি ভারতকী পাওলশিংদা শোকপা নত্তনা হিন্দু পুম্নমক্কসু শোকহল্লি। শক্কা হায়-রুবদা মসিনা ভারত পুম্বদা অপুম্বগী চাউথংপদা অমদ অপুনবা মথাংগী বাংলাদা অশোকপা থোকহল্লি। অংলননা বাবরী মসজিদ মাওবদা বঙ্গলাদেশতা লৈবা হিন্দু, লাইশঙ পুম্নমক উকুল ওল্লগনি হিন্দুশিংগী য়ুম লৈ চাকলগনি, দুকানশিং থুগায়দুনা মাইহল তাক-ওল্লগনি হায়বা খঙলম্মী। ভারতিয় জনতা পার্টিগী থৌইনশিন্দগী কার সেবকশিংনা বাবরী মসজিদ থুগায়রবনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মথাগী পামজবা চংনবীদা ক ওজারিবশিংগী কাওবুশিংদু অমুকা হেন্না মপাঙ্গল কলহললে। বিশ্ব হিন্দু পরিষদ, ভারতিয় জনতা পার্টি অমসুং মখোয়গা লোয়নরিবা কাংবুশিংনা মখোয়না তৌকরিবা অহেনবা থবক অদুগী মমি অদু ভারত মনুংদা তাগনি হায়না খনত্রা? ভারতা কাংলুপ মশেল শাওগংনবদগী থোকললকপা মহৈনা মী ৫০০ দগী ৬০০, ৬০০ তগী লিশিং য়ৌনা শিখ্রে। মিকুপ খুদিংগী অশিবগী চাং হেন-গংলকখি। হিন্দুশিংগী কনবা থল্লিবশিংনা হাংত্রবদা বাঙ্গলাদেশতা হিন্দু ২,৫০,০০০ রোম লৈ হায়বসি নীংশিংবিত্রত্রা? বাঙ্গলাদেশতা নত্তনা নোংচুপ এশিয়াগী মরুওইবা লৈবাকশিংদা হিন্দু লৈ। মখোয়শিংসিগী কপ্পি কিক্তম ওইরকদগে হায়বা হিন্দু লাইনীতবু পামজরিবশিংনা খনবিত্রা? লৈবাকপা কাংবু (রাজনিতি দল) অমা ওইনা ভারতীয় জনতা

পার্টিগী তাঙ্খাও অপি করিগুম্বা ময়ামদগী তোঙাম্বা ঈবং অংশুবা নঙ্গে হায়বা খণ্ডবিগদবনি। তারন্না করিগুম্বা মুংশিনফম্বগী ইরো অমা হেক খোকলকপদা মহুনা তারক্তদা অঁবাবা পাংনকনা পুৰিবী পুম্বদা চৈনাসি মৈগনি মরু ওইনা যুমলোম্বা লৈবাকশিংদা হায়না চৈথেঙ লাককনি।

শুরঞ্জননা মমিং উইশিন্দুনা য়াতারগা লৈরম্মী। মশা নোঙকুম্না মায়ানা "তামো হৌগংকদৌরিব্রা চোগংলোইদৌরিব্রা? ইমা পাবুংনদি তামো-দবু থাজহন্না লৈরি" হায়না হায়রকখি।

শুরঞ্জননা মশা য়াওহন্না 'নঙ চংকে হায়রবসু চংলো, ঐ সুমসিদগী থোঙথাং অমা কাওবা থাংদোকলরোহ্"- হায়না হায়রকখি।

"অহুদি মখোয়দি কমদৌবা"?

"ঐ খঙদে"।

"করিগুম্বা ফঙবা খোকলবদি কমদৌবা"?

"করি খোকনি"।

"য়ুম হেক লুট (নমহুনা পোংচৈ মুনবগী থক) তৌররো নত্ত্রগা মৈ থায়রকপো. কমদৌবা'?

"লুট তৌরগা তৌরে, মৈ থারগা থারেদনা"

'অদু কাওবদ হুম্না তুমিন কমহুনা লৈগদৌরিব্রা"?

"মম্বা নত্তে হিগু্না লৈরিবসিনি"।

চাক লামলবা শুরঞ্জননা চুরুট অমা চমলম্মী। মহাক চা থকনিংলম্মী। কিরনময়না মুংতিগী অবুক্তা চা গিলাস অমা হেক হেক পীবনি অদুবু ওসিদি হৌজিক কাওবা পীত্রে। তাঙ্খাসিদবু মঙোন্দা কনানা গিলাস অমা পীবিগদৌরিবনো? মায়াদা হায়বসু কাংত্রে। মকমহুদগী চেনবগী রাথল নত্তনা সুপীমচাহুগী অতৈ রাথল থনবা লৈত্রে। তাঙ্খাসিদবু চা লোম্বা হায়রুবদা রাহু অরেম্বা তাম্বগনি। মহাক মশানসু লোনবা ময়াবনি অদুবু অত্তনবা লাইনা মাবু খুহুম চনখ্রে। কাহুদা টেলিভিজন ল্যাকলম্মী। সিঃ এনঃ এনঃ গী কমাংদা কমহুনা য়েংবগী অপাম্বা মঙোন্দা লৈরমদে। কা অদুদগী মায়ানা ও,টহাক তাইহাক লৈরগা "তামোনা হিপনা হিপনা থবর পাহুনা লৈরে মঙোন্দা রাথল অমত্তা য়াওদে" হায়না লাউরকম্মী।

শগুরজন রাখল অ্যাডা থক্সবা মায়ে হায়বগুদি অয়ানবগ্নি। শক খঙনবা কয়া অমদি শকখঙনবা কয়াগী মপোক্না লাকনিংবা মঙমদা য়ুমগী খোঙজাও থুদেক্লুনা মঙুং চঙলকপা য়াই হায়বা মহাক খঙনদ্রী। মখোয়না পোংলৈ য়েখায়-য়ুগায়বা, হন্নবা অমুক চংলমদাইদা য়ুম কাওবা ঐ থায়বা য়াই, কিন্তু অসিদা কমল অমখুং হেন্দবগীদা চঙজকম জোকখদা কনাগুম কঙ্গি হায়গদবা লৈতে অশুম মহুম তৌবহুমা ইকাইবা পোকপগী রাতনি। নখোয়বা চক্রখনি ঐ ইথক্তা চংকে হায়না মায়ানা লাওরকখি। পাকলগী য়ুমদা চঙলে। তাদনা মকম অমদা থেঁদোকখিগুনি হায়বা ঐ পাকচল্লে। মহাক্কি হিংবগী মথৌ তাক্লে অহুব ঐদি হিংনবা য়াদে।

অমব ওইরবসু অমব ওইংবসু ভসি শগুরজননা মখোয়ব লোংননবা করিগুম্বা মকম অমদা পুবিরয়োই হায়বসি মায়াগী থাজবনি। পাইপ লৈরহুনা মহাক মশামক্না মশাগী ডাক-শেনজনবগী মরমদা খনজঙ্গী"। মশা 'ডাক শেনবা' হায়বা রাইহেশিনা শগুরজনদা অকনবা চৈনা অমা কাওহল্লগী।

ডাক শেনবহু ১৯৯০ গী ওক্তোবরগী ঈরাংদগু কংবা ভমখিদে। মমিং চংলবা ধাকেশ্বরী মন্দির মৈ থাখিবদদা পুলিসশিংনা পাইখে লৈরগা লেপ্তুনা তোরিবা থোদোক অহু য়েংদুনা লৈখি। কনানসু অপনবা পীকবা ভমদে। মরুওইবা লাইশঙ অহু মৈ চাক্লুনা উংওনখি। মখুং চডহুনা কডবা তোবশিংহুনা লাইরেম্বা লাইরেম্বীশিংগী কশ্বাক অহু থুগায়রম্মী। মখোয়না নট মন্দির শিব মন্দির, মী ভশঙ মন্দিগী মকুংদা শ্রীদাম ঘোষ কী হায়বগী লৈকম, গৌরিয় মঠগী মরুওইবা লাইশঙ মীয়ামগী মীথুঙশঙনচিংবা থুগায়রগা লাইশঙগী মপোং মচৈ হুহুনা পুখি। মহুগী মকুংদা মাধব গৌরিয় মঠগী মরুওইবা লাইশঙবুসু থুগায়রহুনা মঙহনখি। জয়কালী মন্দিরবুসু থুগায়হুনা মাঙহনখি। ব্রহ্ম সমাজগী চৈকপস মখুং চডলগা কা মখুদা বৌম পোকথাযহন্দুনা থুগায়খি। রাম সীতা মন্দিরগী মখুঙ চডলগা কজরবা কশ্বাক থুগায়রগা মহুগী মরুওইবা কা অহুবুসু মাঙহনখি। নয়া বাজারগী মঠবুসু থুগায়খি। বনগ্রাম লাইশঙবুসু য়াম্না থীনা থুগায়খি। শিংখারী বাজারগী মধ্যংদা লৈবা হিন্দুগী দুকান ৫ সু নমহুনা মুল্লগা (লুট) লৌরবা অমদি মৈখায়-থুগায়বা লোইরগা মৈ থাদোকখি। শিলা বিতান,

সুর্মা ট্রেডার্স, শেলুন অমসুং টায়ারগী দুকান, কি ইষ্টি স্টোরস, মীতা মার্বল, সাহা কেবিন, রেস্তোরেননচিংবা খরমু মথোয়গী ইথৌদা তুমখি-মাঙখি।

শংখ্রী বাজারগী অকোরবদসু মাং-তাকহনবসি কয়াম্না মাংহন-বগে লায়বক মিংনা হেক য়েংবদা উম্বিবা মকমশিং অদু কাওবদা মাং-তাকহনবতমক উবা ফঙি। ডেমরা শনিগী লৈকয়গী লাইশঙহুসু লুট তৌখি। ইমুং ২৫বুসু ময়নায়গীতা থনবা লাইরিক বা ২০০/৩০০ মা লুট তৌখি। লক্ষ্মী বাজারগী বীরভদ্র মন্দিরগী ফকসাং থুগায়রগা মন্দুংদা লৈরম্বা পুম্নমক মাঙ-তাকহন্নখী। ইসলামপুর রোদতা লৈবা ছাত্রির অমসুং সনা য়োনফম দুকানশিংসু লুট তৌরগা মৈ থাদোকখি। নবাবপুর য়োডতা লৈবা মরনচান্দগী অথুম-অহাও য়োনবা দুকান, পুরান পল্টনগী মরনচান্দগী দুকাননচিংবসু থুগায়খি। রায় বাজারগী কালি মন্দিরবুসু থুগায়রগা মতুদা লৈরম্বা লাইগী শক্তমশিংদু লম্বীদা হুন্দোকলকখি। সুত্রপুরগী হিন্দুগী দুকানশিংদু লুট তৌদুনা থুগায়রগা মতুদা মুসলমানশিংগী মমিং (name plate) থেংচিল্লখী। নবাবপুরগী "ঘোষ এন্দ সন্স" হায়বা অথুম-অহাও য়োনবা দুকান্দু লুট তৌরগা মতুদা "নবাবপুর যুব যুনিয়ন ক্লব" হায়না মমিং থেংচিন্দুনা থমখি। নবাবপুরগী লৈরবা "রামধন পসারী" হায়বা দুকান্দুসু লুট তৌখি। বাবু বাজার পুলিস ষ্টেসনগী লম থক্তিক্তুং হন্দোক্লগা লৈবা "শুকলাল মিষ্টন ভন্দার" বুসু পুমতুম তুমহনখি। ইশৈগী খুৎলাই (যন্ত্র) য়োনবদা মমিং চৎলবা "যতীন এন্দ কম্পানী" গী পোৎ-চৈ শাকম অমসুং পোৎয়োনফম অদু অচুম্বা মতিক থীনা মা হনখ্রে মতুদি শিংলং ফেন দগীনা অরুবা পোৎ পুম্নমক লোয়না মাংহনখি; মমিং চৎলবা সাঁপ মন্দিরগী শরুক খরসু থুগায়খি। সদরঘাটকী মতুংদা লৈব, রূপলাল সরকার মার্কেটসু পুমতুম তুমহনখি।

শহরঞ্জনগী মমিত্তা কুমশিং ১৯৯০ গী অক্তিবগী মশক ওইরব লুট-পাট তৌখিবশিংদু শং-শংনা উরকখি। ১৯৯০ গী থোদোক অদুবু মযাম খংনবনি হায়গদ্রা? কাংবু অমগা অত্তোপপা কাংবু অমগা য়েন শনবদুবু মীয়াম খংনবা কোই অদুবু মসিদি মতম মীয়াম য়েন-শনবা নাঙ্ড। মসিদি কাংলুপ অমনা অত্তোপ্পা কাংলুপ অমদা লান্দাবনি। মীবু ওৎ-নৈবিবনি। থোংনাউদগী মুংখা মহাল পাওচংদুনা শহরজনগী

লাইবক্লা ঁয়েরবী। নিংথম থাগী মুংশাগী মৈশানি অহুম্না হুকচাংদা মৈশা খোয়রা কাওরবদে হিপনা হিপনা মহাক্না চা থকলিংবা লোকলকখি।

থৌজিকস্তু সুদাময়গী মমিক্না থৌদোকশিংহুগী শক্তমশিংহু উহুনা লৈখি। মথুড়া, মনে. মামা, মদোমচা পুম্নমক অমমম ওইনা লৈবাক থাদোক্লুনা চংখ্রিবশিংহু ময়মনসিং জংশনদগী ফুলবাড়ীয়োমদা গাড়ী থারম্মী। কয়লানা চেনবা রেলহু ইঞ্জিনদগী মৈখু কামখোকলক্লগা খোংলহুনা চংলি। গাড়ী দববাদগী থম্মোয় শোক্না কপপগী খোঞ্জেল হায়রকলি। য়ুমথ.নবনা চংনা চংনা হায়রকই "সুকুমার চংলসি লমসি পাণ্ডলশিংগী মরুমনি। মসি ঐখোয়গী পূন্সিগী অবেপপা মফম নত্তে।" সুকুমার অংংবদা ভাডবা মীপনি, মহাক্ন হায়রকখি, "ঐগী ইমা পোক্লকম লমদমনু অবেপ্প মফম. ত্রবদি পৃথিবীগী করম্বা মফমদা ওইগনি?" "ইবৈবাক থাদোক্লুনা ঐহাক চেনবা ওমদে। নখোয় চংলবদি চংলো, ঐদি ইপা-ইপুশি-গী লম থ দোক্লুনা কৈদস্ত চংলোই। যুবী, কাগী হৈকোল, লৌশিং. ইংখোল শংবল, বখী অনিদা শারিবা য়ুমজাও পূম্নমকসি থাদোক্লগা, শিবাগদ হ ত্তৈসন্দা চত্তজফম লৌরুবা ঐদি পামদে"। মতমহুদা সুধাময় চহী ১৯ শদে। কংলজগী মমায়বশিংনা মাবু উম্নবা লাকখি। 'নংগী পাবুংসি জুদা লীংডমক্ক-লোই" হায়না মখোংনা হায়রবি। সুধাময়না মতমহুদা মপাগী মত্তো-ওম্না হায়খি, "ইপাগী পে ক্লকম লমদম থাদোক্লুনা অংথম্বা লমদা কম্নিগী চংকদৌম্রিবনো?" শিরবস্তু লমসিদা শিগনি, হিংবস্তু লম-সিদা হিংগনি। কুমশিং ১৯৪৭ তা কলেজ থিংলম্মী। চংহৌদবশিংহুস্তু চংলগনি হায়নরক্লে। থুং থেক্লুনা মশিং থীবা য়ারবা পাণ্ডল মহেয়ে ই থরগা অমস্তুং লেমহৌবা লায়নবা হিন্দু মচাশিং থম্নগা কলেজ তমলগা সুধাময় লিটন মেডিকেল কলেজদা মিং চনখি।

কুমশিং ১৯৫২ দা মখোয় চহী ২৪ গী ঐ শাগলবা পাথং ওইরে। ঢাকা সহরগী রাস্তাশিংদা "বঙালীনা লৈবাকী লোল ওইগদবনি" হায়না খোলাও লাওবা মতমহুদা লৈবাক পুম্নদা অকনবা ইয়াংগী ঈথক হৌখি। "উর্দুনা পাকিস্তানগী লোল ওইগনি" হায়না মুহম্মদ অলী জিন্নানা ফোংদোরকপহু তাবদা মখোনা লৈরবা অমদি লৌশিং লৈরবা

বঙ্গালী মহারোলশিং ময়ায় কাবা হৌরকখি। বঙ্গলা লোয়না লৈবাক্কী লোল ওইনবগী রাজ্য মাংদা থারগা পাকিস্তানগী লৈঙাকপা কাংবুগী ময়ায় দা মখোয়না অকনবা খোল্লাওগা লোয়ননা মশাগী হক (কংক্রন্ন থোকপা শক্তক) তানখি। অপনবা পূমমক মায়রোং রাহুনা. পুলিসকী নোংমৈ মরু চাহুনা অশিবা লাইগা থুংশয়হুনা ঊনা লৌখোং চেনখি। অহুবু কনানসু বাঙ্গলালোনবু লৈবাক্কী লোন ওইবহুদি থাদোকখিদে। সুধাময় মতমহুদা য়াম্না মথৌনা লৈরম্মী, "বাঙ্গলানা ওইগদবনি" হায়রবা খোল্লাও লাওহুনা মীয়ামগী মমাং থাখি। পুলিসকী নোংমৈ মরুনা রফীক সলাম, বরকত, জব্বরগী থরায় লেখিবা ফুমিত্তুদা সুধাময়সু মীয়াম মরক্তা য়াওখি। মাবুসু নোংমৈনা পাল্লবা য়াঙ্গনি। মহাকসু লৈবাক্কী অখোয়বা মহৈবাকনী·বশিংগী মনুংদা অমা ওইরম্বা য়ায়রম্বনি। কুমশিং ১৯৬৯ গী লৈবাক হোৌবা (অন্দোলন) দসু সুধাময় ময়ুমদা লৈতে। মতমহুদা আয়ুব খানগী য়াথং মতুংইন্না পুলিসনা মীয়াম লাওহুনা লাকপা হেক উবদা নোংমৈনা কাপলম্মী। মহুদসু বঙ্গালীশিংনা '১১ রক শুবগী' অপাম্বা কোংদোকপদা নোংমৈন পাল্লবা আলমগীর মনসুরনা মিত্তুগী অশিবা হকচাংদ মহেংবান্দা পুদুনা মায়মনসিংগী লম্বীশিংদা কোয়চং চংলম্মী, মাগী মতুংদা অরাবা কোং-দোকপা বঙ্গালীশিংনা পাকিস্তানগী সিফাইশিংগী মায়োক্তা থবক তৌনব অমুক হন্না রাণক লৌনহুনা থোরকখি।

শক ১৯৫২ গী লোলগী ঈরাং হোৌবা, ১৯৫৪ দা য়ুনাইটেড ফ্রন্টকী মীখল, ১৯৬২ দা মহৈ-মশিং ফমগী ঈরাং হোৌবা, ১৯৬৪ দা সিফাইগী রাজেনগী মায়োক্তা ঈরাং হোৌবা, ১৯৬৬ ত ৬ লক হন্না ঈরাং হোৌবা, ১৯৬৮ দা আগরতলাগী অরোনবা থবকী মায়োক্তা তৌবা ঈরাং হোৌবা ১৯৭০ দা মীখল অমসুং ১৯৭১ দা মুক্তি মুদ্ধ অসিনা ময়েক শেংনা তাকলে মহুদি কালুপ অনিগী মরমদা লৈবাক খায়দোকপা হায়রবসি অরানবা ওইখি। অবুল কলম আজাদনা হায়খি :—

It is one of the greatest frauds on the people to suggest the religions affinity can unite areas which are geographically, economically, linguistically and culturally different. It is true that Islam sought to establish a society which transceds racial, linguistic

economic and political frontiers. History has boweven proved that after the first few decades or at the most after the first century. Islam was not able to unite all the muslim countries on the basis of Islam alone.

জিন্নাস্থ কাংলুপ অনি লৈবগী অকায়বশিংহু খংখি। মাণ্টবেটননা পঞ্জাব অমস্থং বেঙ্গলগী খায়দোকপগী বা হায়রকপদা জিন্নানস্থ হায়খি

A man is a Puujabi or Bengali before he is a Hindu or Muslim. They share a common history language, culture and economy. You must divide them. You will cause endless bloodshed and trouble.

কুমশিং ১৯৪৭ তগী ১৯৭১ ফাওবসি 'বঙ্গালী কাওব্' অসি অতৎপা লৈতমা হাংনা শুমবা অমস্থং অরাবা কৰা খাংবা তাখি, মতুগী অরোয়বা মহৈনা কুমশিং ১৯৭১ দা নীংতম লান ওইখি। বঙ্গালী লাখ ৩০ গী ঈখেংগী মহৈনা নীংতম্বা ফংলকপসিনা ধর্ম্ম (লাইনীং) না কৈদৌউৈদস্থু কাংবু অমগী থৌনাগী হৌরককম নত্তে হায়বা ময়েক শেংনা তাকলে। কাওলুপ অমগী থৌনা লিংজেল হৌরকফমদি লোল নাৎ, পুয়ারী অসিনচিংবনি। কাওলুপ অমত্তা ওইবদগী পঞ্জাবী পাওলগা বেঙ্গলী পাওলগা পুন্দূনা নোংমা পাকিস্তান শেমখি হায়বসি অচুম্বনি অদুবু হিন্দূ-পাওলগী কাওলুপ অনিগী ঈচেলবু থুগায়রগা লমদম অসিদা লৈবা বঙ্গালীশিংনা পাকিস্তানদা লৈবা পাওলশিংগা পুনশিন্নদবা অসিনা অশেংবা উৎলে।

কুমশিং ১৯৭১ দা সুধাময় মায়মনশিংগী অনা লায়য়েংশঙ অমদা ডাক্তর ওইরম্মী। মতমতুদা মহাক য়ুম অমস্থং মপান অনিমক্তা হায়ফেং থবক চিনলম্মী। সুমিদাংরাইরমদা স্বদেশী বাজারদা হিদাক্কী তুকান অমা তৌরম্মী। মতমতুদা কিরনময় থা ৬ তা ভায়রিবা অভাং অমা চেলম্মী। মচা মুপা অহল সুরঞ্জন চহী ১২ গী লমদানি। মরম অসিনা মাগী তৌকমথোকপা মথৌ (হক) রাৎলমদে। অনা-লায়য়েংশঙদস্থু পুম্নমক মহাক মথক্তনা লোয়নমক পুবা তাখি। তাল্লসিদা মতম ভাইহাক হাওবদা শরীফ কা লোয়নননা ময়াম পুন্দুনা রা তান্নবস্থু চৎলম্মী। মুমিত্তু মার্চকী তাং ৭ নত্রগা ৮ ওইগনি। রেসকোর্সকী কাংজৈবুংদা শেখ মুজীবুরগী মীতিনগী বা তারুরগা হল্লকপা শরীফ, ববুল, ফৈজুল অমস্থং নিমাইনা মুমিদাং নোংয়াইদা সুধাময়গী

ব্রহ্মপল্লীগী য়ুমদা থোও থিল্লক্লম্মী। মীতিন অতুদা শেখ মুজীবুর রহমাননা মীয়ামদা অপুনবা ওইনা হায়খি — "কয়িগুম্বা মোংমৈ মরু অমগা অমুক কাপলক্লবদি, মতুদা ঐ অমাদি ঐগী মী অম পান্দুনা শিরবদি মীয়ামগী য়ুম থুদিংমক লানবল ওইনবা ঐনা নীংশিংজরি। মাগী মাগী লৈজবা শংতু পায়নরগ লানবা খৌনগদবনি। ঐখোয়গী লান্দি নী তম্বগী লান্নি। ঐখোয়গী লান্দি মীখা পোন্দনবগী লানি।" মখোয় শাউবনা মশা থক থক নীকহল্মী। টেবল থীল্লতুনা হায়রকখিঃ— "তা সুধাময়, করিনো অমা তৌবিরে। ফমতুনা তুমিন্না লৈবনাদি ওইবা য়াররোই।" রাফমসি সুধাময়স্তু হওহল্মী। মসিগী মতুংদা তকিবগী মশাক যংলবা মার্চকী তাং ২৭ কী অহিং ওইরক্লম্মী। অতিংগী অমম্বদা পাকিস্তানগী সিফাইশিংনা ইখং হংহৌদনা তুমতুনা লৈরিবা বঙ্গালীশিংগী মথক্তা লান্দারকখি। মরুপ মপাংশিংনা সুধাময়গী য়ুমদা থোও থিল্লক্লম্মী অমসুং তুমিন্না মুরুম মুরুম শোল্লগা হায়রকখি "লান চংপা তারে। মসি নকুনা অতৈ পাম্বৈ অমা লৈত্রে"। নুংঙাইনা লৈরিবা লৈরাক থন্না লৈরিবা ইমুং মনুং থাদোক্লগা লান চংপা তারবা অতুগা মশ স্মু লান চংপগী মতম চাত্রবা ওইরে। অদুক ওইনমক অনা লায়েং-শঙদদি মহাক হৈনিংদে। কোরিদোরদা মথক্তা হনগং হন্দা চংলম্মী। লান চংনিংবগী অকনবা ঈংতৌ অমা মঙোন্দা হৌরকখি। ময়ুমদস্তু মহাক লৈবদা হৈনিংদ্রে। কিরনময়দা হায়খি — "কিরন, নঙ নথন্তা য়ুম লেপহৌবা উমংদ? ঐ করিগুম্ব মফম অমদা চংখ্রে হায়না খল্লে"। কিরনময় চৌনবগী শরুক হেনগংলক্লম্মী। তায়রকখি — "চারও চংলসি। অকোয়বগী মী পুম্নমক তারও চংনখ্রে।" সুধময়না খঙখি, কুমশিং ১৯৪৭ কী লৈবাক ঈরাং হৌরকপগা মদুি লৈননা সুকান্ত চট্টোপধ্যায়, সুধাংসু হালদার. নির্মলেন্দু ভৌমিক, রঞ্জন চক্রবর্ত্তী পুম্নমক চংখ্রে। মখোয়বু মহাকনা 'মীকিথী' হায়না হৈখ্রিবনি। নোংমা নিমাইনা সুধাময়দা হায়খি — "তাসুধা, সিফাইশিং সহরগী লম্বীদা কোয়চং চংলে। মখোয়না হিন্দুশিংবু পঙফাদা অস্তুম ফারে. অতুনা চেল্লসি।" কুমশিং ১৯৪৭ ত. সুকুমার দত্তগী মপুক্তা লেপলগা হায়খিবা অতুগুম্না সুধাময়নস্তু মপুক্তা লেপখিরমই। মহাক্না নিমাইদা হায়রকখি — "নঙ চংনিঙলবস্তু চংলু. ঐদি চেনগদবা মী নত্তে। পাকিস্তানগী হুইরোইশিংসি তাম্বোক্লগা ঈরৈবাকপু নীংখা তম্মহনগনি। অতুগা য়াম্বগনা অমুক মতমতুদা হল্লকউ"। কৈম্বুলগী ফুলপুরদা লৈবা খুঙ্গংগী

য়ুমদা কিরনময়বু থনমলগা শরীফ, বদুল অমসুং ফৈজুলগা লোয়নননা নালিতাবাড়ীখোমদা চংপা লেপলে। তৌইগুম্বসুং পাকিস্তানগী সিফাইশিংনা পাংখোয় কোয়খিরম্মী। রাইখু শো লৈন্নবা খোক্লকখি। "চরপড়া মোর" দা রাইখু শো ফংগদ্রে ফংলোইদ্রা, করিগুম্বা ফংলবদি য়ুমশো লোনশিল্লগা মুমিদাং অমম্বদা শামুকগাড়ী তোংদুনা চংকনি। মপুক্লুংদা খোয়শাউনবা অমসুং মীপ য়বনা থরম্মী। সহরস্থ মোংকমগুম্বা ইচিক চিক্লম্মী। দুকান ১/২ দি খোঙ তঙ্খায় হাংডি। ইথঙ থঙহৌদনা 'তোলট' হায়না মখোয়বু খামলকখি। মখোয়দু মী অহুমনি। অমনা ভুংলোমদগী লংকলগা ওক্কী ঘুরিং চিংলগা 'নমিং করি কৌই' হংখি?

সুধাময়না লুকথংগা নরি মিং হায়শিগে হায়না অস্থুম লকক্ তৌরিউডদা কি নিংলবদি মিং হেংঙদোকপা তাবনি হায়না য়ুমলোন মবশিংনা কিরনময়দা হায়রকখি হায়না তমখিবদু খনিং নীশিংলকখি। কাংমা অপটর ওম্বা মিং তম্বা খোংবা তারে। সুধাময়না খনখি, মাগী হিন্দুগী মমিংদু তাঙ্গাসিদদি অকায়বা করিম্থু লৈরোই খনখি। মহক্কু মণগী মমিং, মপাগী মমিং সুকুমার দত্ত, মপুগী মমিং জ্যোতির্ময় দত্ত কৌই হায়বদু কাউথোকখে। সুধাময় মশানা মশাগী খোঙ্গেলদা নিকপা থংহোদনা "শিরাজউদ্দিন হুশেন" হায়না হায়দোকশকখিবদুদা মথম্বা ওকচখিরম্মী। মমিং তাবদা অমনা য়াম্না অয়াকপা খোঙ্গেলদা য়ায়া শম্না 'লুংগী থোকাত্তকউ" হায়রকপি। সুধাময়না লুংগী থোকলমদে। মখোয় মশানা লুংগী থোকলম্মী। মতমদুদা সুধাময়না নিমাই, সুধাংশু অমসুং রঞ্জন করিগী চেনখিবনো হায়বদু খঙকাংই। ভারত খায়দোরকপগী মতাংদা হিন্দু হায়ফেং য়াম্না মরেবাক থাদোকখি। মাগী মাগী ফুরুপকী চংশবী মতুং ইনা ভারত পাকিস্তান খায়দোরকপগী মতুংদা হিন্দুশিংগীদি মশাগা ঙ-থৈ হোৎনং লৈজখি। মতমদুদা মরুওইনা অচৌ অশাং অমদি ময়াই ওইবা হিন্দুগী মহৈ মশিং হৈবা কাঙবুশিংদি ভারত্তা চংনখি। কুমশিং ১৯৮১ গী মীকোক থীবদা লৈবাক অসিদা হিন্দু লাইনীং চংপা মীওই করোর ১ লাক্ষ ৫ লিশিং ৭০ হায়বদি অপুনবা মীশিংগী চাদা ১২.১ ওইখি। মথং চহী ৮ গী মতুংদা মীশিং অসি $\frac{1}{4}$ দগী $1\frac{1}{2}$ ওইরমলগনি। হায়রবা পান্দমসি সরকারগী মীকোক থীবগী মতুং ইমনি অঙ্গুগা সুধাময়না মীশিং থীবদা ফাওবা খেন্নবা মিৎয়েং থমলে খনখি। সরকারগী রায়োল মতুং হুম্নদগী হিন্দু লায়নীং চংপগী

অশেংবা মশিংনা হেল্লি। চাওরাক্লা করোর ২ য়োমনি। অপুনবা মীশিংগী চাদা ২০ দি লৈবাকসিদা লৈবা হিন্দূনি। ১৯০১ গী মীকোক থীবগী মতুংইন্না নোংপোক বঙ্গালদা হিন্দুগী মশিং চাদা ৩৩.১ নি। ১৯১১ দনা ৩৩.৫ তা হন্থখি। ১৯২১ দনা চাদা ৩০.৬, ১৯৩১ দনা ২৯.৪ অমস্যুং ১৯৪১ দনা চাদা ২৮ ওইখি কুমশিং ১৯৪৭ তা ভারত খায়দোকনরকপগী মমাংদা নোংপোক বঙ্গালদা হিন্দুগী মীশিং চাদা ৫ রাংনা লৈখি। তৌইগুম্বস্যুং ভারত-পাকিস্তান খায়দোকনরবা মতুং চহী ১০ দা হিন্দুশিংগী মশিং চাদা ২৮ দগী ২২দা হন্থখি। মসি হায়বগী রাহস্থোক্তি (অর্থাদি) চহী ৪০দা হন্থবা মশিংথু চহী ১০ দা হন্থরকখি। পাকিস্তান পুম্বদগী তপ্না তপ্না হিন্দুশিং ভারত্তা লাকনখি। কুমশিং ১৯৬১ গী মীকোক থীবগী মতুংইন্না হিন্দূগী মশিং চাদা ১৮.৫ ওইবহৌ ১৯৭৪ দা ১৩.৫ তা হন্থখি। তৌইগুম্বস্যুং নীংতমলবা মতুংদশু হিন্দুগী মশিং লৈবাক খায়দোকনবগী মমাংগুম্না হন্থরকখি। কুমশিং ১৯৭৪ দা হিন্দূগী মশিং চাদা ১৩.৫ নি, ১৯৮১ দা ১২.১ ওইরবদি মশিং লাকঙমদনা হান্নদগী মশিং হন্থরে হায়না হায়বা য়ারে। অদুবু কনানা করম্বা মতমদা অমদি চহীদা লম থাদোক্কুনা চেন্নখিদবা য়াওখিবগে ১৯৮৩, ১৯৮৪, ১৯৮৫, ১৯৮৯ নত্রগা ১৯৯০ দা। লমদমসিদা কুমশিং ১৯৯০গী মতুংদস্যু হিন্দুশিংগী মশিং হন্থরকল্লমলোইদ্রা? অদুগ অমুক ১৯৯২গী মতুংদস্যু ওইরোইদ্রা? সুধাময় মাগী ওইথংবা থবাক্কী শরুক্তা অনাবা চেনা অমা ফাওরকখি। মসি মাগী অরিবা লায়নানি। লুখমন্নোমদস্যু নাবা হৌরক্লম্মী। মশাগী প্রেশর (ঈগী খোংজেল) হেনগংলকপনা ওইবা য়াই। সিঃ এনঃ এনঃ দা বাবরী মসজীদকী থোৎদোক্কু হেক উংলকপদা মহু মুথংলম্মী। মসিগী ফিভম অসি হেক উবদা মীয়াম্না হিন্দুশিংদা লান্দানিংগনি হায়দুনা লৈঙাকপশিংনা মহু মুথংপীবা ওইরমগনি হায়না সুধাময়না থঙরম্মী। তৌইগুম্বস্যুং মাং তাকপা উবদা খুদোংচাবা লৌদুনা ঈরাং হৌবা মখোয়না আরঃ সিঃ এনঃ দা লাকপা শক্তমশিংদু ঙাইদুনা য়েংলমদ্রা? সুধাময় মশাগী ওইথংবা থবাক্কী শরুক অদু পায়রগা হিপথত্রে। অদু ফাওবদা মায়ানা মাঙ্গোলদা কোয়চৎ চংলম্মী। মহাক কৈদনো অমা চংপা পামলম্মী। সুরঞ্জননা মহৌগঙবদুদা চংনিংলবস্যু চংপা ঙম্মদে। সুধাময়, মাঙ্গোলদা মুংশা য়ৈরকপদুদা মাগী পাম্বৈ লৈত্রবা মিৎয়েংদুনা য়েংদুনা লৈখি। মায়াগী মমি শাংনা তারম্মী। কিরনময় লেঙদনা কমলম্মী। মাগী

মীংয়েংসু য়াম্না নোঞ্জনা কৈন্দনো অমা হিংনবা চংলদি হায়বগী মওংদা য়েংলম্মী। করে মচংলদি। অদুবু য়ুম-কৈ পুম্নমক থাহগা কৈদা চংকনি সুধাময়। চহী মতাংসিদা হান্নগুম্না চেন চোংবা ঙম-দ্রিগদ্রা? হান্না মীয়াম উরগা চেম্ভোকখিবদা ইমুং-মনুংনা খিংবা ঙমদবগী থৌনাহু হৌজিক্তি মঙোন্দা কদায়। নীংতম্নবা, জাৎ-কুহু খায়দবা বঙ্গলাদেশতা লৈরগা মহাক্না লৈতাকলোন, শেল্ল-থুমগী মরম, থুম্নয়ক্লোন অমদি লাইনীংগী নীংতম্বা পুরকনি হায়না মহাক্না খনখি। তৌইগুম্বসুং তপ্না তপ্না লৈবাক অসিগী হেক হৌবদগী হৌনা লায়নীং অমত্তদা য়ুম্ফম ওইদবদা চংশিন্নকখি। লৈবাক অসিগী মরুওইবা লাইনীংদি হৌজিক হৌজিক ইসলামনি। অসিগুম্বা মশাগী লাইনীং-দতা থাজবা জাৎ-কুহু খায়বা কাংবু অসিনা কুমশিং ১৯৭১ গী নীংতম লান্দা অথিবা পীরম্মী ১সুং লৈখুলদা লোক্তুনা লৈরম্মী অদুগা নীংতম্নবা মতুংদা ঙসি অমুক লৈথূন্দগী খোরক্লগা ঈরাং শাগৎপা হৌরকলি। ঙসি মখোয়না চাউজবা শারদনা কোয়চৎ চংলি গেন্দবা কয়া ফোংদোকলি অমসুং মীকম কয়া কমলি। মখোয়না কুমশিং ১৯৯০ গী ওক্তোবরগী লৈবাক ঈরাং হৌবদা হিন্দুশিংগী লাইশঙ, য়ুম-কৈ লুট তৌদুনা মৈথায় থিনগাইরগা মৈ থাদোকখি।

সুধময় মশিং উইশিল্লগা হিপলম্মী। তনক্না করম পোক্লগদৌ-রিবনো হায়বা মহাক খঙলমদে। ময়াই কারবা হিন্দুশিংনা বাবরী মসজীদ থুগায়খ্রে। ফত্তবা (পাপ) থবক অদুগী মহৈগী কোকথোক চাম্বোকপনা (প্রায়চিত) বঙ্গালাদেশকী হিন্দূশিংনা তৌবা তারি। বঙ্গলাদেশতা লৈরিবা মশিং থীঙমদ্রবা সুধাময়গুম্বা ময়ামনা কুমশিং ১৯৯০ গী থৌদোক্কগী অব্বাবা কোকলমদে। অদুদদি ১৯৯২ দদি কমদৌবা তাগনি। হন্দকসু সুধাময় উচিনা মথুলদা লেংশগুম লাৎপা ভাবনি। মসিবু চুম্না হিন্দু ওইরুবগী মরমনর? ভারত্তা হিন্দুশিংনা মসজীদ থুগায়থ্রগা মদুগী অৱাবা চেনা সুধাময়না করিগী ফংগদৌরিবনো? মহাক্না অমুক হন্না মাঙ্গোলদা তারিবা মায়াগী মমিহু য়েংহুনা লৈরম্মী। মায়া করিগুম্বদা লেপ্তুনা লৈতে মশাহু লেঙহুনতা লৈরম্মী। মমিহু লেঙনা লেঙনা খঙহৌদনা মশক উখিরমদ্রে। মায়া মপাবুংগী কাদা চঙখিরম্মী। মহাক্কী মুনরং তৌবা তনানবা মায়থোংদা চিংনবগী হুমাং ঈরিক্না পীক থলম্মী। মায়ানা অশাউবগী অয়াকপা খৈদা "অদু ওইরবদি নখোয় সিদা লৈহৌরো ঐ চংলে" হায়না হায়রকখি। কিরনময়না চৈহংলগা হংলকখি "কদায়দ চংকদৌরিবনো?" মায়ানা

থুনা ৎনা মশম হাংলগা হায়রকখি "পারুলগী য়ুমদনি। নখোয়না হিংনিংত্রবমিনা ঐনা করি তৌবা ঙমগনি। তামোস্থু করি অমত্তা চংলরোইদবা ওইরমালে"।

মপূক্রুংদা য়ান্না লাংতকনবগী মওংদা সুধাময়না হংলকখি "অদুদি ত্রৈখোয়গী "নীলাঞ্জন দত্ত" গী মিংনা কমদোৌবা ?" থুনা মানা সিরাজ-উদ্দন" গী মমিং মীংশিংলকখি। মায়াগী খরহু খঙ্গা ফুইনা ফুইনা হোল্লম্মী। অদুদগী হায়রকখি "লা অল্লাহু ইল্লাল্লাহু মুহম্মদুর রসুল্লাহ" হায়না হায়রবদি পাঙল ওইবা য়ারে হায়নৈ। মতুম তৌরনি। মিংনা ফিরোজা বেগম কৌরনি"।

'মায়া'. কিরনময়না মায়াব থিংবা পামজকখি।

মায়ানা মঙক লৈথোকলব্রগা কিরনময়দা য়েংলকখি। মাগী রাখলদি মহাক্তু অরানবা খবক তৌদে হায়বসিনি। সুধাময়না নিংশাঁখর শাংনা তেংলুগা মল্লপ কল্লপ মায়া অমসুং কিরনময়দা য়েংলম্মী। মায়ানা ১৯৪৭ কী লৈব ক খায়দোকুবা, ১৯৫০ গী মীহাৎ মীপুন ১সুং ১৯৭১ গী মীংতম লাল উহৌবা নত্তে। জ্ঞান তারকপদা সৈবাক অদুগী মরুওইবা লায়নীং ইসলামনি অদুগা মহাক্তা অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংনা মশিং লাকওমদনা থুনায় অদুগী মীশিংগা য়ান্নবা রারী শান্নবা তাই। মহাক্তা ১৯৯০ গী অকিবগী মশক ওইরবা মৈ চাকপহু উংখি। মরম তসিনা মপুক্সি কন্নবা মায়ানা খুদোংথীবা থুদিংমক থেংন্নবা শেম শাখিরম্মী। মায়ানা মীয়াগী মখুত্তা মপুক্সি লোম্না পামলমদে। সুধাময়গী অহাঙৎ মিংয়েংদা মায়াবু উখি। ম গী মমাংমক্তদা মহাক্তা হৌজিক ঙায়হাক্তা পন্দুনা লৈবা য়াব্রে হায়খি। সুধাময়গী থম্মে য়দা অকনবা চৈনা অমা তপনা তপনা হেনগংখি।

সুরঞ্জন চা থকনিংবা কোকিলমদ্রি। হৌগংলগা মহাক টেটিরোমদা চংখি। মচিন শেংব্রিডৈদা চা গ্লাস অমা থকলবদি মফগদবনি। মায়াগী মখোল তাখিব্রে। দুপীমচাহু চংখ্রবাজাংলো ? সুরঞ্জন মচিন শেংলি. য়াম্না কুইনা শেংহুনা লে। য়ুমহু কনাগুম্বা অমা হৌজিক হৌজিক শিরদবগী মওংদা য়াম্না ভকনা চীং-লেমবা লৈবগী মতৌগুমই। য়াম্না থুনা কত্তবা থৌদোক থোকলগদৌরে মতুগীদমক ময়াম মাগী মাগী শিবগী তাঙ্গা ঙায়হুনা লৈনবগুমই। সুরঞ্জন চা থরুবা থিরকপদা সুধাময়গী কাদা চংখি অমসুং ফমুংদা মখোঙ থাঙ্গতুনা ইংনা ফমথখি।

মায়বু কদায়দা চংথরবনো ? সুরঞ্জনগী রাজংগী পাউখুম কনানসু পীরক্লমদে। কিরনময় নীংবা কায়না থোংনাঙ্ট মপাদা ফমলম্মী। করি অমত্তা হায়রমদনা মহাক্না ভূমিম্মা ছোংগৎলগা চাকশঙদা চঙখিরম্মী। সুধাময় ফমুংলোমদা ফুমখংনবা মিংয়েংদা য়েংদুনা লৈরে, অদুগা মমিং উইশিল্লগা য়াওন্দ্রুনা ছিপথ্রে। থাঙ্গৈমকশংনা মঙোন্দা কনানসু পাউ নীবগী মথৌ তাখিদ্রে। মহাক্না মওং চুমনা মশাগী মথৌ পাঙথোকপা ঙমদ্রে হায়বা মহাক খঙখি। মহাক্না ইমুং মনুংগী মী ময়াম পুম্বনা করিগুম্বা মঙ্গম অমদা চংকদবনু ওইহৌদ্রে। নত্রগনা মহুম তৌবগী মশাদা হৈনিংবা পোকত্রে। মায়া জহাঙ্গীর কৌবা নহা ১গা মরি লৈনৈ হায়বা সুরঞ্জন খঙই। তাঞ্জা কংলবদি মহাক মহাক্না উন্নবা চংলমগনি। য়ুমদগী অমুক্তংমু পোকথরবদি কনাবু চিংমরুনি। হাংন-হনবা হৌরক্লবদি হিন্দুশিংগী মওং মতৌ হংবা মুসলমানশিংগী চংনবীনি। হৈনবীসি জহাঙ্গীরনসু তৌরমগনি অদুগ মায়ানা মহুদা খুদোংচাবা লৌরমগনি। মায়ানা করিগুম্বা জহাঙ্গীরদা লুহোংলগা থোকলমলবদি ! নিপামচাহুনা মায়াদগী ক্লাস অনী হেল্লি। জহাঙ্গীরনা মমৈদা মায়াবু লুহোংবিরোই হায়না সুরঞ্জননা চিংনৈ। সুরঞ্জন মশামক মহুগী অরাবা চৈথেং ফংলবনা খংলমখি। মহাক্কীসু পরবীনগা লুহোংগদৌরমলবনি। নঙ পাঙল ওল্লো হায়না পরবীন্না হায়রকখি। লাইনীং ওনবগী কান্নবা করি লৈরগে হায়না সুরঞ্জন্না হায়খি। ঐখোয় অনি ইশা-ইশাগী লাইনীং চংনবনবু হেন্না ৈক। রাকম অসি পরবীনগী ইমুং-মনুংনা পান্নমদে। মথোম্বনা লল্লোনবা মুপা অমদা পরবীনগী লুহোংবা লেপ্পখিরম্মী। কপ্প কপ্প পরবীনসু লুহোংবগী শঙ য়েংখি।

সুরঞ্জন নীংবা কায়বগী মিংয়েংদা নিংখায়রবা মাঙ্গল অমরোমদা য়েংদুনা লৈখি। অশানবা যুমনি. মাঙ্গোল য়াওদে. চেন-চোংনবা লম লৈতে। কিরনময় চা গ্লাস পুরদুনা কা মনুংদা চংলকখি। মমাদগী চাহু লৌরগা সুরঞ্জননা অসুম হায়রকখি "ডিসম্বর থ য়োরে, অহুবু অইংবা কাওত্রে, অঙাং ওইরিঙৈদা নিংথম গ্লাগী অয়ুক্তা খজুর মহী থকপহু করি অমত্তা তৌদবনিদা"।

"মীগী অশানবা য়ুমনিনা কদায়দগী খজূর মহী ফংগদগে" হায়না কিরনময়না নিংশা শাংনা হোল্লহুনা হায়রকখি। 'ইশানা থাজবা, উ-রা হৌবা য়ুমহুদি অরেম্বদা য়ে-ম্বাকলমদো।"

সুরঞ্জননা চা থকনা থকনা খজুর য়ানবম, খজুর মহী য়াওবা মচৈ পুথরকপদু নীংশিংলকখি। মায়া অমসুং মহাক্না উখাদা থক থক নিকনা লৈরম্মী। রা-ডাংবদা ময়াদা মনিল থোকলকখি। অদুগুম্বা শান্নকম লমপাক, হৈনৌ পাম্বী, জাম পাম্বী, থৈবোং পাম্বীগী হৈকোলশিং ওসিদি কৈদনো। সুধাময়না মসি ইপা-ইপুগী লমনি, মসি থাদোকুনা কৈদম্মু চংকন্নু হায়খি।

মমৈদা সুধাময়না য়ুমদু য়োনবদা অপ্পিংবা নীখি। মায়ানা চহী ৬ লোম শুরকপা অদুবাইদা নোংমা স্কুল হল্লকপদা শকখঙদবা থরনা মাবু লোন্না পুখিরম্মী। সহরদা হায়ফেং থিরবা ফাওবদা ফংবা কৈরা লৈখিদে। মহাক মরি মতা অমগীদা চংখিবা নত্তে, খঙনা চানবা অমগীদসু চংপা নত্তে এডবার্ড স্কুলগী অদুনা য়াম্না হী হায়গংনবগী তাঞ্জা ওইখি। কোম্মোং মায়াদা মখুত্তা হৈজ্রাং পায়বা লম হেনবা নহা খরা লৈহৌবদুনা মায়াবু ফাদুনা পুরমলগনি হায়না শুরঞ্জননা খনখি। নুমিৎ নিনিংগী মতুংদা মায়া মশা মথন্তা য়ুমদা হঞ্জরকখি। কনানা মাবু কদায়দা ফাদুনা পুবগে হায়বা তাকলমদে। থা অনীচুপনা মায়া হান্নগী মওংদগী অওনবা মওংদা লৈখি। তুম্বদসু মশাদু খঙখি। মী হেক উবগা কিরম্মী। নুমিদাং নুমিদাং চুপ্পদনা য়ুমদা শুঙ থারকলম্মী। মিং থাদবা চিঠী কয়াদা মখোয়না মায়াবু ইকায়খুম্নবা মাঙহনগনি হায়না থারকখি। হিংনিংলবদি শেল পীগদবনি। সুধাময়না রাকংনবা থানাদা চংলম্মী। থানাদসু শুপ্পগী মিংগা লৈখমগা ইহৌরগা করিসু মথা চংথবক্তে। নিপামচাশিংদুনা ইঙ্খোলদা চঙলক্লগা হৈকোলদগী হৈ-বা হেকত্তংলি, ইনশাং-লাপী মনা-মশিংশিং মখোয়না নেংথলি অসিদা নত্তনা লৈ-শুসু থদংলি অদুবু কনানসু করিসু হায়বা ঙমখিদে। খুল-লৈকাইদা রাকমসি তাকলে অদুবু কাম্নবা মহৈ ফংজ্রে। মখোয়না হায়খি "ঐখোয়না করিদি তৌবা ঙমগনি" ? অসুম্না তৌদুনা অদুম লান্নবনি। মাগী মরুপ খরা পুরগা সুরঞ্জননা থোদোক অসি তেন্নশিন্নবা পাম্নলমখি। শোয়দনা রাতেন্নবদু য়ান্নমগদবনি অদুবু সুধাময়না সুকয়া য়াখিরমদে। মহাক্না মান্নবসিংদা খুল হোংলগে হায়না খনখি। য়ুম্না ইঙ্খোল য়োল্লনি। য়ুম ইঙ্খোল য়োনবগী মরম অমসু লৈ। য়ুম অসি লৌবগী মতম শাংনা খৎন-চৈনবা (কেস) তৌন্নরিবনি। মহাকী য়ুমলোন্নবা শৌকৎ আলীনা অশাবা দলিল পুখোরকলগা য়ুমদু সৌননবা হোংনরিবনি। মসি ডাক-থাকনবা মতম কুইনদগী লোয়শঙ (কোর্ট) কাখোক কাশিন তৌনবদা

হৌজিক্কি সুধাময়দা হৈনবী অমা ওইরবনি। সুরঞ্জননা য়ুম থাম্লিংদে। মতমদুদা মহাক ঈ খেগৎলকলিব। কলেজ ছাত্রনি। ছাত্রগী মীহুৎ ওইনা কলেজ ইউনিয়নগী ভোতে মায় পাকাব। মানবু পামলমলবদি লমহেনবশিংগু লাকশিনবা ঙমলমগদবনি অদুবু সুধাময়না য়ুম য়োন নিংতমতা লৈবদুদা তোকখিবনি। মহাক অমুক হন্না সহরসিদা লৈরোইদা থাকদা চংলগনি। লমসিদা মাগী ডাক্তরগী থবকসু নিংথিনা চংথরে। স্বদেশী বাজারগী হিদাকশঙদা পুমিদাংরাইরম ফম্মী। অনাবা ইরাক লাকত্রে, অমা-অনী ল'কলবসু হিন্দু লাইরবা ডাক্তা ওইনা তৌই। কয়াম নংবগে হায়রবব মখোয়দগী শেল লৌগে হায়রবা ঙমলমদে। সুধাময়গী মপুক্কিংদা কুংনাংবদু উবদা সুরঞ্জনসু কন্না তপশিল্লমদে। হৌজিক মহাকী লৌবিথা অনীদা শাবা চাউরবা য়ুম-জাউদু নীংশিংলকবি। মতমদুদা লুপা লাখ ১০ শিংকদবা য়ুমদুবু অপ্পগী লুপা লাখ ২দা মহাক্না বাইশউদ্দিন সাহেবতা যোন্থোকখি। অদুদগী কিরনময়দা হায়বকখি - "চংসি, পেংচে লেপ্তিশিন্নরো।" কিরনময় খোঞ্জেল খোক্না তেংথারকখি। সুরঞ্জননা মখোয় থাঙ্গেৎলেনা মফম অদুদগী চংলনি হায়বা থাজরমদে। হেক পোকলকপদগী লৈরকলবা য়ুম-কে, অচাং ওইরিবৈদগী চেন-চাতুনা শা'মরকলবা মফম, মপা মপুগী হৌরকফম অমদি মকুপ-মপ চংশিনবু থাদোক্নুনা চৎপা হায়বসি মহাকী অপাম্বা ওইরমদে। মাগীদমক্তা লেজবা পূমক থাদোক্লুনা লাকলব' মায়ানা মতক হায়রা হায়রদুনা হাপ্পকখি -"ঐদি মুক্তিয়া থাদোকলগা চৎপা ঙম'লাই।" মুক্তিয়া মহাকী অচাং ওইরিবৈগী মমানবনি। অদুবুকপদা মহাকী মযুম লে। পুমিদাংবাইরমদা মাঙ্গোলদা ফমলগা মখোয় অনী চাইথী শান্নমিন্ন। মহাকসু মায়াবু য়াম্না লুনা তৌই। তৌইগুম্বসুং সুধাময়না কনা অমত্তনা হায়রব তাখিদে। মরমদি লমদুগা মাগা লৈনবা মরিনা হেল্লিবনি। মহাক্না হায়খি —"পুনস্নিসিবু কয়াম কুইনা লৈখিগবা, অরোয়বা মতম ফাওবা ইচা-ইচাশিংগা ইংনা থুয়া তুশিংনা হিংবা পামলকলে"

করিগুম্বা মফম অমদা ইংনা চিকনা লৈরুবা হায়বসি ওংথোকক্রা? সুরঞ্জননা মগ ওইথোকলোই হায়বা খঙই। মহাক্না পামজবা থাকাদুনা লাপলগা ঈচংগনি হায়না খঙ্গৎলিবা লমদু নীতম্বা লৈবক অমগা কোন্নুংনি মহুদা সুধাময় মশাগী চংনবী থাদোক্লগা লৈবা তাখি। সুরঞ্জননা মপাগী অরাথা রাখলদু মুন্না খঙলম্মী। মহাক মচিন্দদি

করি অমত্তা ভাউলমদে অত্তুবু মহাক্কী অমাবত্ তুমিন্না থাত্তুনা লৈখি। সুরঞ্জন পুম্নমকসি মুন্না খঙখি। মহাক্কী মমাংদা অচৌবা অখিংবা অমা লৈরি মহু কয়ারক হন্না হোৎনরবগী মতুংদসু অখিংবত্তুবু দি লান থোকপা ঙমখিদে। সুধাময়নসু ঙমখিদে, সুরঞ্জননসু ঙমখিদে।

সুরঞ্জন মাঙ্গোলদা য়েরকপা নুংশারোমদা য়ান্না মুন্না য়েংহুনা লৈখি। খঙদোদনা অথাপ্পদগী মীয়াম লাকপগী মখোল তাবদা মহাক চেকশিল্লম্মী। মীয়ামত্তুনা লাকপত্তুদা লাউরকখিবা খোল্লাও তত্তু কদিনো হায়বা খঙনবা সুরঞ্জননা হোৎনখি। সুধাময় অমসুং কিরনময়না থাঙ্গৎতুনা তারমখি। কিরনময়না হৌগৎলগা থোংনাউ লোনশিনখিবত্তু সুরঞ্জননা উরমখি। থোংনাউ লোনশিনলবগী মতুংদা মীয়ামত্তুনা য়ুম মমাংদা ফাওত্তুনা চৎলবা মতমদদা ফাওরিবা-লাউরিবা খোল্লাও পুম্না মরেক শেংনা তারে "হিন্দুগী য়ুম ১/২ লৈরিবশা চানিংবা চাহৌরে।" সুধাময়গী মশা থক থক নীকপত্তু সুরঞ্জননা উখি। কিরনময় খিংজিন্নবা থোংনাউদা তুং ওল্লগা মশা থক থক নীকনা লেপলম্মী। কুমশিং ১৯৯০ গী ইরৌদসু মীশিং অসিনা খোল্লাও অসি লাউখি হায়বা সুরঞ্জননা নীংশিংলকখি। মখোয়না হিন্দুশিংবু মাঙহনবা পাম্মী। হায়বগী রাক্তহোক্তি থন্দোকপা তোঙ্হোকপা পামলমখি। তানজাসিদা মখোয়না সুরঞ্জনবু থেংনরমলবদি হান্তোকপি খগনি। মখোয়শিংত্তু কনানো? খুল লৈকাই অত্তগী নহারোলশিং ডাক্তনি! জব্বর, রমজান আলমগীর, কবীর, আবেদিন খোয়নি। তুমিৎ চুপ্পা অয়ুক সুমিদা খাক্তনা মখোয়শিংগা মরুপ-মপাং অমদি মচিন-মনাও ওইবগী মওংদা খুল লৈকাইগী খুদোংচাদবা কয়া কোকনবা থন্নহুনতা লৈরিবনি। পুম্নপ পুম্না খুদোংচাদবশিং কোকনবসু হোৎনমিন্নরিবনি। অসিগুম্বা মীওইশিংসিনা অইংবা ডিসেম্বরগী তাং ৭ কী নুংডাইরবা অত্তুক্তা সুরঞ্জনবু মাঙহনগদৌরিব্রা!

সুধাময় থানাদা লাকলগা তান্তিবাজারদা লৈরে মতুদা মখোয়গী মমাগী মদুং অসীত রঞ্জনগী য়ুম লৈরম্মী। মহাক্না মখোয়গীদমক্তা অপিকপা য়ুমমচা অমা রায়বিরম্মী। অসীতনা হায়খি— "সুধাময় নঙদি ইনাকখুনবনি; অরায়বা য়ুমদা লৈবা হৈনগদ্রা?"

সুধাময়না খুমলকখি, করিগী হৈনদনি। মী পীক থম্না লৈনরিবনিদি?"

"লৈবুদি লৈনে। অত্তুবু নঙনদি হেক পোকপদগী লায়র-অনংবা কাংলকত্রিবনিদো। করিগী নয়ুম য়োম্হোক্লক্লিবনো?" মায়াদি অঙাং

মচানি কনাগুম্বনা কারন-তুরন তৌহুন ফঙবা থৌদোক থোকদবা লৈশাবীসু নট্রি। ঐনা উৎপলবু কলিকতাদা থাখিবগী মরমদি মহাক কলেজ চংপ ফংলক্রবদগীনি। খুলগী নহারোলশিংনা মাবু চীংহুনা পুরনি হায়না কিহললকখি। মহু কিবদগী ঐনা মাবু থাখিবনি। হৌজিক কলিকতাগী ভিলজলাদা মাগী মাম্মগীদা লৈরি। মুপীনা লৈশাবী মপুং ফাজিল্লকপসিদা য়াম্মা অরাবা ওই, ইমাও"।

সুধাময় অসিত রনঞ্জনগী রাহু তাদবা তৌরমদে। হোয়, খুদোং-থীব হায়বহুদি অহুম মথোকপনি। পাঙল মুপীসু চাউরক্লুনা মপুং মরৈ ফাজিল্লক্রবদি খুদোংচাদবা অহুম মরৈ হায়বা মখোয়বু খঙহল্লিংঙি। অমুকথক সুধাময়গী ছাত্রী (মহৈরোই নুপী) নহারোল খরনা লম্বীদা ইনস্তুরগা মফ থোকলমখি। নুপীমচাহু হিন্দু নৎলমদে, পাঙল নুবী ওইরম্মী। নুপামচাশিংহুদি পাঙলমচা ভাকনি। সুধাময়না হায়বা পামখি — হিন্দু পাঙলগী রা লৈতে মসিদা অশোনববু অকনবশিংনা খুদোংচাব ফংবদা ওং-নৈবা হায়বসিদ। নুপীদি মপাঙল শোল্লি অহুনা মপাঙল কনবা নুপানা মখোয়বু ওং নৈব্রিবনি। অশিত রঞ্জন মচানুপী অমিমকপু কলিকতাদা থাখিরম্মী। শেল থুমসু নিংথিজনা মথোকই। ইসলামপুরদা সনা য়োনফম চুপ্পান লৈ। মনোন অনীশাবা অমনবা য়ুম ১ লৈ। মহু ফাওবা শেমজিল্লে। য়ুম অনৌবা অমা শাবগী রাখলসু লৈল্লে। নোংমা মহাক্না সুধাময়দা হায়খি —"ইচিন ইনাও অরেম্বদা শেল চাদিং পংতৌ তৌমু, তুংশিল্লু। য়ারবদি য়ুম য়োনবগী শেলহু ঐগী মরি মতাশিংগী মনাক্তা থাদোকখো। মখোয়না লৌ ইঞ্জোল লৈবিগনি। "কদায়দা কেদৌদৌরিব" সুধাময়না হংখি ?

অসিত রঞ্জননা খুমলকখি. "কলিকতাদনি ঐগীদি লৈরবনি।"

সুধাময়না খোল কল্লপা হায়রকখি —"অদোমনা শেলনা অসিদা তাল্লগা চাদিংনা লৈবাক অহুদা তৌবিগদৌব্রিরা ? অদোমদি লৈবাকী য়েকুবা কৌবা য়ারে।"

অশীত রঞ্জন সুধাময়গী রা তাবদা পাখংলম্মী। কনাগুম্বা হিন্দু অমত্তনা মানা ভাংলিবা রাজ্যাংসি ভাংখিদে। মাগুম্মা মখোয়সু শেল চাদিং তৌথোক্তনা থমখি। মরমদি কম্বা মতমদা করি থোকলগদগে কনানা হায়বা ভমগনি। মসিদা হৌজিক লৈতানা লৈখিনি অহুগা কনানা কম্বা মতমদা মৈথায় থুগাইহুনা মাং-তাকহল্লগনি হায়বা কনানা খঙনি।

সুধাময়না কব্রি কব্রিগুম্বা মতমদা মহাক্না করিগী মায়অনসিংহ থাদোকলুব্রিবনো হায়না খনখি। ময়ুম হুংশিবনা করিগী মপূক্রিং খোয়-রাংহল্লিব্রবনো? মায়াদগী ব্রাহৌসি ওইরকপনি, মসিদি এইখোক্লপা ঙাক্কনি। মশাগী ইকায়বা নংবা (ইজং মাংবা) হায়বসিগী মত্রাংদদি হিন্দু—পাঙল কাংবু অনিমক থেংনদুনা লাকখি। সুধাময়না ময়ুম কব্বা ঙমলরোই হায়না খনখিব্রা? মহাক মশা মথন্তা ব্রাহং হংজখি। তাস্থিবাজারগী অপিকপা য়ুমম্চাদুদা অস্তুম হিপনা হিপনা মহাক্না ময়ুম থাদোক্রমলগা শকথঙদবা লমজিদা করিগী লাকলুরিবনো হায়না সুধাময়না খনখি। কব্রিগী মতৌ অস্তুম্না মশাবু মশানা লোত্তুনা খমজরিখনো? মশাগী ময়ুম ইখোল লৈব্র-কাওবদা কব্রিগী মীচেনগুম ওইব্লিবনো? নত্রগনা শৌকত সাহবকী অশাবা দলিলগী মুক্কদমাদা মায়খীরগনি কিবনব্রা? মশাগী ময়ুমনি, মশানা মায়থীজখিগদবনি। মতম লৈরিঙৈদা ইজং মাংদনবা চংহৌরবনি। সুধাময়না মহাক্কী মদোনমচাগী মচা অমসু অস্তুমনা য়ুম থাদোক্তুনা চংখিবা থেংনখি। টাংগাইলগী "আকুর ঠাকুর" হায়বা খুলদা মহাক্কী ময়ুম লৈরমখি। থংননা লৈবা জমীর মুনশিনা মহাক্কী লমদু মুনবা পামলমখি। কোক্তা কেশ তৌনরম্মী। চহী ৫ চুপনা কেশ তৌনখি। মমৈদা জমীর মুন্সিনা কেশ ঙমখি। অদুগী মতুংদা তারপদ ঘোষাল মরৈবাক থাদোক্লমলগা ভারত্তা চংখি। শৌকত সাহবকা শোকনরিবা কেশ অদুসু তারাপদগী মওংদু লাক্কনবা হায়দুনা মপা মপুগী লমদু য়াম্না থুনা য়োল্হোকখি অদুবু মদু ওইব্র ফাওবদা মীপাইনিংঙাইনী ব্রা লৈখিদে। মব্রমদি সুধাময় হাব্রগুম্না ইজং লৈতবা নত্তে অদুবু মরূপ-মপাংগী মশিং হুম্বরে। খুদোংচাবা য়েংদুনা অমমম ওইনা হিন্দু য়ুমশিং দেশ থাদোক-তুনা চংনখ্রে। মী কয়া শিখ্রে। কয়াম কুইনা খাঙগনি। লৈহৌরি-বশিংদুসু মক্সুংদা নীংবা কায়ব্রবা ঙাক্কনি। হিংলুবগী কাব্রত্রবা ঙাকনি। মখোয়গা ব্রারী শান্নবদা মখোয়সু কিব্রে হায়বা সুধাময়না খঙখি। কাব্রিগুম্বা অখেংবা অহিংদা হিংচা-য়াইতম্বা খব্রা লাকলগা মখোয়বু হাংথিরগনি খল্লি। পুন্নমক্না নুংঙাইরবা লমদম ভারত্তবু নীংনৈ অংনা অয়োনবা লম্বী থিনদুনা লমথৈ লাক্হোকনবা হোৎনৈ। সুধাময়না তত্তনা হায়খি "লৈবাকনা লাল তৌরিত্তে মতমদনা মীকিথী ওইনা ভারত্তা চেনখিব্রা। অদুগা লৈবাক নীংতম্লবা মতমদনা অথোবা শারদনা হল্লকখিবা, থোদোক খুদিংগী ভারত্তগী চেল্লদনা। কনানা মাবু

ভারত্তা চেল্লু হায়রবগে ? নখোয় পুম্নমক মীকিখীনি।" তপনা তপনা জতীন দেবনাথ, তুষার কর, কিরন পুম্নমক সুধাময়গী মনাক্তগী থাপ-তোকখি। শ্মিত্ত মখোয় ব্রা নিংথিনা হয়াওনা ভাংদ্রে। মশাগী লৈফমদুদা সুধাময় মতোমতা তারে। মাগী পাঙল মরুপ শকুর, কৈসল, মাজিদ, গফফার খোয়গসু অসুম অসুম লাপথোকনবা হেল্লক্রে। মখোয়গী ময়ুমদা চংলুরবসু, "নঙ ভাইহাক্কং ফমফমদা ফমলমখো ঐ লাই থুরুমলুরগা লাক্কে" হায়না হায়রকখি। নত্রগনা 'লাকইত্রা, ঙসিদি মী উন্নগদবা নৈ।" য়াম্নদবা মীগী মশিং হেনগংলকপগী মতুংইন্না মাগী লাইনীংগী য়েংথিবসু হেনগংলকখি। সুধাময় মপাং লৈজদবা ওইরক্রে। মহাক্কী লৈফমদুদা অরাবা রাখল, জ্ঞান, অফবা রাখল মুন্না খনবা ঙম্বগী মশিং হন্থরকপদুনা মঙোন্দা হায়ফেং অব্বাবগী চৈনা অমা ফাওথি। মরম অসিনা মহাক চেনবা পাম্নলম্মী — লৈবাক থাদোক্লুনা, লুংশিন্নবা পোক্লুফম লমনম থাদোক্লুনা। হায়বদি ....

অহানবদা সুরঞ্জন মশাগী ময়ুম থাদোক্লুনা য়াম্না চীনবা য়ম অমদা লৈরম্মী অদুনা ইহৈ হৈনরমদে। অদুবু মমেদা হৈনবী ওইরকখি। তাইবঙ মহৈকোলদা মমিং চল্লে অনৌ অনৌবা মরুপ তিন্নরে অদুদগী পুম্নমক ফগংলক্লে। মসিদসু মহাক লৈবাক শেম্বা য়াও হৌরকলে। মফম অসিগী মীয়াম তিন্নদুনা থম্ন-নৈনবা, করিগুম্বা পেন্দবা অমা ফোংদোকপগী মীয়াম চংপদসু মাবু শরুক য়ারনবা কৌরকপা হৌরকখি। কিরনময়না পুম্নমকসি পামজরমদে, মানা হাম্নসু সুরঞ্জনদা য়াজখিদ্রবনি অদুগা ঙসিসু পামজদ্রিবনি। মখুং-মক্না খাজরম্বা উপাল-রাপাল কয়াদু নীংশিং নীংশিংলুরগা মহাক ঙসিসু মমিত্তগী মপি শিন্থরকখি। মহাক্না শাজরম্বা শেমগী শগায়দুবু ঙসিসু লৈরমখিগদ্রা হায়না নীংশিংলকখি। অদুগা পুংদোলগী পাম্বীদু লৈরম-খিগদ্রা ? অদুক চাউবা মহৈ পানবা লৈকাইদুগী পুংদোল পাম্বী-শিংদা অমত্তা য়াওদবনি। য়ুবী পাম্বীশিংগী মখোঙদা থুমহীগী ঈশিং হৈবিরমগদ্রা ! ব্রা পুম্নমকসি নীংশিংলুরগা কিরনময়গী থম্মোয়দত্তা চৈনা ফাওব্রা, সুধাময়দদি ফাওরমলোইদ্রা ?

ধাকাদগী হোংলকলবা মতুংদা সুধাময়না ফম কাখৎনবা থরা হোৎনবা য়াত্র য়েংগে খনখি। অঙম্বগী লোয়শঙদসু চংখি অদুগা কেরানী মচা-মঙশিংগী টেবল ময়াদা হায়জবা চংচখি। "ইচিন-ইনাও, ঐগী ফাইলদুবু পায়বিরব্রা ? থদাং চোংনবা হংবত্তা মওইরম্মী।

পাউখুমদি অশেংবা ফংলমখিদে। "তৌরি" "তৌগদৌরে" হায়বা ৱাহৈশিং তারগা সুধাময় ময়ুমদা হল্লকপা তাখি। কনা কনাগুম্বনা "ডাক্তর বাবু ঐগী ইচানুপীহু ইতোন শায়রে, হিদাক অমত্তা ইবিরম্মু। কনানা সুমিং নিনি হুমন্নিদগী থবাকসি য়াম্মা নারে অতুনা হিদাক অমত্তা ইবিরম্মু" হায়না হায়রকখি। মহাক্না মশাগী চে-কলম লৌথোকলগা ইরম্মী অতুগা হায়খি "ফরীদা ভাই, ঐগী থবকতু তৌবিরগেরা?" ফরীদ সাহেবনা নোকলদুনা হায়রকখি, —'অতুবু ঐনা ভুম্বা থবকলা?" সুধাময়গী মখাথারা মী কয়া ফম কানরে হায়বা পাউ তাখি। মাগী মমাংমক্তদা ডাক্তর করীম্মুদ্দীন, ডাঃ য়াকুব মোল্লাগী ফাইল লাকখি। মখোয় Associate Proffessor ওইনা থবক থারক্লুনা থবক হৌখ্রে অতুগা সুধাময়না অতুম পুৎথদুনা লৈহোরে। মখোয়না মতমচুপ্পদা "ভুসিদি য়াঙ্গে, হয়েং লাকলো" অদোমগী কাইলহু হয়েং Secretary দা থাজিল্লগনি।" নম্রগনা "হয়েং লাকলু, হংচিং লাকউ. ভুসিদি মিটিং লৈ। করিগুম্বদনা "মন্ত্রী লৈবাকী ৱাংমদা চংখি, ৱা অমগী মতুংদা লাকগিয়ু' হায়রকখি। সুমিং খুদিংগী অসুম অসুম য়েথোকপগী রাশি তাবদগী মমৈদা সুধাময়না মাগী থবক অসি ওইররোই হায়বা খনখি। চহী অনী মখায় চুপ্পা ফম কান্নবা চেন্নদুনা চেন্নরকপনি। ফম নমফুদা কান্দুনা কাহন্নিংবশিংহুদি মখোয়না কাহল্লি। মশা মক্তিক চাবা চাদবগী রা লৈতে। অহল ওইরকলবা পেনশিল Associate Proffessor গী ফংগদৌরবা মতম লাকলে, মতমসিদা Associate Proffessor গী ফম ফংবা হায়বসি মহাকী কংফম থোকপনি অতুবু ফম অসিদা মহাক্না থোইনা মীহৌরুরমক্তে। মসি মহাক্না হায়খিবনি। মখা থাবা কয়ানা ফম অসি কাদুনা মাগী মথক্তা হাল্লনা লৈখ্রবনি।

মরৈখংদা সুধাময়না Associate Proffessor ওইনা পেনশিল লৌখি। "পাঙলশিংগী লৈবাক্তদি ঐখোয়না অতুক য়াম্মা অফবা ৱাখল তৌবা য়াদে, মসিদদি কংল্লিবদুনা শাকবনি" হায়না সুধাময়গী নাকোংদা মুক্রুম মুক্রুম শোল্লদুনা মহাক্না থবক তৌমিন্নবা মাধব চন্দ্র পালনা মডোন্দ কায়নবগী লৈ পরেং হুকনা হুকনা হায়খি। অসি হায়রদুনা মহাক্না খংনোক নোকলকখি। মহাকসু মপুক্লিং চঙনা পাম-জনা Associate Proffessor গী ফমদু ওইদুনা লৈরি। অমুক অনিরক ফম কান্নবা মহাকী মমিং শীরম্মী। অতৈ মমিংশিংগীদি অম্বেংপা অমত্তা পীরক্রবরু মাগী মমিংসিদংদি অম্বেংপা হেক্তা লাকখি।

মসি নত্তবা মাধব চন্দ্রগী অরানবা অমগা লৈখি। মহাক্না য়শিয়া কোয়রুখি। মাধব চন্দ্রনা লাম্না হায়খিবা লৈতে হায়না সুধাময়না কোম্না খনখি। থানাদা, লৈবাক্কী য়ায়েন ফোদাদা নত্রগা লাণ্মীগী অচৌবা কমশিংদা হিন্দুশিংবু ওইহনবা নত্রগা কমথোন কাহনবদা য়াদবগী বাঙ্গলাদেশকী লৈবাক্কী চংনপথাপ্তা লৈতে অহুবু মন্ত্রী লোশওশিংগী Secretary শিং নত্রগা Secretary দগী হেনবা কমশিংদা হিন্দু অমত্তা য়াওদে। Joint Secretary ৩, অমসুং Deputy Secretary খরা, মখোয়গী মশিং খুৎ থেক্নুনা গাবা য়াই। সুধাময়না মশিং থীবা য়ারবা Joint Secretary শিং অমসুং Deputy Secretary শিংদুসু কম কাখৎলবগী য়াখল মশাদা লৈরমলোই হায়না খনখি। লৈবাক অহুক চাডিবদুদা শুপনগী হিন্দু D.C ৬ থক্কনি। হায় কোটিতা শুপনগী জর্জ ১ থক্কনি। থানাগী কম মচাদা হিন্দু শোয়দনা অহুম খনগনি অহুবু S.P. গী কমদা হিন্দু কয়া য়াওবগে? গুসি মহাক "সুধাময় দত্ত" কৌয়বনা Associate Proffessor ওইবা ফংদবনি হায়বা সুধাময়না খনখি। করিগুম্বা মহাক্না মুহম্মদ অলী, নত্রগা সালীমুল্লাহ কৌরমলরবদি অথিবা লৈরমলোয়দবনি। ললোন ইত্তিক তৌবদসু পাওল অমগা থবক্তু পুন্দ্রবদি কৈদৌইদসু লাইশেন্স ফংদে। অসিদা নত্তনা Nationalised Bank শিংদগী মরুওইনা ললোন-ইত্তিক্কী লোয়শংশিংদগী শেন্হং (Loan) পুবদা শুংকং ফংদে।

সুধাময় দত্ত নিংথিনা তাম্বিবাজারদা লৈবদা চুশিন্নরে। পোক্নুফম লম থাদোকলবসু মাগী মরৈবাক নুংশিবদি থাদোকলমদে। মহাক্না হায়খি, "মায়মন সিংহদনা ঐগী লৈবাক নত্তে, বাঙ্গলাদেশ পুম্নমক ঐগী ইরৈবাকনি"।

কিরণময়না লিংশা ফুরনা হোঙ্গগা হায়রকখি, "ইচা-ইশুনা চাকনবা পুম্নীদা ও য়েক্কনি, ইংখোলদা মনা মশিং থাগনি। অদুবু হৌজিক্তি থাগী ভারা পীবদা করি অমত্তা লেমদ্রে।" অহিং অথেংবা খুদিংগী কিরণময়না হায়খি, য়ুম ইম্ভোল য়োনবদগী অমদি থবক ত্তোকপদগী শেল হায়কেং খুত্তা লৈরে। হৌজিক মকমজিদগী চংলসি। আদদি ঐখোয়গী মরি-মত্তা য়ায়সু লে।"

তৌইওবসুং সুধাময়না হায়খি, "নঙগী মরি মতাশিংহুনা নোংমত্তা লেম্না কীজরকদ্রা? নঙ মখোয়গী ময়ুমদা লৈরগে খনব্রা? য়েংউ, মখোয়না মমায় লৈখিরলো। কদায়দা লৈ-করি চাগনি হায়না হায়রকনি?

"ইশাগী শেন থুম লৈরগবু কৈদৌদনা মীঙোন্দগী মীজরুগদৌরিবনো ?

"ঐ চংলোই। অঙ চংনিংলগা চংলো। য়ুম থাদোকলে হায়দুনা ইশাগী লৈবাক থাদোকউ হায়রিব্রা" সুধাময়না য়াম্না শাউনা হায়রকখি। সুধাময় দত্ত তপ্তিবাজার থাদোক্লগা "আরমনি টোলা" দা চহী ৬ লৈরবগী মতুংদা চাউরাক্লা চহী ৭ তগী টিকাটুলীদা লৈখি। মসিগী মতুংসিদা থম্মোয়গী লায়না নারকখি। গোপীবাগতা হীদাক্কী দুকান অমা কমলনা মতুংদনি, অদুবু মদুস্তু চাং নাইলা কমবা ঙমলমখিদে। য়ুমদস্তু অনাবা লায়য়েঙবা লাকখি। মাঙ্গোলদা অনাবা য়েংনবা টেবিল অমা অদুগা নাকল অমদা চৌকি অমা থাই। অতোপ্পা মায়কৈ অমদনা লীগী সোফা অমা থাই। কক্লাংদা লৈবা খারাদা লাইব্রিক হায়ফেংবা লৈ মদুদা ডাক্তরগী, সাহিত্যাগী থুম্নাইগী লৈঙাকলোনগীনচিংবা লাইব্রিকশিং লৈ। সুধাময় মাগী অয়াম্বা মতম কাদুদা লৈ। ফুমিদাংরাইরমদা নিশীথ বাবু ফিনাং তোংদুনা লাকই। অদুগা অথটরু জমা, শহীদুল ইসলাম, হরিপদস্তু অয়াম্বা মতমদা মফমদুদা লাকই। লৈবাকী অমদি লৈবাক শেন্নগী মরমদা বারী শান্নে। কিরনময়না ময়ামগী চা লোল্লি। অয়াম্বা মতমদা চৌনী য়াওদবনা নপ্পী মরমদি অয়াম্বা চহী য়াম্নরক্লে।

মীয়াম লাকপদগী মখোল তাবদা সুধাময় পাখত্তুনা কমলপ্পী। সুরঞ্জননা মথা কুক কুক চীকল্লমই। কিরনময়গী থম্মোয়দি খুম্নগুম্না য়াম্না মীপাইজবিনি অদুনা শাউবদগী মশাদু থক থক নিক্তুনা লৈরম্মী। সুধাময়স্তু মশাদা করিগুম্বা চিংনবগী অমদি অশাউবগী রাখল পোক্তবা ?

সুরঞ্জননী মরুপশিংদা পাঙলগী মশিংনা য়াম্না হেল্লম্মী। অদুবু মখোয়দু পাঙল কৌবা য়ারমদে। মখোয়না লায়নীংবু অমস্তুং চংনবীবু খোয়না লুনা লৌরমদে। মসিদ নত্তনা মখোয়না সুরঞ্জনবু মতম পুম্বদা য়াম্না নকবা মী অমা ওইনা খলম্মী। মখোয়গী মপুক্কিংদা অসি নত্তবা অতৈ চিংননিংঙাই রাখল লৈরমদে। হৌখিবদা কমালনা মশানা লাকলগা সুরঞ্জন অমস্তুং মাগী ইমুং-মনুং পুম্নমক পুরগা চংখি। পুষক, কাজল, অসীম, জয়দেব মাগী-মরুপ ওইরবস্তু হেন্না লুনা তিন্নবদি কমাল, হৈদর, বেলাল অমদি থবিউলগনা হেল্লম্মী। সুরঞ্জননা করিগুম্বা অরাবা থুদোংথীবা তাম্নবদি কাজল অমস্তুং অসিজ

দগী হৈদর অমসুং কমালনা হেন্না নকশিন্নরম্মী। মতম অমদা সুধাময় সোহরাবর্দী হোসপিতাল (লায়য়েংশঙ) দা য়াওব। মাবগী তাঙ্গা অমা লাকখি। মতমদু সুমিদাংগী পুং অমানখায় ওয়রে। ডাঃ হরিপদনা হায়খি, 'ময়োকার্ডিয়েল ইনফার্কশননি, থুনা লায়য়েঙশঙদা পুদবা য়াদে।" মা পুম্মকসি সুরঞ্জনদা কাজলনা চৎলগা হায়রবদা মহাক্কা ওপ্প হায়বক্তাখ, "অহিং অসুক থেংনবদবু কমদৌনা চংকনি? নোংদা ওনবিগনু, থোকপা অমা তৌবা তাই।" তৌত্রিংবসু পাক্ত হেক ফংবগা বেলালনা গাড়ী পুহুনা সুরঞ্জনগী য়ুমদা থুংলখি। মহাক মশানা চেন-চোংদুনা লায়য়েঙশঙদা মিং চনশিনখি। হন্না-হন্না সুধাময়দা হায়রকখি, "খুরাইবুংঙো, কন্নি অমত্তা চিংনবিগনু, ঐনু অদোমগী ইচাগুম খনবিয়ু"। মহাক্কী হৌন-লোনচক উবদা সুধাময়গী মপুক্কিদা হীক হীক লাওরকখি। সুধাময়না লায়য়েংশঙদা হেক লেপ্লিবমখৈনা বেলালনা মহাক্কী নাবগী ফিভম হংবা লাকখি। খুঙলব ডাক্তরশিংদসু সুধাময়দা থরা পুক্কিং চঙবিনবা হায়জখি। মতম শংলবদি মহাক মশামক উন্নবা লাকলমখি। লায়য়েঙশঙ হন্দোক হল্লিন চংন্নবা মাগী গাড়ী পীখি। "কনানা অসুম হায়না তৌব্রিগনি? পৈশানুদি কাজলগীদসু লৈ অদুবু মহাক্না সুরঞ্জনগীদমক্তা মতম অসুক মাংবিবা ওমগন্না? সুধাময়গী নাবগী অচঙবা শেলফমদু রবিউলনা লোয়না পুথোকখি। নোংমা খংতৌদনা টিকাটুপাগা য়ুমদা রবিউল লাকখি। 'নখোয়গী পাবুং লায়য়েঙশঙদা লৈরে হায়বা চুম্বা' ওলখি। সুরঞ্জনন্না "হোয়-মায়" হায়ত্রিবৈঙেদা টেবল মথক্তা চেথাও অম থমলগা হায়রকখি, "মরূপ ঐবু অদুক লান্না খনগনু"। অসিদং হায়রমলগা মহাক হান্না লাকপঙ্গম য়ায়া থুনা হনখি। সুরঞ্জন্না চেথাও হাংবদা লুপা লিশিং ৫ য়াওরম্বা থেংনখি। চুম্নতগী মতেং-পাংবা নংলমদে, শেংনা হায়রবদা মাগী মপুক্কিংদু মঙোন্দা লুপলমখি। রবিউল, কমাল অমসুং হৈদরগা সুরঞ্জনগা নকশিন্নবা অদুক অসীম, কাজল, জয়দেবদগীদি কংখিদে। রত্তনাদা নত্তনা পরবীনবুসু য়াম্না নুংশিজবদুক কনাগুম্বা অর্চনা, দীপ্তি, গীতা অমাদ সুনন্দাদগী নুংশিবা মীনুংশি ফংলোই। জাং-কুচু থেন্নবগী রাখলদি সুরঞ্জননা পোকখিদে। অঙাং ওইরিঙৈদা মহাক মশানা হিন্দুনি হায়বা খঙজখিদে। মতমদুদা মা মায়মনসিংহ জিলা স্কুলদা ক্লাস III-IV দা তমলিরৈদা খালিদ কৌবা লাইরিক তমিন্নবা অমগা ক্লাসকী লাইরিক ওবগী মরদা মরৈ কল

য়েংনখি। ইকুই কুইদনা খংনরম্মী। অতুগা "হূইগী মচা, ওককী মচা তৌবিমলখণ্ডদবা" হায়না খীমা চৈরকখি মতুদা সুরঞ্জনসু চপচানা পাউখুম পীখি। খাগিদনা "হূইগী মচা" হায়খি। সুরঞ্জননা "নংহুম হূইগী মচানি" হায়খি। খালিদনা "নং হিন্দুনি" হায়রকখি। সুরঞ্জননা 'নঙসু হিন্দুনি' হায়খি। সুরঞ্জননা "হূইগী মচা, ওককী মচা হায়বগুম "হিন্দু" সু অখবা রাহে ওইরবোই নিংখি। মতম য়াম্না কুইনা ফাওবা সুরঞ্জননা 'হিন্দূ' হায়বসি করিগুম্বা রাস্তেক লৈতব লকনবগী রাস্তোক চেনবা রাহে অমা ওইরবোই নীংলমখি। মতুংদা চাউরকলবা মতমদা হিন্দু হায়বসি কাংলুপ অমগী মমিংনি অমসুং মংাবসি অতুগুম্বা কাংলুপ অতুগী মীওই অমনি হায়না খঙলকখি। মতম বুইরকলগা মহাক্না মশাসি মীওইবা কাঙবুগী মীওইনি অমসুং বঙ্গালী কাঙবুনি হায়বা খঙলকখি। করিগুম্বা লাইনীং অমত্তনা কাঙবু অসি ওইদে। মহাক্না বঙ্গালীবু কাঙলুপ লৈতবা অমসুং অমসু অমসু ইতিন তিম্নবা য়াবা কাঙলুপকী মওংদা লৈবা পামখি। মহাক্না 'বঙ্গালী' হায়বা লোলসি থায়দোকনবগী ওম্ন তৈনবা লোল অমনি হায়না থজখি। মীতোপপু "বঙ্গালী লাইনীং চৎপা মান্নবা মীতোপশিংবু মশা ওইনা লৌবা অহুগা অতৈ লাইনীং চৎপশিংবুনা মীরান ওইনা লৌগনরমই"—মসিগী রাখলসি অরানবা রাখলনি। মসিনা বঙ্গালীবু 'হিন্দু' অমসুং 'পাঙল' হায়না খায়দোকপনি।

ঙসি ডিসেম্বরগী তাং ৮ নি, লৈবাকপুম্বদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লুরি (হরতাল)। মসি মরুওইনা মীগী ঈ চুম্না ফৌমায়চবা মশাগী পাল্লপকম লৈজনবা কাঙলুমা তোংদোকপনি। তৌইগুম্বসুং অপুনবা ইসলাম কাঙবুনসু বাবরী মসজীদ মাংহনখিবগী মায়েক্তা হরতালসি পৌবনি হায়না লাউথোকখি। হরতাল চৎথরিবৈঙসিদা সুরঞ্জননা কমুংদা য়াওনদ্রনা হিপলম্বদগী হৌগংলকখি। মহাক্না মাগী নুংশিজববা অমুক্তং কোয়না চত্তুনা য়েংগে খনখি। মহাক্না কিজসহরগী মশক উজদবা ঙসিগা থান্না নুমিৎ নিনি ওরে। কাহুদা কিরনময়না হঙোয়না লৈরি। সুধাময়গী মপুক্কিংদা করিগুম্বা চিংনবা লৈত্রা, লৈত্রা হায়বা সুরঞ্জননা খঙবা ঙমখিদে। হুন্দকসু মহাক্না তশেংনা হায়খি, "মহাক কৈদসু লোৎলোই। শিবা তারবসু শিগনি। পাঙলশিংনা য়ুম য়ানথায়ত্রবসু য়ানখায়রগে। অহুনা সুরঞ্জন হুমগী মপান থোকলরেত্ত"। মাথানা থাজখি. মহাক মপুক্কি দা চিংনিং-

খদগী পাঙলগী মমুমদা চঙজকম লৌবা চংগ্রে হায়না। তঞ্চায় অমা লায়নীং থাদোকলগা অপঙবী মায়ানা হিংবা পামজরি।

লিশাংশিংনা মুমিং নিনি কমুদা হিপ্তুনা লৈরুবা মতুংদা গুরঞ্জনমা মপান্দা চংখোক্লবা তৌরকপদা কিরনময়না পাখঙ্না হায়রকখি, "কদায় চংকদৌরিবনো?"

"সহরগী মওং মতৌ কমুম তৌরিবগে হায়বা য়েংলুগে। হয়তাল কদায় কাওবা মায় পাকগ্রবগে হায়বহ খরা য়েংলুগে।"

"ইবুঙো মপান খোকখিগনু। করি করি তৌরক্লনি হায়বা কনানা খঙগনি।"

"তৌরগা তৌরে, য়েংবা তারেদনা। নোংমদি শোয়দনা শিরগ-দবনি। হৌভিক খোয়না কিরুগনু। ননা কিবা উরগা ঐ অশাউবা পোকলকই" হায়মা গুমুঞ্জননা মশম. হাংলহুন' হায়রকখি।

মাগী রা তাবদা কিরনময় শাউবনা কি কি কামখি। মহাকনা চোংশিন্দুনা গুরঞ্জনগী মখুত্তুগী শমজেং মুল্লগা হায়রকখি, "ঐগী রা ভাও, গুরঞ্জন! খজিকুংদি চেঙ্কশিল্ল। অস্তুমনা তাই মহুদি বন্দীদস্থু চুকানশিং থুগায়রে অহুগা লাইশঙশিং মৈ থারে। য়ুমদা অস্তুম লৈয়ু। সহরগী কিভম য়েংলুবগী থোয়না মখৌ তাদে।"

গুরঞ্জন মঙম পুম্বদা অঙম তাল্লি। অতুনা মানা কদায়দগী কিরনময়গী রাহৈশিংহু তারুগনা? কিরনময়না কনা য়ামা থিংহুনস্থু মহাক অহুমক চংগ্রে। মপানগী কাদা মুধাময় মখন্তা তুমিন্না কমলপ্নী। মহাকস্থু মীপাইনা মচানা চংখিবহু য়েংহুনা অস্তুম লৈহৌই। য়ুমদগী খোঙ হেক থাংদোকখিবদা মুমিদাংরাইরগী অইবংহু মপানগী মী চৌকপহুনা লাকশিনখি। মহাক হায়কেং কিরমগদ্রা? শোয়দনা কিরমগনি। অহু ওইরবস্থু ঙসি গুরঞ্জননা সহর কোয়নিংলপ্পী। অতুনা মহাক শোয়দনা চংকনি। হন্দক্তি মহাকপু লৌবা নক্রগা কিভম হংবা কনা অমত্তা লাকখিদ্রে। বেলাল, কামাল অমসুং অতৈ কনা অমত্তা লাকখিদ্রে। মখোয় লাকলবস্থু গুরঞ্জন্না চংখিদ্রে। কন্নিগী চংকনি? মতুংদা খুদোংথীবা লাকসবস্থু মখোয়না পোংচৈ লোয়শিল্লমলগা চেনগদ্রা?

ইকাইখ্রা! হৌখিবদা মহাক্লা কামালগী ময়ুমদা চেল্লবহু কয়াদা পঙগ্রবনো? হন্দকমুক কনা কনা লাকলবদি তশেংনা হায়রনি, "নখোয়না হাংপীগদৌরিব্রা। নক্রগা মুংশিবীগদৌরিব্রা করিনো?

মসি তৌগদবগী শকক নখোয় হিন্দু পুরুমকপু পুম্নপ পুনশিনহনলগা নোংমৈ কাপপা সিকাইদা পুরে। অদুগা নোংমৈনা কাপখায়রক্লো পুম্নমক শিরবদি ইরাংসি লেপল্লনি। অদুদগীদি মখোয়না কনবিবগী মথৌসু তাররোই। ইরাং পুম্বা অমুক্তদা নেমথ্রগনি। শুরঞ্জননা লম্বীদা হেক থোকলকপদা খুল অদুদা নৈবা চহী ১২ দগীন ১৫ ফাওবগী মপুংদা লৈরা মহারোল চবুম অমনা মাগী ময়ুমদগী থজিল্লুং থাপনা লৈরগা 'হিন্দুনি' 'ফারে ফাল্লো' হায়না লাওরকপদা পাল্লং-লম্মী। চহী তারেংলোমদগী মহাক্না মহারোলশিংডু উবকখি। শুরঞ্জননা মখোয় অদুদগী অমা অনিসু মশক খংলম্মী। মখোয়দুগী মরক্তা আলম কৌবা মহা অমদি য়াম্না তোয়মা মখোয়দা শেল খায়বা লাকপনি। খুলদুদা মখোয়গী ক্লব অমা লৈ। ক্লবতুদা নাংকী থৌরমশিংদা শুরঞ্জনন ইশৈসু শকখি। মহা খরবুনা মহাক্না D.L Rai অমসুং হেমাংস বিশ্বাস কী ইশৈ তখিগে খনখি। মরাংদা ফাওবা মশাগী কান্নবদা নহাক্তুনা ইয়াম্বা "মসি তাকম্নিয়ু, মহাকপু তম্মিয়ু হায়রদুনা মাগী মতুং কোয়ইন ইন্দুনা চংলম্লনি। খুলদুগী মীশিংনা হায়নৈ, সুধাময়না মতম কুইনা লেমনা লায়য়েংলম্লনি অদুগা মীশিং-দুনা "য়েংউ হিন্দুনি, ফাও ফাও" হায়না লাউরদুনা শুরঞ্জনবু যুদংপা-পামলি।

শুরঞ্জন মখোয়দা য়েংলমলগা ওন-তৈম্নবা লম্বীদা চংখিরম্মী। কিরুবগী নত্তে চুম্নত্তগী ইকাইবত্তগীনি। খুলগী শকখংনবা মহারোল-শিংনা মাবু ফুখিনি খনবদা মহাক ইকায়রখি। মীশিংদুনা তপেংনা খুজ্রবসু ইকায়বদুনা মাবু অদুম কুজরম্মী। ইকায়বা য়াবগী নত্তে শুপনগী মখোয়গী ওং নৈবা অদুতগীনি।

চংনা চংনা শুরঞ্জন 'শাপলা' খুলদা লেপলম্মী। মায়কৈ মরি-মক্তা পুমচিক চিকলম্মী। মফম মফমদা ম্মী পুলম্মী। লম্বীদা চেক মতেক, শীং মৈথাক, অকায়বা লিকলিমচেং ইচায়-চায়না তারম্মী। হেক উবুদা হৌজিক্তা অকনবা ফুন-চৈনবা থোকখিবা মাল্লি। মহা ১/২,১ রোমগী ১ রোমদা চেল্লি। হুই খম্নসু লম্বী ময়ায়দুদা চেল্লি-মন্দিলা খিংলদুনা য়িক্রুশো ১/২সু অমরোমদগী অমরোমদা চেল্লি। কদায়দা করি থোক্রবগে হায়বা মহাক খঙলমদে। হুইনা কনাবুসু কিদে। মরমদি মখোয়দা কাওলুপকী অকিব লৈতে। লম্বী হাংল-বদুদা খুদোং চারদুনা হুইশিংদুনা চেনজরিবনি হায়না শুরঞ্জননা ভাবনা

শাখি। শুরঞ্জনসু লম্বীদুদা চেনবা পামলমখি। মী য়াম্না তিনথ্রবা মোত্তী পাংকী লম্বীদু পুমচিক চিকপা উবদুদা শুরঞ্জননা মপুক্লিংদা অঙাং ওইরিঙৈগী মতৌগুম্না ডফদগী ফুটবোল শান্নবা নত্রগা পুলিস চোকতা পান্দফম ওইরগা ক্রিকেট শান্ননিংবা পোকলকখি। অসুম থন্দুনা চংলিঙৈদা শুরঞ্জননা ওইরোমথংবরোমদা মৈচাকপা য়ুম ১ উখি। মদুগী মমিং থাফম খোংজাউ অমসুং খোংনাউ লোয়না চাকখ্রে। মদু Indian Airline গী লোয়শঙনি। মী থরনা অচাকপা লোয়শঙদুগী মমাংদা লেপতুনা নোকলি। কনানো অমনা শুরঞ্জনদা মুন্না য়েংলকখিত্রবা করিনো? মপুক্লিংদা চিংনবা পোকলকখি।

মপুক্লিংদা য়ুমশিং মৈ চাকলিবদু করি অমত্তা থঙদবগুম মহাক্না মাংলোমদা অদুম কন্না চঙশিনখি। চঙশিল্লগা করি করি চাকলিবনো হায়বদু থঙখি। পেত্রোল মৈ চাকপগী মনম নম্বদা নুংশিবা পোকপা অদুগুম্না ঙসি শুরঞ্জননা উগী য়ুমশিং মৈ চাকপগী মনম নম্বদা নুংশিবা মনম পোক্তুনা মশাদা নুংঙাইবা ফাওরকখি। অশেঙবরা? চংনা চংনা মহাক্না সিঃ পিঃ বীঃ গী লোয়শঙ মমাংদা মীয়াম লৈবা উখি। লম্বীদা নুঙ-চেক চায়খায়দুনা তারমখি। খোঙ লম্বী চঙখমদা লৈবা শুরঞ্জননা লাইরিক তজ্জনা লৈকমদু তুম্না মৈ চাকখিদুনা উং ওনখ্রে। তজ্খায় অমা চাকলবা লাইরিক অমা শুরঞ্জনগী মখোঙনা থেংলম্মী। মঙদা ইরমখি,—মেক্সিম গোর্কীগী 'ইমা' মিকুপ্তা মদু "পারেল" নি খনখি অদুগা মাগী মমাগী মশাদা মৈ চুরগা লৈবাক্তা খোঙ্গাওনরিবনি। শুরঞ্জনগী মথাদু থক থক নীকলকখি। মহাক্না মৈ চাকলবা লাইরিক অদুগী মমাক্তা য়াম্না চিংননা লেপতুনা লৈখি। মায়কৈ মরিমক্তা মীনা মীক থন্না লৈরম্মী। মীয়াম্না নাকোং হায়বী তৌনখি। খুলদুদা খ্বায়দগী হেন্না অকনবা ইরাং থোকপা তাঞ্জানি। ময়ামনা 'করিগী' করি তৌবগী' নাকোং হায়বী তৌনখ্রিবনো খঙদে। সিঃ পিঃ বীঃ লোয়শঙ মৈ চাকখ্রে। কমুনিষ্টশিংনা মখোয়গী খোঙজঙ অদু হোংদোকলগা অল্লাহ-খুদাগী মমিংদা চংথরম্মী। অদুদা ওইরবসু লৌশিং থেনবা অশাবা লাইনীং শন্দোকপশিংদুনা মদুদগী লৈথোকপা লৈরমদে। কমরেড ফরহাদ শিবদা অশিবা হকচাংদু পুদুনা মীয়াম্না কোয়না চংখি, মিটিং তৌখি, অদুমওইনমক কাঙলুপ নাইনবগী ইহৌদগী কমুনিষ্ট পাটিগী লোয়শঙ মৈ থাদোকখি। শুরঞ্জন্না রা অমতা ঙাংদনা চপ লেপ্তুনা মৈ চাকথ্রবা লোয়শঙদু য়েংলমখি। ইখং খংহৌদনা কেশরনা

মমাংদা লেপলখি। মশম মনা ইফ্বা ফারকখি। মকোয়স্থ কুকলমদে। হায়ক্কেং চিংনবা, খোঞ্জেলদা হায়রকখি, ‘নঙ করিগী থোক্লকলিবনো?”

শুরঞ্জননা রাহংজুগী মায়োক্তা রাহং অমা হংলকখি, “করিগীনো, ঐবু মপান্না থোকলকপা য়াদব্রা?”

“য়াদববুদি নত্তে অত্থুবু শাশিং অসিদা থাজবা থমনিংঙাই লৈত্তে মখোয়না থাঙ্গৈশেংনা লাইনীং অমত্তবু য়াবা লৈব্রা? জমোত্ত শিবিরগী নহারোল্ল কাংবুগী লমহেন্নবশিংনা ঙরাং নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা পুম্নমকপি থোকহল্লিবনি। পার্টি অফিস (লুপকী শঙ), খোঙ লম্বীদা লৈবা লাইরিক য়োনফমশিং, ইন্দিয়ান এয়ার লাইনগী লোয়শঙ পুম্নমক মৈ থাখ্রিবনি। নীংতম্বগী মায়োক্ত লৈবা কাংবুশিংদি অসিগুম্বা ভাঙ্গাগী খুদোংচাবা য়েংহনা নৈ মরমদি করিগুম্বা থোঃদোক অমগী মিংদা মখোয়গী খুদোংচাবা লৌরগা মীয়াম্না মখোয়বু হেন্না মশক খঙনবা তৌহৌই।”

মখোয় অনী লোয়নননা তোপ থমফমলোমদা চংশিন্নখি। শুরঞ্জনা হংখি, “মখোয় অত্তেনা কদায় কদায়দা মৈ থাখিবগে?”

কেশবনা খুমখি, “চটেটাগ্রামগী তুলশিধাম, পনচাননধাম, কৈবল্যধামগী লাইশঙশিং উফুল ওলহনখ্রে, অসিদা নত্তনা মালীপাড়া, শ্মশান মন্দির, কুরবানীগঞ্জ, কালীবাড়ী, চটেটশ্বোরী, বিষ্ণু মন্দির, হজারী লেন, ফকীর পাড়াগী লমনা লৈবা লাইশঙ পূম্নমকস্থ লুট তৌরগা মৈ থাখ্রে।” ভারহাক লেপলগা মকেক হায়রগা কেশবনা হায়রকখি, “হোয় কাংলুপকী অফিসবা অফবারাংলগী মীয়াম লোঙচং চং চংশিন্নখী।”

শুরঞ্জন নিংশা শাংনা হোন্দোকলকখি। কেশবনা য়েংথবা মখুংদা মশমদা নাল্লগা হায়রকখি, “ঙরাং লাইশঙদা নত্তেদা, মাঝঘাট মণ্ডলা পত্তীদস্থ মৈ থাখি। য়ামত্রবদা য়ুম ৫০ রোম মৈ থাহুনা উৎ ওলহনখ্রে।”

‘অহুদগী কৈদৌরবা”? শুরঞ্জন য়াম্না নীংবা কায়বা মওংদা হংলকখি।

নরসিংদী দা চলাকচর অমস্থং মনোহরদীগী য়ুম অমস্থং লাই-শঙশিংস্থ মৈ থাখ্রে। নারায়নগঞ্জদা রূপগঞ্জ থানাগী মরাপারা বাজারগী লাইশঙশিং তুম্না মাংহনখ্রে। কুমিল্লাগী অম্রিবা অভয় আশ্রমস্থ মৈ থাখ্রে অদুগা নোরাখালীদস্থ য়াম্না শাথিবা থৌদোক থোকহনখ্রে।

“—হুই কমদৌ...”

সুখাগ্রাম থাগী অধরচন্দ্র আশ্রমগা লোয়ননা হিন্দুগী য়ুম ৭ পুম্বা মৈ থাখি। গঙ্গাপুর খুলগী হিন্দুগী য়ুম অরেবমখৈ হাম্না লুট তৌরগা কোম্না মৈ থাদোকখি। সোনারপুরগী শিবকী লায়শঙ অমসুং বিনোদপুরগী হকচাং শাজেল তৌফগুম্বা হনখ্রে। চৌমুহানীগী কালী লাইশঙ, দুর্গাপুরগী দুর্গাবাড়ী লাইশঙ কুতুবপুর অমসুং গোপালপুরগী লাইশঙসু থুগায়খি। ডাঃ পীঃ কেঃ সিংহগী হিদাক শাকমশঙ, অখন্দ আশ্রম অমদি ছয়ানী খুলগী লাইশঙশিংসু লোয়না উফুল ওলহনখ্রে। চৌমুহানী বাবুপুর, ভেড়ুইয়া, মেহন্দীপুর, রাজগঞ্জ বাজার, টেংগিরপাড়া, কাজিরহাত, জমীদারহাত পোরাবাড়ীগী লায়শঙ ১০ সু অমদি হিন্দুগী য়ুম ১৮ গা লুট তৌরগা মৈ থাদোকখি। মতুদা দুকান ১, গাড়ী ১ অমসুং দুধী ১সু মৈ চাকখি। ভাবদীগী য়ুম ১৭ কী মনুংদা য়ুম ১৩ মৈ থাদুনা উং ওলহনখ্রে। য়ুম খুদিংমক লুট তৌখি অদুগা লুপীশিংবু নমহুনা ফংদিম্নখি। ইরাংদুনা জমিন্দারশিংবু কান্নহল্লি। উদ্রাং বিরাহিমপুরগী য়ুম অমদি লায়শঙ পুম্বা মখোয়গী মথুঙা লাকখি। অসিদা নত্তনা জগন্নাথকী লায়শঙ, চারহজারী খুলগী ৬কাম ৩ অমদি ক্লবসু লুট তৌখি, অদুগা থুগায়খি। চরপার্বতী খুলগী দুকান ২, দাসেরহাত্তা দুকান ১, চরকুকরী অমসুং মুছাপুরগী লাইশঙ অমদি জয়কালি লাইশঙবুসু মৈ থাদোকখ্রে। সিরাজগঞ্জগী মীখুনিংমকপু ফুখি, য়ুম খুদিং লুট তৌখি অদুগা মমৈদা য়ুমশিংদু মৈ থাদোকখি।

'করনে!'

শুরঞ্জনা অসিদগী হেন্না কয়িক্তু হায়বা পামখিদে। অডাং ওইরিবৈঙ্গুম্না লম্বীদা তাবা চেক নত্রগা নুঙ পোঙনা কাওগা চংপা মহাক্না পামলকখি। কেশবনা অতৈ অহোপ্পা লাইশঙশিং মৈ থাবা, য়ুম লুট তৌবা, মৈ থাবগী থোদোকশিং তমলমখি। শুরঞ্জনা লোয়নমক নীংথিনা তাখিরমদে। মঙোন্দা তাশিংবসু পোকলমখিদে। প্রেস ক্লবকী মমাংদা মখোয় অনী শেপলমখি। মতুদা খবরগী মীশিং পুনবা, অমগা অমগা নাকোং হায়বী তৌনবশিং উখি। খরা খরাসু তাখি। খমনা হায়খি, হৌজিক কাওবদা মী ২০০ দগী হেন্না মীয়াম খংনচৈনবসিদা থুদোংথীবা নংলদুনা মৎরাইদু হিংনবা ভারত্তা চঙজখ্রে। মিশিং কয়ানা অশোক অপন নংনখ্রে। অ.রুঃ অসঃ অসঃ, শিব সেনাগা ক্লোয়না সাথুবা মিংয়েং মেংবা কাডনুংশিংবু সরকারনা

অথিংবা থমখি। লোক সভাগী Opposition Party গী Leader-ship তগী শ্রীঅদভানী মশানা তোকচবগী চে পীশিনখি, থরম্না হায়খি, চট্টগ্রাম' নন্দনকানন তুলসীধামগী থবক তৌবা দীপক ঘোষ চেন্নবা মতমদা মীয়াম্না ফাখি। মখোয়না মাবু ফাবগা মৈ থাগদবগী হোৎনরকপদা তুংলোমদগী সিফাইশিংনা দীপকপু পাওলনি হায়রকপদগী মীয়ামতুনা দীপকপু ফুম্বগদমক থাদোরকখি।

শুরঞ্জনগা খঙনবা মীশিংনস্মু মাবু উরবগা পাখত্তুনা হংলকখি, "করি তৌরবগে?' নত্ত মপান থোরকলিবদো। করিগুম্বা খঙহৌদনা থৌদোক থোকলকবদি, য়ুমদা হল্লো।"

শুরঞ্জননা পাউথুম অমত্তা পীখিরমদে। মহাক য়াম্না ইকায়বা পোকলমখি। মহাক্কী মমিং শুরঞ্জন দত্তনি অহুনা মহাক য়ুমদা কম্বা তায় অহুগা কেশর, লতীফ, বেলাল, শাহীন পূম্নমক্সিনা মপান থোকলক্লগা করি তৌরিবা অহুদি হংনদে। কাওলুপ নায়নবগী মায়োক্তা মীয়ামগী খোঙচংস্মু চংকনি অহুগা শুরঞ্জন্দা হায়গনি নত্ত য়ুমদা হনগ্রো। মসিবু করম্বা বাহৈনো, শুরঞ্জনবু মখোয়গুম্বা থম্বা গুম্বা. নীংতম্বগী রাখল পরিংদা মরৈ য়েৎনবা শুম্বা মীওই নত্রবা? মহাক কল্লাংদা নপশিল্লগা নীংবা কায়না সেপখি। মহাক্না চুরুপ তুকান্দগী বঙ্গাল ফাইব' লৈখি। চুরুপ চমনবা থৌরি অচাকপা-তুদগী চুরুপ মচৈ অমা চমখি। শুরঞ্জননা মশা মথন্তা য়াম্না তোঙান্না লৈবগুম্না তৌরমখি। মায়কৈ মরিমক্তা মী য়াম্না লৈরম্মী। মীয়াম-শিংসিদা মাগা খঙনবা অমদি য়াম্না লুনা তিম্নবা কয়াস্মু য়াওরমখি। অহু ওইরবস্মু মহাক মথন্তা তানা লৈখি। বাবরী মসজীদ খুগায়খিবগী মতুং ওইনা লৈবাক অসিগী লাইশঙশিং থুগাইনবগী ইহৌ হৌনবা লৈনবা হৌবগী মীয়ামসি চংনবগুম তোই। হায়রিবশিংসি শুরঞ্জনতনা খনবা নত্তে। মহাক্না পামলবস্মু মসিদা শরুক য়ারুবা ঙমলমদে। করিগীদমক মঙোন্দা ইকাই খুংশি য়াম্নবা রাখল অমা কাউরকলিবনো খঙদে। শুরঞ্জননা মাবু মীয়ামনা খুংশিখিবদগী লোৎহনলনিংলিবনি হায়না খনখি। মহাকপু মখোয়গী মরক্তা তিলহলনিংখিদে। শুরঞ্জন্না য়াম্না কন্না চুরুপ অহু চিংলগা মৈথুহু মথকলোমদা কামথৎখি। মায়কৈ মরিমক্তা ইরাং হৌরকখি অহুনা মহাক্না মাগী চোকথরবা মশাহু ফল্লাংদা ঙাহুনা লৈখি। মী কয়ানা শুরঞ্জনবু ফল্লপ ফল্লপ য়েংলকখি। ঙকপগী মরমদি ঙসি হিন্দু অমা ফাওবা মপান থোক্লক্কে। কিবনা পুম্নমক

মকোন্দা লোৎনখ্রে। মরম অসিনা শুরঞ্জনগী কিদবা অমম্ংং থৌনাহু উবদা মীয়াম্বা মীপায়নগনি।

কেশবদি কাংবু অমদা হেক্তা য়াওখিবা, য়াই। মীয়াম চংনবগী থৌরাং শেম শারম্মী। পাউমীশিংনা মখুত্তা কেমেরা পাম্বরগা খাও য়াল্লহুনা অমরোমদগী অমরোমদা চেম্বোক চেনশিল তৌনখি। মহুদা লুকটরনু উরবস্তু শুরঞ্জন্না মাবু কৌখিদে। মহাক মখানা শুরঞ্জনবু উবনা চঙশিল্লকখি। মায়থোংদা য়াম্না খংনিংবগী মওংদা হায়রকখি — "ইয়াম্বা, কম্রিগী অসিদা লেংবিরকলিবনো ?"

"ঐবু লাকহনিংদব্রা ?"

লুকটরগী মায়থোংদা য়াম্না খংনিংবগী মওং অমা লাকখি। মহাক্না হংলকখি, "য়ুমদদি কম্রিস্থু খুদোংচাদবা থোকপিদবা নত্রা ?"

লুকটরগী ওসিগী রাঙাংসিদা শুরঞ্জন্না মাবু শেনবিবগী রাখলগুম্বা অমা লাকপগুম থনখি। অঙাংসি মতম পুম্বদা য়াম্না ইকায়থীগনবা মীনি। কৈদৌঙৈদম্থু মীগা মিংচানরগা রা ঙাংনবা তৌদবনি। য়াম্না নোল্লুকপা, ইকায়থীগনবা ১স্থুং অকবা অঙাংনি। অঙাং অসিবু স্থুরঞ্জন্না 'একতা' খবরগী ইডিটরদা ঙাংনরগা থবক হাপ্পীখিবনি। লুফটরনা বেনসন চুরুপ মচৈ অমা চমলমখি। স্থুরঞ্জনগী হায়কেংমনাক নকশিল্লগা হায়রকখি, "তা স্থুরঞ্জন ! থোইদোকপা খুদোংচাদবা লৈবিদেকো ?"

স্থুরঞ্জন্না নোকলগা খুমলকখি, "খুদোংচাদবা হায়ববু কৈনোনে ?"

লুফটর হায়কেং লৌশিং তারমদে। হায়রকখি, "করিবু হায়গবনো "ইয়াম্বা ! লৈবাকী ফিভমগী রাবুনিদা ....।"

স্থুরঞ্জন্না চুরুপ মতেক অহু মখাদা থাদরগা মখোংনা নৈথায়রম্মী। মতম পুম্মক্তা মহাক্না স্থুরঞ্জন্দা অমেঙবা খোলতা শিজিম্নবনি অহুবু ঙসিদি মহাক্কী খোলহু কন্তক তৌরমখি। চুরুপ চিংবগী মৈখুহু কামথোকলগা, পিশুম শুকলপ তৌনা হায়রকখি, "ইয়াম্বা ঙসিদি য়ুমদা লৈরিরুনু, অতোপ্পা খুদোংচাবা মকম্বদা লৈবিবনা ফগনি। অহুগা তা স্থুরঞ্জন ইয়াম্বগী য়ুমগী মনাক্তা পাঙলগী য়ুমদদি অদোমবু অহিং অনী লেকহন্নবা হোৎনবদা খুদোং চারয়োইজ্রা ?"

স্থুরঞ্জনগী পাউখুমদা য়াম্না নীংবা কায়রমখি। মহাক্না হুকনদা চাকলিবা থৌরীয়োমদা য়েংলগা হায়রকখি, —'চারয়োই'।

'চারয়োই হায়বা ?' রাসিদা লুফটর হায়কেং নীংবা কায়খি।

সুরনজননা খনবদা মাবু ওাকপী শেনবিবগী রাখল মাল্লিম্মী। তান-জাসিদদি মী খুদিংমক মাবু ওাক শেনবিবগী মওং লাকলগনি হায়বা খনখি। হায়রু হংলুত্রবসু —যুমদা কৈভবনা ফনি, কদায়দনোমা লোংপনা ফনি দমক হায়রকখি। নোঙমা লিনিদি যুম্মদগী মপান থোক্কনু। নঙগী মিং অমসুং অকুপ্পা মরম কনাদসু ভাকলুগনু। কিন্তুম ফরব মতমদ' থোকলকউ নত্রবদি থোকলকনু। সুরনজন্ম চুরুট অমগা অমুক চমনিংলম্মী। অদুবু লুফটরগী নীংখিবা পাউতাকশিংদুনা মদু মাংহনখ্রে। হায়ফেৎ ইংলকখি। মথোয় অনিনা মখুত্ত কোন-শিন্নগা উগী উনা অশংবদু য়েংদুনা লৈখি। মহৌশানা মহাক্না নিংথম-খাবু য়াম্না পামজখি। অয়ুক্কনা কুংশা য়াইবা অতুগা নুমিদাংদনা অদুক নুংশাদা ফৌবা অশাবা কান্নাদু ইল্লগা মমাগী মনাক্তা রারী ভারম্মী। মহু খল্লবদা মহাক মতু চুংখি। লুফটরগী মমাংদা মরেং-বান্দা খাও য়ানবা কোয়চোম্বা নহা অমনা মরম ইরৈ লৈতনা ধাকেশ্বরী মন্দির, সিদধেশ্বরী, কালী মন্দির, রাম কৃষ্ণ মিসন, মহা-প্রকাস মঠ, নারিন্দা গৌড়িয়া মঠ, ভোলাগিরি আশ্রমসিংবা পুম্নমক থুগায়খ্রে হায়না হায়রকখি। লুটসু তৌখ্রে। স্বামী আশ্রমসু লুট তৌখ্রে। শনিগী লৈকমগী য়ুম ৫ সু লুট তৌরগা মৈ থাখ্রে। অতুগা শনি মন্দির, দুর্গা মন্দিরসু থুগায়রগা থাখ্রে, নারিন্দাগী লাইনিংবগী লৈকম অমসুং দয়ালগনজগী মচুআপাড়াসু ওং-নৈবসিদগী নাম্বোকপা লৈখিদে। ফার্মগেট, প্লটন অমসুং ধোবাপুরগী মরলচান্দগী মিঠাই য়োনফম, টিকাটুলীগী দেশবন্দুগী মিঠাই য়োনফমসু লুট তৌরগা মৈ থাখ্রে। থনখেরী কৈথেলগী লাইশঙদসু মৈ থাখি। লুফটরনা নিংশা ফুয়না হোল্লগা 'ওম্বোকপনিদা' হায়খি।

সুরঞ্জননা লুফটরগী নিংশা ফুরঁনা হোনবদু মন মা তাখি। মহাক মফমদুদা লৈখিগদ্রা, নত্রগা মীয়াম মরক্তা য়াওগদ্রা নত্রগা মায়কৈ অমদা চংখিগদ্রা হায়বা খনফম খঙলমদে। নত্রগনা মরিমত্তা অমদি মরুপ মশাংশিংগা কায়নরগা উমংদা চংলগা মদোম ফম্বনা ফগদ্রা। খাত য়ানবা নহাহু মফমদুদগী হুন্দোকখগা মায়কৈ অম-রোমদা মীয়াম মরক্তা য়াওখিরম্মী। লুফটরসু চংখিনবগী তানজা য়েংলমখি। মরমদি সুরঞ্জনগী রাখল চমমনরবা মারথোংদু উর্বদা মহাক নুংঙাইখিরমদে।

মায়কৈ মরিগক্রা ইংথরুরবা ইরাংদু অহোয়নরকখি। সুরনজনসু মীয়াম মরক্তা য়াওব পামজমখি। মহাক্তী অপাম্বদি কদায় কদায়দা লায়শঙ তেকখি কায়খিবা, মৈ চাকখিবা, দুকান লুট তৌখিবা অসিগী মরমদা খল্ল-নৈনবগীদমকনি। মহাক্না য়াম্না থেৌনা ফনা হায়রকখি — "অদুগুম্বা লাইনীংগীদা য়েংবা কাঙবুশিংদু শগোল শাজেনা ফুরগা চুমথোক্কদবনি অসিগুম্বা লাইনীংদা মায়থুম উপ্পশিংসি মরুওইনা খ্বায়দগী চাউবা লৌনম্বা কাংবুনি। তৌইগুম্বসুং মহাক হায়দোকপা ঙমজ্রে। মতৌন্দ মুন্না য়েংদুনা লৈরম্বা মিংশিংদুগী মিংয়েংদা মীন্নুংশি পোকলকপগী মওং উরকখি। মহাক্না মফমদুদা লৈথরবদি খুদোংথীদনা তোকলরোইদবনি। মফমদুদা পন্দুনা লৈবনা মখোয়গুম্বা মীয়ামদা ইনশিন্দুনা পেন্দবা কোংদোকহন্নবা মতিকচাবা মী লৈরমদে। মতুম অদুক্ক কুইনা সোল নাং, শেল-দুমগী ফিজম, লৈতাকলোনগী মরমদা ফম্বাক্তা অমদি মীয়াম পুনফমদা অকন-অকনবা রাজাং কয়া ঙাংলম্বদু ঙসিদি অকনবা শকউদবা শাফু অমনা লোনথোক্কবা ওইহনরে। কনানসু মতৌন্দা সুরঞ্জন নঙ থরা হায়য়ু নত্রগা করিনো অমা তৌ নক্রগা খরা হন্দোকনা লৈয়ু হায়খিদ্রে।

কেশরনা ময়াম মরক্তগী হায়দোরকখি। "আয়তুল মোক্তারমদা বাবরী মসজীদ থুগায়খিবগী মরমদা মীয়াম পুনগমি হায়না মুরুম মুরুম শোল্লদুনা হায়রকখি। মীয়াম পুল্লকলে, নঙ য়ুমদা হনখো।"

"নঙনি চৎলোইদ্রা ? সুরনজন্না হংখি।

কেসরনা খুমখি. "চংলোই। কাঙলুপ মশেলগী অফবা রাখল পুথোকনবগী মীয়ামগী মীফমসু নত্তনা।"

কেশরগী তুংদা লিট্টন অমসুং মাংতার কৌবা নহা অনী লেপ্লম্মী। মখোয়মসু হায়রকখি, "শেংনা হায়রবদা এথোয়না অদোমগী ফম্নবগীদমক্তা হায়জবনি। কাংবুশিংদুনা "জলখাবার" (নাশতা) কৌবা দুকানবুসু মৈ থাখে হায়না তারকই। থোকলিবা থৌদোকশিংসি ইনক মকপা অসিরাইদনি। মখোয়না অদোমবু থংখ বদি করি ওইনি খনবিয়ু ! মখোয়দি মপুক্তা হৈজ্রাং, চৈতুপ, থাংশাং কোংনা পায়দুনা কোয়চং চংজবনি।"

কেশরনা রিক্সা অমা খামলমখি। মহাক্কা সুরঞ্জনবু রিক্সাদা তোংহনিংখি। লুকটরনা চংশিল্লক্লুনা মহাক্কী মখুং চিংলগা হায়রকখি, "লাকলীরো য়াম্বা! চুম্না যুমদা চংপিরো। তাঞ্জাসিদা অদোমনা করিগী মপান খোকপিরকলিবনো ভাব তাজরে।"

শুরঞ্জনবু ময়ুমদা হলহনখিনবা ময়াম্না হৌ হৌ তৌনখি। মী অমা অনীসু মকমতুদা তৌরিবা মওংতু খঙনবা লাকরে হায়বা শুরঞ্জন্না খংলমখিদে। লৈরম্লিবতুবু লাক্লিবতুমা খেমজিল্লতুনা হায়রকখি-মসি হিন্দুনি, মহাক সিদা লৈবা ফত্তে। পুম্নমক্না য়ানিংনা মকোক নোম-লহনা — হোয়, মহাক সিদা লৈবা ফত্তে। অতুবু মহাক্কি য়ুম হুন্ননবা লাকপদি নত্তে। মখোয়না মাগী মখুং পায়শিল্লগা মনমগন্দা তপ্না লাল্লহনা রিক্সাদা কান্ননবা তকশিনখি। তাঞ্জাতুদা শুরঞ্জন্না খুনমক মাগী পায়শিল্লিবা মখুং অতু খদংখিরম্মী।

সুধাময় শাংনা তিংথে কলগা হিপনিংলমখি অতুবু ওমলমদে। মপুক্লিংদা য়াম্না লাংতক্লবগী মওংনি। শুরঞ্জন তাঞ্জাসিদা অমুক হন্না মপান থোরকখি। মহাক্না থোকলক্লবগী মতুংদা খোঙদা তপনা তপনা থীল্লকখি। সুধাময়না খুনমক ফমুংদগী হোৌগৎলকখি। সুরনজন লাকলম্বা য়াই। শুরনজন ওইরমদ্রে, অখটারুজমাঁ ওইংমলে। লৈকাইসিদা মাগী য়ুম লৈ। মহাক সেবাদা কংখোকলবা ওঝানি। চহী হুমফুগী মথক ওইগনি। ইমুংদা হেক চঙলকপগা মখুৎনা পুন্না লোনশিল্লম্মী। "করি করি তৌবা য়াওরবগে?" অখটারুজমাঁনা খোঞ্জেল পীকনা হায়রকখি। "করিসু তৌদে, কম্বিবু তৌগনি হায়রবগে?" সুধাময়না কা মনুংদা লৈবা ফমুং, টেবল অমদি লাইরিক-শিংলোমদা মর্মায় লৈরতুনা হায়রকখি। অখটারুজমাং মশানা চৌকি চিংশিল্লগা ফমথখি। মহাক "সরবাইকল স্পোন্দলাইতিস" রা নাম্বি। মঙক চুম্না লৈরগা মমিং কোয়োক কোয়োক ওৎলতুনা হায়রকখি, "বাবরী মসজীদকী রাথোক তারক্রা? লোইনা পুমতাক তাকরে। য়াম্না তমথিরে।"

"চুমই ……।"

"অদোম করিসু হায়বিনিংক্রা? অদোমবু শৌগৎপীরিক্রা?"

"করিগী শৌগৎচগদৌরিবনো?"

"অতুদি করিগী রা ১ ফাওবা ভাংবিক্রিবা?"

"মী ফত্তবনা ফত্তবা থবক তৌখ্রে। মসিদা শুংঙাইতবা ফোং-দোকপা নত্তনা করি উপায় লৈখি ?"

"লাইনীংদা মীচং মীখায় নায়দবা লৈবাক অমগী অসিগুম্বা ফিভম। য়াম্না তুক্কচনিংঙাইনি।"

"লৈবাক্কী ফিভম পুম্নমক রাজনীতিগী লাওথোয়কপা খুদিংমক, সুপ্রিম কোর্ট, লোক সভা, পার্টি, প্রজাগী চংনপথাপকী হৌরকফম পুম্নমক তশেংনা হায়রবদা তৌশিন্নবা ঙাক্কনি। চংচরগে সুধাময় বাবু, ভারত্তা তৌরিবা অকনবা খংন-চৈনবশিংন্থু লৈবাকসিগা য়েংনরবদি য়াম্না রাংলিবনি।"

'অহোয়, শক ৬৪ গী তুংদা ৯০ দা অতুগ। অতুদগী হেন্না চাউনা হন্দক অমুক অকনবা ইহৌ থোকলিবসিনি।"

শক ৫০ গী মতুংদা ৬৪ দা থোকলিবা ইহৌ অসিগী মরুওইবা থৌদোক্তি কাংলুপ মশেলগী মরক মরক্তা লমন খুম্নবনি। অতুগী হানং-শুম্নবগী ইরাং অতু থৌগংপা ওইনা নুমিং অতুদা মনিক মিয়া, জহুর হুসেন চৌধুরী অমসুং অবতুস সালিমনা কন্না হোংনহুনা খবর খুদিংগী অচাম্বা লমায়গী তেদিং "নোংপোক পাকিস্তান তোঙান্না লয়" হায়না লোয়না ওইহনখি। য়ুমলোন্নবা হিন্দুগী ইমুং কনবদা মশাগী চহী ৫৫ শুরবা অমীর হুশেন চৌধুরী মথক্কায় থাখি। "ওহ্লোকইদা!"

সুধাময় মথবাক্কী অনাবা তেন্না হেনগৎলকখি। মহাক ফমুংদা হিপথখ্রে। চা হায়ক্কেং শাব' গিলাস অমা ফংলমসবদি করমগদবনি। অতুবু চাদি কনানা পীবিগনিদো ? শুরঞ্জনগীদমক্তদি কিরনময়না রাক্তরম্মী। মথক্তা মপান থোকখি। চংপা তারবসু হৈদরগা লোয়-নরবদি মফগদবনি। কিরনময়গী য়াম্না নুংঙানবহুনা সুধাময়সু মবুক-মিংদা খুং থোকনিংলম্মী। মতম পুম্বদগী শুরঞ্জনগী মপুক্লিং য়াম্না লাংলবনি অতুনা মাবু য়ুমদা ফাজিন্দুনা থম্বা ওমলমদে। রাকমসি সুধাময়না খংডি অতুবু য়াম্না হেন্না নুংঙাইতবদি মাবু হেক থেম্বদা মবুকনিং ফাথৌ য়ারোইদোবসিনি। রাকমসি নমশিল্লগা মহাক্কা অথটাক্কজনাগী রাকমদা তারকখি, "শান্তি হায়বসিনা লাইনীং পুম্বগী পান্দমনি হায়নৈ" অতুবু লাইনীংহুগী মিংদা থৌথোকহুনা অসুক য়াম্না

ইরাং থোকহন্দুনা হাৎন শুন্নরিবা। তাইবং মী হায়বসি কয়াদা ময়াল লৈরবনো হায়বা শতাব্দী অসিদা য়েংবা তারে।

লাইনীংগী মিং শিজিন্নরগা তাইবং মীনা মীওইবগী মতৌব পুংমাং মাংহনবগুম্না অতৈ পোক্তা মাংহনলমগনি নিংদে।

অথটারুজমানা হায়রকখি —'চুমইনে'।

কিরনময় চা গিলাস অনি পুহুনা কাদা চঙলকলগা "অচিকপা খরা হেনগংগিরিব্র? নম্রবদি তুমগী গুলীসি চাশিনবিয়ু।" অসি হায়রগা চাগী গিলাসদু মখোয় অনিগী মমাংদা থমলগা ফমুংদা ফমথরকখি।

অথটারুজমাঁনা হংলকখি "ইতৈমদি য়ুবী খুজী শিদেনা?"

কিরনময়না মমায় নোক্সরগা খুমলকখি.

"চহী ৭৫ হেল্লবদি শিমদে"।

"য়াম্না লুংভাইজরে অহুবু চেকশিন্নদি লৈবিয়ু"।

কিরনময় হায়কেত্তং মনোকখি। সুধাময়গী চিনবান্দসু অস্নুম্না নোকহৈৎতমক মতৌখি। অথটারুজমাঁ চা থুনা থুনা থকপা হৌরকখি। সুধাময়গী মথবাক্তী অনাবা হন্থবা লৈখিদে। "মরুপ মখোয়গীদমক্তা, এনা করম্থা মতমদা ইশাগী লাইনীং থাদোকপ্রবগে" হায়না মহাক্না হায়রকখি।

অথটারুজমাঁনা চাগী গিলাস থমলগা হায়রকখি. "য়োজরগে। বিনোদ বাবুখোয়রোমদসু অমুক্তা য়োৎমদা বল্লবনি।"

সুধাময় শাংনা তিংথোক্তুনা হিপলম্মী। মাগী মকোক মপাদা লৈরিবা চাদু ইংলমখি। কিরনময়না থোঙগী পুনা পানশিল্লগা কঁমথখি। মহাক্না থাম্নিরা মৈহুগী ওম্ন-তৈনবা নাকলদা ফমলম্মী। মাগী মমায়দা মাম ভারম্মী। অহানবদদি মহাক য়াম্না নিংথিনা লাইশোন ঈশৈ শকলম্বনি। কিরনময় ব্রাহ্মনবাড়িয়াগী মশক নাইবা পুলিস অফিসার অমগী মচানুপীনি। মশাগী চহী ১৬ শুরকপদা লুহোংলকখি। লুহোংলবা মতুংদা সুধাময়না হায়খি, "কিরনময় নঙ রবিন্দ্র শঙ্গিট তম্মু। ওজা থম্বিগে"। মিথুন দে দগীসু মতম থরা তমলমখি। ময়মনসিংগী নাংকী শংলেন কয়াদসু মাবু ঈশৈ শকলনবা কৌরকখি। অমুকথক কিরনময়বু টাউন হোলদা ঈশৈ শকলনবা কৌরকখিবতু সুধাময়না নীংশিংলকখি। মতমদু শুরঞ্জন চহী ৪দা হায়রকখি। সংরইদা মশক নাইবা শৈশকপশিং লৈরম্মী। সমীরচন্দ্র দেগী মতুংদা

কিরনময়না ঈশৈ শরুবা ফম্বাক্তা কাখৎলকখি। সুধাময় অশেংবশিংগী অহানবা পনেংদা ফমলমখি। মহাক ভুমাং পাখৎলকখি, মরমদি খঙলমখিদে। লাইশোন ঈশৈ অমা শকলবা মতুংদা মীয়াম্না "অমতগা, অমতগা" হায়নরকখি। অদুদগী মানা অনিগুবা লাইশোন ঈশৈ শকপা হৌরকখি। মতাকী ঈশৈশিংদু অসুকী মতিক ইংবা মেওংগ্রে মদুদি লাই থাজদবা সুধাময় ফাওবা মমিত্তা মপী শিঙ্গনরকখি।

নীংতমলবা মতুংদা কিরনময় মপান থোক্তা ঈশৈ শকপা গাম-লমখিদে। অরাংলোমগী লাইশঙদা সুমিত্রা সাহা, মিত্তালী মুখ'জী ঈশৈ শকনি। গুরুজননা মমাদা "ঈমা নংসু শকউ" হায়না তকলম্মী। কিরনময়না নোকলদুনা, "ঐদি থাদোকখিবা কুইরে। হৌজিকপু হান্নগুম্না শকপা ঙম্‌খগন্না"। সুধাময়না হায়রকখি, "শকউনা, করি চিংনরিবা হান্ন শকলিবদুদি। মীনম্ভু নশক খঙলিবনি। থাম্ভু হায়কেং থাগৎলকলিবদুনি।"

"হোয়, থাবুদি মথাগৎলকই। মীয়াম্না খুবাক খুয়কখি অদুগা মতুংদা হিন্দু নুপীশিংসি ইকায়ব হেত্তে হায়নহৌই। অদুনা মখোয়না ঈশৈ তমলিবনি। অতোয়া নিপাগী মমাংদা মশক উত্তুনা ঈশৈ শকই।"

সুধাময়না তাঞ্জা য়েংনা হায়রকখি — "পাঙল নুপীদি ঈশৈ শক্তরে ?"

"মখোয়সু হৌজিক্তি শকলে। অহানবদদি শকলমদে। অদুনা ঐখোয়না রাশিংদু তায়মলিবনি। ইচে মিনতী ঈশৈ কয়া ফজনা শকপগে হায়ববু নোংমা পাঙল নহা চবুল অমনা মাবু কোয়শিল্লগা মখোয়গী পাঙল নুপীশিংদসু ঈশৈ শকপা তমহনলিবা ফোংদোক-লকখি।"

সুধাময়না হায়রকখি, "অদুনু কৈদোয়েদনা! ঈশৈ তম্বিবদি ফৈন।"

"মহাশিংদুনা হায়বদি নুপীমচাশিংনা ঈশৈ শকপা ফত্তে। ঈশৈ শকপদগী ফত্তবা ওইরক্তনি।'.

অদুরা !

অদুগী তুংদগী কিরনময়না ঈশৈদা পুক্নিং থিংজিল্লকখিরে। মিথুন দেনা করি করিগুম্বদা হায়, "কিরন নঙদি নখোল অদুক ফরগা ঈশৈ শকপা তোকলবা"।

কিরনময়না নিংশা ফুয়না হোল্লগা হায়রকখি, "তাদা, হৌজিক্তি ফত্রেদা। শকলুরগা কন্নিবু তৌগবনো থল্লে। অস্নুমনা ঈশৈ-জগোয় তৌবসি মীয়ামনা পামনত্রে। ফত্তবনি হায়রে।"

মতৌ অস্নুম তৌনা মহাক্না ঈশৈ শকপা তোকখিরম্মী। সুধাময়নস্নু মঙোন্দা কয়া কম্না হায়রমদে। তৌইগুম্বস্নুং করি কন্নিগুম্বদা "মপান্দা শত্রুবস্নু য়ুমদদি শকপা য়াইনা" হায়না পেন্দবা ফোংদোরকখি। য়ুমদদি ওইবা য়ান্নমত্রে। অথেঙবা অহিংদা তুম্বা য়ারক্রগা মখোয় অনি য়ুমথক্তা কাখংলম্মী। ব্রহ্মপুত্রগীদমক্তা, ব্রহ্মপুত্রগী ময়াদা লৈবা মখোয়না থাদোকলমলবা য়ুমহুগী খল্লুবদা মথম্মোয়দা কপচখি। তাম্না লৈথ্রবা নোংদোন থবানমিচাকপু অনিমক্না য়েংজখি। "হৌথ্রবা মতমগী রাশিংহু কমদৌনা কাউরসিগে" হায়না কিরনময়না হায়লেং ঙংলকপা তাবদা থম্মোয় কল্লবা সুধাময়গী পুক্নিং ইরাং হৌরকখি। মখোয়দস্নু অঙাং নন্না ওইরিঙৈ, নহা ওইরিঙৈগী শান্নরম্বা লম্পাক, স্কুলগী মাঙ্গোল, ঈথক হৌরবা তুরেল, তুরেল মপালগী শোংলবা উমং, উমংগী ময়ায় ফাওহুনা চংলিবা পিকলবা খুদোংচাত্রবা লম্বীহু লাল্লগা মঙলৈবাক তান্না চংনিংলমখি। য়াম্না থম্মোয় কনবা ওইরস্নু য়াম্না থেঙলবা অহিংগী মতম ফাওবা সুধাময়না কিরনময়বু কোল্লহুনা হিক-হিক কপ্পুনা লৈখি। সুধাময়গী বাবৈ পন্থুং লৈরমদে। কুমজা ১৯৭১ দা মাগী মমাংমক্তদা গজনময় ঘোষাল, প্রফুল্ল সরকার, নিত্যাই সেনবু হাংখি। মখোয়বু কেমপতা পুথ্রগা নোংমৈনা কাপথারখি। নিনি-স্নুবদা ত্রকতা হাপলগা মী লৈতবা লমহাংদা হুন্দোকলমখি। হিন্দূশিংবু হেক উবমক্তদা পাকিস্তানীশিংনা ফাহুনা পুই, খোংউপ বুটনা কাউই, নাংমৈ গুন্দানা শুই, মমিং কোংথোকই, মনমগনগী শরুশিং ফুদেক্তুন থুদেকই। মখোয়না ওং-নৈরগতা থাদোক্কদবা মাল্লম্মী। অহুবু মমৈদা নোংমৈনা কাপথোকই। সুধাময়না পাঙল কয়াবুদি ফু-চৈরগা থাদোরকখিবা উখি অহুবু হিন্দু অমত্তবুদি হিংনা থাদোরকখিবা উখিরমদে। মেহত্তরপত্তীগী গুহাহু হিন্দু অমস্নুং পাঙলশিংগী অশিবা হকচাংনা পিক থনখিরম্মী। লৈবাক্না নীংতমলবা মতুংদা গুহাদগী লিশিং লিশিংনা খুজিং ওইহুনা শরু-শয়াং লৌখংপা মতমহুদা মজীদ, রহীম, ইদরীসকী মরি মতাশিংনা শরুশিংহুদা তুশিল্লগা তেংথা তেংথাহুনা বপখি। করম্বা শরুনা মজীদকীনো অহুগা করম্বনা অনীসগীনো হায়বা কনানা খঙগনি? সুধাময়গী অতেকপা খোঙ থবাক্কী অতেকপা শরু হমদাং

অহুম শয়খিরম্মী। পেনিল (অখিকম) ককখিবগী/শোকখিবগী শোককময়ু কংশিল্লমল্লে অহুবু থবাক্কী অশোকপহুদি লায়জৌরি। মিংকী পি কাওবা কংলথ্রি। হিংহুমা লৈবা হায়ববু অসিনা ওইগদৌরিব্রা? হকচাংগী কিওম কায়দবদি লায়রদনা সুধাময়না কেম্পাতগী হল্লকপদা হিংগনি হায়বা থাজরমদে। ফুলপুরগী অর্জুনখিল থুলদগী অবহুস সলাম হায়না থা ৭ চুপনা রানা ককলাং থাবা য়ুম অমদা লৈবা তাখি। মতমহুদা সুরঞ্জনবু শারিব হায়না কৌনরম্মী। অহুগা লমহুল্লী মীশিংনা কিরনময়বু ফতিমা হায়না কৌনবহু তাবদা সুধাময়নয় ইকাইজরম্মী। থবাক্কী অতেকপা শরুশিংহুনা থবাক্তা য়ৈবদা ন্যাবহুদগী মঙোন্দা ফতিমা হায়না কৌবা মিংহু তাবনা হেন্না নারম্মী। ডিসেম্বরদা মুক্তিবাহিনীগী পাঙ্গল তেনগংলক্লবদা খুল পূম্নমক 'জয় বঙ্গলা' হায়হুনা হুরাওনা জগোয় শান্নরম্মী। থা ৭ চুপনা অসিগুম্বা পামজরবা মিংসি মখোয়না হায়বা ঙমজরমদে। নুমিৎতুদদা মনিং হুম্না সুধাময়না মমিংহু কৌজররকখি, "কিরন, কিরন, কিরনময়।" মাগী থম্মোয়নুংদা ওমহুনা লৈরম্বা অর্থবগী মৈচাকপু নুমিত্তুদদা মুংলমখি। মশিনি সুধাময়গী জয় বঙ্গলা। মী লিশিং কয়াগী মমংদা কিরনময়বু হৌনা হৌনা 'কিরনময়' কৌবনা মহাক্না "জয় বঙ্গলা"গী মিং কৌবা ভুইনা থনখি।

ইথঙ থঙহৌদনা থোঙ কন্না কন্না খিনলকপদগী মখোয় অনি শুকখিরম্মী। হরিপদ ভট্টাচার্য লাকলম্মী। লৈ মথাদা "নিকি কাদ" গুলী থমঙগা মমিৎ উইশিন্দূনা তুমলবগী মতুদা সুধাময়গ ডাইহাক অনাবা কোকলম্মী। হরিপদ ইমুংগী মীগুম্বনি। হরিপদ উবদা সুধাময় হৌগংলগা ফমলম্মী।

"হকচাং ওমবিদত্রা? য়াম্না তাইক্কেৎ তাইনা উই।"

"হোয় হরিপদ! হকচাং ঙমদবসি নুমিং থরা কুইরে। প্রেসরস্থ য়েংত্রে।"

"হান্না থংলমলবদি ঐ বিঃ পিঃ গী মেছিন পুরকলমগদবনিদো!" কিরনময়না হায়রকখি, "য়েংবিয় তাঞ্জাসিদা সুরঞ্জনসু চংথোকত্রে। অদোমবু কমদৌনা লাকপিবগে?"

"লম্বী শমলগা লাকচবনি। অচুম্বদদি লাকচত্রে।"

হায়ক্কেৎ কুইবকাওবা রা অমত্তা ঙাংলমদে। হরিপদনা মাপ্পী ইনফিহু লৌথোকলগা হায়রকখি, "ধাকাদা ভসি বাবরী মসজিদ

খুনায়খিবগী মীয়াম্বা পেন্দবা কোংদোংখি অদুগা অমরোয়দবা শান্তিগী থৌওচং অমসু চংখি। রাজনিতি দলশিং অমসুং অতৈ লোয়নশিংনা কাংলুপ মশেল অকবা রাবর্ত খননা লৈমিন্নবসীদমক মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিন্নখি। মন্ত্রী মন্দলগী মীকমনসু মীয়ম্বা পুন্না অমত্তা ওইনা লৈবিনবা মীয়ামনা হায়জখি। শেখ হসীনানা অমা ওইরবসু অমা ওইরবসু মিয়াম্বা কাংলুপ মশেল চাম্ম-চিন্নবা লৈমিন্ননবা হায়জখি। অরম্বা খুৎ-থোকনবদুদা মী ২২৩ শিংথ্রে অদুগা সহর ৪০ দা করফিউ থমখ্রে। কাংলুপকীদমক্তা লিংবা যুক্তপশিংনা আইন্না য়াদবনি হায়না লাউথোকখ্রে। মরশিং বাওনা বাবরী মসজিদপু অমুক-নৈংহৌনা শামি তায়নসু লাউথোকখ্রে।"

অসিদং হায়রগা হরিপদনা য়াম্না চীংলেম্বা মওংদা কখত্রে। অদুগা অমুক হায়রকখি, "অরেপ্পা করি লৈরিবগে? সিদা ওম লৈরগন্না? ঋসিদা লৈবা কপমি হায়বা ঐ খাজদে।" ঐদি লুপী-ময়মদা চংলগে খঙ্গরে। ঐগী লুপী ময়ুম মনিকগঞ্জদনি। অদুবু ওসি অয়ুক ইবাইনা লাকলগা মনিকগঞ্জ সহর অমসু খিউর থানাগী মকুংচনবা লমদা য়ুম চামদগী হেন্না লুট তৌরগা মৈ থাংথ্রে হায়রম্মী। লাইশঙ ২৫ সু থুগায়রগা মৈ থাদোকখ্রে। বকঝুরী খুলগী হিন্দুগী য়ুমশিংসু মৈ থাখ্রে। অহিং অথেংবদা নহা ৭/৮ লাকলগা দেবেন সুরগী ময়ুমদা চংলকলগা মচানুপী স্বরসতীবু ফাদুনা পুথ্রে অদুগা নমহুনা হকতিন্নবিখ্রে।"

"করিনো হায়ব্রিবদুবে?" সুধাময় অরাবা খোল্লাওগা লোয়ননা হৌগৎলকখি।

"অদোমগী ইচানুপী কৈদা লৈরে?"

"মায়া মাগী মমাম্বীগী ময়ুমদা লৈ।"

"পাঙলগী য়ুমদনি কো!"

"মানি"

"অদু ওইরবদি ফরে।" হরিপদনা চিংমদনা নিংশা হোল্লখী।

কিরনময়সু চিংনরমদে। সুধাময়না অনোকী গিলাস তৈথেংকনা হায়রকই, "অশেংবা হায়রবদা খংনচৈনবসি লিদদনি। মায়মনসিংদদি কৈদৌনুংদসু বংনবা থোকপা উদে। করে, হরিপদ বাবু ঐথোয়গী মায়মনসিংহ অশোয়দদি করি করি থোক লাকপা?"

"হৌখিবা অহিংডুদা। ফুলপুর থানাগী অমুংচনবা বধু আদীহ থুলদা লাইশঙ অনি, ইরাংকম শঙ অমা অমসুং ত্রিশালদা কালীগী লাইশঙ অমা থুগায়গ্রে হায়না তাজে।"

"সংঘরদি করিম্সু তৌরমলোইদা ? তংশংলবদা লৈবাকশিনগী অরাংথংবা শরুক্কুনা থৌদৌসি থরা রাংলি। ঐখোয়গী মরদদি লাইশঙ থাবগী থৌদোক্তা থোক্তেকো কিংনময় ?"

"নোর্থ বুক হোল রোড কী ময়ামগী পুজা লোয়শং, জমীন্দারশিংগী কালীগী শরুক অমসুং লাইশঙ পুম্নমক পুমমাও মাংহনখ্রে। ওসি শান্তিমগম্বগী "জলখাবার" কৌবা অথুম অহাও য়োমকম, শতরুপা ষ্টোরবুস্ত লুট তৌরগা মৈ থাদোকখ্রে। হৌখিবা অহিংদা জমাত শিবিরগী মীশিংনা কুষ্টিয়াগী লাইশঙ ৬ পু পুমথু থুদেকখ্রে। অসিদা মতুনা চিটাগোং, সিলহত, ভোলা, শেরপুর, কোক্স বাজার, নোরা-খালীগী মরমদা তারিবসিদি ঐদি য়াম্না কিজে।"

"কম্বিগী কিরিবনোনে" সুধাময়না হংলিকখি।

"এক্সোদস" জাং ওনবনি

"নতেদা! লৈবাকসিদবু অতুমনা শংনরমলোইদা।

"১৯৯০ গী থৌদোক কাউবিরব্রা তাদা। নত্রগনা অদোমনা মহু অমুক মপাংথাদে থনবিব্রা"

"অতুদি ইরশাদ সরকারনা থোকহনখিবা থৌদোকনিদা।"

"কম্বিনো হায়বিরিবহুবো তাদা! বঙ্গালাদেশ সরকারগী মী-শিংগী চেক্লোও য়েংবিয়ু। হন্দকী জাং ওনবা 'এক্সোদস' অসিদি অকিবগী মশক ওইগনি। মরালগী চৈরাক থবা কংবগীদমক্তদি মীয়াম্না মরৈবাক থাদোক্কুনা চংনরোই। মরমদি মমা লৈবাক্তা লৈবা হায়বসিদি লৈগী দোলায় তোংবগুম্বনি মসিদি নিংথিনা শেম্বি-রবা তুংদা অতুম কাক্কনি। তাদা, ঐ হায়কেং কিরে। অডাং অমনা কালিকত্তাদা মহৈ তম্লখি। মুসলীমচাশিংনা অসিদা লৈ। মুসলীমচাশিংহু চাউরকলবলিনা মখোয়গী থনবদা তুম্বা হিমা চঙল্লে। কৈদনো অমা চংলসিম্বা থলিবনি।"

সুধাময় ওকখিনা আনোক খওলো লৈখোকলগা হায়রকখি,— "হরিপদ বাবু, অদোম রাখল চোয়খিব্রা ? অসিগুম্বা মায়পাক-লোইদবা রাঙাংশিংলি ঙাংবিদবনা কৈ।"

"সিদা অদোমগী থবক-থনা ফন্না চংথরি হায়বগী হায়বিরিব্রে শেল নীংথিনা তাল্লি। অদোমগী য়ুম নৈ অসিগীর ?"

"হরিপদ, অহুগী রা নত্তে। খুদোংচাবা ফংলি হায়রুনা চংপা চমলোই হায়বগী রা নত্তে। খুদোংচাবা ফংরবসু করিগী চংপগী মথৌ তাগদৌরিবনো ? অসিদি অদোমগী পোকফম লমদম নত্রব্রা ? ঐদি সেবাদা লুপচরবা মীনি। শেলস্লু থোক্তে। ইচাসু থবক ইংখাং অমত্তা তৌদে। অনা-অয়েক থরা য়েংলগা য়ুম পুরিবনি। হৌজিক্কি নোংমা-নোংমগী অনা-অয়েকী চাংসু চন্থরকলি। অহু তৌরে হায়দুনা ঐসু চংগ্রগত্রা ? মরৈবাক থাদোকলগা চংগ্রিবশিংহুবু মীরা ? ওইনিংবা অমা ওইজসম্নু, হানং-শুনবসু কয়া কয়া থোকচসন্নু বঙ্গালিদি চাউখত্তবা জাতী নত্তে। থরা ইরাং থোকলিবসিদি মরাইনা নেমজখিগনি। ইনক নকপদা লৈবাক অমদা অরাবা চৈথেং লাকলবদি মহুগী ঈনিল থংনবা লৈবাক্তা লাকপা মশানা তাবনি। মসি নীংশিংউ, হরিপদ! ১৯৬৪ গী ইরাংহু বঙ্গালী পাণ্ডলনা তৌবা নত্তে, বিহারী পাণ্ডলশিংনা তৌখিবনি।

হরিপদ বাবুনা মমায়হু ইমকিনা কুপশিল্লগা হায়বকখি, "মমার ফিরুক খুমহুনা লাকুখিবশিংহু বিহারী পাণ্ডল কিবগী নত্তে বঙ্গালী পাণ্ডলশিং কিবদগীনি।"

হরিপদবাবু য়াম্ন তপনা থোঙ হাংলগা খোঙথাং মখোল থোকহন্দনা ওইরোমথংবগী লম্বীদা চংখিহুম, উবা ফংখিদ্রে। কিরনময়না মথুং অশিনা থোঙনা অনিহু খিংজিল্লগা নীংঙমদনা শুরঞ্জনবু ঙাউরমখি। ঙাইহাক ঙাইহাক কান্নরগা মীয়াম চবুল চবুল চংলি — খোল্লাওদি খ্বক্তিদগী চাউবা (তকবীর) অল্লাহ অথোইবা হায়না লাউরকখি। মখোয়না হায়রিবদি অমা ওইরবসু অমা ওইরবসু সরকারনা বাবরী মসজীদ নৌহৌনা শাগংকদবনি নত্রবদি অকবা ওইরোই।

শুরঞ্জন অহিং হায়কেং থেংনা য়ুমদা হল্লকখি। মহাক য়ু ঙাওরকলম্মী। মহাক চাক লামদ্রে হায়রা কিরনময়দা হায়খি। নুমিদাংহু মহাক চাক চাদ্রে।

শুরঞ্জন নৈ মুথংলগা তুম্বা চংদ্রে। মহাক তুম্বা য়ারমদে। অহিং চুপ্পা মহাক য়াওন্দুনত্তা লৈরমখি। মরমদি মহাক তুম্বা য়ারমদ্রে অহুনা হৌখিবগী থৌদোকশিং অমমমত্তা ওইনা নীংশিংলকখি। লৈবাক অসিগী মরুওইবা চংনপথাপ ৪ থক নৈ — বঙ্গালা কাংবুদগী

ওটবা লাইনীং ঊাকপা, মীয়ামগী রায়েল অমসুং মাল্লবা থুগ্গায়। ১৯৫২ গী লোলগী ইরাংদগী হৌরগা শাংলবা মীয়ামগী ইহৌ কাওবদা অমদি মহুগী অয়োয়বদা নীংতম লালগী মতুংদা কাংলুপকী অমসুং লাইনীংগী অকনবা শাফুগী চৈথেং লৈরমদে শুপনগী নীংতম লান লোয়রবা মতুংদা য়েকনবগী অরোনবা থৌশিল চঙশিলহুনা লৈবাক্কী অপুনবা শক্তমদা অমদি লৈঙাকলোনগী হোংদোক হোংজিল লাকপগী মরৈনা নীংতম লাল য়াদবা অমসুং মায়থীবা ফংথ্রব মশাগী কাংলুপতবু য়েংবা লুচিংবশিংহুনা মৌহৌনা ইরাং শাগৎলকখি। লাইনীংবু লৈঙাকলোনগী থুৎলাই ওইনা য়াম্না হৈশিংনা চুমদবা মওংদা অমসুং লৈঙাকলোনগী লোনচৎ নত্তবদা ইসলামমনা লৈবাক্কী লাইনীং ওইহনবা তুংদা কাংলুপকী অমদি ইসলাম লাইনীংগী লুচিংবশিংগী য়াম্না হেন্না হৈশিংনা থরায় য়াওশিন্নকপা হেনগৎলকখি।

কুমিলা পানাগী দাউদকান্দী কৌবা পানামচাগী সরাইল খুলদা কুমজা ১৯৭৯ গী ফেব্রুয়ারী ৮ গী অয়ুক্তা হিন্দূ ঋষি কাংলুপকী মথক্তা মনাক অদুরাইগী খুলগী মী চাউরাক্লা ৪০০ য়োমনা খুঙহৌদনা ফুজিল্লকখি। মীশিংহুনা কম্না লাউরকখি "সরকারনা ইসলামব লৈবাক্কী লাইনীংনি হায়না লাউথোকখ্রে। মরম অসিনা পাঙলগী লৈবাক্তা লৈবা মী পুম্নমক পাঙল ওল্লগদবনি।" মীশিংহুনা ঋষিশিংগী য়ুম থুদিংদা নমহুনা পোৎচৈ লৌখি অমদি মৈ থাখি। লাইশঙশিংবু উঙ্কুল ওলহনখ্রগা মী কয়াদুম্ন কাহুনা পুখি মহু হৌজিক ফাওবা মফম থংদ্রে। নুপীমচাশিংবু কোংনা নমহুনা হকতিংখি। থৌদো অসিদা অশোক অপন নংহুনা লৈহৌবা মী কয়া ঙসিসু হিংলি।

নরসিংদীদা, শিবপুর পানাগী আবীরদিয়া খুলদা নৃপেন্দ্র কুমার সেনগুপ্ত অমসুং মাগী লোয়নবী অনিমা সেনগুপ্তবু উকিল অমগী ময়ুমদা লাংথুহনলগা ইস্কোল রিঘা ১ গী ১/৪ চাউববু নমহুনা রেজিষ্টার তৌহনখি। মার্চ ২৭, ১৯৭৯ দা অপিমানা নরসিংদীগী থানাগী অচৌবদা মাবু মরাল লৈরবাশিংহুনা কিহন্নকলে হায়না অটবা রাকংচে লানশিনখি। ক্রিবনা লমহুদা লৈবা মীশিংনস্থ করি অমত্তা হায়জবা ঙমখিদে। মসিগী তুংদা অণিমাবু স্থমিং ৬ নি চুপনা জেলদা থমলগা মথল মথলগী অরাবা চৈরাক পীখি।

চহীহুগী মেগী তাং ৭ তা ফিরোজপুর পানাগী কাউখালী পানামচাগী খাউলাকাহন্দা খুলদা থুৎলাই পায়বা মীওই ১/২০ গুক্লা

হালদরশিংগী য়ুমশা ফুজিল্লকখি। য়ুমগী পোৎ-চৈময়াম নমহুনা মুত্রবা ফুংদা লাইশঙ শং থুগায়রগা ময়াঙ কাবহনা খোল্লাওসি লাওখি—"হুলাল্লকপা (মালাউন) হিন্দুশিংবু ৯ায়রহল্লু, লাইশঙ থুদেবড়ু ৯৩ জিদ শাজিল্লু"। মখোয়না হিন্দুশিংবু য়াম্না থুনা লৈবাক থাদোক্কুম চংখিনবা কিহনখি।

চট্টগ্রাম পানাদা রাউজান পানামচাগী গশ্চ খুলদা পাঙল ১৫০ রোমদা বৈদ্যবাড়ীদা মেগী তাং ৯দা মুংথিলদা বোম পোকখায়হনখি অমসুং য়ুমগী মীশিংবু লোংয়ৈ চিন্দে নগী পান্দমকম ওইহন্দুনা অশি কৈবাক য়োহনখি।

জুন ১৬তা ফিরোজপুর পানাদা স্বরূপকাঠী পানামচাগী আঠঘর খুলদা থামা ১০/২০ না গৌরাঙ্গ মন্দল, নগেন্দ্র মন্দল, অমুল্য মন্দল, সুবোধ মন্দল, সুধীর মন্দল, ধীরেন্দ্র নাথ মন্দল, জহর দেউরী য়াওনা হিন্দু ১৫/১৬ লোমবু বন্দী (কাবা) তৌখি। গৌরাঙ্গ মন্দলগী মাঙ্গোলদা পুরকলগা মখোয়বু কুবা হৌখি। গৌরাঙ্গ মন্দলগী গুপীনা ফুবহু তোকপীনবা হায়জকপা পুলিসশিংহুনা মাবু অতোপ্পা কা অমদা পুশিনখ্রগা নমহুনা কমদিম্নবিখি। অতৈ মুপীশিংনা খিংনবা হোংনবদসু অতুম্না থুদোংবিবহু তারমখি। সনাতন মন্দলগী মচানুপী রীনা বুসু নমহুনা কাবগা মখোয়না কয়ারক হল্লা অনিংবা পাংথোক্লমখি। থোৗদোক অসিগী মতুংদা মীনাবু নমহুনা পুখি অমসুং ওসি কাওবা খিবা কংগ্রি।

জুন ১৮গী নুমিদাংগী পুং ১১ তাবদা ফীরোজপুর পানাদা নজীরপুর পানামচাগী চান্দকাঠী খুলদা পুলিস ৩ অমসুং লমহুগী চৌকিদারনা খুৎলায় পায়বা মীওই থরগা লোমননা নিংহুবগী থবক তৌখি। খি-হুবগী থবক চংথরিবৈদা মখোয়না হিন্দুশিংবু লৈবাক থাদোক্কুনা চংশিনবা চেকশিন বাহৈ খঙহনখি। মখোয়না হুলাল কৃষ্ণ অমসুং হিন্দু ৪/৫ বু সমাজ লৈথা তাহনবা কাংলুপ (Proletariate) কী মীলকনি হায়না ১রাল শিজিন্নগা থানাদা পুথ্রগা য়াম্না থীনা ফুখিরম্মী। মমৈদা লুপা লিশিং ৯/১০ লৌরগা থাদোরকখি। লম অসিগী হিন্দু অয়াম্বা লৈবাক থাদোক্কুনা চংনখি। খুলনা পানাদা দিঘলিয়া পানামচাগী গাজীরহাট ইউনিয়নগী খুল ১২গী মশিং থেঙমত্রবা হিন্দুশিংদা কোংদোকপা/হায়দোকপা য়াত্রবা মীওং-মীনৈ কয়া চংথরকখি। চেরাবমেনগী/লুপংাকপগী মীথলদা মায়থীহেংবগী মোলানা জমালুদ্দীনা থুনেক্কী গুন্দা পুথকলগা হিন্দুশিংগী লৌশিংদা অয়েংপা

পীরম্মী। মখোয়না লৌ খাওদোকই, শা-শনবু থৌরী থাদোক্লুনা পুখি অমদি হকাক-থিংদগী নমহনা পো-চৈ য়ুনখি।

বরিশাল শানাগী দুর্গাপুর খুলদা দান তৌরবা লমদা মওং চুমদনা লৌশিন্না অমদি শাননবগী মতাংদা নিতাই তৌনরকপনা তাং ১০ ডিসেম্বর ১৯৮৮দা অবহুস শুভান অমসুং ইউ: পী: গী মেম্বর গুলাম হুসেন্না থুংলায় শায়রবা মীশিংগা লোয়ননা রাজেন্দ্র নাথকী য়ুমদা ফু জল্লখি। মখোয়না রাজেন্দ্রনাথপু হাংকনি চায়না কিহল্লমলগা অমদি মাগী সনা-লুপা পুম্নমক মুল্লগা হনখিন্নদা ময়ুম মৈ থাদোকপিরম্মী। মখোয়না ধাতু ৮ না তিল্লগা শাম্বা রাধা-কৃষ্ণগী শক্তমসু থাংহনা পুখি। মখোয়না পুবা পামদবহু য়াম্না থীনা য়েথায়রম্মী। হল্লিরৈঙদা মখোয়না রাজেন্দ্র কুমার অমসুং মাগী ইমুং-মনুংবু লৈবাক থাদোকখিনবা 'য়াথং' পীরম্মী।

আগষ্ট ২৬, ১৯৮৮ গী অয়ুক্তা বাগেরহাট শানাদা রামপাল শানামচাগী 'তালবুনিয়া খুলদা লৈবা মশাগী লাইনীংদা য়েংবা মীওই থরগী থৌইনশিন্দগী পুলিসকী মীওইশিংনা অক্কল ওইরবা লক্ষনচন্দ্র পালগী য়ুমদা নমহনা চংলগা মহাকী মশুনিপা বিকাশচন্দ্র পালবু য়াম্না শাথিমা ফুবিখি। অসিদা নত্তনা লক্ষনচন্দ্রগী মচানুপা অহল পুলিনবিহারী পাল অমসুং মচানুপা য়াইমা রবিন্দ্রনাথ পালবুসু পুলিসনা শাধীনা ফুবিখি। পুলিনগী নুপীনা পুলিসশিংবু থিংজরবদা মাবুসু ফুবিখি অসিগী তুংদা পুলিসনা পুলিন, রবিন্দ্রনাথ অমসুং বিকাশপু পুল্লগা থানাদা পুরকখি অদুগা অরানবা মরাল অমা শানশিল্লগা কৈশুমশঙদা থাজিনখি। মখোয়বু জামিনসু পীরমদে। শয়া হায়রবদা নীংতম লালগী থরা মাংজোননা শোলাকুরা খুলগী অবদুল হকিম মুল্লানা লক্ষনচন্দ্রগী ময়াম্বগী মচানুপীদা ফমদিন্নখিবা অমসুং ইমুং মনুংগী অতৈ মীওইশিংবু ফু-চৈবগী মরাসদা মতম কুইনা কৈশুমশঙদা (মিয়াদ) লৈখি। কৈশুমশঙদগী থোরকলগা সিরাজ মালিক, হারুন মালিক অমসুং অবদুল জবার কাজীবু পুরগা পুলিসকী মতেং লৌরগা মহাক্না লক্ষনচন্দ্র পালগী ইমুং-মনুংবু অসুম তৌনা লমন থুমখি। থৌদোক অসিগী তুংদা মশাগী শাকনবগী রাখলদা হিন্দুগী ইমুং কয়া লৈবাক থাদোক্লুনা চংনবা লেপনখি।

গোপালগঞ্জগী কোটালীপাড়া, মকসুদপুরগা, লোয়ননা গোপালপুরগঞ্জ শানা পুম্নমকী হিন্দুগী য়ুমশিংদা হয়ান-চিহ্ন, লুট-পাট,

অমদি নমথাক তৌবা, চংশবীগী বাংমদা থবক তৌহুনা মুসলিং মুনবা অহানবা মহাক শীজিনবা, লমহুনা ফমদিন্নবা, লাইশওশিং থুগায়নবগা মৈ থাবগী থৌদোক থোকপা লোয়নবা পুলিসশিংগী মীওং মীচৈ কয়া চংথরকখি। কোটালিপাড়া পানামচাগী থানাগী মকোক মস্তু কাজীগী অয়োকপা গুন্দাশিংনা কুশলা ইউনিয়নগী মাকা লাখিরপাড়া খুলদা চুংখিল পোরোপক্তা ময়াম মথাংদা হিন্দুশিংদা লান্দারকখি, মখোয়গী মচাসুপীশিংদা অয়াবা চৈরাক পীখি অমসুং মাদারবাড়ী, লাখিরপাড়া, ধাধর বাজার, খেজুরবাড়ী, কাজী অসিনচিংবা লমদমশিংদা হিন্দুশিংবু কিহল্লগা পৈশা থোবা, মমল য়াম্বা পোৎ-চৈ কয়া মুন্দুনা লৌরগা ষ্টাম্প পেপর দা খোইম্ব তৌহনবগী থবক চংথখি। মকমসিগী হিন্দুশিংনা কিরহুনা লৈবাক থাদোকমখি। মস্তু কাজীনা কোটালীপাড়াগী গোনাসি বেঙ্কগী শ্রীমতি ভৌমিকপু শাগী লমচং চত্নবা ফমদিন্নবিবি। কাজী খুলগী মমতা, অধুগা লোয়ননা চুপীমচা কয়াবু থবক হাপ্লিগনি হায়জিল্লগা পানামচাগী লোয়শঙদা কাজিন্দুনা থমলগা মাপু শাখীনা লমহনা কমরিন্নখিখি।

বাগেরহাট থানাদা চিতলমারী পানামচাগী পরীবপুর খুলগী অনিলচন্দ্রগী য়ুমদা জুলাই তাং, ৩ ১৯৮৮ গী অহিং অথংবদা পুলিস চডলকখি। অনিলচন্দ্র য়ুমদা লৈরমখিদে। পুলিসনা মাগী নুপী অমসুং মচাপিশক য়ামা থীনা ফুবিরমখি। অদুগী অহিংচুমা খুলগী স্কুলগী ওজা অমূল্য বাবুগী য়ুমদসু পুলিসনা লুট তৌখি। তাং ৪ দা সুভীগাতী খুলদা ক্ষিতীশ মন্ডলগী য়ুমদসু পুলিসনা নৈখি। য়ুমদা চুপা অমতা লৈতবগী মরমনা ক্ষিতীশ মন্ডলগী নুপী অমসুং মচানুপীবু শাগমচংকী লমচংনা মাংওইনহুনা লৈহংপিখি। তাং ৫ দনা খুলচুগী শ্যামল বিশ্বাসকী য়ুমদা পুলিসনা লান্দাখি। শ্যামলবাবু ফংদ্রবদা পুলিসশিংনা মাগী মচানুপীবু নমহুনা হকতিন্নখি অমসুং মমল য়ামলবা ইমুংগী পোৎ-চৈ কয়া মুন্দুনা পুখি। থোদোকশিংগী মতুং থরা কোন্থরগা চিতলমারী খুলগী নীরদ বিহারী রায়গী য়ুমদা লমহেম্বা মীওই থরনা নমহুনা চডসকলগা লৈশিনখিখি। লৈবাকী মথিলেনবা লোয়শঙদা হায়জনবদা থোরনা কয়বা কংখিদে। কালশিরা খুলগী হিন্দু অমবু ইয়ুঃপী মীওই মনসুর মল্লিকনা নমহুনা মহাকপু ময়ুমদগী তান্থোকলগা লৈশিনখি। মতুম লৈনবা নিপাহু হৌজিক লম্বীদা কোয়চন্ন চত্নুনা লৈরে।

গোপালগঞ্জগী মহৈ লোয়শঙগী থৌবুরেল জহুরসাহেবনা হিন্দু মুপীশিংবু থবক পীবিবগী মিহৌলাংদা মখোয়গী মশাগী লেমজনকম মাংহনখি। ডেমকৈগী খুলগী বিশ্বাসবাড়ীদা মুপী অনি মতৌ অতুম্না নমজাননা চকতিন্নখি। মসিদা নত্তনা মীওইসিনা হিন্দুগী ওজা মুপা অমসুং কুপীবু মক্ষম হোংদোক হেংজিল তৌগনি হায়না কিহল্লগা লৈশা খোমসংলম্মী।

গোপালগঞ্জগী আলতী খুলগী জগদীশ হালদার গী ময়ুমদা পুলিস অমসুং লমহুগী খুংলায় পাব্রব নহারোলশিংগা পুননা লান্দা-মিন্নরম্মী। য়ুমহু লোয়না পুমথু থুগায়রম্মী। ইমুংগী মীশিংহু ফু চৈখি অমসুং মপোং মচৈ নমহুনা পুবিখি অতুগা হনখিবদা ময়াম পুম্নমক হাংকনি হায়না কিহল্লমখি। চঙীহুদা খুলহুগী য়ুম কয়ামুকসু মতৌ অসুমনা মাঙ তাকহনখি অমসুং লাইশঙশিংসু থুগায়খি। অশুতোশ রায়, মনোরঞ্জন রায়, সুনীতি রায়, বেলা বিশ্বাসসু মখোয়গী মথুক্তা অরাবা নংখি। হনখিবা মতমদা লৈবাকসিদা লাইশঙ অমত্তা লৈবা য়ারোই হায়রমখি।

গোপালগঞ্জ পানাদা মকসুদপুর পানামচাগী "উজানি সংঘ" গী থৌবুরেন খায়ের মুলাগী শিবদা খুদোংচাবা লৌরগা অমুক হন্না হরাং হৌহনবা পাম্বা মশাগী লাইনীংদা য়েংবা পুকচেল পীকপশিং অমসুং পুলিসনা লমহুগী হিন্দুশিংবু ওং নৈবিখি। থানানা বাসু-দেবপুর খুলগী শিবুগী মুপী অমসুং মহাধেলী খুলগী লৈশাবী অঞ্জলিবিশ্বাসপুম্ন লৈশাং তমজব্রিবহুবু চুপথোকপিরম্মী। শিমুলপুর খুলগী মীওই ১২ দা সমাজবু লৈখা তাহনবা কাংবুগী (Proletarate) মীওইনি হায়না মরাল শিজিল্লগা ফারম্মী অমসুং মখোয়দা য়াম্না পীনা ওং নৈবিখি। মতুংদা শেল চবুল অমা পীরগা থাদোরকখি।

জুন ২০ দা ফিরোজপুর পানাদা (জিলা) স্বরূপকাঠী পানামচা (সব ডিভিজন) গী বাষ্টুকাঠী খুলদা থানানা হিন্দুশিংগী মহৈ-মরোং পুমনৈ নৈখায়রম্মী। লৌবুক্তা থবক ভুরিবশিংহু মখোয়না থানাদা কাজিলম্মী অমসুং শেল য়াম্না লৌরবা মতুংদা মখোয়বু থাদোরকখি। খুলসিদা জুন ১১ দা সব ডিবিজনগী হকশেল লোয়শঙগী থবক তৌবী মিনতী রানী মাগী মনম্মা অমসুং মবুংগা লোয়ননা মমাম্নবী ছবী রানীগী য়ুমদা উন্নবা আদমকাঠী চংখিরম্মী। লম্বীদা মতম থরা থানাবা লোয়ঙদা কাজিল্লগা মখোয়দা অবাবা পীনবগী কিহল্লকখি।

মমৈদা লুপা ১০০০ পিরগা থাদোয়কখি। স্বরূপকাঠীগী মমাংদা জলাবাড়ী খুলগী সুধাংশু কুমার হালদারগী চহী ১৪ ওয়রবী মচানুপী শিউলীবু মাগী মামাগী ময়ুমদা চংপদা লক্ষীদা রুস্তম আলী কৌবা লুপা অমনা ফাংগা শারমচত্তা লৈরাং লৈতি থকথোকখিখি। শিউলী লক্ষীদা রাম্ভুহনা তাখিরম্মী। সুধাংশু হালদারনা লমহুগী মরি লৈনবা মীওইশিংদা রাকংচবদা 'পুন্নমকসি থাডবা মত্রগনা লৈবাক থাদোকতুনা চংখিবা তাবনি" হায়না মঙোন্দা হায়রকখি।

এপ্রিল ৭ তা বগুড়া পানা (জিলা) দা শিবগঞ্জ সব ডিভিজনগী বুড়ীগঞ্জ কৈথেলদা ডাঃ শচীন্দ্র কুমার সাহাগী য়ুমগী মমাংদা মসজিদ শানরগী পান্দমদগী মসজিদ কমিটিগী মীওইশিংনা মাগী য়ুমদা ফুজিললকখি। মখোয়না ডাক্তর সাহাগী থোঙ অমসুং থোঙনাও থুদেকখি। পোৎ-চৈ লুট তৌরগা য়ুম মৈ থাদোকলম্মী। মখোয়না মহাক্কী য়ুমদা লৈবা লাংশঙহুম্ব থুগায়রগা উফল ওম্লহল্লম্মী। চাউরাক্কা পুং অনিরোম অকনবা ইরাং থোক্লম্মী। মসিগী থৌদোকসিদা লুপা চাউরাক্কা লাখ ১১ রোমগী পোৎ লুট তৌখি। থৌদোক থোকলিঙৈহুনা ডাক্তর সাহেবগী মচানুপানা মীয়ামদগী নাঙ্খোক্তুনা চেনথগা থানা তাকপদগী থানাগী মকোকথোংবহুনা মাগী লোয়নবশিংগা লোয়ননা লাকলম্মী। অদুবু মরাল লৈরবা অলতাফ হুসেন মন্দলগী লুচিং মখাদা অতৈ মরাল লৈরবশিংহুনা মপুঙা চৈতুপ, য়োংচৈ, চেক-মুঙ পায়রগা থানাগা মায়ওকনহুনা থুং থোকমরম্মী। থৌদোকসিদা থানাগী মীওই খরা শোকখি অদুনা মতুংদা শিবগঞ্জ সব-ডিভিজনগী লোয়শঙগী মরি লৈনবা ফমনাইবশিংদা অলতাফ হুসেন মন্দলগা লোয়ননা মীওই ৬০ গী মথক্তা রাকংলম্মী। মখোয়শিংহু ফাম্নু ফাখিরম্মী। তৌইংগ্নস্থু মথকলোমদগী অচৌবশিংনা হায়রকপদগী মরাল লৈরবশিংহুবু থাদোকখি। ডাক্তর সাহেবগী ইমুং মনুংবুস্থু হাংকনি হায়না কিহনলমখি। মসিদগী খুল পুম্নমক্তুদা হিন্দুশিংবু নিংথিনা ঙাক শেনবিনবা লৈতবকৌনা তৌরমখি। হৌজিক মখোয় খুলহু থাদোক্তুনা চংল্লবা খম্নবা হৌরম্মী।

ফরীদপুর পানা (জিলা) দা অলতাফদাংগা সব-ডিভিজনগী টিকরাপাড়া খুলদা মেগী তাং ৩-৪, ১৯৮০ দা হিন্দুশিংদা ওৎ-নৈরমখি। খুলতুগী হিন্দুশিংনা মথরায় হিংনমবগীদমক্তা মানা মানা লৈখিরা মকমশিংহু থাদোক্তুনা অতোয়া মফমদা চঙজফম ফৌনরম্মী।

মাগুরা পান্না (জিলা) দা মুহমদপুর সব-ডিভিজনগী রায়পুর ইউনিয়নগী রাহুতপুর খুলগী হরেন বিশ্বাসকী মুপী, মীওই লুহোংবী শুপীমচা অমসুং মচানুপাগী মমোৎ লমংগী মচিন চংলবা নঙ্গীর মুধান। ল্লমথেক্কুনা কমদিম্নখি। খোদোকসিগী রাকংমুরদা নজীর নায়র অমসুং মহাক্কী লোয়নরশিংনা অসুমনা অকনবা মীওৎ মীনৈ তৌবদগী হরেন অমসুং মাগী ইমুং মনুং লৈবাক থাদোক্কুনা চংপদা পন্থগদবা লৈরমগ্রে।

মে ১৯ অমসুং ২০ দা গোপালগঞ্জ পানাদা (জিলা) কোটালি-পাড়া সব-ডিভিজনগী দেবগ্রামদা থানানা বঙ্গভূমি অন্দোলনদা শরুক য়ারুবগীদমক খুলচুগী অনিল কুমার বাগচী, শুশীল কুমার পান্দে, মাখনলাল গাংগুলীবু ফাখি। অদুগা শেল য়াম্না লৌয়বা তুংদা মখোয়বু থাদোরকখি। বারিসকাঠী পানাগী (জিলা) মীবাকাঠী সব-ডিভিজনগী রমেশচন্দ্র ওঝাবু মমচুনা লাইনীং ওংহোকপীরম্মী। রমেচন্দ্রগী মুপী মিনতী রানী অমসুং মাগী মবুং অতুল নীরদ ওঝাবুসু লাইনিং ওন্নবা অকনবা চৈথেং পীরমখি। মিনতী রানী মশানা লমদমচুগী মশক নাইবা মীওইশিংদা মসিগী মরমদা রাকংচরুবদা তাইওন্নবা শাগী লমচং চত্তুনা মীওৎ-মীনৈ তৌনবগী কিংহল্লকখি। হৌজিক মিনতী রানী মথরায় হিংনবগীদমক্তা য়াম্না কিথি-কিরুম তৌনা কোয়চেন-চেন্না লৈরম্মী।

গোপালগঞ্জ পানাদা (জিলা) কচুরা সব-ডিভিজনগী জরাঙ্গি খুলদা-স্থধীর বৈদ্যগী লোয়নবীবু থানাগী থবকুগী অস্থোরকলবা স্থলতান কোবা নহা অমনা নমজানুনা কমদিগ্নবিখি। মীয়াম মমাংদা ইকাইজবদগী চুপীতুনা মকম থংদন লোত্তুনা লৈখিরম্মী। মসিদা নত্তুনা মাবু হাংকনী হায়বগীসু কিহল্লমখি। খুলচুগী উপেন্দ্র মন্ডলগী শনবীবু মডক বত্তুনা হাংদগা পান্ডলশিংনা চাথোকখি। সিগী মরমদা মহাক্না রাকংচরুবদা ওন্ন-তেংনা মন্ডোন্দা মরাস শিরকখি। গোপালগঞ্জগী বৌলতালী ইউনিয়নগী বৌলতালী খুলদা কার্ত্তিক রায়না মাগী লৌবুক্কী মহৈ মরোং ভাকপা লাকনবদা খুলচুগী পাণ্ডল-শিংগী মপুক্তা মথরায় থাখি। অদুগা মাগী লোয়নবী রেনুকাবু হাংখিলবা মীহাংসি মশানা চুম্না শিজবনি হায়না নমচুনা হায়হনখি।

কুমিল্লা পানাগী লাকসাম সব-ডিভিজনগী লোংচুপ চান্দপুরগী প্রেমচন্দ্র শীলগী ক্লাস (IX) নাইন-তমলিবী মচানুপী

মঞ্জুরানী শীলবু ডিসেম্বর ৪, ১৯৮৮ গী নুমিদাং পুং ৮ তাবদা অবতুল রহীমনা মাগী লোয়নবা কাংবুগা লোয়ননা নমতুনা কারগা পুখি। মথং নুমিংকী অয়ুক্তা লাসাম থানাদা রাকংচখি। অতুবু হৌজিক কাওবা মঞ্জুরানীগী পাও অমত্তা ফংবা ঙমদ্রে। নুপী নমতুনা চিং-খিবশিংনা প্রেমানন্দ শীল ১সুং মাগী ইমুং মনুংবু কিহল্লকখি। থৌদোক অদুগী মরমদা থানানা নুঙগী অশাবা শক্তম লৌখি। খুলগী অহল লমন্না মচানুপীশিং মহৈ তমকমদা থাবা ঙম্বগী থৌনা লৈরমদ্রে।

এপ্রিল ২৫ দা বরিশাল পানাগী (জিলা) উজিরপুর সব-ডিভিজনগী গুটিয়া খুলগী থানানা লাইশোন শক-শোল্লিবা হিন্দু ১৬ পু ফাখি। মখোয় পূম্নমক দিহারীদা পবক শুবা শিনমীশিংনি।

লৈবাক্কী লাইনিংগী বিল য়াথ্রবা মতুংদা জেসোর পানাগী অভয়নগর সব-ডিভিজনগী সিদ্ধিরপাশা খুলগী হিন্দুনা বিঘাদা লুপা ২০,০০০ শিংকদবা লমবু লুপা ৭০০০/৮০০০ দা য়োন্থোকলগা ভারতা চংখিরম্মী। মরমদি লমতুগী মীশিংনা হৌজিক্তি হিন্দুশিংগী লম অমত্তা য়োনবা য়াররোই হায়না শন্দোকখিবননি। মসিদা খুলতুগী মাধব নন্দীনা লৈহৌরিবা হিন্দুশিংব মখোয়গী রাদা থাজতুনা মশাগী লৌ-ইথোল য়োন্থোকপিগনু হায়না থেমজিন্দুনা নিংখিনা পুক্লিং ফাথনবা লাকনখি। থৌদোকসিগী মতুং নুমিৎ খরা লৈরবদা নোংমা অথেংবা অহিংদা মাধব নন্দীগী য়ুমদা মীওই ১৪/১৫ না লান্দারকখি। মখোয় পুম্নমক্কী মথুক্তা থাও অমসুং চৈতুপ পায়রকখি। লান্দারকখিব-শিংতুনা মাধব নন্দীগী থা ৭ শুনা নাওপুরবী মমৌনুপী অমসুং মচানুপী লৈশাবীবু নমতুনা নুপী ওইবগী লোনচং থুগায়তুনা মশাগী অরোনবা ফিনুংগী শরুকপু থোকপিখি।

কুষ্টিয়াগী খোকসা সব-ডিভিজনগী দেবেন বিশ্বাসতা আগষ্ট ১৫ দা নোংমৈনা কাপখি। মসিগীদমক্তা মরি লৈনকমদা রাকংখি অতুথু ঙসি কাওবদা কনা অমত্তা ফা-পুন্দে।

কুমজা ১৯৮৮ গী আগষ্ট ১২ অমসুং ২৬ তা থানানা খুংলায় পায়বা নহারোলশিংগা লোয়ননা বাগেরহাটা পানাদা চিতলমারী সব-ডিভিজনগী গরিবপুর খুলদা লান্দাখি। মখোয়না লাইশঙদা লৈবা লাইগী শক্তম থুগায়খি, নুপীমচাশিংগী ইকাই খুম্নবা মাংহনখি। মী ২০/২১ রোমবু য়াম্না শাথীনা ফুরবা মতুংদা লৈশা লৌরগা

থাদোকখি। নারায়ন বৈরাগী, সুশান্ত ধালী, অনুকুল রাড়ই, রঞ্জন ধালী, জগদীশ বৈরাগীবু হুমিং কনা কুইনা কৈরম শঙদা কুমহনখি। চারবালীয়ারগী খুলদসু মতৌ অসুমদা লান্দারকখি। হিজলা অমসুং বড়বাড়িয়া খুলদসু মী ৭/৮ কাখি। মখোয়বু চৈরাক পীবিখি। মমৈদা শেল সৌরবা মতুংদা থাদোরকখি।

সাতক্ষীরাগী তালা সব-ডিভিজনগী পারকুমিরা খুলগী রবীন্দ্রনাথ ঘোষকী অঙাং ওইরিবী ক্লাস III তমলিবী মচানুপী ছন্দাবু খুলচুগী মহৈ তমফমশঙগী ওজামক্না নমতুনা কমদিন্নবিখি। মে ১৬, ১৯৭৯ দা থৌদোকশি থোকখিবনি। চুমিত্তু ছন্দা ইমুং মনুংগা লোয়ননা চুমিদাংদা য়ুমগী মাঙ্গোলদা তুমলমখি। অথেংবা অহিংদা মাগী স্কুলগী ওজা নইমুদিননা মীওই খরগা লোয়ননা লাকলগা ছন্দাবু থাংচনা পুখি। লাকলদা লৈবা লৈকোল অমদা পুশিল্লগা নমতুনা কমদিন্নখি। মথং চুমিংকী অয়ুক্তা ছন্দা ঈনা পুমঙাং ঙাংনা তৈরগা রাম্বতুনা লৈরম্বা থেংনখি। মহাকপু সাতক্ষীরা অনা লায়য়েঙশঙদা পুখি। তালা থানাদা রাকংলুরবা কাওবদা মরাল লৈরবশিংচুবু ফাবকাও ফাবিখিদে।

গোপালগঞ্জ পানাগী মকসুদপুর সব-ডিভিজনগী গোহালা খুলগী উজালা রানীগী মপাগী মরল মথুম নমতুনা লৌননবা মীওই ৫ না মহাকপু মমতুনা নৈহংপিখি। উজালা রানীগী অহল লমন্না মকসুদপুর থানাদা রাকংলে, থানানা রাকং চে লৌবিয়ু য়াখিদে।

বরিশাল পানাগী ঝালকাঠী, স্বরুপকিঠী নলছিটী, বানুরিবাপাজা, আগৈলঝারা, উজিরপুর, নজীরপুর, গৌরনদী অসিনচিংবা লমসিংগী খুনাইবু নংহনবা পাম্বা কাংবু proletreate কী মীওইশিংবু কাবগী মমিংদা মী মশিং খিঙমদবশিংবু ওং-নৈখি। মখোয়বু কাররা মতুংদা শেল চারগা থাদোরকখি। থানাগী মীওং মীনৈ কিবদগী খুলচুগী হিন্দু অয়াম্বা কোয়চেন চেন্নখি। আগৈলঝরা সব-ডিভিজনগী কাশীনাথ হালদার থানাগী মীওং মীনৈদা হেনমনখিচুনা মশাচু তঝায় পংথচনা লৈরে।

ফিরোজপুর পানাদা নাজিরপুর পানা মচাগী দীঘা ইউনিয়নগী মপুংচনবা নারটানা খুলগী কেশব সাধু অমসুং মাগী অমত্তা পোকচবা মচানুপীবু proleterate শিংগা লোয়নৈ হায়বগী মরাল শিজিনখিচুনা থানানা য়ান্না শাবীনা ফুবিরমখি, কয়াম থীনা ফুবিরমখিবগে

হায়বহু মচানা চেক্তা নথোৎবন্ন উবদা কেশব সাধু শাখংলকুমা অনাবা হৌরকখি অমসুং মচুনা আশিনা হায়বহু অচুম ওইরম্লে।

নরসিংদী পানাদা স্বামপুর সব-ডিভিজনগী চরমধুয়া ইউনি-য়নগী চরমধুয়া খুল্লদা শহাবুদ্দীন অমসুং অলাউদ্দীনগী লুচিংদা মখোয়না মী ৭০/৮০ গী খুৎপু অমগা সুত্রধরপাড়াগী হিন্দুশিংগী য়ুমদা লান্দাখি অমসুং লুট তৌখি। ইমুং ২০গী চাউরাক্পা মীওই ১৫০ রোম খুল থাদোক্তুনা মীচেনখী পুখিদা লেপ্লে।

নেত্রকোনা পানাদা মদন সব-ডিভিজনগী জহাংগীরপুর খুল্লদা মে ১৬ তা মশাগী লাইনীংদবু খনবা পুকচেল শিকলবশিংগী খুৎপু অমনা মীশামগী লুচিংবা বিনয় বৈশ্যগী য়ুমদা লান্দারমখি। বিনয় বাবুগী ইমুং মচুংগী মীওইশিং পুং ৩৬ কাহুনা থমলগা মখোয়গী য়ুমদা লুট তৌখি। শাবাদা বাকংনবা চংলুবদা ওয়া তৈননা থানাগী মাগী মচানুপা অনিবু কাজিনখি। মৈমদা মখোয়শিংডু থাদোক্লকখি।

বাকেরগঞ্জ চান্দপুর ইউনিয়নগী দুর্গাপুর খুল্লদা ডিসেম্বর ১০ তা লমচৎগী য়ুঃ লীঃ গী মীওই গুলাম হুসেনগী লুচিং মখাদা চাউরাক্পা মীওই ১০০ রোমনা রাজেন্দ্র চন্দ্র দাসকী য়ুমদা লান্দাখি। লুট তৌখি। য়ুমগী মীওইশিং কুপ্চেখি অদুগা মতৈদা য়ুমদু মৈ থাদোকখি। থানাদা ইনসপেক্তরদা রাজেন্দ্র চন্দ্রনা কেস তৌবদগী অমুক হন্না মাগী ময়ুম মৈ থাখি অমসুং ইমুং মচুংগী মীওইশিংবু হাংকনি হায়না কিহনখি। সব-ডিভিজনগী চৈরাগত্তা (কোর্ট) কাকত তৌকপদসু থানানা তুম্মিন লৈখোকখি।

নোয়াখালী পানাদা বেগমগঞ্জ সব-ডিভিজনগী মীর বারিশপুর খুলগী দিনেশচন্দ্র দাসকী মরুপ মথুন মীওই শরুনা নম্বগনা য়ুমগা লৌথিখি।

সুরঞ্জন তুমজিংলমম্মি মাংনা 'একতা' চেকচেদা চন্নী অনি চুপনা থবক তৌরম্মী। মহাক পাউবী ওইরম্মী। হিরমশিংদা মহাক্না লৈবাক্কী ক্যাচিন-কোইয়া ফাওবা চংপা তাখি। অসিগুম্বা মীহুৎশিং খঙদবরী পাউশিংসি মাগী মথুক্তা লাকখি। খরনা কোক্তখি অমুক্তা খরনা কোক্তখিদে। মতুংদা অশেংবনা হৈজিল্লদুনা হায়খি 'মশি খত্তবা সুরঞ্জন, মশি অনোমবগী মথক্তা অকুপ্পবা ওপোৎ থীগদনি। ঙসিদা ইনাক খুল্লবাবাদি নং হিন্দু ওইরবন্তু পাঙল ওইরবদু অকায়বা লৈতেকে

শেক্তাও পায়রগী থুমায়না শেম্বা লোমচংলিমসি। হায়দোক্নবা মেওউ লায়রবা পাঙল্লশিংগী কিভমক্স অসিমত্তাই। ঊনাক থুনবশিংনা হিন্দু ওইরবসু পাঙল ওইরবসু লায়রবশিংবু মেওশিল্লিবনি।"

য়াম্না কয়া ইংশিল্লরুবা নত্রা? সুরঞ্জনা কান্না হায়দোকই। নোঙানখিবা য়াম্না কুইথ্রে। ফমুংদগী হৌগংনিংলমদে। ওরাং অহিং চুপ্পা মহাক লহৈর থুংনা চংলম্মী। কনাগীসু য়ুমদা চঙবা পামলমখিদে। কনাগসু রা-ঙাংমবগ অপান্বসু পোকখিদে। মহাক মত্তোমতা চংখিম্মী। মহাক্না ময়ুমদা মমা পাবুংনা পাখংলমগনিসু থলখি। অদু ওইরবসু হনবগী অপান্বা পোকলমখিদে। কিন্নমগী অকিবগী শকথম উবদা মহাকসু কিখলকখি। সুধাময়সু তরংদা মেংহুনা লৈখিরম্মী। মহাক কদায়দনো অমা চংলপা য়ু থকলুবনি সুরঞ্জনগী অপান্বা। মরমদি য়ু থক্লা থক্লা মায়াগী শকলোন য়াম্লবা মিংমেংহু মহাক্না কাউবা ওমনবা। মিংমেংশিংহুনা অকিবগী শকলোন লৌহুনা মকম থুদিংদা 'তাদা, তাদা" হায়না সুরঞ্জনবু কৌরিবহু। উনা উনা মহাক অসুম চাউখংখিরম্মী। মদু ওরাংগী রানি, পিকলিবা অতাংহুনা মবুংনা মথুং শমলগা তুরেল মেংবা চংখিবহু। কুচু মুনা য়াশী লৈবী হুপীমচাহুনা দুর্গা পূজাগীদমক্তা ক্লোক লৈননবা হায়জখিবহু। সুরঞ্জনা হায়খি "পুজাগীরা তোকলো"। লৈবাক্তা লাই শারগা চাওখত্তবা মী মখৈনা লাংহুনা হরাওনগনি অতুগা নংনা কি অঙনবা শেংকদৌরিবা হুকাইনিংঙাইনি, এনা নংবু মী ওইহনবা ওমদরসি"।

মায়ানা য়াম্না তপ্পা হায়রকখি— "তাদা, পুজা (ইরাৎপা) মেংবা চংকে। পুবিগনা? সুরঞ্জনা কিহল্লম্মী। "মী ওইয়ু, মী! হিন্দু নত্তবা" হায়রকখি।

মায়ানা ইথি থিগৎনা নোকচখি। "হিন্দুদি মী ওইত্রবা কয়িনো" হায়রকখি। শক ১৯৭১ দা মায়াবু 'কল্পিদা' হায়না কৌনখি। ১৯৭২ দসু হাংনথুনবা লোয়শ্রবা মতুংদা কবি কবিগুরুদা সুরঞ্জনগী মচিন্দা 'কল্পিদা' কৌরকপা য়াওখি। মায়ানা মসিদা মযায় মমিং ভাংশং ভাংলম্মী। মাগী অশাউবহু কোক্কবা সুরঞ্জনা চুপোকী হুকান্দগী মিঠাই লৈবিরম্মী। মিঠাই কংলবহুদা মহাক অমুক হেন্না হরাওজরম্মী। মহাক্না মথক্তাইদা মিঠাই নপল-মহুমা মহাকী শকলোন য়াম্নবা মমিত্তু হরাওনা ইথক থকচে।

অঙাংওইহ্নিরৈভদা পাঙদ মমাঙ্গবশিংনা মচু মচুগী বোল অকাপ্পী পায়বা উরগা মাগীস্তু নৈবিনবা নিংঙাই তৌজরম্মী। অসিদা নক্তনা বমবুলা থাগনি. মৈকাপ্পী কাপকনি হায়না কিরনময়গী ফিজি পায়হুনা কোয়চিং চিংগনি। অদুগ "ঙসি নাদিরাগী ময়ুমদা পুলাওগা শাগা থোংগনি, ঐস্তু পুলাও চাগনি" হায়না নিংঙাই তৌজ্জে। কিরনময়নস্তু পুলাও তৌবীখি।

মায়া নহান অয়ুক চংখিবনি। ঙসি ফাওবা মাগী মপাও তাগ্রি। মাগীদমক্তা মমা মপানস্তু থোইদোক্না মারুবা লৈরমদে। পাঙলগী ময়ুমদা হিংদি হিংলমগনি। চহী অম্মুক্তা ঙাইহ্নিরৈভদা টিউশন ২/২ তৌরিবনি। "ইদেন কলেজ" দা তমলিবনি. অদুগা মশাগী মহৈমশিং তম্বগী চাদিংস্তু মশানা পুজন্নিবানি। সুরঞ্জনদনি মখুত্তা তিংথোকলিবা মহাক থবক ইনথাংগা অমত্তা ফংজি। M. Sc. Physics ওইরগা লেম্মা লৈরবনি। অহানবদদি থবক য়াম্ন তৌনিংলম্মী। মকম কয়াদা ইণ্টরভিউস্তু য়াওরুই। মহাক তাইবঙ মক্তেকোলগী অফবা মহৈরোই ওইরকপনি। অদুবু মহৈ তমলিরৈভদা মাঙান্দগী মতেং লৌখিবা নিপা-মচাশিংহুম। অরোনবা চাংয়েংদদি মঙোন্দগী নম্বর হেন্না ফংহুনা মায় পাকখি। থবক্কী মতাংদস্তু অদু মঙাই। মঙোন্দগী নম্বর তানা ফংবা মহৈরোইহুনা ওজাগী থবক ফংরি অদুগা মাদি ফংকৌরে। মহাক্না ইণ্টরভিউ কয়া য়াওখি। ইণ্টরভিউদা মহাক্না কম্নিগুম্বদা শেংথবা য়াওখিদে। ইণ্টরভিউ বোর্দতগী রাহং হংনবদা শোয়দ্রে হায়হুনা মমায় রানা থোরকপা সুরঞ্জন্না উখিবা নহা অদুনা মমৈদা থবক খনবগী চেদি মানা ফংখি। মসিদা সুরঞ্জন পুমঙক ঙকখি। বোর্ডতুকী মীওই থম্বনা সুরঞ্জনবু থকশি-খাশি খঙদে. চাংয়েং লৌম্বিবশিংদা নোনজদে হায়নখি। তশেংনমক 'অসলাম রালেকুম', 'আদাব' নত্রগা 'নমস্কার' অসি হায়বতনা ইকায়খুম্নবা উংপনি, হায়বসি সুরঞ্জন্না রারমদে মরমদি 'অসলামরালেকুম' হায়রগা য়াম্না অনোনবা রাঙাংদা ঙাংলিবা নহাহুনা বোর্ডতগী হেক মপাম থোরকপদা চাংয়েং লৌরিবা শিংহুবু 'ওককী মচা' হায়না থীনা চৈ। অদুগুম্বা নহাহুবু মীয়াম্না অকবনি হায়না লৌনৈ, ইন্তরভিউদস্তু মাবুতা" খল্লি। অদুগ্য সুরঞ্জন্নদি "অসলামরালেকুমদি হায়দে অদুবু চাংয়েং লৌম্বিবশিংহুবুদি থীনা চৈবা তৌবিদে। অদুবু মহাক্না মীমাংদা খকশি খাশি লৈত্তবগী মনাদি কংলি। অসিগী মরমদগীরা নত্রগা মহাক্না হিন্দু ওইবনম্না খঙদে

মহাক সহকারিণী থবক অমত্তা কংজ্রিবসি। সরকারগী লোয়শঙ মত্তবদা মহাক্না থবক অমা ফংলমখি অদুবু থা 'ও থবক তৌরবা মতুংদা মদু পামলকখিদে। মহাক্না থবক অদু থাদোকখিরম্মী। শোমদদি মায়ানা শাকখি। মহাক্না মতাং চানা তাঙ্গা লৌরম্মী। টিয়ুশন অনি লৌরমখি। অদুগা এনঃ জীঃ ওঃ দস্থু থবক অমা য়ারে হায়না তারমখি। গুরঞ্জন্না মাসদা চিংনখি, মরমদি খুদোংচাবা পুম্নমকসি জহাংগীর কোবা নহা অমনা পীবা ওইরমগনি। তশেংনা মায়ানা তৌবিমল থওবা উত্তুনা নহাক্কুদা পুম্বানগদ্রা? চিংনবগী রাথলনা মাগী মপুক্তিংদা তিংথং পাংখাদা শাবা উচেক মকোনগুম মওন মওম থল্লকখি। চা গিলাস অমা পুরকলদুনা কিরনময় মমাংদা লেপলখি। মিংপান্দু পোমলমখি। গুরঞ্জন্না মহাক অহিং চুপ্পা তুমদ্রে হায়বা থওখি। মহাকসু কৈদা তুমলমগনি? তৌইগুম্বসুং থাকমসি মহাক্না ফেংদোকখিরমদে। হাকাম চল্লদুনা হায়রকখি, "পুমিং সুক য়াম্না থেংলমগনি হায়বা থওলুদ্রে।" য়াম্না কম্না তুম্মমখিবনা নোংঙানবা থংহৌদ্রে কারিগুম্বা নোংঙানবা থংলমলবাদি অত্তে পুমিংকুমনা ঙসিসু হোগকুনা চংলমদবনি। হকচাং শাজেপ তৌরমগদবনি। কিরনময় চা গিলাস পায়দুনা লেপলমখি। টেবলদা থমমলগা চংখিবসু ময়াবনি অদুবু মদু তৌখিদে। কিরনময় কম্বিগুম্বা থবা হায়নিংমান্নে হায়না গুরঞ্জন্না খনখি। অদুবু মা কারিসু হায়াখিদে। মচাগী চা গিলাসতু পুখিনবা কেপ্পা মাল্লি। মীওই অনিগী মরক্তা কয়া থীনা থেম্নরবসু কনাগুম্বা তমদুনা অসুম্বা রা ঙাংদনা লৈবা ওমগনি হায়বা গুরঞ্জন্না খাজখিদে। মহাক মশানা রা ঙাঙবা হৌরকখি, "মায়া ঙসিসু হল্লকত্রিব্রা?"

'হল্লকত্রি'! মথা হংলকপা ঙায়বগুম্না লেপ্তুনা লৈখি। গুরঞ্জন্না হংলকপা রা অমা হেক্তা মদুনা খুমা পাউথুম পীরমলগা কমুংদা কমথখি। মচাগী মনাক য়াম্না নকনা! গুরঞ্জনগী মনাক্ত অসুক নকনা ফমলকলিবসিগী মরমদি মশাবু ঙাকচবা ওমজদবগী নুংনাংদনা ওইরমগনি খনখি। মহাক্না কিরনময়গী তুম্বা কংত্রবা মিং, মফম মরাং থংত্রিবা থম অমদি মোংলবা শাত্তীহুদগী মিংয়েং লাপনা লৈখি। থজিত্তং মোন্থরগা গিলাস থাজংলগা চা থককখি, "মহাক কজিগী হল্লকত্রিবনো? পাঙলশিংনা মাবু শোম্নবিরিব্রা? মহাক্না ঐখোয়বু থাজদ্রে শিরা? সিদা ঐখোয় কমদৌখি হায়না কাওবা অমুক্তা হংলজব্রা? মাগী অপাম্বদুনা ওইবা য়াগদৌরিব্রা?"

কিরনময়না তুম্বিল্লা লৈরম্মী। সুরঞ্জন চা থকনা থকল্লা চুরুপ অমা চম্লমখি। মমা মপাগী মমাংদা মতাম কদৌঙৈদস্সু চুরুপ থক্রে। অহুবু মানা ঙসি ‘রুস’ তগী মৈখেং খেংলি। কল্লা চিংলগা মচিন্দগী মৈখুস্সু কামথোরকখি। মহাক্না কিরনময়গী মমাংদা চুরুপ থক্তে হায়বা ফাওবা কাওরমখি। অতৈ নুমিংকুম্না ঙসিস্সু ইচম চম্বা নুমিং ওৎরমদ্রে। মতম অহুক কুইনা মমা-মচা থায়নরুবত্তু থমখিরম্মী। য়াম্না অপিকপা শন অমা লৈরম্বত্তু কায়খিরম্মী। মতম য়াম্না কুইরে কিরনময়না মচাবু মথাদা কোন্দবা, মচা চাউরে হায়দনব মমাগী মুংশিব মরি লাপথোকক্দ্রা! সুরঞ্জনা অপঙবা অঙাংগী মতৌগুম মমাগী মতম্বাক্তা মকোক থমদুনা অঙাং ওক্তরিঙৈদা তেলঙ্গা পায়বগী মতৌদু তৌনিংলম্মী। শিলহটতগী লাকপা মাগী মানা নবীন কৌবদুনা মাগীদমক মথুংনা তেলঙ্গা শাবিখি অমসুং ফজনস্সু পায়খিবি। অতিয়াদা অতৈ অতোম্না তেলঙ্গাশিংবু কোংথংলগা মাগী তেলঙ্গাতমক অতিয়া পুম্বদা কোয়পাই পাইদুনা লৈখি।

সুরঞ্জনা মমাগী মতম্বাকপু য়াম্না খোরাংবা মিংয়েংদা য়েংদুনা লৈখি। চুরুপকী অয়োয়বা শুচিং চিংলগা হংলকখি, “ইরাং কমাল, বেলাল নত্রগা অতৈ কনা লাকলম্বগে?”

কিরনময়না অতপ্পা খোঞ্জেলদা হায়রকখি “কনা মতা লাক্রে”।

কমালনা অমুক্তা ফাওবা হংবা লাকখিদে। মহাক্না পাখংলগা থনখি, মরুপশিংনা সুরঞ্জন শিথ্রে হায়না লৌরম্বা য়াই নত্রগা মাবু অমুক হিংগৎহনবা পামজ্রবা জাংলা?

কিরনময়না য়াম্না তপনা খোল শীকনা হংলকখি, ‘ইরাং নং কদায় চৎলুই? নংনা চংথ্রগা নংগী নতুংদা করিগুম্বা ফত্ত-মুংদা থোকহনবদি কমদৌবা? মনিংগী গৌতমনা মুংখিলদা য়েরুম লৈবা দুকান চৎলুই। লখীদা পাঙলমচাশিংনা মাবু ফুবিখি। য়ামাংগী মাম্না অনি তেকখি। মখোংগী শকুশিংস্সু তেকলে হায়না তাই।

“অওইত্রা”!

নং নীংশিংলিনি চহী অনিগী মমাংদা শনি লাইশঙদগী গীতাগী মমানা হল্লকপদা ময়ুম মকে লৈরম্বদবত্তু লোইনমক মৈ থাদোকখিরম্বা নত্রা? গীতাগী মমানা ঐথোয়গী ইমুংগী থরক থাদোকত্তুনা চংখিবগী মরমদি মথাগী লমদা য়ুম শাম্নবনি। শেল থম্না থরা তুংশিজরগা য়ুমস্সু শাজথ্রবনি। মহাক অয়ুক্তা লাকলম্মী। মচা মচাশিংদু পুরগা

কোয়চং চংলে। হন্দকমুকস্মু মানা নৌনা শাজবা য়ুমত্থ মৈ থাদোক-হিন্তুনা উং ওনখ্রে। করিমতা লেমহৌদ্রে। ঙসি অয়ুক লাকলগা হংলমখি— "ইনদম্বা চুকান্দা হু কংগদ্রা? হশেংনা ঙাওবদৌনা তৌয়ে।"

"অদুরা"! শুরঞ্জন্না চাগী গিলাস মোননগী নাকলদা থমখি।

"মায়া সিদা লাকপগী রা হায়রিবথুদি মাগীদমক্তদি সিদা লৈবসি থুদোং থীনিংঙাইমি।"

"অদু ওইরবদি মহাক পাঙলশিংগী মিংয়েং মখাদা মপুন্সি লেনগদৌবা তাদ্রিব্রা?"

শুরঞ্জন খোল কন্তক তৌখি। মহাকস্মু অমুকথক ইমুং মনুং পুম্না পুরগা কমালগী য়ুমদা খেখি। অদুবু মতমদুদদি মহাক পাঙলগী য়ুমদা চঙজকম লৌবহু ইকায়বা পোকখিদে। মহাক্না খনখি, কক্তবা মী খরনা কক্তবা থবক তৌবনি নোংমা নিনি লৈরগা লোয়না মফম-শিগনি। লৈবাক থুদিংদা অসিগুম্বা কক্তবা মী অদুম মরৈ। অদুবু হৌজিক্তি মদু নত্রে। হৌজিক্তি পুম্নমকসি কক্তবা মীগী থৌদৌ মান্দ্রে। হৌজিক্তি পুম্নমকসি য়াম্না চাউবা ১দি অরুবা অরোনবা থুজিন থৌরাং অমনি হায়না চিংনরুকলে। চুপ্পী; চিংন্নু চিংনরবনি! মরমদি হৌজিক শুরঞ্জন্না কমাল, বেলাল, কেসর, লুকটর পুম্নমকপু কাংলুপ নাইদবগী রাখল চেল্লিবনি হায়বা থাজরক্তে। কুমজা ১৯৭৮ দা মীয়াম্না লৈঙাকলোন (সম্বিধান) চৎনবা হৌনবা লৈবাক মীয়াম তৌখি (অন্দোলন) মদুদা জিয়াউর রহমানগী সরকারনা চংনবা য়াখিব্রা? কুমশিং ১৯৮৮ দা ইসলাম লাইনীংবু লৈবাকী লাইনীং ওইনি হায়বদা মীয়াম্না য়াব্রবদা মদু ইরশাদ সরকারনা ইসলামবু লৈবাকী লাইনীং ওইদবা য়াখিব্রা? মসি কব্নিগী তৌখিবনো? সেকুলারিজম (লাইনীং অমত্তবু অখিংবা পীদবা) দা বঙ্গালীশিংগী অয়োয়বা থাজবা নত্রা, মরুওইনা নীংতম লানবু শোপংপা কাংবু-শিংগী। অদুবু মখোয়দি লৈবাকী অহানবা শক্তমদা কাংলুপ মশেল খায়দোকনবগী হু পাম্বীগী মরু হুনবা উরগা অদুক হাকনা রারমদে। রারু-কিরুরগবু কব্নি তৌগদৌব্নিবনো? লৈবাকসিদা ঈ শারবা মীওই কয়ানা অচৌবা লান হৌবা ঙমগ্রগা অদুগুম্বা লমদুগী মীওইনা কব্নিগী ঙসি লিলগী মতৌগুম্না নোক্তুরিবা? মখোয়না কাংলুপ মশেল য়েংখিনবগী পাম্বীহুবু মরু ফুকনা লঙথোকপগী থৌনা করিগী মথৌ তাহনবা ঙমক্তিবনো? লাইনীংদা মীচঙ-মখাই নাইত্রবদি

মীয়ামগী ব্রায়েন্‌ লাকনি মত্রগ্‌ লাকপা য়াই হায়বগী অসিগুম্বা ওইখোক্লুবা রাকম অমবু খনবা ওন্বগী কব্বিগী থৌনা লৈত্রিবশ্রা? মীংতম্বগী থৌনাগী মায়কৈদা লৈবা মীওই মখোয়নদি অসুমনা খম্মকম থোক্কা? চাওখংনবগীদমক লৈবাক হৌবদা শরুক য়ারিবনি।

"অসুমনা তাই মহুদি ওম্মাং পাওলশিংনা সোয়ারীঘাটাগী লাইশঙ অমসুং শ্যামপুরগী লাইশঙ মৈ থাখ্রে!" কিরনময়না খোঙ্গেল য়াকনা হায়রকখি। সুরঞ্জন য়াওল্লখি, হায়রকখি, লাইশঙ থুগায়খিবদা রাগ্নিবহুবু নংবু কব্বিগুম্বা লাইশঙদা লাই খুরুম্বা চংপ্রনে? থুগায়রগা থুগায়জসম্নু করিবু কায়বগে? লাইনীংগী শঙশিংসি উফুল লোয়না ওনথ সন্নু।"

"মসজিদ থুগায়বদা মখোয়না শাউবা অহুগুম্বা লাইশঙ থুগায়বদা হিন্দুশিংসু শাউরক্লনি। অসিবু মখোয়না খঙদবা জাংলা? মত্রগা রাখল খনমা য়ৌবা ওন্নবা জাংলা? মসজিদ অমগীদমক্তা মখোয়না লাইশঙ ১০০/১০০ না থুজিং ওইনা থুগায়রে। ইসলাম হায়বসিবু অসিগুম্বা শান্নুগী লাইনীংলা?

"লৈবাকসিদা লৈবা হিন্দুশিংনা শাউজরবসু কব্বিসু তৌবা ওয়াদ হায়বা পাওলশিংনা খঙডি। অদুমা মখোয়না থৌসি পাঙথোকপনি। কনাগুম্বনা মসজিদদা খুং থাখিবা য়াওপ্রব্রা? মায়াবাজারগী লাইশঙ চহি অনিগী মমাংদা থুগায়খি। অঙাংশিংনা মহুদা কাখৎলগা চোং-কন্দুনা শাৎল্ল, মপান থোকচিল্লি। কনাগুম্বা হিন্দু অমত্তনা মসজিদকী তরু তনাল্লবা ককল্লাংদা খুতুম্বা অমুক অনিকুক কাওবা থারুবা ওন্বগী থৌনা লৈব্রা?"

কিরনময় তুম্মিনা হৌগৎলগা চংখে। সুরঞ্জনা মহাক মথক্তা কব্বিগুম্বা রাখল অমদা লুপতুনা লৈরি হায়বা খঙখি। ইমুংদগী কব্বিগুমবদসু মপান থোক্তে। মহাক্না পন্নবীনদা য়েংবা মিংমেংহু অর্চনাদসু য়েংলমখি। মহাকসু খরা খজিক তুম্নোকওাৎলোয় তৌরম্মী। মাগী মপুক্কিংদা অশাউবা নাপল হায়বসি সুপনতগী পাওলশিংগীদা ওইবা মশিঙ্গাংলা হায়বা রাহং অমা হংলকখি।

বাবরী মসজিদ থুগায়খিবগী মতুংদগী হায়বদি ১৯৯০ ওক্টোবরগী থাদগী লৈবাকসিদা হিন্দুশিংগী মথক্তা হৌরকখিবা অমদি লাইশঙশিং থুগায় য়ৈথারবা হৌরকখি হায়বগী বা নত্তে। সুরঞ্জনা এপ্রিল, ২১

কালী লাইশঙগী লাইশী শক্তমবু অবুব আলী কৌবা মুপা অমনা মখুৎমক্না থুগায়খিবহ নীংশিংলকখি। লাইশঙ থুগায়রবা মতুংদা হিন্দুং শিংগী পোৎকমশিং (তুকাম) সু থুগায়রমখি।

১৬ এপ্রিলদা কৈথেল অহুমী ঝিনাইদকী শৈলকুপা সব-ডিভিজনগী রামগোপালপাড়াদা রামগোপাল লাইশঙগী রামগোপালগী মমিং চংলবা শক্তমবু হুরানখি। মখোদা শৈলকুপা মোংফমগী নাকলদা ইথু-থুদোকলগা শকমহু আহুনা লৈরমখি, তৌইগুবসু লৈতেংশিংদি মাওরমজে।

সীতাকুন্দগী নোংপোক্তা লালানগর খুলদা জয়গোপাল হাটি কালী লাইশঙর মৈ থাদোকলগা পুমতুম তুমহল্লমখি। অমাংদা চান্দগাওগী কুরাইশাগাঁ ও অমসুং দুর্গাবাড়ীগী শক্তমবুসু থুগায়খি।

লৈবাকী লাইনিং ওইবগী বিল য়াখ্রবা মতুংদা অনিগী মতুংদা খুলনা থানাদা ফুলতলা সব-ডিভিজনগী দক্ষিনদীহী খুলগী নাকলদা লৈবা, লীরবা কালচান্দ লাইশঙগী সনা-লুপাগী মমল য়ামলবা মুঙনা থাবা শক্তম অমসুং মতুগী সনাগী লৈতেংশিং হুরাগদুনা লৌখি। লাইশঙগী থৌশিললুপকী থৌরম্বেলনা ফুলতলাগী থানাদা রাকৎচরকবদা থানাশিংনা ওন-তৈন্নবা মখোয়বু কাবিখি অমসুং ফু-চেন্থনা ওৎপিখি। লাইশঙগী থৌশিললুপকী থেশিনবশিংবু ফাননবা মমিং ময়ামহু কোং-দোকলকখি। থানাদুগী এসঃ পীমা লমদমহু য়েংবা সাকপদা মক্তমহুগী হিন্দুশিংবু ওন-তৈন্নবা হায়জিন্দুনা কিহল্লগী মত্তুদি হিন্দুশিংনা লাইগী শক্তম অমদি লৈতেংশিং হুরানত্রে হায়না।

টাংগাইল থানাদা কালীহাতী সব-ডিভিজনদা থিমুথা খুলগী লীরবা লাইশঙদগী ডিসেম্বর ৮ গী অহিংদা মুংজোনা থাবা মহাদেবগী পুতম, রাধাগোবিন্দ অমদি অন্নপূর্ণা কী শক্তম অমসুং শালিগ্রামগী মুঙবু হুরানখি। লোয়শঙদগী থানা লাকখি। নুরমোহম্মদ তালুক-দারনা হুরানবনি হায়না তাকলবদসু শক্তমশিংহু কংহনবা ওয়খিদে।

কুমিল্লা থানাগী বুড়ীনচ সব-ডিভিজনগী ময়নামতী ইউনিয়নগী হিন্দুশিংবু "বিশ্ব ইসলাম" কৌবা কারু অমদগী হিন্দু পুময়ক লৈবাক থাদোক্নুনা চংস্ত্রো হায়না ইবা চিঠী অমা থীরকখি। পুজানচিংবা তৌবা লেপত্রবদি অমুক নৌহৌননা ফু-চৈবা ইরাং হৌরকনি হায়নসু কিহল্লকখি। এপ্রিল ১৪ দা কালীবাড়ী লাইশঙগী মমিংগী শোংনাংবট পাম্বীহু পেট্রোল হৈজিল্লগা মৈ থাদোকখি। আলীঅহম্মদ কৌবা

রূপা অমসুং ময়নামতী কৈথেলদা অসুমনা পাওথোকই মচুদি লমদা
লৈরিবা হিন্দুশিংসি ফু-চৈদুনা তান্থোকনি।

মার্চ ১১দা ভোলা পানাগী লালমোহন সবডিভিজনগী শ্রীশ্রী
মদনমোহনগী লাইশঙ লাইশোল ঈশৈ শকলিদুনা মীওই ১০০ রোম
হেনবনা মহুগী মান্দোঙ্গা লান্দারকখি। মখোয়না লাইশঙদা চংশিল-
লকলগা লাইগী শকমবু থুগায় য়ৈখাইখি অমসুং মহুদা লৈরবা লাইগী
মনাইশিংবু ফুমু ফুবিখি। দক্ষপাড়াগী তোভান তোজানবা লাইশঙশিংদা
চঙলগা লাইগী শকমশিং থুগায়রমখি অমসুং পোং-চৈ লুট তৌরগা
মৈ থাদোকখি।

মনিকগঞ্জ পানাদা ধিউর সব-ডিভিজনগী বড়ুহিয়া খুলদা চাউ-
রাকনা চহী ১০০ রোম শুরবা শ্রীশ্রী কালীমাতাগী লাইশঙগী মনিংগী
লমবু উকিল জিল্লুর অহমদকী মং অমসুং মসজিদ শাবা হৌরকপদগী
হিন্দুশিংগী লাইনিং লাইশোলদা অপনবা লাকনি হায়বা খন্নবা কৈ।
নোয়াখালী পানাদা চটখিল সব-ডিভিজনগী মহমদপুর ইউনিয়নগী
মচুংচনবা কালীরহাট কী লাইশঙদু হিন্দুশিংনা মতম কুইনা ইরাং
থৌনিবগী থবক তৌরকখি, অদুবু পাওলশিংনা হায়জিল্লগা নমদুনা
লাইশঙদা ইরাংগী থবক্তুদা অপনবা পীরগা মকমদুদা লৈশিনবা
হৌরকখি।

গাজীপুর মিউনিসিপালগী কাউকাল খুলগী লক্ষ্মীগী লাইশঙগী
শকতু মে ২৬ তা থুগায়খি। সিদা মতুনা লাইগী লুহুপসু লৌখি।

ঝিনাইদহ পানাদা সব-ডিভিজনগী কান্ত সাগরা খুলগী মাঠবা-
ড়ীদা লমতাগী সংক্রান্তিগী অহিংদা চরক পূজা তৌরিবৈগা, মী চনুল
অমনা লান্দারকখি। লাইপারবু য়াম্না শাথিনা ফুবিরমখি। পূজাগী
পোং-চৈ থুগায়রমলগা পুংনচিংবদু মুন্দুনা পুখি। রাকংচরুরবদসু
কনাবুসু ফা-পুনবা তৌবিখিদে।

১৪ মার্চ ১৯৭৯ গী অহিংগী পুং ৯ তাবদা গোপালগঞ্জ সহরগী
সব-ডিভিজনদা নিজরা পূর্বপাড়া কালী লাইশঙদা পাওলশিংনা লান্দা-
রকখি অমসুং লাইশঙদু মাংহনখি। উলপুরগী মহাদেবগী লাইশঙগী
শো কক্কাইরগা মহাদেবগী খুভমগা লোয়ননা মমল য়ামলবা পোং
চৈশিং হুরানখি।

কুষ্টিয়া পানাগী সহরগী থানাপারাদা ১৭ ওক্তোবর ১৯৮৮ দা
দুর্গাগী শকম থুগায়খি।

খুলনা পানাগী সদর থানা কৈথেলদা কৈথেলগী পাঙল খুন্না ইম্‌াংপগী খোঁরম পাঙথোকপগী মাংওইননা লাইগী শক্তমশিং থুগায়খি।

ওক্তোবর ১, ১৯৮৮ দা খুলনা পানাগী মমিংচৎলবা শ্রী শ্রী প্রনবানন্দজী মহারাজগী লাইনিংশঙগী দুর্গাগী শক্তম থুগায়খি।

খুলনাদা ডুমুরিয়া সব-ডিভিজনগী মধুগ্রাম খুলগী মসজিদগী ইমামনা পাঙথোক্লদোঈবা দুর্গাগী কুম্মৈদুগী মাংওইননা খুলদুদা লৈবা ইরাংকম শঙশিংদা মুসলমানশিংগী লাইশোম হেক হেক শোল্লকপা অমদি লাইগী পাউতাকশিং পারকপা; থুদিংদা ইরাৎপগী খোঁরম থুদিংমক লেপকদবনি হায়না চিঠী পীরকখি। চিঠীসি ওক্তোবরগী তাং ১৭ তা থুংলখি।

ওক্তোবরগী ১বা চয়োলদা খুলনা পানাগী সহরদা কাংলুপশিংগী ওইবা মীয়ামগী পেন্দবগী খোল্লাও লাউবা খোংচৎ অমা চৎখি। খোল্লাওদি—"শকতম লাক্কুনা ইরাং থৌনিবা য়ারোই, থুগায়য়ু, পুকমাং মাংহল্লু।"

কুষ্টিয়াদা কুমার খালী সব ডিভিজনগী কালীগঞ্জ কৈথেলদা ইরাংত্রিতৈগী মমাংদা শাহুনা থম্বা শক্তমচুম্মু থুগায়রমখি।

গাজিপুরদা কালীগঞ্জ কৈথেলগী কালী লাইশঙগী পুজাগীদমক্তা-শাহুনা থম্বা শক্তমবু থুগায়খি।

৩০, সেপটেম্বরদা সাতক্ষীরাদা শ্যামনগর সব-ডিভিজনগী নাকীপুর খুলগী হরিতলা লাইশঙদম্মু ইরাৎনবগীদমক থম্বা লাইগী শক্তমবু ইরাংত্রিতৈদা থুগায়খি।

ফিরোজপুর পানাদা ভান্দুরিয়া সব-ডিভিজনগী কালী লাইশঙগী ককলাং থুগাইরগা রেল্লগী লম্বী শেমজিনখি।

বরগুনা পানাগী ফুলঝুরী কৈথেলগী দুর্গাগী শক্তমদা বিজয়া-দশমীগী নুমিত্তা কত্রবা মশাগী লাইমীংদা য়েংবা কাংবশিংদুনা লান্দারকখি। বামনা সব-ডিভিজনগী বুকাবুনিয়া ইউনিয়নগী দুর্গাগী শক্তম ইরাং-ত্রিতৈগী নুমিৎ ২/৩ গী মমাংদা থুগায়খি। তৌইগুম্বসুং মসিগীদমক্তা কম্বিগুম্বঅতা থিজিন হুমজিনবা তৌখিদে।

বঙ্গলাদেশসি কাংলুপ পুন্নমকপু অমত্তা ওইনা খনবা লৈবাকনি হায়বৈ। ইথঙ খঙহৌদনা গুরঞ্জন লোকথোকলকখি। মতোমতা কা মমুংদমি। কিরনময়সু য়াওরমদে। মুমলৈমা অমতদি থোংজাও মজাক্তা কুন্দনা উইরমখি। হৌদোংদু খঙদুনা গুরঞ্জন লোমদা য়েংলকখি।

মুসলৈমমহু ঙসিদি মাকেথবী লাইশঙদা চংজরবা করিনো? হৌজাংসিনা করিবু খঙগদৌরিবনো? মহাক হিন্দু নত্তা? হিন্দুগী অমুবা অমসুং অঙৌবা মচুনা লাংনো মাগী মশা। অমসুং শঙবানবা মাগী মমিং-শিংনি। মাগী মমিত্তগী মীয়ুংশি পোকপগী মওং য়াওদবরা? অত ওইরবদি মহাকসু পাঙল ওইরমলগনি। শোয়দনা মলিং ঙমনিংদবা রাখললোম লৈবা পাঙল ওইরমগনি, করিনা হায়রবু হৌজিকসু মতমদা মহাক্কা হিন্দু শিংদা মীয়ুংশিগী মিৎয়েংনা য়েংবিরি। মুসলৈমমহু হৌগৎ-লগা চংজরে। ইমুংসি নিংথিনা চাকথুম মৈ ফৌরে। মুসলৈমমহু থংনবা পাঙলগী চাকথুমদা কুল্লুগদগী চংথিবা ওইরমনি। মরমদি হৌদোংদা কাঙলুপ লৈতে। কাঙলুপ লৈরিবদি মীওইবত্তদনি। মীওই-বগীদি লাইশঙ—মসজিদ লৈ। লৌরঙনা মাংগী শিড়ি (থাক) দা মুংশা লৈরকপা উথি। ভমিং হায়কেঙ চাবরমশে। ঙসি ডিসেম্বরগী তাং ৯ নি। মাগী রাখলদা হৌদোং ওইনিংলকপগী য়াম্না থোরাংবা অমা পোকলকখি। মপুন্সি চুপ্পা মানা লাইদা থৌনি থকখিদে, লাইশঙদা চংখিদে। লৈবাক্কুদা মাসবা খুনাম পুরকনবগী কপ্পা হোৎনবদা, লম্বীদা কোয়চৎ চৎখি, মীতিন কপ্পা পাঙথোকখি, মীয়ামগী পেন্দবা থোঙচৎ কপ্পা চৎখি। মীতিনদা অক কত্তবা রা কপ্পা ভাঙখি। লোমীগী মরমদা থত্নখি, শিনমীগী মরমদসু থত্নখি। লৈবাক্কী খুন্নায়গী শেল-খুমগী ফিভম চাউখৎনবগী লমদা থবক্রবা মথামকী অমাদি ইমুং মচুগী য়েংশিনবা শঙজিরকদে। অদুবু অঙাউবা ঙরজানসু ঙসি মীয়াম্না খুদোনবী থিন্দুনা তাকলি—মহাক হিন্দুনি হায়না। খুল লৈকায়গী মুপামচাশিংনা মাবু 'কাবো কাবো' হায়না তাগরি। ঙসিদি বাবু কারগা ফুরিজা, অদুবু ফুবদি হাথেং চংগনি। পোত্তবা য়েকর লৈবা চৎপদা চৈজা নমবোনখি,, মহাক কল্লগা মহিগী চুকান্দগী চুকম লৈবা চৎখি। খঙ্গহৌজনা কনাজখা থমলা লাকলগা মাগী মনমগল্লা চৈনা ফুথরক্লনি মচিক্লগী চুকল তাখিগনি, লৈহনা য়েং-লকপদা কুদদন, মুহম্মদ, বিলায়ত, ভন্তারি পুরমক্লা লেপ্পুনা লৈরম্বা থেংনগনি। মখোয়গী মথুক্তা শিক্তকত্তৌনা চৈকুপ অমসুং থৌবা থাং পায়রমখি। কিডমসি মল্লুবদা ভবকুন মমিং ঊকৈশিনখি। মাগী মকু চুংলকখি। অত্তদি শুরবুমনসু কিরবা অদনা? মাদি কিগলবা অঙাং নত্তে। কমুৎদগী হৌগংলকলগা মাঙোল থোরককুনা হৌদোং অহু থিরমখি। মুমহু কয়াদা চিকথরবা! মকম মুইনদগী মুমশিদা

মী অমত্তা লৈত্ত্রবদৌনা তৌরে। ১৯৭১ দা খুলনদা লৈবা ত্রদাপলীগী য়ুমদগী হল্লকপদা মকমত্তুদা অরাং অরাংবা মাপী য়াম্না শোণ্ডলম্বনি। য়ুম পুম্নমক পুমচিক চিকলম্মী। পোৎ-চৈ অমা কাওবা লৈরমদে. মাগী কটিম মার্বলনা শাবা, তেলঙ্গা পনবা, কেরোম বোর্ড. শক্ত্রং, লাইব্রিকশিং অমত্তা লৈরমদ্রে। মতমত্তুদা শুরঞ্জন্না অঙাংবা য়ুমত্তুদা চঙবদা পাখৎপা অত্তুগুম্না ঙসিস্তু মাগী মপুক্কিংনা পাখৎপা পোকলমখি। সুধাময়বু নুমিৎ চুপ্পা তুমত্তুনা লৈরত্রা? করিগুম্বা প্রেসর (ঈগী খোংজেল) হেনগৎলক্লবদি কনানা ডাক্তর কৌবিগনি? কৈখেল কাবা, হিদাক লৈবা, থবক শুবা মী-কৌবা, পাও পীবা. অসিনচিংবগী থবক ময়ামসি শুরঞ্জন্না কৈদৌঙৈদস্তু তৌখিদ্রি। মহাক ময়ুমদা নোংমদা ৩ লক নত্রবস্তু ২ রক্তি শোয়দনা চাক চায়। অহিংদা ময়ুম হনজিল্লকই, করিগুম্বদা য়াম্না খেঙলবস্তু মাগী মপান্দগী হংবা য়াবা খোঙজাওত্তু হাংলগা ইমুং চংলকই। শেল থুমগী মখো তারগনা কিরনময় নত্রগা সুধাময়দগী লোই। শেল থুম লৌবদস্তু ইকাইবা পোকই মরমদি মশাগী চহী ৩৩ শুরবা কাওবদা শেল খোকপা থবক অমত্তা পানদ্রি। সুধাময়না হায়—"ঐ থবক্তুগী পোৎখাৎরবনিনা শুরঞ্জন নং থবক অমা তৌরো।"

"ঐ থবক ইখাংগা অমত্তা তৌরোই" হায়দুনা মহাক্না নাম্থোকই। মপালগী কাদা অনাবা য়েংলগা সুধাময়না ইমুং মনুং পুরি। পার্টিগী ওফিস, মধুগী কানটিন, "ঘাতক দলাল নির্মুল কমিটী' অফিস, প্রেস ক্লব নম্বর ৩৩ দা নুমিৎ চুপ্পা কোয়রুরগা চোকথরবা কান্দা শুরঞ্জন অথেংবা অহিংদা য়ুমদা হল্লকই। টেবলদা চাক থমলম্মী। নোংমনা চায়, নোংমনা চম্রা হেন্দুনা তুমথোকই। মতৌ অসুম তৌনা তপনা ঙপমা মহাক অমসুং মাগী ইমুং মনুংগা খম্না খম্না লাপথোকনমকখি। অদুবু ঙসি অয়ুক কিরনময়না মথুত্তা চা পুত্তনা লাকলগা ফমুংদা ফম্বত্তুদদি ঙসিস্তু অসিগুম্বা কান্নত্রবা, ইকায়গনবা, মখো মশক খঙত্রবা মচানুপাদা মপা-মমানা থাজবা লৈরি হায়বত্তু উংলিবা মাল্লি। মানা ইমুং মনুংগী করি তৌগ্নবা? মতম অমদা নুভাইমা লৈজবম্বা সুধাময় ঙসিদি চাক-ইনশাং নীংথিনা চাবা ফংলকত্রে। অভাং ওইহ্রিঙৈদা শুরঞ্জন্না মনিং তম্না শীজ-পীথক তৌহনবত্তু নীংশিংনুরগা পেঙ্গে। মাখোম চাদবগী চৈ চারিবনি। অদুবু অভাং ওইহ্রিঙৈগী মতৌগুম্না মানা কিরনময়দা গিলাস থনবা শঙ্গোম, শঙ্গোম অকম্বা, শঙ্গোম মশাল মুংথিলগী চারাদা ঙা চাবা, ঘীদা হৌবা তল চাবা পুম্নমক পাম্না

হায়রকবদা সুধাময়না মাবু শীজরা ওযখিগম্ৰা ? অতোপ্পা য়া অমনা পেস্থোকপা অমসুং মুংঙাইথোকপা নত্তনা মাগী অপাম্বা কঙ্গিস্থু লৈরমগ্রে মান্না পামজদরা হায়ববু সুধাময়নি ময়মদি মহাক্না চহী লেঙ্গা ওইবা মহাশিংনা অনৌবা ফুরিং খোঙ্গ্রাও লৈনৈ অহুবু মাগীদমক্তা সুধাময়না আইনষ্টান, নিউটন গেলিলিয়োগী পুন্সি রাম্রী, ফ্রান্সগী লাল-হৌবগী রাম্নী, ২শুবা পৃখিবীগী লাঞ্জাওগী মারী, গোয়ক্কী টোলস্তোয় অসিনচিংবগী লাইরিকশিং লৈহুনা পুরকখি। সুধাময়না মাগী মগাবু মী অমা ওইহল্লিংলম্মী। ওসি অয়ুক কাংলুপ থায়দবা হৌদোংহু খিল-খিল্লা মতোন্দা মহাক মশামক মী অমা হায়বহু ওইরম্রা হায়বা রাহং অমা হংজরকখি ? মতোন্দা করিস্থু কান্নবা লৈরমদে। পেস্থোকপা নত্তনা মতোন্দা মিহৌবা লৈরমগ্রে। মশাগী কান্নবদগী মীগী কান্নবমা হেন্না মরু ওইনা থমলক্লে। অসিবু মী ওইন্নবনি হায়রসিরা! শুরঞ্জন পুক্লিং চতিং তিংনা মাঙ্গোলদা হনগৎ হন্দা চত্তুনা লৈরমখি। সুধাময় খবর অমা পারমখি। মচানুপাবু হেক উবমক্তদা কৌরকখি, "শুরঞ্জন, জ্বরিব্রা ?"

'তাকপিশি'! কাংখোল মচৈ পায়রগা লেপখিরম্মী।

"জোশী অমসুং অডবানীগা লোয়ননা লুচিংবা ৮ কাগ্রে, তাগ্রিব্রা ? অকমহুদা মী ৪০০ হেন্না শিগ্রে। ইউঃ পীঃ গী কল্যান সিংহস্থু তারম্লগনি। আমেরিকা অমদি পৃথিবী.পুম্বদা বাবরী মসজিদ খুদেকখিবগী পেন্দবা কোংদোক্লমকখি। ভেলাদা ক র্ফয়ু থমগ্রে। কাংলুপ মশেলগী মরক্তা অকবা রাখল খম্নবগীদমক্তা বিঃ এনঃ পীঃ, অরামী লীগকা লোয়ননা অতৈ কংবু কম্নাস্থু ঈচেলসিন্দা য়াওরকলে। মখোয়না শন্দোক্লা মরোল্লু কম্না ফোংদোকনম্নক্লে!" সুধাময়গী মিং নহাহুদা হৌদোংগুম্না সংখংলকলম্মী।

"তশেংনা খংন চৈনরিবসি মখোয়না লাইনীংনি হায়না খংনরিবনি হায়বা চুম্বা ? মখোয়গী অশেংবা মওংদি লুট তৌবনি। অঁাম অহাও য়োনবা দুকান লুট তৌরিবহুবু এদি মেন তাগ্রে। অথুম অহাও পাম্নগীরা? সম্না য়োনফম লুট তৌরিবন্থনা সনা মিহৌবগী ফত্তবা লমহেনবশিংগী কাংবুনা পুম্নমকসি চংথরি। তশেংনা সিদসি কাংলুপ-শিংগী মরক্তা পুকচল তিম্নদরা কম্নিমত্তা লৈনদে। শান্তিগী খোঙচং অচুক চংলিবশিংহু মহুদা শোয়দনা কম্নিগুম্বা অমদি কোকহুনবা জমহুমবা ওইগনি হায়না খল্লি ! ১৯৯০ দা ইরশাদনা লৈখা তাখিবহুস্থু

সিদগীনি। থওজিন্নু, ইশরাদনা হিন্দুশিংদা অমাং অস্তা হমজিনবনি (ক্ষেতিপুরন) হায়খিবহ্ন পীখত্র ?"

"পাবুংবু থাওবিরুব্রা ?"

"কনানা থওল্লি ! হৌজিকী মতমদা করি অমত্তা নীংশিংবিত্রত্রা ? নিদারাবাদকী মীহাংকী ময়াল লৈবশিংহু থৌরী য়াংহন্দুনা হাংকনি, খওলত্রা ?"

লৈবাকসিদস্থ হিন্দুশিংদা অচুম্বা আয়েল কংহল্লি হায়বা সুধাময়না খওহননিংবা পামলমখি হায়বা শুরঞ্জয়না খওলমখি। ব্রাহ্মণবাড়িয়াগী নিদারাবাদ খুলগী বিরজাবালা দেবনাথ অমসুং মহাকী মচা নিয়তিবালা, সুভাশ দেবনাথ, নিয়তীবালা, সুধন দেবনাথ অমসুং শুরঞ্জন দেবনাথপু থোপাজুমীগী খোংবান্দা পুবগা হাথেং ককনবা থাওনা ককখিরুম্মী। অদুগী তুংদা ত্রম অমদা হাপচিল্লগা শুনু অমসুং থুম চায়শিল্লগা মথুম থুমজিন্নুনা থোপাজুমীগী খোংনুংদা থাদরকখি। মথংগী নুমিত্তা ত্রমদু ঈশিংদা তাওথংলকখি। বিরজাগী মপুরোইবা শশাংক দেবনাথকী ময়ম একর ৩.৪ মুনম্বা অমসুং শশাংক হাংপগী মশাগী ময়াল নাম্থোকপা য়ানবা মীহাংশি হাংশিবনি। মীহাংতুগী মীহ্যুৎপা আজুল ইসলাম অমসুং চোরা বাদশাহবু সুপ্রিম কোর্টনা থৌজ্জি য়ান্দুনা হাংননবা য়াথং থোকখি। থৌদোকসি থোকখিবা থা ৪ শুদ্রে। অমসিদা হিন্দুশিংস্থ য়াম্না অচুম্বা য়ায়েল কংলি হায়না খনবা মথৌ তাই। লৈবাকসিদা হিন্দু পাওসা কাংলুপকী চুপ মান্নুনা ইকায় খুম্নবা ফংডি। হিন্দু লৈবাক অসিগী অনিশুবা লৈবাকমচাশিংনি।

"ভরাং নহাক মীয়ামগী অকবা বাখলগী খোঙচংতা য়াওকত্র ? মীয়ামগী খোংচত্তু, মী কয়া য়াম্বগে ?

"খওদেবো"

"মীয়ামহু মক্তনা অতৈ কাংলুপস্থ লম্বীদা পুন্দুনা লৈরম্মী। অত্রা ?"

খওদে।"

"সম্বক্যারনদি শোয়দনা থানানা ডাক শেলহল্লমত্রনে ?"

"খওদে"।

"শংখারী কৈথেলগী লমদা নাকল অমদগী নাকল অমা কাওবা থান, লেপলম্মী। নং উন্দ্রা ?"

'উদে' !

"হিন্দুশিংনা তুকানস্থু হাংজি !"

"খণ্ডদে !"

"ভোলাগী ফিভম য়াম্না কত্রিব্রা ? শুরঞ্জন, ফিভম তশেংনা য়াম্না কত্রিব্রা ? নত্রগা মসিগী মরমদা য়াম্না খন্ন-নৈনরিব্রা ?"

"খণ্ডদে '!

"তশেংনা গৌতমবু কাংলুপকী মুংশিনদবগীদমক ফু-চৈখিবনি অঙাংহু গজাকাস্থু থকই হায়রৈ চুমব্রা ?"

'খণ্ডদে'

সুরঞ্জনগী মপুক্লিং মুংনাংবগী মতৌহুদা সুধাময়গী মপুক্লিংদা চিংনবা হেনগৎলনখি। মামা পাওজেল চেগী চেনাহু অমুক হন্না হা দোকলগা য়েংলমখি। অশোকপা খোঞ্জেলদা হায়রকখি. "হন্দক মরক নংনা পাওজেলচে অমদি চেকোঙশিং পারুবা নত্রা ?"

"পাওজেলচে অমদি চেকোঙশিং পারুরগা কান্নবা করিবু ফঙ্গনি ?"

"মায়কৈ মরিমক্তা মখল কয়াগী অখিঙবগী অখিঙবা মক্তা। খানানা কোয়শিল্লিবহু নমখায়রগা মীয়াম্না লাইশঙদা চঙবা ওহগী থৌনা নৈগত্রনে ?"

"লাইশঙনা করি তৌগনি ? অহল মতম ওইরকসবা মতমদা লাই থুরুমনিংবগী অপাম্বা নৈরিব্রা ? করিগুম্বদা লাইশঙশিং উফুল ওনখ্রবদি অদোমগী থুদোং চাদবা নৈবিখিগদৌরিব্রা ? লাইশঙ হেক নৈরিবমথৈ থুপায়খ্রবদি ঐদি হরাওগনি ?"

সুধাময় মশাহু ফিংংলক্লস্মী। সুরঞ্জন্না খঙনা খঙনা চমজখ্রবা মপাবু অরাবা চৈনাকংহল্লে। অহুক কুইবদা পাওলশিংবু মরূপ-মপাং ওইনা খন্দুনা নৈক্তরবগী সুধাময়না কান্নবা করি নৈরি। সুরঞ্জনস্থু করি কান্নবা কংলি ! পুয়মকনা মখোয়রবুদি 'হিন্দু' হায়না খঙনৈ। পুক্সিচুপ্পা মীওইবগী মওং অমস্থুং মীওইবগী মরমদা নৈনহুনা পুক্সিচুপ্পা লাই থাজদনা নৈরকপগী ইমুংসিদা করি কংলি। য়ুমদস্থু মুঙ থাজিল্লকখি, মহুদস্থু কিহুনা তুমিন নৈবা তাখি মরমদি কাংলুপ মশেল মুংশিনদবগী মৈরিহু কিবদগী থাঙবা তায়। ঙসিস্থু সুরঞ্জননা মামা ক্লাস VII তমলিউৈদা হাকতা মহাকা তমিন্নবা কারুকনা মাবু তোঙাম্না কোথোকলগা হায়খিবহু নিংশিংলি, "ঐ ঙসি য়ুমদগী য়াম্না হাওবা অচা-অথক পুরকই। কমাদস্থু শায়োই। ঐ অমস্থুং নং ঐখোয় ম নৈ।

য়ুমথক্কী সিড়িদা কমলগা চাশি। য়াত্রা ?" শুরঞ্জন অত্থক হাক্লা চাক লামলুবা মংলমদে অহুবু মানা কারুকনা হায়বহুদা য়াদবা তৌখিরমদে। টিফিন বোক্সতু পুব্বগা কারুক য়ুমথক্তা কারকখি। মাগী মতুংদা শুরঞ্জন্না ইন্নখি। কারুখনা টিফিন বোক্স হাংদোকলগা শুরঞ্জনদা অতাউবা অমা পীরম্মী। অনিমক ৱারী শারহুনা অশ্বাওবহু চামিনরম্মী। শুরঞ্জন্না খনখি মাগী মমাস্থু য়ুবীগী লহু য়াম্না শাবা হৈ। মোংমদি পুরক্লগা কারুক্তা পিজগে। কারুক্তা মানা হায়খি, "মসি কনানা খোংবগে, নংগী ইমানা খোংত্রা ? ঐগী ইমানা খোংবস্থু নোংমা পুরক্লগা নংবু পীজগনি।" শোমদা চাবা লোয়রবা মতুংদা কারুকনা য়াম্না হরাওনা লাওরকখি 'স্থুংঙাইরে'! মহাক কৈনোমা খল্লহুনা কারুকনা মখাদা চেন্থখিরম্মী। মখা কুমথরগা ক্লাসকী অঙাং পুম্নমক্তা মহাক্না শুরঞ্জন্না শনশা চারে হায়না তাকখোকখি। পুম্নমক্তা শুরঞ্জনবু কোয়শিল্লগা য়া-য়া লাওনা লকনহুনা চোংলমখি। কনানা মঙোন্দা খুজপ্পীনা চপম্মী, কনানা মকোক্তা থুপাক্তনা থারম্মী। কনানা ফুরিৎ পায়হুনা চিংলম্মী। কনানা খোংগ্রাও চিংখোক্কদগী তৌরমখি। কনানা মরৈ তিংখোক তিংখোকলগা স্থুংঙাইতবা কোংদোকলম্মী। কনানা হরাওহুনা খোংগ্রাওদা য়ৈরগা হারৌ ফারগা থাজিল্লম্মী। শুরঞ্জননা ইকাইমনগ্রহুনা মমায় লুকথরগা মমিত্তুগী মপী শিন্থরম্মী। মঙোন্দা শনশা চারুবগী ইকাইবা খোয়না পোকখিদে। ইকাইরিবদি মীয়াম্না মাবু কোয়শিল্লগা শা-ঙাদা লকনবদৌনা খোঙ্গোয়নবা অদুগীনি। মহাক মশান্না মশাবু ময়ামদগী তোঙাল্লবা ওইনা খঙ্গরমখি। মহাক মীয়ামশিংহুদগী তোঙান্না লৈবগুম্না তৌরম্মী। মরুপ পুম্নমক্তা অমতা ওইবা মীওই কাংবু ওইত্রে অহুগা মানা মখোয়দগী তোঙান্না। ময়ুমদা হল্লকলগা শুরঞ্জন হীক-হীক কপখি। স্থুধাময়দা হায়জখি, "মখোয়না ঐবু লোনম তৌহনা শনশা পীজখি।"

তাখদা স্থুধাময়না নোক্লগা হায়রকখি, "অদুগীবু কৈদৌবগী কপ-কদৌরিবা ? শনশাদি য়াম্না ফবা চিঙ্গাকনি। নং য়েংউ, হয়েং ঐ কৈখেলদগী লৈরগা পুরকে।"

মথংগী স্থুমিত্তা তশেংনা স্থুধাময়না শনশা লৈরগা পুরকখি। কিরনময়নস্থু মহু খোংখি। ইম্মাই হেক লায়না থোংলমখি। খেলবা অহিং কাওবদা স্থুধাময়না মাবু অহুগুম্বা ফঙবা চৎনবীশিংহুগী কান্নবা

থোয়না লৈত্তে তায়না থেমলরখি। অচৌ অচৌবা মহৈ হৈরশিংস্তু অসিগুম্বা শন্দোকপসি য়ারমদে। অদুগী শরুক নংবা শাখি য়াম্বা হাওরু হায়নজুম হায়রু। মসি তাওরস্তু য়াত্রা, তুরঙ্গনগী অঙাং ওইরগী মরুক মজুংগী ইকাইবা, অকিব অমদি শাওনিংবা লোয়না মাঙখ্রে। উমুংজুগী ওজাদি সুধাময়নি। তুরঙ্গন্না মাগী মপাদি হেন্নোক-থোইদোকপা মী অমগুম্বা খল্লম্মী। অদুক অচুম্বা চংপা, অদুক চমবা, অদুক হকচাং শনরগী খনবা, অরেমবা রাখল চেনবা অমস্তুং লুংশিবা, অদুক কাংলুপ কাংলুপ নাইরবরু য়াদবা মী হিংবদা রাররনি!

তুরঙ্গন্না চেক্‌কোংহু মথুংনা ক্লাওবা শোকখিরমদে। তপনা তপনা সুধাময়গী কাদগী মপাল থোকখিরম্মী। মহাক চেকোংহু য়েংহুনা লৈবা পামলমদে। কাংলুপ মশেল থংনবগী মায়োক্তা ইবা অহৈ অশিংগী অইবতু পারে, শাস্তিগী থোঙচংকী কোটোশিং উরে। মসিদগী মাগী মপুক্কিংদা মথক থোংবশিংদা থাজবগী ফজরবা ঈচেল চেন্নগনি মদু তুরঙ্গন্না তুকপাম পামলমদে। মসিগী মতুঙ্তা মানা হৌদোংহু থিরমখি—"কাংলুপ নাইদবা হৌদোং।" হৌদোংগীদি কাংলুপ নাইদে, ফুরুপ লৈতে, তশেংনা মহাকস্তু হৌদোং অমগুমলমলবদিকো!

ঙসিং কয়ানিমুক্কী মতুংদা সুধাময় কেম্পতগী হলকখি, ঙসিং তরেংনিগী মতুংদরা? নত্রগা তরুকনিদরা? মহাক য়াম্বা থৌরাংজম্মী। কয়াম থৌরাংবগে হায়বরু মথোং মপুং পুনশিল্লগা মিংস্তু শুমজিল্লবদগু থরো থরো ওল্লম্মী। করিগুম্বা ওনবহৃদা চকুপা থেংননবা হায়তুনা। অতুবু কেম্পা মতুংদদি কৈদগী চফু ফংগদগে। মমাংমতুংদা ব্রহ্মপুত্র চেল্লম্মী অদুনা চফু থম্বগী মথৌ তারমদে। সুধাময়গী মরৈহু থ্রক থ্রক কংবদা উগুম্লমলে। মহাক্না 'ঈশিং-ঈশিং" হায়না নাহেরকপদা সিফাই-শিংনা অঙকপা মঙংগী থোঞ্জেলদা মেকলম্মী। নোংমদি মথোয়না ঈশিং শোয়দনা পী। সুধাময়গী মমিত্তা পুল্লিবক্তু থৌথোকলগা মাদু য়েংহল য়েংহল্লগা থুজাই অমদা মপান থোকচিল্লম্মী। থুজাইদগী হকী ঈশিংহু সুধাময়গী মমিত্তা হৈগে তৌবদা সুধাময়না তুকচনা মমায় লৈথোক্তুনা থাওখি। অদুবু সিফাই অমনা নমহুনা মাগী মখা কাক্তোলম্মী অদুগা অতোপ্পা সিফাই অমনা হকী ঈশিংহু মহাকী মচিন্দা হৈজিল্লম্মী। মসি উবদা কেম্পকী অতে সিফাইশিংহুনা থাকনা থাকনা নোকলমখি। থুমহী চেল্লবা অশাবা ঈশিংহু মাগী

মথন্নাউদ্রা তপনা তপনা চঙখিরম্মী অমম্লুং মহাকনা লাইদা মাগীদমক্তা হু নিজরম্মী। মখোয়না মাবু শিল্লিংদা য়াল্লগা ফুখিখি। ফুনা ফুনা মখোয়না মাবু পাঙল ওন্নবা হায়রমখি। এলেক্স হোলীগী রুটসাত্রা অমুবা নহা কুজ্জা ক্লিন্তেবু মাগী মমিং 'নোবী' কৌম্নবগীদমক্তা শগোল শাজেন মনমগন্দা ফুরকপদা মহাক্না মাগী মমিং কুজ্জা ক্লিন্তেনি হায়রবদৌনা সুধাময়না পাঙল ওনবা পামদে হায়রকপদা মখোয়না হায়রকখি নশানা পাঙল ওনবা পামজ্ববদি য়েংউ, ঐখোয়না পাঙল ওসহল্লবনি। অসি হায়রগা নোংমা মাগী লুংগী হান্নগংলগা থাজ্জনা মাগী অথিকম ককলম্মী। অল্লগা হক্রী ঈশিং পীথকখিবা নুমিত্তা নোকখিবা অহগুম্মা, নুমিত্তুদস্মু য়াম্না অঙকপা খোজ্জেসদা নোকলমখি। তশেংনা সুধাময় মতমহুদা মাগী চৈনাহু ফাওখিদে। মহুদগী হিংনা হনগনি হায়রবা ফাওবা মখোয়না খনখিদে। মাগী মমাংদা ফাখিবা অতৈ হিন্দুশিংহু মশানা পাঙল ওনজরগে হায়না পাঙলগী লাইশোন শোনবা য়ারবশিংহুস্মু হিংখিদে। সুধাময়বু হৌবদগী পাঙল ওলহনবগী মীনুংশিদা মাবু হিংনা থমবিরম্বনি। অহুমনা হিংলকলবা তুংদা মাগী নালিতাবাড়ীদা চংনরগী থৌরাং শেম শারম্মী।

ডাক বঙ্গলাগী মমাংগী চুড়ীদা তাহুনা লৈরিবা হকচাংহুনা মশাদা চৈনা ফাওরকপা মতমদদি মশাদগী ঈ চেম্বরম্মী। অহুবু মথরায়দি হিংলমখি। অতেকপা মখোং অমম্লুং থবাক্তা শরু হুনদাংদা ভাইহুরা মশাহুনা মওং অমা তৌহুনা ব্রক্ষপন্নাগী য়ুমদা থুংলখি, খম্নুবদা ডসিস্মু মশাদা মতু চুঙলকখি। তশেংনা মাগী থংম্মোয়ম্লুংগী খোনানা মাবু হৌজিক ফাওবা ল্যেংঙ্গ্রিবনি। নুমিত্তু মহাক কিরনময়গী মনক য়ৌরগা মচিল কাঙখোকপা ভমলমখিদে। মাবু অহুগুম্বা শিংমহুনা উবদা কিরনময় মশা থক-থক নিকলমখি! কিরনময়না মাবু মথুং শম্লগা য়ুম-কৈ থাদোকলমলগা হি তোংহুনা ব্রক্ষপুত্রে লাম্না লাকলমখি! লোয়নবা করিস্ম খজ্জজ্রিবা অঙাং অনি য়াওরমখি, অহুনা ভাইহাক লৈতনা কপলমখি। কিরনময় নুমিত্তুদি কপপা শঙলামদে। মাগী মপাপুম্নমক মথম্মোয়দা ফুমজিনখি। ফেজ্জুদগী মমানা ভাইহাক লৈতনা মঙোন্দা হায়রকখি—"মৌলবীনা কৌরি। লাইশোল খোল্লগা পাঙল ওল্লো। মায়াগী মপাবুংবুম্ন থেম্মিয়।" অহু ফাওবদা কিরনময় কপলমদে। মানা মশাগী অবোনবা চৈনাহু মশানা অহুম খাঙজরম্মীনা ইমুংগী মী পুম্নমক তুম্নগ্নবা মতমদা মহাক্না ফিজ্জি শেংলগা সুধাময়গী

অশোকপত্থু পুন্সী। অহুদা কাওবা মহাক কপখিদে। থুল পুম্নমক্না "জয় বঙ্গলা" ওইবগী হন্নাওনরকপা মতমদগী মহাক কপলকখি। য়ুমলোম্নবসিংবু থৌওইরুবা তৌদনা মহাক্না সুধাময়গী মথবাক্তা মমায় য়েশিল্লগা মাগী ফুমহুনা লৈরিবা অরাবগী পিয়াংশিংথু ছিক ছিরু লাউনা অঙাংগী মতৌঙুম্না শিন্থহুনা কপলকখি।

হৌজিকমক্তদা কিরনময়রোমদা য়েংলুবদা সুধাময়গী থম্মোয়দা ১৯৭১ গী মতৌঙুম্না মমিত্তা ঈন্না চেল্লকপঙুম তৌরকখি। নোংমদি মহাক্না ইথঙ থঙহৌদনা মাগী পিরাং কোকখিগনি মুমিতুদা মাগী থাঙবদা রারবা অরাবগী মৈথুশিংসু মহুমদোকখিগনি। অমংবা নোংঙুম মাগী থম্মোয়দা অরাবা চৈথেংশিংথু ওমশিন্দুনা থমখি। নোংমা নোংজুঙুম্না পুম্নমক মপান থোকললকখিগনি। কৈদোউভে 'জয় বঙ্গলা" ঙুম্না নীংতম্নগী পাওজেলগু মাগী নাকোংদা তারখিনি। করম্বা মতমদা মঙোন্দা মপুরোইবা লৈবগী মোইবুং থুজি অমদি লাইবকী শিন্দুর্ নমনবগী পাও পীরকনি, কৈজোম নিংখিনা শেংপা ওমজগনি, অত্থুগা করম্বা মতমদনা কুমশিং ১৯৭১ গীঙুম্না মীংশা নিংথিনা হোংবা ওমজদ্রবা অমম্বা অহিংসি হৌখিগদগে? হৌজিক সুধাময়গী মনাক্তা অনাবা অমত্তসু লাকখিদ্রে। নোং-নুংশিং কনা শিংপা সুমিত্তা ফাওবা অনাবা য়ামদ্রবদা ৬/৭ তি মরাকপনি। সুমিং চুপ্পা সুধাময় য়ুমদা ফমহুনা লৈবা হৈনরমদে। ঙাইহাক ঙাইহাক লৈরগা মীয়ামগী খোঙচং অমমম হেক্ লাকই,—"খোল্লাওনা পুম্নমক্তগী অথোইবা হে অল্লা ইবুংঙো! হিন্দু হিংনিংলবদি লমদমশি থাহুনা চংখ্রো।" করিঙুম্না ঙাক্কা অমদা মশাগী লাইনীংদমক থাজহুনা লুপচবা কাংবু-শিংনা য়ুমদা বোম লঙশিল্লকপা য়াই, মৈ থারকপা য়াই, য়ুম লুট তৌরকপা য়াই, ইমুংগী মী অমবু হেক্তা হাংলবসু য়াই। হিন্দুশিং লৈবাকসি থাহুনা চংলগন্ত্রা? কুমজা ১৯৯০ গী মতুংদা হিন্দু হায়কেৎ য়াম্না লৈবাক থাদোক্কুনা চংখ্রে হায়বা সুধাময়না খঙি। নোংমা মীকোক খিবদা হিন্দু—পাঙল তোঙান তোঙালনা মশীং থীদে। করিঙুম্না থীরকলবদি হিন্দু কয়াম্না লৈবাক থাখোকখ্রবগে হায়বদু খঙলমগদব! লাইরিকশিং থমবা থারাগু উফুলনা পিক থক্নী। সুধাময়না উফুলগু মচিন্না কামহুনা শেংদোকলমখি। শিনবু উফুল কন্থোকপা ওই হায়ব্রা। মশাগী ফুরিংনা উফুলথু ভকখোকলহুনা মাগী মিংয়েংথু কঙ্গলা লৈবাকী সরকারগী মীকোক খিবগী চেকোঙদা য়ুমকম ওইরগা কোংবা

"মীশিং থৌবা চহীগী লাইরিক" তা তারমই, ১৯৮৬ কী লাইরিকনি। ১৯৭৪ অমদি ১৯৮৭কী মশিং থৌবা সিদা য়াওখি। ১৯৭৪ দা চীং লমগী চটটগ্রামগী অপুনবা মীশিং শুপ্নগী ৫,৮০,০০০ ওইরমই, অদুগা লমহুদা পাঙলগী অপুনবনা ৯৬,০০০ মৈ ১৯৮১ দা ১,৮৮,০০০ দা হেনগংলখি। অদুগা হিন্দু শিংগী মশিংনা কুমশিং ১৯৭৪ দা ৫৩,০০০ ওইরম্বদু ১৯৮১ দা ৬৬,০০০ হেনগংলকখি। হায়বদি পাঙলগী মশিং চাদা ৯৫·৮৩% অদুগা হিন্দুনা ১৪·৫৩% ওইরমখি। কুমিলাদা ১৯৭৪ দা পাঙলগী মশিং ৫২,৫০,০০০ ওইরম্বদু ১৯৮১ দা ৬৩, ০০,০০০ ওইরকখি অদুগা হিন্দুশিংগী মশিংনা ৫,৩৪,০০০ ওইরম্বদু ১৯৮১ দা ৫,৬৫,০০০ দতা হেনগংলকখি। পাঙলশিংগী হেনগংপগী চাংনা ২০·১৩% অদুগা হিন্দুশিং অশেংবনা ০·১৮% তনি। ফরীদপুরগী মীশিংনা ১৯৭৪ দগী ১৯৮১ গী মরক্তা হেনগংসকপা ১৭·৩৪% নি। মসিদা পাঙলগী হেনগংসকপা মশিংনা লাখ ৩১ দগী ১৯৮১ দা ৩৮,৫২,০০০ ওইরমখি। মথোয়গী হেনগংলকপগী চাংনা ২৪·২৬ নি। অদুগা হিন্দুশিংগী মশিংনা ১৯৭৯ দা ৯,৪৪,০০০ ওইখি অদুগা ১৯৮৯ দনা, ৮, ৯৪,০০০ ওইরমখি। পাবনা পানাগী মীশিংনা ১৯৭৪ দগী ১৯৮১ গী মরক্তা ২১·৬৩% হেনগংলকখি। ১৯৭৪ দা ২৫, ৪৬,০০০ না পাঙল ওইখি। ১৯৮১ দা সিদগী মশিং হেনগংলকুনা ৩১,৬৭,০০০ ওইরমখি। হেনগংলকপগী চাংদি ২৪·৩৯% নি। অদুগা অমরোমদা হিন্দুশিংগী মীশিংনা ২,৬০,০০০ ওইরম্বদু ১৯৮১ দা ২,৫১, ০০০ তা ওইরমখি। রাজশাহী পানাদনা মীশিং হেনগংপগী চাং ২৩· ৭৮% নি। পাঙলশিংগী হেনগংপনা ২৭·২০% ওইরমখি। ১৯৭৪ দা হিন্দু ৫,৫৮,০৫০ ওইবদু ১৯৮১ দা ৫,০৩,০০০ তা ওইরকখি। মীকোক থৌবগী লাইরিক্তী চেনা ১২২ দা সুধাময়না কুপনা তক্লনা তাকলম্বঅমা থোংখি, ১৯৭৪ দা অপুনবা মীশিংগী চাদা ১৩·৫০ দি হিন্দু ওইরমই। ১৯৮১ গী মীশিংদনা চাদা ১২·১ হিন্দু ওইরমখি। অদু ওইরিবদি অরাংপা হিন্দুশিংদু কদায়দা চংখ্রে? সুধাময়না ফুরিংকী পাম্বে মদনা আনোক্কী মিংশেল শেংদোকখি। অদুদি মথোয় চংখ্রবা জাংলা? কৈগী চংকদৌরিবা? চংলগনা মথোয়দা অরাবা কোক্লগা? লৈবাকসিদা ফুম লৈরগা লাম্বা তৌমবা ওইথোকত্রবা জাংলা? অদুদগী চেনখ্রিবা হিন্দুশিংদু সুধাময়না "মীকিরী" হায়না থৌনা চৈনিংবগী অপাম্বা পোকনকখি।

মশা কয়া নুংঙাইরমদে। মীকোক থীরগী লাইব্রিরু মথুংনা হেক পায়রুবদগী মাগী য়েংথংবা মথুত্তু থরা চোকথরমই। লাইব্রিরু খারাদা থমলহুনা মহাক্না মাগী মথুত্তু হান্নগুম্না মপাঙ্গল লৈদ্রে হায়রা খঙলমখি। মানা কিরনময়বু কৌরমখি। অদুদস্থু মাগী মরৈহু থরা লুমনা ফাজিনরগুম তৌবদৌনা তৌরমখি। তৌথোক ওইথোক্কবা কৈ অশাবগী মতৌগুম্না মাগী মশাদা য়াম্না কন্না চিংনবা অমা ক্লাওরকখি। য়াম্না লুবা চিংনবনি। চংনা চংনা মাগী য়েংথংবা মখোংহু হাংগী পাঙ্গল য়ৌরক্কে। কৌরমখি. "কিরন! ও কিরন!"

কিরনময় চাকথুমদা হবায় ফুংলমই। তুমিন্না লাকলগা মমাঙদা লেপলমখি। সুধাময়না মাগী মথুং য়েত্তুনা মডোনলোমদা তিংথোরকপা পামলমখি অহুবু মাগী মথুত্তু কোনশিল্লগা তুথখিরমই—"কিরন, ঐবু কন্নুংদা অমুক্তা হিপহল্লুবা।"

করি তৌরবনো হায়বা কিরনময় মেন তারমখিদে। করিগী মহাক্না নিংশা ফুরনা হোল্লিবনো। মাগী খোঞ্জেলনা করিগী ময়েক শেংলমম্রিবনো? মহাক্না সুধাময়বু তুমকম কাদা হিপহল্লমই। —"করি তৌরবগে নংবু?"

"গুরজন কদায়দা লৈ?"

"হৌজিকরাইদা থোকখ্রি। ঐনা থিংবনি'হুবু য়াখিদে।"

"কিরন ঐ হকচাং নুংঙাইতে। থরা য়েংউ।"

"নংগী খোঞ্জেলহুনা করিগী শেংদ্রিবনো? করি তৌরবগে?

"য়েংথংবা থুথাস। মপাঙ্গল লৈদ্রে। য়েংকী থোংদস্থু লৈদ্রে। ঐবু কিরনময় "পঙথবা" হায়বহু ওইরদ্রা?

কিরনময়না সুধাময়গী মপান্থোম অনিহু তাপ হেক পায়রমই— "নত্তে অদুমনা হায়বিগনু! চোকথমন্দুনা অস্থুম তৌবা ওইরিদ্রে। অহিংচুপপা তুমদবহুনা ওইব্রিনি। মতম চানা চা-থকপস্থু তৌদেদো।"

সুধাময় মখোং মথুং কাওরমই। মশা পুম্বা ম্নাবগী চৈনা ফাওরমখ্রি। মানা হায়রকখি "য়েংউ কিরন! ঐসি শিরবনি। অস্থুম্না ঐবু করিগী তৌরক্লিবনো?"

"কনা কৌশিগে? হরিদেব বাবুবু অমুক্কং কৌশিরা?"

সুধাময়না কিরনময়গী মথুং কম্না পায়শিল্লগা—"কৈদস্থু চংখিন্নু, ঐগী মাংদগী হৌগংখিন্নু, কিরন! মাম্না কদায় লৈ।"

"মহাক্কী নহাল পারুলগী ময়ুমদা চংখিবদগী অমুক হল্লকদ্রে।"

"ইচাসুপাদি কৈ চংব্রে কিরন, ইচানুপাবু"?

"কম্বিনো অভাওবদৌনা ভাওবিম্বিবসিবু?"

"কিরন, খোঙ খোংনাও হাংলোকউ"।

"কম্বিগী খোঙ-খোংনাও হাংগদৌরিবা?"

"ঐ মণ্ডাল খরা চঙহন্নিংঙি। নুংশিংস্থ।"

"হরিপদ বাবুবু কৌরুখিগে! তুমিন্না পোংথাবিরস্মু।"

"হিন্দু পুম্নমক মাগী মাগী ময়ুম থাহনা চেম্নব্রে। মাগীদা নংনা চংলুবদা কনাশূ উনব্বরোই। মায়া কৌরকউ।"

"কনাদা পাউ পীখিগনি, কনাস্থ লৈতন।।"

অসিগী তুংদা স্থধাময় তপনা তপনা মুরুম মুরুম শোল্লহনা হায়রকখি, মহাক মেন তাখিদে। কিরনময় কিবনা নিকলমই। য়ুমলোন্নবশিংনু মহাক্না লাওহনা কৌগদ্রা? মতম কুইনদগী নক্না লৈমিন্নরক্কবা য়ুমলোন্নবশিংহুবু? খঙতৌদনা তুমিন লৈরে। লাক্কদবা য়ুমথোক্কবা কনানো? হৈদর, গৌতম নত্রগা শকীক সাহেবকী য়ুমদগী কনাবু! কিরনময় তৌকম খঙলমহিজে। হরায় ফুংপগী মননা ইমুংহু পুমথন থনলমই।

ঙসি শুরঞ্জন কদোম চংকদগে মেব তারমদে। বেলালগী ময়ুমদা চংলগে, মপুক্সিংদা চংন-চংনা থললকখি। কাকরাইল লাম্হোকলগা য়েংলোমদা য়েংবদা উরে, 'জলখাবার' কৌবা দুকান্দু তোকলমই। দুকানগী মেজ-চৌকি লম্বীদা পৃথোক্লগা মৈ থারমই, মহুগী উত্তু পৈন্তুনা লৈরমই। য়েংবা য়াবাথে শুরঞ্জনা য়েংলমখি। চমেলীবাগতা পুলকীস্থ ময়ুম লৈ। খঙহৌদনা শুরঞ্জনা মাগী ব্রাখল হোংদোকাখ। মহাক পুলককি ময়ুম চংলগে লেপব্রে। রিক্সাহু ওই থংবা কন্বীদা চংনংবা হাংবমখি। পুলক ভায়াদা য়ুমজাও অমা লৌরগা লৈবনি। এনঃ জীঃ ওঃ দা থবক তৌবনি। মাগা উন্নদবা মতম শাংহ কলে। মহাক তোয়না বেলালগী ময়ুমদা লেকপা চংলমই মহু পুলককী ময়ুমগী হেক মমাংদা লৈ। অহুবু কলেজগী মরুপ্তুনা পুলকপু উননবগী থুদোংচাবা ফংলমখিদে।

কালিং বেল খিংলমই ইমুংদগী পাউখুম'তা লাকখিদে। শুরঞ্জন: হন্না হন্না 'বেল' খিংলমই। ইমুংদগী য়াম্না অমা শোক্লেল অমা তাররুখি, "কনানো"?

"ঐ শুরঞ্জননি"

"করম্বা শুরঞ্জনবো"?

"শুরঞ্জন দত্ত"।

ইমুংদগী পোয়োল হাংবগী মখোল তাখিবি। পুলকনা থোক্লামগা থোং হাংলমখি। খোল্লা তপনা হায়রকখি, "মঙ্গু চঙলকউ"।

"কেদৌরে? সুক খাঙ্গা চেকশিল্লিবদি কদিংগীনো? থোং হাংহনা থম্বা উমজরা।"

পুলকনা অমুক হন্না থোং পো লোনশিল্লমই। নীংথিজনা লোল্লরা লোনদ্রিবা হায়বা চিংহনা য়েংলমই। মঙ্গু উবদা শুরঞ্জন হায়রকেং পাখংলমই। পুলকনা অমুক হন্না অতপ্পা খোঞ্জেলদা হংলকখি, "নং কদিগী মপান থোকলকলিবনো?"

"থোকে হায়রহনা"

"মঙ্গুমদি! কিক্রবা করিমত্তা? থৌনা যুদ্দোক্কুনা থম্বায় থান্নিংব্রা? মক্রগদি কল্লগী খুদোংথীবকমদা লাকলিবনো?"

চিংনবা সেতনা সোফাদা ফমথরগা শুরঞ্জনা হায়রকখি, "থমিংবা অমা থল্লো।"

পুলকী মমিত্তা চিংনবনা পীক থনগংলকলমই। মাস্থ মাগী নাকলদা সোফাদা ফমথরকখিরমই।

নিংশা শাংনা হোল্লমই। হায়রকখি, "লোয়না থজলব্রা?"

'থজদে'।

"ভোলাগীদি কিভম য়াম্না কয়ে। তজমুদ্দীন, বুরহানুদ্দীন থানাগী গোলকপুর, ছোটা ডাউরী, শম্ভুপুর, দাসের হাট, খাসের হাট, হরিরাম পুর, পদমামন অমসুং মান রাম থুলদা ইমুং ১০,০০০ গী চাউরাক্লা হিন্দু ৫,০০০ দগী লুট লোয়না তৌখ্রে। লুট তৌগী লেমহৌবা পোৎ চোশংহুস্তু লোয়না মৈ থাদে কুনা তুমহনখ্রে। লুপা করোর ২৫ য়োম মাংহনখ্রে। মী অহি হাৎখ্রে অদুগা ২০০ দগী হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে। মীশিংহু শেংনবা কি অমসুং চানবা চেং-চাক অমত্তা লৈত্রে। মৈ চাকুবা য়ুম অমা কাওবা য়াওহৌরে।

দুকান কয়া মৈ থাখ্রে। দাসেরহাট কৈথেলগী হিন্দুগী দুকান অমত্তা কলহৌদ্রে। ময়ুম লৈজত্রবা মীশিংহনা অসিগুম্বা অকনবা চৈরাক সিদ্দাং অক্লাংবা অতিয়াগী মথাদা মতম লোলখি। মহক্কী মদনমোহন ঠাকুরবাড়ী লাইশঙ, লক্ষ্মীগোবিন্দ ঠাকুরবাড়ী, মহক্কী লাইশঙ, মহাপ্রভুগী লৈফমস্তু লুট তৌরগা মৈ থাদোকখ্রে। বুরহানুদ্দীন,

দৌলতখান, চরফেসন 'অমদি' লালমোহন থানাগী করিগুম্বা লাইশঙ অমদি লাইনিংগী মকমশিং অমত্তম্ম মীংখিনা লৈবা ওমখিত্রে। য়ুম খুদিংমক লুট তৌই, মৈ থাদোকই। ধুইনাহাটি লমগী চাউরাকনা মাইল ২ লোমদা তারিবা হিন্দুশিংগী য়ুমশিংবু মৈ থাদোকখিরমই। দৌলত-খান থানাগী য়াম্না চাউরবা শাজেস তৌকমইস্ম তাং ৭ কী অহিংদা মৈ থাদোকখিরমই। বুরহাস্থুদীন কৈথেলগী লাইশঙবুস্ম খুদেকলগা মৈ থাদোকখিরই। কুতুবা খুলগী য়ুম ৫০স্ম উং ওলহনখ্রে। চরফেশন থানাগী হিন্দুশিংগী য়ুমশিংবুস্ম লুট তৌখ্রে। অরবিন্দ দে কৌবা নিপা অমবু থাজনা খিন্মুনস্ম হাংখিরই।

'মীলা কদায় লৈ'?

'মাদি কিজরহুনা লিক্কুনা লৈ। মংদি কমদৌরি?"

শুরঞ্জনা লোকাদা লুংভাইনা কমহুনা উইরগা লৈরমই। মহাক ওসি বেলালগী য়ুমদা চংত্রেদনা করিগী পুলককী য়ুমদা লাকলমলিবনো খল্লমখি। মহাক মশানা মপুক্লিংদা কাংলুপকী রাখল লৈরব্রা নত্রগা ফিভমনা মাবু কাংলুপকী রাখল পোকহল্লব্রা "।

"হিংলি! সিদং হায়বা ওমলি"।

লৈবাক্তা হিপলগা পুলকী চহী ৩ তা ভায়রিবা মচাম্নপাস্থ হিক-হিক মীওনা কপলমই। হংলুবদা পুলকনা য়ুমলোন্নবগী য়ুমদা লৈবা অভাংহু নহানখেদি শাম্নমিন্নবনি অহু ওসিদি অলকপু শান্নবা য়াওহল্লে হায়না তাকখোকলকখি। মখোয়না হায়রকখি "ঐখোয় লংগ শান্নমিন্নররোই। ইবুংঙোনা হিন্দুশিংগা শান্নমিন্নবা য়াজ্রে!"

'ইবুঙো হায়বদি,' সুরঞ্জনা হংলকখি।

"ইবুংঙো হায়বদি মৌলুবী! মখোয়বু অয়ুক্তা অরবী তম্বিবা লাক-পদো।"

"নাকলগী য়ুমসিদা অনীস অহমদ লৈবা নত্রা? মাদি কম্যুনিষ্টনি। মাস্থ মচাশিংবু হজুরদা (ইবুংঙো) অরবী তমহল্লিব্রা?"

'তমহল্লি', পুলকনা খুমল্লকখি।

"শুরঞ্জনা অমুক হন্না মখিং উইশিল্লমই। মহাক্তা তুমিন্না মশাবু অলকনি থনবা পামলমখি। অলককী মশাহু নিংশা ফুয়না হোল্লমই। মজম হুক কুইনা মাগী লোয়নবা শান্নমিন্নবকলবা শান্নমিগেস্ম খল্লিবা অহুনা ওসি মাবু শান্নবা য়াওহল্লে। হজুর (ইবুঙো) না হায়, হিন্দু-শিংগা শান্নমিন্নগস্থ। শুরঞ্জনা মায়ানা নোংমা কপনা কপনা

[illegible]কদিবন্থু নীংশিংলগী। হায়রকখি, "ওঙ্গালা এবু ক্লাসতগী মপান্দা থাম্মোক্লই।"

[illegible] ক্লাসতা লাইনিংগী ময়ক ওইবা পাক্লাদা তবনি। ইসলামগী ওইবা ক্লাসতদি মচাকপু মপান্দা থোকখনলমখি। ক্লাসতুদা মাওবা হিন্দু ছাত্রী মমুত্তনি অদুনা মাঙোলগী শবদ খাঙ্গিবদা নাপিন্দুনা লেলমই। মপাং কুমা যাওদনা মতোমরা মহাক মথন্ত মমামদা তুরোং খদানরবগুম ওইরমখি।

সুধাময়না হংখিরমই, "কৈদৌরুবে? করিগীনো নংবু ক্লাসতগী মপান্দা থাম্মোকলিবা?"

"পুম্নম ক্লাস তৌই। ঐবদি য়াওহন্দে ঐনা কিন্নু ওইবনা নত্রা?"

সুধাময়না মায়াবু কোনবিরগা ইক ইবা অমদি খুংগাইশবগী থৈনাহনা হাংকেং কুইনা য়া ডাংবা ওমলমখিদে। কমিত্তদা স্কুলগী লাইনিংগী ওজাগী মমুমদা চংলগা হায়রমখি. "ঐগী ইচানুপীবু ক্লাসতগী থাম্মোকপিগনু। কৈদৌউদসু মাবু অহে অথাংদগী তোওানবনি কায়বা খওহনবিগনু।" মায়াগী নৈনবা থবক্তদি কোকলমই অদুবু মানা "অলিফ-বে তে-সে" বুস্ত য়াম্না পামশিল্লকখিরমই। মমুমদা শাংবা মতমদা "আলহাম দুল্লিলাহ তিরাব্বিল আল অমিন অমসুং রহমানির রহীম" হায়না তম্না হন্না তাম্বরমখি। পুম্নমকসি তারগা কিরনময়না সুধাময়দা হায়রকখি, "হায়রিবসিবু করিনো? ইশাগী কাংলুপ অমদি চংনবী লাইনিং থাদোকলগা হৌজিক স্কুলদা তমগদ্রা?" সুধাময়স সিদা মপুক্কিং হুংগাইরমদে। মচানুপাগী মপুকনিং হুংগাইনবা লৌবদা করিগুম্বা ইসলাম লাইনিং থাদোকপা ঙমলকত্রবদি য়াম্না লুব য়া থোক অমা ওইরকলমখনি। থৌদোকসিগী মতুং চৈয়াদ অমগী মতুংদা স্কুলগী ওজা মকোক্তা য়াকং চে অমা পীশিনখিরমই মরমদি লাইনিং হায়বসি মী-মীহুৎগী থাজবগী মথা পোনরবনি অহুনা মসি স্কুলগী তম্নবগী তাঙ্কক মাওহনবা কট্টু হায়না হায়খ্রমই। অসিনা নত্তনা ঐনা ঐগী ইচাবু করিগুম্বা লাইনিং অমদা তম্বিবা মথৌ তাদ্রি হায়না খল্লি অহুনা স্কুলগী Subject master না মাবু নমহনা লাইনিং তম্বিবগী থৌদাং লৌবা য়াদে অমসুং লাইনিং হায়বা হিরমসিগী মহুত্ত মহৈ হৈবশিংগী পাউক্তক, অথোইবা মীশিংগী পুক্নি য়াম্নানচিংবগী হিরমদা কংলুপ খুদিংমকনা তম্না চানুপদবা হিরমগী, মরমদা তাঙ্কক অমা ইবা য়াই। মশিনা মশিং থীঙমরবশিংগী হৃহনা থরবগী য়াথংশিংদু কোকনি। অদুবু

সুখা মরগী চায়রবতুনা কুলগী মকোক্তুম পাউগুম অমত্তা পিরম্বিদে। হায়া শৌবগুম অতুম চংথরম্ব্বি।

মীনা লাক্কপমই। মহাক্ক শোংগানবী মওংগী করবী দৈশা-বীনি। মগুম পুম্বা মহাক মঙ্কে শেমজুনতা লাজবীনি। অদুবু গুলিনি উঙুং হুংতাইকনা 'উই।' মতমগাংতু মকপিন্নমই, মিপায়বা শিংথেংনা কেক লাকলগা মহাক্না হায়লক্কি. "তা গুরন্ন কুইরেলা নোংলকরবা পিদ্রিব্রা, চঙলিব্রা ত মবকপাও তংদিরম্বিক্রে। থংনবা যুমদদি লাকলমক শায়ব তাইজে"। হায়গা হায়না থমহৌদনা মীলা কপথোক্লকি।

"গুবন্ন লাক্তে হায়রগনু মী লাম কদিগী কপনদৌরিবা? মহাক মাগী ফুরুপকী খুদোংচাদবতুনা কপলিদা। অদু ওইবরদি হৌজিক মীলানা থাওলিবা অমদি মুপাইতবগী চৈনাকু গুবন্ননশু থাজুনা লৈবা তাম্বিবনি। মচাক্না রাসি থললমই, অদুনা মশাগী খুদোংচাদবগী হাংখলগা শোথনা পুনক, অলক অমসুং গুন্নমগী অরাবদশু হংদোই-দনা শকক ম্রাবোঙনা য়াওবনি। হিন্নিদি চমুংনি গুন্ননদ মাগী হুমুং ওমলমই। তুমিং হন্দি মগুন্নিগী মলুংদশু গুরন্নন খেলাংলগী য়ুমদা লুংলম্বিবনি. অদুবু মচাক্না যুংজুনা চংলুবগী কম্বা হইত্রে হায়না থনথিরমই। হৌজিক্তদা য়াথংসি মপুক্রিংদা থকল্লখিম্মখি।

"নং মুক য়ায়া পাথংলিবা কবগীনো? বাকানদি হথোয়না কনিসু তোবা ওমলোইদা। শাংখায়ী থানা ব. ইসলামপুর, তাম্বীবাক্তু মংশ পুরমক্তা থানানা ওাক শেন্দুনা লৈ।"

"তৌখিবদসু থানা লৈবনি। মতমহুদা থাকেগী লাইশাও লুট তৌখি, থানাগী মমাংথক্তা মৈ থাখি। থানানা কম্বি তেখা ওমখি?"

'হোই'!

"অদোম কৈদৌনা খোকপিরকলিবগে? পাঙলশিংসিনু থাজবি-দ্রিব্রা? অদোমনা মরুপনি হায়রবা পনিরগুনা হায়া মাংজিল থাহুনা অদোমু হাংলনি।"

অদুগুন অমুক্তা মমিং উইশিনখিংমই। মিং উইশিন্না পুংফুংগী মৈচাকু থবা হুকরমই। মশান্দ লাও খুংথবা খরা ভারথিনি, কনাগুম্বা মিলুগী ফুকান পুনায়দুনা মৈ থাবা শোরদনা ওইরমগনি। মমিং তেক উইশিনবদা অমুক্তা নিংজং, খাওবচিংবা শংগুবা অপঙবা মেনতাদবগিংদুগী কাংবুগী পুখুদক চোকথবা উপমখি। হৌখিবা অহিংদা মহাক শোতম উনুনা হংলমই। মহাক তুমলমই, মমিং তকথকুনা, মথনাক

মনমগন্দা ঈ খোংকপগী মকম লৈরমই। সুরঞ্জনা মাগী মখবাক্তা মথুং খমলগা কমলমই। করিসু হংলমখিদে। মমা মাগী মথুংনা শোকপি-বহু মতুনা অহুগী তুংদা অতৈ শোকপগী মখো তারমম্মে। গৌতমনা হায়রকখি, "তাদা, ঐনা করিসু তৌখিদে। মখোয় মসজিদতগী মুখিং মুংবগী লাইশোল শোল্লগা হল্লকখিরমই। মুঘনা ইনপাং অমত্ত লৈরমদে, ইখানা য়েরুম লৈনবা হায়খি, ঐনা লাপসু লাপত্তব লৈকাইগী মুকান্দবু করিগী কিরুগবনো, থাপনা চংপসু নৈত্রবসিবো হায়না খম-খিরমই। য়েরুম লৈরগা পৈশা হল্লকপা লোবদা তাইরি থতহৌদনা তুংদগী নমদা কুথরকখি। মখোয় নহা ৭/৮ লোমনি, ঐনা ইংতামতনি। পোংয়োনবহুনা করি হায়রুনি, অখাপপদা মীয়াম্মা কুথৌ য়েংনরমই, কনানসু করিসু হায়খিদে। মখোয়না ঐবু মরম লৈতনা ফুবনি, লৈবাক্তা চিংথুরগা ফুখি। ঐবু থাজবিয়ু, ঐনা করিসু হায়খিবা লৈখিদে।" "সালা হিন্দু, হরামবগী মচা" হায়না মখোয়না চৈরকখি। সালাগি হাংলগা লোয়শিল্লগে। ঐখোয়গী মসজিদ থুগায়রি খনত্রা? নখোয় পুম্বা হিংনি খনত্রা?" মথুং থুংশাশিংদা সুরঞ্জনগী মিহুত চোংবহু কাওরমই। রাহৈশি মাগী থম্মোদসু তাবত্তম তৌরত্রা করিনো? শোয়দনা মানা ১/২ রক হম্মা তাংখ্রে।

নীলা চা পুখোয়কলমই। চা থকনা থকনা মায়াগী রা তৌদো-কলকলমই।

"মায়াগী রা নীংশিংলগা ঐ য়াম্মা নু তাইরমদে। করিগুম্বা মহাক জহাঁ তৌরগা নুংহোংলমলবদি।"

"তা, সুরঞ্জন, হৌজিকসু মতম লৈরি, মাবু য়ুমদা কৌশিনবিয়ু। খুদোংবিবা মতমদদি মীওই বনা থুনা রাখল হোংগলি।"

"য়েংলিবলি, হনখিবদা পারুলগী য়ুমদগী মাবু পুখিগে হায়না মায়া মাংবা হৌরকলে। তিংনবগী খুদোংচাবা লোবদা মহাক কনীদা বেগম ওনখিবা য়াই। ওইজখিবীনিনা!"

অমদা হেক্তা যাদী ইকাই খুন্নবী থুনোংচাবা করবা, নৈমকিংগী মীওই থুনিরবী অংদি মর্তবা চায়বা মওং ইকাই খুরবী থুনো-চাবা করবা, অতে মীসিংগী ইকাই খুন্নবী থুনোংচাবা থকক করবা অমদি কুহুেনোবগী মতুংইরা থোক্রবা কবিগুরু অসিগুম্বা কিতম/হকও লাক্কবদি মহুলগী নীংতম্বা, মপাগী ইকাই খুরবা নবম্বা লম খুনগী কবিগুরুদা মাত তাকপা লাকপা, যারোই।

মখিং ১৯২ দা মরোক পেক্বা উংদি,

"All authorities, executives and judicial in the Republic shall act in aid of the Supreme Court"

পাকিস্তানগী থেক্ক লান্দারকপা তাকশোক্কবা কুহুেনোন (Defence Law) গী তাঙ্কক ৩৫ গী চংনবীশিংদা মথাপীশিং- থুমনা ইং:

(a) any State or Souveringn of a State, at war with, or engaged in military operation against Pakistan, or,

(b) any individual resident in enemy territory, or

(c) any body of persons constituted or in corporation in enemy territory, or in or under the laws of a State at war with, or engaged in military operations against Pakistan, or

(d) any other persons or body of persons declared by the Central Govt. to be an enemy, or

(e) any body of persons (Whether incorporated or not) carrying on business in any place, if and so long as the body is controlled by a person who under this rule in an enemy, or

(f) as respect of any business carried on in enemy territory any individual or body of persons (whether incorporate or not) carrying on that business.

169. (i) Enemy Subjects means:

(a) any individual who possesses the nationality of a State at war with, or, engagged in military

operation against Pakistan, or having possessed such nationality at any time has lost without acquiring another nationality,

(b) any body of persons constituted or incorporated in or, under the laws of such State.

169 (4) Enemy Property means; any property for the time being belonging to or held of managed on behalf of any enemy as defined in rule.

161. an enemy subject or an enemy firm, but does, not include the property which is "Evacuce property under the Pakistan (administration of evacuce property) Act," 1957 (XII of 1957)

অহুম্বা বখা ভাগি Where an individual enemy subject does in Pakistan any property, "Which individually before his death, belonged to or was held by him or was managed on his behalf, may notwithstanding his death continue to be regarded as enemy property for the purpose of rule 182."

. কুম্বশিং ১৯৪৭ কী তুংদা নোংপোক পাকিস্তানদা কাংলুপ মশেলগী হাংন ভনবদা হিন্দু লাখ কয়া ভারতা চৎখিবমই, মতমতুগী ভারত সরকারগা East Bengal Evacuees (Restoration of Possession) Act XXIII of 1951 (the East Bengal Evacuees & Administration of Immovable property) Act XXIV of 1951 শীফিয়মকখি। কুম্বশিং ১৯৫১ গী East Bengal Evacuees (Adminlstation of Immovable Property) Act XXIV দা হায়বি, — The Evacuee Property Committees constituted under this Act shall not take charge of any evacuate property.

1. If the sole owner or act the cosharer owners of the property object to the management of such property by the committee on the ground that it-

of they has or have made other arrangement for the management and utilisation of the property and if the committee is satisfied that the arrangement so made proper and adequate, or

2. If an objection is filed and allowed under this section.

[illegible] the property shall be vested only on the applications of the [illegible] and it shall be vested with the right to dispose of property as he likes.

[illegible] ১৯৫৭ [illegible] Pakistan (Administration of evacuees Property) Act XII of 1957 [illegible] Properties of the persons who is resident in any place in the territories now comprising India or in any area Occupied by India and is unable to occupy, Supervise or manage in person his property in then Pakistan or is b ing occupied, Supervised or managed by a person". [illegible] East Pakistan Disturbed Persons and Rehabilitation Ordinance 1964 [illegible]

[illegible]

[illegible] ১৯৬৫ [illegible] Defence of Pakistan Ordinance number XXIII [illegible] Defence of Pakistan Rules 1965 [illegible] Defence of Pakistan Rules 1965 [illegible] — "With a view to preventing the Payment of money to enemy firm, and provide for the

administration and disposal by way of transfer or otherwise of enemy property and matters connected them with or. incidental there to, the Central Goverment may appoint a Custodian of enemy property for Pakistan and one or more Deputy Custdoian and Asst Custodians of enemy property for such local areas as may be prescribed and may by order vest of provide for and regulate the vesting in the prescribed Custodian such enemy property as may be prescribed " মসিগী মতুংইমা পাকিস্তান Defence Law গী ভাক্কক অমগী মখি লৈননা কুচুলোমগী মতুংইমা লন-থুম পুম্নমক লৈবাকী ওইরগদবনি। লন-থুমশিং অসিগী অশেংবা মপুশিংবু লালগী মতমদা কা-পুমবা নঙ্গা মথোয়গী অমদা অমদা চৎথোক-চংশিন তৌবগী অথিভবা লৈরবদা লন-থুমশিংদ্ ভাক শেমবা অমদি মীংথিনা চেকশিন্না থম্বিনবগীদমক্তা 'য়েক্কবগী লন-থুমগী মপুশিংগী কাম্নবা নঙ্গা কংকম থোকপা শরুক নীংথিজনা তেক্ত কায়দনা চেকশিন্না লৈম্নবগীদমক অমদি মতুংদা অশেংবা কংগদবা মীওইদা পীবিগনি হায়বগী থাজহনবা থম্বগুম্না পাকিস্তানগী লৈবাক পুম্বেননা Enemy Porperty (Custody and Registration) Order 1965 চৎনরমখি। মতুংদা Enemy Property (Land and Building) Administration and Disposal, Order, 1966 কী মখুংচম্না হায়ৱিবা লন-থুমশিংগুগী মমল অমদি অমাং অতাগীশেল হনজিনবগী লোথোক লৌশিমগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা মওংদা নিংথিনা মিৎয়েং চংবিবা অমস্তুং মহূগী শিন্দোক থোংতোক-পগী তৌকম থোকপা থবক অদ্ পাকিস্তানগী লৈবাকপশিংগী মীহৎ অমদা শিরৈ।

পাক-ভারত লন লোয়নরবা মতুংদা হায়গী কুচুলোন্দু অহুম চৎনবা য়ামবগী তৌশিনবা মওংদা Property (Continuance of Emergency Provision) Ordinance গী মতৌওম্না ১৯৬৬ তা চৎনবা হৌখি। বঙ্গলাদেশকী লৌংতম লান্দা ভারতকা মরুপ ওইবা হেন্না নকশিন্নখিবা অমসুং লৈবাক অমা অসিগী মরক্তা

অমুক হয়া লান তৌবদ্রবগীদমক লৈবাকী মপুরেলগী য়াথং মশিং ২৯/১৯৭২ হায়বদি Bangladesh (Vesting of Property and Assets) Order দু লেপহন্দনা চৎনহন্দুনা য়েক্লবগী লম-থুম নত্রগা পাকিস্তান লৈবাকী লম থুম লেঙ্গরিবা মী (Custodian) গী তৌকম থোকপা মথৌদু কুচুলোন্দা (আইন্দা) বঙ্গলাদেশকী লৈঙাকপদা পীরিবিরমই। তপেংবা ১৯৭৯ গী পাকিস্তানগী Enemy (Continuance of Emergency Provision) ordinance অদু হায়গুম্বা অদুম্ব লৈহন্নগা মীয়ামগী ইকাইখুম্নবা' খুম্নায়দা কংকম থোকপা শক্লক অমসুং অমগা অমগা চাং মান্নবা মিংয়েংদা থবগী য়াশক অদু থুগাইখিরমই। পাকিস্তানগুম্বা মীংতম্লবা বঙ্গলাদেশতসু য়েক্লবগী লম-থুমগী য়েংশিন্নবগী থবক অদু য়াম্না শাথিনা চৎনবীগী য়াংমদা চৎনবা হৌখি, মীয়ামগী অপাম্বগী য়াংমদা থওইদনা "য়েক্লবগী লম থুমগী কুচুলোন" (Continuance of Emergency Provision) Repeal Act XLV of 1974 চৎনহন্দুবা নিংথিজনা পীজিন্নবগী মথিংদা Vested and Non & Resident Property Admin. Act XLVI of 1974 গী মরুমদা পাকিস্তানগী মথাদা লৈরিবৈদা পিথোকপ্রবা লম থুমগা লোয়ননা বঙ্গলাদেশতা তপেংনা লৈবা মত্রবা মীওইশিংঅদু has ceased to be Prominent resident নত্রগা মীতোপ ওইনা লোয়মই অদুনা অসিগুম্বা মীওইশিংগী লম থুমবু লৈঙাকপগী থুম্বা শিন্নবদুনা ময়ম ওইদুনা লম থুমশিংদু পীথোক পীশিন তৌবা অমসুং পীজিন্নবগী থবক তৌনবগীদমক লৈঙাকপশিংনা থৌশিল লুপ (সমিতি) অমা লিংখৎলম্মি। অসিগুম্বা লুপসিদা মখোয় মশানা হোৎনজবদগী নত্রগা মীতোপ ওইপ্রবশিংদুনা হায়জরকপদগী নত্রগা লৈঙাকপগী য়াথং মতুং ইন্না লোংথোক্লবা লম থুমশিং অদুগী য়েংশিনবগী মথৌ শিন্নরমই। কুচুলোনসিগা মরি লৈননা গুপ্তগী পাকিস্তানগী লৈঙাকপগী মতমদা "য়েক্লবগী লম থুম" গী মিং পরেং অমা লেমখিবদু, মুপনগী পাকিস্তানগী লৈঙাকপা নত্তবা নত্রগা য়েক্লবগী লম থুমগী য়েংশিনবা কাংবুনা মথোয়গীনি হায়না লৌশিন্দে অমসুং লৌশিন্নবসু তৌদে অদুবু কুচুলোনগী চৎনবা হৌজিক্কৈগী মমাং কুমজা ১৯৭৬ তা Ordinance কী মশিং XC III চৎনবা হৌখি। লোমচৎসিদা মুমনা হায়রি, Those properties which have had under the Act shall be adminis-

-ferred, controlled, managed and disposed of by transfer or otherwise, by the Government may direct. মসিগী থকুন্দা চহী অমা কাকাক্সিদৈদা কুমজা ১৯৭৭ কী মেদা চেয়োল অমদা অমুম্বা হায়রকখি – 10 Kathas of vacant non agricultural lands situated in business Centre shall be settled in open auction with the Highest bidder.

হায়রবগী রাকমদি বঙ্গলাদেশকী মীওই করোম ২৫০ গী কোয়-খিজবা লৌকমহুদ শীজিন্নবা য়াবা লৈরে মহুৰু মীয়াম মমাঙদা শায়দগী হেনবা মমলদা য়োল্লোক্লগা নিলাম) মতম য়াম্না কুইনা শান্দোক্লুনা শীজিন্নবগী ভংশংনা শেমশাবা থৌয়াং লৈরে। চেয়োলহুগী তাঙ্কক ৩৭ শুবদা সিমম্মু হায়রি মহুদি পাম্বা লোয়নশঙগী লাকপা নক্লগা থবক তৌবনা মাগী মাগী লমদমগী অয়োনবা মংলবা লল থুম খঙদোকদবনি নক্লগা মরি লৈনবা ঈ-পাও শীগদবনি, মহু তৌবদা মখোয়দা মনা মথুম পীগনি। তাঙ্কক ৩৮ দা অসিমম্মু হায়রি. থৌসিদা শীজিন্নরিবা পানাগী লাকপদা নত্তনা অমদি লৌরুঙপুয়েল অমম্মুং লৌরুঙশঙগী থবক তৌবা মীওই খুদিংমক্কা মনা-মথুম মিহোবগী অমংপা লো ইংখোলশিংহু থীবগী মখিংদা হিন্দুশিংবু ময়ুমদগী নক্লগা মখোয়গী কংজকম খোকপা লমগী শরুকশিংহু নমত্তনা ত্তাহোক্লুমই।

কুমজা ১৯৬৬ কী মতুংদা পাকিস্তান লৈবাক্কা লৈবাক পুম্বসিদা নৌমা লম ওনবগী থবক চংথরমখি। মহুদগী খঙখি মহুদি কুমজা ১৯৪৭ তা লৈবাক থাদোকখিবা অমম্মুং ১৯৫০ অমম্মুং ১৯৫৪ গী হাংন-ওনবগী মতুংদা মশাগী মরো ইংখোল য়েংশিন্নবা অমদি কয়নবগী মখোয়হু ইমুং মক্লংগী মীওই, মশাগী শরুক য়াওবা মীওই নক্লগা অতোপ্পা মরি মত্তাশিংদা নক্লগা কনাগুম্বা অতৈদা শিন্নয়ম্লগা ভারত চংখিবশিংহুগী ময়ুম, পুখ্রী, হৈকোল, মপা মপুশিংগী মোংকম লমহাং, লাইশঙ, লো অমদি অতৈ লমশিং য়েক্লবগী মওংদা মশক মশিং খঙদোক্লুনা হুশিন্নমই। অসিদা নত্তনা ভারত্তা চংগ্রবা হিন্দুশিং, ভারত্তদা নত্তনা মীরৈবাক্তা মতম থম্বগী ওইনা লৈগ্রবা নক্লগা মতম থম্বগী ওইনা ভারত্তা, লৈগ্রবশিংহুগী মরো-ইংখোলশিংমু "য়েক্লবগী মরল মথুম" গী মচুং চন্নমই। অহুবু ভারত্তা মক্লগা ভারতকী মপান্দা চং-খিবদা য়াওখিবা পাওলশিংগী মরো মশিংদি "য়েকনবগী মরল মথুম" গী মচুং চলহন্দে। মসিগীদমক্তা নৌমা লম-হু ওনবগী থবকসু

চংখৎরমদে। অপুনবা হিন্দুগী ইমুং-মচুংগী চৎনা লোনচংকী মতুংইন্না ইমুং-মুদা লৈত্রবা মীওই অমগী কংকম খোকপা শক্ক অহু লৈহৌ মবাশিংহুনা লৌহুনা মহুগী মপু ওইগদবনি অমদি মখোয়না মহুগী মহৈ চাগদ-বনি। অহুবু সিগুম্বগী লল-থুমদন্থ লৈচাকপনা খুং খিংজিল্লমই।

সুধাময়না থমখি, নিয়াজ হাসন, কজলুল আলম, অনবর অহমদ ইমুং মচুংগা লোয়ননা মাগী মনাংমক্তদা লন্দন-আমেরিকা চংগ্রবনি। লৈবাকসিদা লৈহৌরিবা ময়ুমদা মাগী থম্মা তমনবা মরি মত্তা অমনা লৈরিবনি, কনাগীনা চাক শেলকন্দুনা থমলিবনি অহুগা কনাগীনা শান্দোকলগা থমলি অহুগা কনাগীনা শান্দোকপগী অশানমল কংহুনা থমলিবনি। মখোয়গী মপোক-মচৈদি 'চক্রবর্তী মরল মথুম' হায়না কোণ্ডদোক্তে। সুধাময় লেপ্লিংলমই, মহাক হমাং তায়রমই। মুমদা কনাস্থ লৈরমদে, মায়া, কিরণময় ওম্না কৈদা চংগ্রবগে?

শুবঞ্জন হান্নগী থাকাগী লম্বীদা চংলমই অমম্তুং খল্লকখি সহৈর-সিদা মী মুক য়াম্না লাওলবম্থ করিগী ময়মনসিংহবু কাওথমত্রিবনো মরমদি সহরন্দা মহাক পোকলকখিবনি। লীকলবা সহরন্দা মহাকী অচাং ওইখ্রিবৈগী অমম্তুং নহা ওইখ্রিবৈগী মতম লেপকখিরম্বনি। বুড়ী গঙ্গাগী খোংলুংদা মখোঙ লুপলগা মহাক্না ব্রহ্মপুত্রগী মরমদা খন্দুনা লৈরমখি। কনাগুম্বনা মশাগী পোক্লকম লমদম কাওথোকপা ওমলবদি মহাকম্থ মাগী পোক্লকম লমদমগী তুরেলহু কাওথমগদবনি। গৌতমনচিংদা কয় লৈব ক থাদোক্তুনা চংনক্রে মরমদি মখোয়না লমসিগা চান্নক্রে হায়না খল্লকখিরমই। অহুবু চংক্রিবৈদা করিগী তৌকম খল্লদনা কপলম লিবনো? চহী ৫গী মমাংদা শুরঞ্জনগী মামা লাক-লমখি, ব্রাহ্মনবাড়িয়াদা চংলগা ওচাং মচাগুম ও খোংনা কপলমই। কিরনময়না হংখি. শুরঞ্জন নওগী মামগা লোয়ননা কলিকতা চংগ্রগেরা? মহু ও বদা শুরঞ্জনা ফি-কি কামলমখি।

চহী ৫/৬ কী মমাংদা অয়ুক্তং পার্টিগী থবক্তীদমক মহাক মায়-মনসিংহ চৎপা তাখিরমই। খোংনাউদা কমলগা শংবাময়বা লৌবুক লাপনা শন্দোক্লুনা হৌগ্রবা উপাল রাপলশিং, পীকত্রক পীকতকপা খাংপোকশকশিং, পুআল মপৈশিং, খোংবালদা কুমজংগা শান্নখিবা মখি য়াওগ্রবা অত্তাংশিং, গমশানা ওা খোলবা, চেন্নিবা রেলগাড়ীবু উজবদা হন্নাওজরিবা লৌমীশিংগী মায়খোং য়েংনা য়েংনা মহাক্না বঙ্গলাদেশকী

অদোংবা শক্তম উবা কংলরোই মীংলমই। জীবনাজনা শক্তমসি উথি-রমই অহুমা মালেমসিদা লৈরিবা অতৈ অতোপ্পা শক্তমবু য়েংজিংলম-থিদে। গুরুজনগী তমহুৎপহু ওাইহাক্তংদা কায়খিরমই, মহাকনা মামনক্কনপুর, কৌবা ষ্টেসন ওইরবোই মীংলুবদা ' "অহমদ বাক্সী" লা-য়োক্তুনা চৎপা ওইরমই. অহুদগী মহাকনা কালী বাজারগী মিংবু 'কতিমা নগর', কৃষ্ণ নগরগী মিংদা 'ঔলিয়া নগর' থোনলম্বা থেংনখি-রমই। লৈবাক পুম্বা ইসলামদা লোইনা ওহোকলমই, ময়মনসিংহগী পীকল পীকলবা ষ্টেসনশিংস্তু মসিদগী নাম্বাকপা ওমলমখিদে। ব্রাহ্মন ব ড়ীয়াগী মীশিংবু 'বিঃ বাড়িয়া' কৌরমই। বটিশালগী ব্রজমোহন কলেজবু ' বীঃ এম কলেজ," মুরারীচান্দ কলেজবু "এমঃ সিঃ কলেজ" কৌরমই। তশেংনা হিন্দুগী মমিংশিং চিন্দা থোকনিংদবদগী মিং অশম্বীসি কৌরম্ববনি। গুরুজনা মামা থুনা অশম্বা মিংশিংসি লৌথোকলগা "মহমদ অলী কলেজ," সিরাজ দৌলা কলেজ" হায়না ওনখিগন্না হায়না মপুক্লিংদা চিংনবা পোক্লমথি। ধাকা তাইবঙ মহৈকোলগী মহৈরোইশঙগী 'ইকবাল হোল' গী মমিং হোংলগা সূর্যসেন হোল হায়না থোনগ্রববু নীংতম্ববা মতুং চহী ২১ গী তুংদা নীংতম্বগী মরোম্বা লৈবশিংহুনা সূর্যসেন হুরানবনি হায়রমথি, হুরানবগী মমিংদা হোলগী মমিং কমদৌনা থোনগদৌরিবনো? মসি হায়বগী মুংগী ঈচেলদি মহাকী মমিংহু ওহোকউ হায়বনি। লৈঙাকপশিংনা মথোয়গী রাহু তাবিরোই হায়বম্ব হায়মমবা থোকনি মরমদি কাংলুপকী শাফুগী মজেংদগী বিঃ এনঃ পী মীয়ামগী থুম্ভ' লাক্লমথি অহুগা অহুত্ত লৈ-লৈহুনা কাংলুপ মশেল তায়বশিংবু ওাক শেল্লি।

হায়গী ধাকাগী লৈরক-কোনশাংদা গুরুজন্না কোয়চং চত্তুনা য়েংবদা হিন্দুগী হুকানশিং তেক্ত কায়দনা লৈরম্বা থেংনখিরমই। করিদবু থাজবা থমহুনা মথোয়না হুকান হাংগদৌব্বিবনো। অহুম ওইমমক ১৯৯০ গী মতুংদা, ১৯৯২ গী তুংদদি হাংখিরমই। তশেংমমক হিন্দুশিংগী মশাগী উনশাহু কাংদ্রুমগী মকুওমথ্রে। অহুদগী মীয়াম্না চাকথোকত্রবা অমদি থুদেকত্রবা য়ুমশিং মৌহৌনা শাগৎলমখি। অতেকপা হুকানশিংস্তু অমুক নৌহৌনরমই। রুম-কৈ, হুকায়চিংবদি গুপ্ত অমসুং বিলাটি মাটিনা নৌনা শেমজিনবা য়াই। অহুবু কায়ত্রবা থম্মোইবু অমুক নৌহৌনবা য়াত্রা?

কুমশিং ১৯৯০ দা পটুবাটুলীগী ব্রহ্ম সমাজ, শাংখারী বাজারগী শ্রীধরগী শক্তম, নয়া বাজারগী লীরবা লাইনিংশঙ, কায়েতটুলীগী সাপ মন্দিরবু নমহুনা পোৎ চৈ-হরাম্লবা মতুংদা থুগায়খিরমই অমুগা অমুক অমু থাদোকলমই। পটুবাটোলাগী মমিং চংলবা দুকান এমঃ ভাটট্টাচার্য এন্দ কম্পানী, হোটেল রাজ, ধাকেশ্বরী জেলরস, ডায়মন্ড জ্যুয়েলস, মিউ ঘোষ জ্যুয়েলরস, অলপনা জ্যুয়েলরস কাশমিরী বিরিয়ানী হাউস, 'উজালা' পন্থ নিবাস, অসিনচিংবগু লুট তৌরগা মৈ থাদোক্লমখি। নয়া বাজারদা মিয়ুনিসিপালিটি (সহর শেম শাবা কমবু) গী রাউৎ শিংপশিংগী লৈকম শিংবু লুট তৌরগা মৈ থাদোকলমই। ধাকা পানাগী চেয়াপকী রাইশিংপশিংগী থুলবু তুম্না মৈ থাদোক্লুইশ কেরানীগঞ্জগী চুনকুটিয়া পূর্বপাড়া হরিসভা মন্দির, কালী মন্দির, মীরবাপকী দুর্গা মন্দির, চন্দ্রানিকারগী লাইশঙ, পচ্ছিশম পাড়াগী কালী লাইশঙ, শমশান ঘাট, তেঘটিয়া পুরনদীপ রামকনাই মন্দির, কালিন্দী বাড়ীগুম, বাজার দুর্গা মন্দির, কালী লাইশঙ, মনসা লাইশঙ অসিনচিংবগু লান্দারমই, লুট তৌরমই অমসুং লাইগী শক্তমশিং থুগাইরমই। শুভঢ্যা খেজুর বাগকী পৈরি-খোক্তন মিত্রগী মচানুপা রবি মিত্রগী য়ুমগা লোইনবা অশানরা য়ুম ৫০বু মৈ থাদোক্লমই। জবরিয়াগী ভবতোষ ঘোষ, পরিতোষ ঘোষ, কালিন্দীগী মন্দাইল হিন্দুবাড়ীদা অমুগা বনগাঁও ঋষিপাড়াদা য়ুম ৩০০ বু লুট তৌবগা থুগায় য়েংথরবা তুংদা মৈ থাদোকলমখি। ময়ামশিংমু শুরঞ্জনা খরনা উখিরমই অদুগা খরনা তাখিরমখি।

কদোম চংকদগে শুরঞ্জন পল্লেপকম থগা ওমজরমদে। ধাকা সহরসিদবু মাগী কনা লৈরিবনো? কনাগী মনাক্তা ভাইহাক্তং কম-হুনা বারী-বাতাই শাকনি? মায়ানা ওসি মঙোন্দা 'শারোই' হায়রগম্ব লুপা চাম্না চংলী মপাক অমা পীরকখি। শেলমপাক অমু হৌজিক মাগী কুরিংখাউবা য়াওরি। চাদিং তৌনিংলকলমখি। 'বঙ্গলা বাইক্ত' উপু অমা লৈখোকলসিন্না হায়না অমুক অনিরক থল্লকলমই অদুবু লৈরুবরদি শেল লোয়খোকখিনি-থল্লমই। কৈদৌউভেদমু মহাক শেলগী মিহৌবা লৈরমখিদে। সুধাময়না মফি মথোল লৈনবা মঙোন্দা শেল পীরমখি, শেলহু মান্না মমাগ্রবশিংদা চাদিং তৌখোকলমই। কনানা চেন্নগা লুহোংনিংলমই, শেলদি লৈরমদে। শুরঞ্জনা অদুগুম্বদা লুহাব শেল পীরমখি। অমুকবক মমাগী পরিক্ষা (চাংয়েং) গী

শেলহু রহমত কৌবা মুপা মচা অমদা পীথোকখিরমই। অতাংহুগী মমাংহু লায়য়েক্কশঙদা নাহুমা লৈরমখি, হিদাক লৈনবা মঙোন্দা শেল লৈরমখিদে। অহু কৈদৌনি, সুরঞ্জনা মহাক্কী পরিক্ষাগী শেলহু মঙোন্দা পীথোকপমই। মহাক হৌজিক অমুক্কং রতনাগী মনাক্তা চৎকগ্রা? রতনাহু মরূপলা? করিগুম্বদা লুহোংলবা মতুংদা মিংথোল অসি হোংদবা য়ারোইগ্রা? মুপীশিংনা করিগী লুহোংলবা মতুংদা মশাগী যুমনাক হোংলিবনো? লুহোংজিনবদদা মমা মপাদা নাওথী শাঙবা, লুহোংলবদনা মপুরোইবদা, পুম্নমক অরেম্বনি। সুরঞ্জনসু মশাগী মমিংগী মতুংদা নপলিবা 'দত্ত' হায়বা মিংথোলহু লৌথোকনিংলমখি। মীওইবগী অসিগুম্বা লাইখিং লাইশোল, কুচু থেম্বসিনা তাইবং মীবু মাং তাকহল্লকলি। বঙ্গালী ওইরবদি "হিন্দু" ওইরবসু 'পাগল' ওইরবসু মাগী মমিং 'বঙ্গালী' হেক্তা থোন্নগদবনি। মায়াগী মমিংহু "নীলাঞ্জনা মায়া" থোন্নবনা হেন্না করম্বনি হায়না মহাক্তা কয়ারক খনখি। অহুগা মহাক্কী মমিংনা ---- 'নিবিড় সুরঞ্জন' থোনবা কম্বি য়াদনি? "সুরঞ্জনা সুধা"? "নিখিল সুরঞ্জন?" অসুম খন্না তৌবদি লাইনিংগী মরমদা অমকপা লৈররোই। বঙ্গালী পাগলশিংদসু অরবীগী মিংথোননা য়াম্না পামনবা উই। মরম অসিনা চাউখংপা প.মা মীশিংসু "বঙ্গালীগী নাং" কী মরমদা য়াম্বী শাজখদা অকায়বা ওইরে, মহাকসু মচাগী মমিং থোনবদা কৈজ্জল রহমান, তৌহিদুল ইসলাম, কৈয়াজ চৌধুরীগুম্বা করিগী থোল্লোইদগে? বঙ্গালী ওইবগী করিগী অরবীগী মমিং থোনগদৌরিবনো? সুরঞ্জনা মচানুপীগী মমিং "স্রোতস্বিনী প্যার" নত্রগা" অগাধ নীলিমা" থোনবিগনি। চপচাবদি "অগাধ নীলিমা" নি মরমদি মহুনা মায়াগী নীলাঞ্জনা' গা য়াম্না চুমরে, অহুগা মং অসি মায়াগী মচানুপীমক্তদা থোমম্বিরগে?

সুরঞ্জনা লেপ্তুনা চৎলমখি। মহাক অমদগী অমদা কোয়চং চৎলমই। মমুমদগী থোকলকপদদি মহাক মখৌ য়াম্না লৈবদৌনা তৌরমই। অহুবু মপান থোকলকলবদদি মহাক চৎকম খঙজে। পুম্নমক মখৌ চিম্নবগুম্বা মাপী মাপী মশিল পায়বা চৎলমই। মঙাকখক্তনি মখৌ পান্দবা মশাদা অধুবা লৈতবা। মহাক্তা অসিগুম্নবা ইয়াং হৌরব দা সহরসি কনাগুম্বা অমত্তংগা কমদগা য়াম্বী শায়মিংলমই।

বঙ্গালদা ছুলালগী মমুমদা চৎলুগজ্রা? মত্রগা আজিমপুরদা মহাদেবগী মমুমদা অমুক হল্লুগজ্রা? ইসপাহানী কোলোনীদা ক:জল-

দেবনাথকী ময়ুমদসু চংশদি ময়াই। করিগুম্বদা চংনিংবা অমা হেক লাকপদা হিন্দুতগী মিং করিগী কৌংশিংলকলিবনো ? ওরাং ময়োল লাকলমই. বেশাগগী ময়ুমদসু মহাক মচংশা ময়াই, নোংময়সু হৈদর মাগী য়ুমদগী হুনখিংশিং. মহাকসু হৈদরগী ময়ুমদা চত্তুনা রাম্নী-রাতাই শাক্তবসু ময়াই। মখোয়শিং অসিগী ময়ুমদা হেক চংলুবদা মৈরিক অমদি শোয়দনা কাপলকনি, বাবরী মসজিদ। ভারত্তা করি করি চংখ্রি, মীনা কয়াম শিগ্নবা, বিঃ জেঃ পী গী লুচিংবশিংনা করি হায়রিব, করম কয়ম্বা সহরশিংদা লাম্নীনা খিংকুপ-নাম্ভমশিংনা লৈরিবা, মীনা কনা কনা কারবা, কয়ম্বা মীওইশিংদনা অথিংবা থমলমবা. মতুংদনা করি ওইরকপা য়াবা অসিগী চিংবশীংসি। মাশিংসি হৌজিকী মতমদা থম্ন নৈনবা অকবা নত্রে। লমহুগী বিঃ জেঃ পী গুনি লমসিগী মীয়ামগী কাংলুপকী লুপ। অহু নত্রবদি লৈবাক অনিমক্তা লাইনিংদা য়ুমকম ওইবা লৈভাকলোন (রাজনীটি) সি থিংলমগদবনি। মসিদা লাইনিংনা হুংগুম্মা পৈথংনবকপসিমা. চাবা কংজত্রবা, ময়াল লৈজত্রবা, অত্তা অনা নংলবা মীওইশিংবু ভশেংনা মসিদগী কোকহনবা ওমত্রে। কার্ল মার্ক্সকী রাহৈ মহাক য়াম্না পামজরমই, মীরক্তা মুকম মুকম শোয়ররকলমই — "লাইনিং, অয়াবসু ভশেংবা অয়াবা কোংদোকলবনি অহুগা অচুম্বগী মায়োক্তা শেন্দবা কোংদোকপসুনি। লাইনিং হায়বসি ময়াল লৈজদবা থরাইগী অহকপা নিংশানি, খম্মোই পাত্রব। তাইবংগী খম্মোইনি। অহুম তৌনা ভশেংনা মহু খম্মোই পান্দবগী খম্মোইনি। লাইনিং হায়বসি মীয়ামগী ময়ায় কাবা পোংশকনি।"

চংনা চংনা বারী, নবাবপুর, নয়া বাজার, তান্তী বাজার, কোর্ট এরিয়া, রজনী বাসক লেন, মেন্দরিয়া বেগম বাজার কোয়কয়গা লুমিং লৈথরকপদা মমৈথংদা কাজলগী ময়ুমদা ওয়ক্তন চংলমই। মহাক ময়ুমদাহুম লৈরমখি। হৌজিকসিদা হিন্দু পুম্নমক ময়ুম ময়ুমদা উমরমই। নত্রগনা য়ুমগী রাংমদা করিগুম্বদা লোংনরমই মত্রগা য়ুমদা হুম তুমিন্না লৈরমমই। য়ুম য়ুমদা চত্তুবা কাজলনা হায়খিরমই, রাহেম ভাংনিংবা ওয়ক্তনগীদি করবনি। কাজলগী ময়ুমদা অতৈ মুপামচাশিং উমরমই। সুভাশ সিংহ, তাপস পাল, দিলীপ দে, নির্মল চেটর্জী, অঞ্জন মজুমদার যতীন চক্রবর্ত্তী, সাইদুর রহমান, কবীর চৌধুরী।

"কৈদৌঙৱা য়াওরবগে ? হিন্দু য়াম্না পুরেদা ?"

ওরজনগী বাহুংদা কনাম্ভু যোকলকখিরে, ওয়ারী মহাক মখক্তা যোকখিরকই।

"কৈদৌরবগে, অয়াম পুরমক অহুক লুংনাংবা দৈনরিবগো ? হিন্দুশিংবু হাংজে হায়রবগী ওইখরবরা ?" ওরজম্না হংজমখি।

"মুভায়না হায়রকখি, পুক্লিং লুংনাংদবগীম্ভু বরমদি কৈজৱা ?"

কাজল দেবনাথ "হিন্দু, বৌদ্ধ, খৃষ্টান অপুনবা লুপতা য়াওরমই। কৈদৌঙৈদম্ভু ওরজম্না লুপসিবু শৌগংখিদে। মশিম্ভু কাংলুপ নাইবগী য়াখলপোকপা লুপ অমনি হায়না মানা থনখি। লুপ অসি শৌগংলুবনা লাইঙিংগী ফুংইয়না লৈঙাকলোনদা অথিংবা চৈঙাক পীবা ওবলোইদবা জাংনি। য়াঙাংসিদা কাজলনা হায়খি, "চহী ৪০ চুপনা খোৱাংনা ঙাইরকলবা ফুংদা নিংতমলক্রবুনা মবৈথংদা থরায কয়নবা অমদি পুরমকী অয়াবা কোকয়বগীদমক লুপ অসি লিংখৎখিবনি।

"হাশিদাঙা লৈবাকসিদা কাংলুপ মখেল খুৎ যোকনৈ হায়বা কৈদৌঙৈদা য়াগ্রব্রা ?" অমুক্তা কাওবা মাদি খুলশিংবু য়েংবা চংগ্রব্রা ? ঈথক ইয়াংদা পামহুনত্তা লৈবা মীওই অমদগী অসিঙম্বা য়াঙাংসি তায়বদা অয়ামী লীগজদি করিদি তৌগি হায়না কাজলনা হায়রকখি। মখি মখোং পীয়কলমই। "জমোতী ইসলাম" মা হায়া পীখিবা মরোল হুমহাইনা। হৌখিবগী মীংলদা অরামী লীগম্না লৈঙাক চুকলী পায়রবদি লৈঙাকলোনদা "বিসমিল্লাহ য়াওংরায়োই" হায়বওবগী তোকওা অমা শুন্দোকলকখিরমই। হৌজিক মংখায়মা লৈঙাক চুকলী পায়হৌরবনিনা ৮ওবা শেমদোকলকপগী মায়োক্তা য়া ঙাংলবদি মীয়াম্না য়ানবা হেনগংকনি হায়না থরমই। অরামী লীগ মীখলদা মায়পাকপা পামখিত্রা ? নত্রগা চংনবী লোনচত্তা লেঙজনা লৈবা পামলমখিত্রা ? করিগুম্বা হোংদবা পামলবদি করিগী কুচুলোন (বিল) অসিগী মায়োক্তা করিমত্তা ঙাংখিত্রিবা কম্বিগীনো ?"

অহানবদা লৈঙাক চুকলীদং পায়রগা হোংদোকপগী মথৌ তায়কপহুদি কোয়া তৌগে থমবা য়াই।" গাইহুর রহমান্না অরামী লীগকী মীচংদা য়া ঙাংলমখি।

"কনাবুম্ভু খাঙনিংঙাই লৈতে। পুরমক লৈঙাক-চুকলী পায়রগা ইসলামবু খাগোয়খিবি অহুপা ভারতকী মায়োক্তা লৈরকনি। লমশিংদি ভারতকী মাসংত্তা তোঙা অমখুং ইসলামনা মীয়াম্না হেক্না

পামশিনখনা হেল্লি।" কাজলনা অমুক হন্না মকোক হায়রগা হায়রকখি।

খত্তহৌদনা মখোয়গী খন্নৈনবহু য়াওদনা শুরঞ্জন্না মাগী হায়গী ৱাহংহু অমুক হুল্লিন্নকলমই। মাগী কাজল, অসুমনা কাংলুপকী ওই-বা লুপসি শেমদনা কাংলুপকী নত্তবা মীয়ামগী লুপ অমা শেম্বদি য়াবিদ্রা? লুপসিদা সাইফুর রহমান করিগী য়াওজিখনো হায়বা ঐ খঙজবা য়াগদ্রা?"

জতীন চক্রবর্তীনা মাগী মখোল অংহৌবহুনা হায়রকখি, "সাই-ফুর রহমান য়াওদবনা ঐখোয়গী লুপসি মায় পাক্তবা নত্তে। ওইখোক্তবা খরা মখোয়দা লৈরে, মখোয়না লৈবাক্কী লাইনিং লেপখ্রে। মতম শুক কুইবদি ঐখোয়দা অসুমনা লুপ শেম্বগী মখৌ তারমদে অহুগা হৌজিক্তা কমদৌনা? অসুম্না বঙ্গলাদেশ শেমখিবা নংখিদে। লমসিদদি হিন্দু, বৌদ্ধ, খৃষ্টান, পাঙল পুম্নমক চপ মান্নে। অদুবু করিগুম্না লাইনিং অমবু লৈবাক্কী লাইনিং ওইনা খোংদোরকপগী মুংগী মরমদি অতোপ্পা লাইনিং চংপা মীওইশিংগী মপুংক্রুংদা কে তান তানিংনবগী রাখল পোকহনবনি। মরৈবাক মুংশিবদি কনানা কনা-দগীসু হেনবা নত্তে অদুবু ইসলাম লাইনিংনা ওইগ্রবনা লৈবাক্কী মিংয়েংদা মখোয়গী মপা মপুগী লাইনিংনা ২শুবা নক্সগা ৩শুবা থাক্কী লাইনিং ওইনা শিংথানবগুম মতৌগ্রে অহুগা। তোঙানবা লাইনিংগী ওইবশিংহুনা ২শুবা নক্সগা ৩শুবা থাককী মীওই ওইনা লৌরবনিনা মখোয়দা নমফুনা অকনবা অশোকপা অমা ওইহল্লে। অসিনা মরম ওইহুনা মখোয়গী মপুক্লিংদা লৈবাকলীংবগী রাখলগী মহুত্তা কাংলুপকী ওইবা রাখল পোকহল্লকলবদি মহুগী ময়াল মখোয়দা করম্না শীগদগে?"

অশোকনা শুরঞ্জন্না রাহং হংলমখি, অদুনা শুরঞ্জন অইংবা রাঙাংদা ঙাওলকলমখি "অদুবু হৌজিক্কী লৈবাকসিদা অসিগুম্না মওংগী কাংলুপ্তা য়ুমকম ওইবা লুপ অমা লৈবসিবু জুত চানদেদা।"

খিত্বা তৌদনা জতীন চক্রবর্তীনা হায়রকখি "অদুবু মশিং খীওমজবা লাইনিংশিংবু অসুমনা পুনশিনবগীদমক্তা কনান্না অয়েংপা পীগদৌ-রিবনো? লৈবাক্কী লাইনিং পুখোকপা মখোয়দি তৌদ্রা? তো-ঙানবা ফুরুপ অমখক্তংগী 'লাইনিংবু' লৈবাক্কী লাইনিং ওইবনা লৈবাক অদুবু নাংকী ওইবা য়ায়া চাউখংপা লৈবাক ওইরোই।

লৈবাক্কী লৈবাক্কী লাইনিং লৈরবা লৈবাক্তু মতম অমদা লাইনিংদা য়ুমকম ওইবা লৈবাক হায়রনা কোংদোকপা য়াই। লৈবাক অসিনা অথুবা খোংচংকা লোয়নননা কাংলুপকী ওইবা লৈবাক অমা ওইরকনি, মসিদা লৈবাক্কী অপুনবা শক্তমগী য়া ভাংলুবদা করেমনবা য়া ওইনা তৌগনি। তশেংনা ৮৬বা শেমদোকপদা বঙ্গালীশিংবু নমথবা উৎপনি—মশিং খিঙমল্লবা মীয়ামা য়াকমসিবু করিগী নীং-খিনা খংজবনো, মরমদি মখোয়না অয়াবা চৈথেং কংগদৌরিবনি।"

"লৈবাক্কী লাইনিং ইসলাম ওইরকপা মত্রগা লাইনিংতগী ওইবা লৈবাক অমা শুইনা কোংদোবকপদা পাঙলশিংগীদমক্তা কায়গনি হায়না অদোমনা খনবিত্রা? ঐদি মহু খনজদে।"

"তশেংনা ওইথোকলোই। য়াকমসি মখোয়গা ভসি খংজ্রবস্থ নোংমদি শোয়দনা খঙজয়কনি।"

অজয়না হায়রকখি, "হৌজিক অয়ামী লীগনা য়াম্না মরুওইবা শক্তম লোবা য়ারি।" ভরঞ্জনা হায়রকখি, চুমই, অয়ামী লীগনা ৮৬বা শেমদোকপগী বিলদা য়ানিংদবা কোংদোকপগী য়া লোত্র। হৌজিকী মতমগী কনাগুম্বা মনিংতম্বা মীওই অমনস্থ খঙলে মহুদি মীয়ামগী মীহুংকী লৈঙাকলোনগী য়েংনবা লৈত্রবা পান্দমদি লাইনিং অমত্তদা মীচং চংদবনি। লৈবাকসিগী অপুনবা মীশিংগী ৮৬% না পাঙল ওইরবাসিদা ইসলামবু লৈবাক্কী লাইনিং ওইহল্লুবগী মথৌ করি তাম্বিবনো। হায়বা ঐ খঙবদা য়ারে। বঙ্গলাদেশতা লৈরিবা পাঙল-শিংনা মশাগী লাইনিং খুদাদা পুক্লিং লুপচরিবসিদা মখোয়গীদমক্তা লৈবাক্কী লাইনিং হায়না লাওথোকলুবগী করি মথৌ তারিবগে।" জতীন বাবুনা মশা কমনা কমনা মোমলহুনা হায়রকখি, "পান্দমগী মরমদদি কনানস্থ মাগ্নহনবা ভম্বা পোৎ নত্তে। অয়ামী লীগনা, মায়কৈ অময়োমদা য়াশিয়ত্রে, হায়না মখোয়গী মায়োক্তা ফত্তবা য়াঙাং কয়া শন্দোকপীবা য়াওরিবহুনি।

সুভাস হায়কেৎ কুইনা তুমিম্না তাহুনা লৈরম্থি। হন্দকমুক্তি মহাক্না হায়রকখি, "ঐখোয়না জমাতী অমস্তুং বিঃ এনঃ পীগী মরমদা নৈন্দি নৈনদম। অরেম্বদা অয়ামী লীগকী মরমদা নৈনহুনা লৈরে। মখোয়না অয়ামী লীগতগী হেম্না কনা থবক তৌত্রা? কাজলমা মাবু খামলগা হায়রকখি, "তশেংনা য়েক্লবনি খঙলবশিংহুগী মরমদা করিস্থ খম্ননিংতাই ওইত্রে। অহুবু খাজবা খমলুম্নিবশিংহুনা লৈখা

ভারকপা উরহনা, থশোইদা কৈনা কাওরকপগী বাদি।"

কবীর চৌধুরী খঙহৌদনা মরক্তা ফাংলকখি, লাইনিংদা মীচঙ মীথাই লাইহনবগী মরমদা অয়াম্বা খরা হায়রিবে, "লাইনিংদা মীচঙ মীথাই লাইদবা হায়বদি লাইনিং পূরমকপু অমত্তা ওইবা য়াবলগা লৌগা হায়রবনি। মসিদা মীচঙ চঙনবগী না করিস্তু কৈডে। 'সেকুলারিজম'গী য়াইনদোক্কি মালেমসিদা লৈবি বাড়াং য়াতাপিংদা লৈবাক লাইনিংগা, মরি লৈহন্নরোই হায়রবনি।

কাজল দেবনাথ থৌনা খরা কগংনা হায়রকখি, "লৈবাক থায়দোকপগী মতাংদা পাওল কাংলুপ লাইনিংবশিংনা পাকিস্তান শেন্দা মমায় পাংকখিরমখি। অদুবু ভারত্তা হিন্দুগী কাংলুপ লাইনিংবশিংদি মাইথিরমই। ভারত্তা য়াম্না অনৌবা মওংগী, মীয়ামগী লৈতাকলোন লৈবা, লাইনিং অমত্তা মীচঙ চঙদবা লৈবাক ওইবদগী মায়থিবা কংখিরবনি। ভারদা লৈবা পাওলশিংগীদমক্ত লৈবাকসিগী হিন্দুশিংবু "জিম্মী" হায়না কৌংদোকখিরবনি, হিন্দুশিংবু গুপনগী ভাক্তোকনবগীদমক্তা। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি হিন্দুশিংগী মরল মথুম মুনবনি। পাকিস্তানগী মতমগুম্বা ইসলামগী মরমদা না ভাংনরকপদা হিন্দুশিংনা অকিবা পোকপা নত্তনা করি তৌগনি? লৈবাকসিবু লাইনিংদা মীচঙ মীথাই নাইদবা লৈবাক অমা ওইহনবা হোৎনবদা হিন্দুশিংবু কমবা ওইখোক্লবা নাকমনি। ঐখোয়গী অপাম্বা অমসু লৈরি মতুংদি "রেজনবগী লন থুমগী কুচুলোন (আইন)বু চংনহল্লোইদবনি। লৈবাকী রায়েন থৌদাদা কনাসু হিন্দু নত্তে। পাকিস্তানগী মতমদগী থৌশিলবগী (Secretary) কমদা হিন্দু অমত্তবু হাপ্পিরমদে। মথৌ নাওনা হংগেজরবা হিন্দুশিংগী মশিং য়ামলমদে অদু কাওবদা মথোয়বু কমগাইহল্লমখিদে। ঈশিং লান্মী নত্রগা নোংথকী লান্মীদসু হিন্দু অমত্তা ঐদি য়াওথা উদে।"

নির্মলনা হায়রকখি, মরুপ কাজল, হিন্দুশিংদা লান্মীগী মকোক (Brigrdier) নত্রগা মেজর জেনেরেল য়াওদে। কোলোনেল ৭০, লেফটিনেন্ট ১৪৫০ দা ৮ থক, মেজর ১০০০ দা ৪০ থক, কেপটেন ১২ দা ৮ থক, সেকেন্দ লেফটিনেন্ট ৯০০ দা ৩ থক, লান্মী ৮০,০০০ দা হিন্দু ৫০০ থক ওই। বি: ডি: আর: ৪০, ০০০ দা তুমগী হিন্দু ৩০০ থকখি। Secrutary কমদা হিন্দু অমত্তা য়াওদে।

"করিনো হায়রিবহুবো, বুদ্ধ খৃষ্টানশিংসু অমত্তা য়াওদে। সিদা নত্তনা Secretary গী কমদসু য়াওদে। Joint Secretary ১০৪ গী মচুংদা অমা থক্লনি।

কাজলনা অমুক মথা তাবকখি, "ফোরেন সার্ভিসতসু অমত্তংগা য়াওগুম তৌত্রঃ? ঐদি য়াওদবা মাল্লি।"

সুভাশ মোরাদা কমলমই। খঙহৌদনা লেপখৎলকখিরমই। হায়রকখি, "নামো কাজল য়াওদবনি, অমত্তা য়াওদবনি।"

কান্থু পালিচা ফিদা থায়মই। শুরঞ্জনা গালিচাদা নুশন অমা থারগা মনঙ্গল ডাথরদুনা কমলমই। মানা মখোয়গী রাশিংদু তাবা লুংঙাইরমই।

কবীর চৌধুরীনা হায়রকখি, "পাকিস্থানগী মতমদগীনা বঙ্গলা-দেশকী মতম কাওবদা অরামী লীগকী লৈঙাকপা মতমদা মনাবঙ্গন থোড় কৌবা হিন্দু অমথক্কং জাপান্দা রাজদুত ওইনা থাখিবমং।"

"অরাংবা থাক্কী মচৈ মশিং তশগী মীরৈবাক্তা থাবদসু হিন্দুশিংদি তে ডাম্না ইন্তেক্কুনা থমই। কান্নবা শিল অমত্তনা হিন্দুশিংগা মথুং থাহল্লমদে। ললোন ইত্তিক তৌনিংলবসু তৌমিংবা পাওল কদবদগী লাইশেল্ল কংসমদে। সিদা মতৌনা লেঙাক লে য়শঙদগী খুং-শ ঠৈবগী শেঙ্খং পীবা লোথশঙদগী শেলগী মকং কলং।" অঞ্জননা হায়রকখি, "চুমই ঐ ইশামক ফুরিং ফিরোল দং গা য়োম্লনবগী লাইসেন্স লৌবদা মী কয়াগী মখোং পায়দুনা শংজখিবা।"

সুভাশনা হায়রকখি, "নাতম অমগা পুক্কিং চঙনা থম্লসি, রেডিও টেলিভিজনদা কুরান পাবগ পৌবম লৌদোকই। কুরানবু অশেঙবা লাইরিকনি হায়না কৌনরি। অদুবু গীতা নত্রগা ত্রিপিটক কী প রা পাবা মতমদদি অশেঙবা কৌদ।"

শুরঞ্জনা হায়রকখি, "তশেংনমক লাইনিংগী লাইরিক অমত্তা অশেঙব, নত্তে। পুম্নমক অরানবনি। পুম্নমক্তা থাদোকপা কৈ। রেডিও, টিঃ ভি দা লাইনিংগী মরমদা থম্না নৈনবা লেপপু হায়বা য়াই।"

থম-নৈনবদু থরা ঈংথরমই। শুরঞ্জন চা থকনিংবা পোকলমখি। তশেংনা ইমুংশিদদি চাগী থোইদোকপা থৌয়াং তৌদ্রে। মহাক গালিচা মথক্তা হিপথনিংলমখি। হিপনা হিপনা অরাবা কাওরিবশিংদু থাওবা পামলমখি।

কাজল দেবনাথ লাইনিং লাইশোল পাবগী য়াদু লোয়শিনবা কনিগুম্বা লৈবাকী থোরম অমদা অমদি মীকমদা কুরান পাঙ

হায়রম্লকথি। গীতাবুদি হৈদোক্লৌদস্থ তৌবা থেংনরা? চহী চুপপা লৈবাক্কী হিন্দু থবক তৌবশিংগীদমক্তা অককনবা হুমিং থম্নিদাক হৃটিগী খুদোংচাবা লৈরমই। মখোয়দা মশাগী অপাম্বগী ছুটি (casual leave) লৌবগী খুদোংচাবা লৈরমদে। লোয়শঙ খুদিংমক্তা মসজিদ শাজনবা লাওথোকলমই। তৌইগুম্বসুং, লাইশঙ শানবগীদি বা কাওবা হৌদোকলমখিদে। চহী খুদিংগী লুপা কথোর কয়া চাদিং তৌহনা মসজিদ শাহল্লমই, অদিবা মসজিদ নৌনা শেমজিনবগী থবকসু চংথনমই অদুগা লাইশঙ, গিরজা, প্যাগোদাগীদমক্তাদি শেল শিকি অমা কাওব চাদিং তৌখোকলমখিদে।

সুরঞ্জনা হিপনা হিপনা মকোক নোনখংলকলগা হায়রকখি, "রেডিও, টি: ভি: দা গীতা পাঠ্তুগা অদোম পেনগদ্রা? লাইশঙশিং শাবনা য়াম্ল শাকরা ওইগদ্রা? ২১ শুব শক্তবা লাকলদা ওসি থৈখোয়না পুনায়গী লৈবাক্কী, লাইনিংগী অপাম্বা লোখত্রা? অদোমনা সিংগী হেয়া কবা ভাঙনবিগদবদি লৈবাক রায়েল, খুম্বায়লোল, মতৌ মশিংগী লোন অসিম চিংবদা, লাইনিংগী মরমদা নৈনবা তোকপিবা পামই। লৈবাকলোনদা লাইনিংদা মীচম চণ্ডবা পা মদে, মদি হান্নবগী রাহন্দা কুরান পাররনিনা গীতাসু পাসি হায়বগী রা নাঙ। থৈখোয়না পামলবদি লৈবাক্কী থবক থোকপা খুদিংমক্তা লাইনিংগী রাখল থিবনি। স্কুল, কলেজ, য়ুনিভরসিতিদা কবিগুম্বা লাইনিংগী ওইবা শং, লাইনিং লাইশোলগী মীকম, তম্বিবা লাইবিকশিংদাক্তগুম্বদা লাইনিংগী লুচিংবগী পুন্সি থাবী হবা থিংগদবনি। লাইনিংগী থবক থোকমশিং লৈবাকক রায়েলগী লুচিংবশিংগী শরুক যাম্বিবশিংত্থু লোয়না অথিবা থমগদবনি। কনাগুম্বা লুচিংবনা লাইনিংগী থবক থোকমদা শরুক য়ারবদি মত্রগা থোরাংদা তেংবাংলবদি মহাকপু লুপাসিংগী ইন্থোক্তদবনি। লৈবাক্কী চেফোংশিংদা লাইনিংগী মরমদা নৈনবা অমদি শন্দোকপা থোবাংলোইদবনি। কবিগুম্বা অমগী হান্নজাচেদা চে থাবিরত্থুগী লাইনিং কম্নিনো, হংলোইদবনি।"

- সুরঞ্জনগী রাঙাং তাবদা কাজল দেবনাথ নোকলকলমই। হায়রকখি, "রাখলদদি মহাক কনা হেনজিলেদনা। সেকুলার ওইবা লৈবাক অমদা মহাক্কী রাখলশিংত্থু চম্লগদ্রা, লৈবাকসিদদি চংনরবোই।"

সুভাসনা কবিগুম্বা থরা ভাঙননবগী লাংতকনরমুই, তাঙ্গা ফংলহুনা হায়রকখি, ওসি বঙ্গলাদেশকী মহারোল মহেম্বোইশিংগী অপুনবা

লুপকী মায়কৈদগী প্রেস ক্লবকী মবাংদা মীকয় অমা কমখি, গৃহ মন্ত্রিদা থংহনচে পীশিনখিরমই। মসিদা মাং তাকপা নংঙ্গবা লাইশঙশিং নৌনা শাগৎপা, "মাংহন তাকহনগ্রবা য়ুমশিংগী অমুক নৌহৈনা হনজিল্লবা শেলগী মতেং, খুদোংচাত্রবশিংগী মতেং নত্রগা মথাম পুম্না লৈকম শাবা অমসুং মরাল লৈরবশিং মীওইশিংবু চৈরাক পীবা অমদি কাংলুপ মশেল থায়দোক্লবগী থৌশিলবু ঙিংবিনবা হায়জবনি।"

শুরঞ্জন কুপন্দা মোন থাংলগা হিপলমই। হৌগংলগা হায়রকখি, "নংনা হায়রিবশিংদু অমা কাওবা লৈবাকী মপুনা য়াবিরোই।"

কবীর চৌধুরীনা হায়রকখি, "চুমই, করিগী য়াগদৌরিবনো? মতুদি লোয়নমক য়াথং ঙাক্লনি। কুমজা ১৯৭১ দা কানপুর থোংদা লেপলগা লুপা অমনা পাকিস্টানগা কেম্পপু ঙাক শেল্লমই হায়না তাই।"

সাইফুর রহমাননা হায়রকখি, "অসিগুম্বা য়াথংসিদি হৌজিক্তি অশুম্বগী পাঙ্গলদা লৈরে। শেখ মুজিবুরনা মীওইশিংদুবু ঙাকপিখিরমই, জিয়াউলরহমাননা মীয়ামদা তোংলমখি। ইশরাদনা মখোয়বু অমুকসু হেন্না পাঙ্গলগী ঈনোং হাপলমখি। অদুগা খালিদা জিয়ানা ইচম চমনা লোয়শঙ মপুশিংদুগী পুংলাই ওইনা কমকমদা কমদুনা লৈরি।

"কোক্স বাজারগী পাউ কংলে, সেবা খোলগী লাইশঙ থুগায়খ্রে। চিতা মান্দির হায়বা অমখক লৈবক্তসু থুগায়খ্রে। জলালাবাদকী ঈদগাও বাজারগী ময়াইগী কালী লাইশঙ, হিন্দুপাড়াগী মীয়ামগী ওইবা দুর্গাগী লাইশঙ, মহুআপাড়াগী মনসা লাইশঙ, হরি মন্দির অমসুং মচুআপাড়াগী ক্লবশঙ মীয়ামনা মৈ থাদুনা উং ওনখ্রে। ইসলামাবাদকী হিন্দুপাড়াদা মীয়ামগী ওইবা দুর্গাগী লাইশঙ, বেরালখালীগী দুর্গাগী লাইশঙ, অদ্বৈত চিন্তাহরি মঠ, মঠকী লুচিংপুরেলগী য়ুম, লোয়ননা অতৈ অতোপ্পা মনাই লাইশঙ ৫বুসু লোয়না মৈ থাদোকখিরমই। কৈথেলগী হিন্দুগী দুকান ৫বুসু লুট তৌখিরমই। মখোয়না হিন্দু হেক উবথে হাংলমখি। হিন্দুশিংগী ফৌগৈশিংদা কেরোসিন হৈজিল্লগা মৈ থাদোকলমখি। উখিয়াগী ভৈরববাড়ী পুমতুম তুমখিরমখি। টেকনাফেয়, কালীবাড়ী, লাইনিং মংকোককী য়ুমকে তুমনা মৈ থাখিরমই। সাবংগগী লাইশঙবুসু থুগায়রগা মৈ থাদোকলমখি। মহেশখালীদা লাইশঙ ৩ অমসুং য়ুম ১১ মৈ থারমখি।

গীতা ভবনশক্ষণ ৪বুসু মৈ থাদ কনমখি। কালগী ঠনা কৈথেলগী কালী লাইশঙ অমসুং হরি. মন্দিরবুসু য়েৎখায় থুগায়রগা মৈ থাদোকলমখি। কুতুব দিয়াদা কৱখোপ কৈথেলগী কালী লাইশঙ অমদি নট মন্দিরগা। লোয়ননা লাইশঙ ৬ মক্তা মৈ থারমই। কৈথেলগী থবক তৌবা মীওই ৪গী তুকানশিং লুট তৌরমই। "অলী অকবর দেইল" দা ডা কাবা ইমুং ৫১ গী মপোং মচৈ মৈ থাদোকপিখিরমই।. কুতুব দিয়াদসু মৈ থাখিরমই। মসিদা অঙাং ৩ শিখি। রামপুর ইদগরদা মীয়ামগী কালী লাইশঙ অমসুং মহুআপাড় হরি মন্দির থুগায়রগা মৈ থাদোকলমই। 'কতেখা কুল' দা য়ুম ভাগকেং য়াম্না মৈ থাদোকতুনা মাং-তাকহনখিরমই ' ... .।'

তাপস পালবু থামলহুনা -- রঞ্জনা হাংকখি, "তুমিন লৈয়! মৈ চাকপগী রাত্র তোকখো। অহুনগী, ডেম্না শবা চৈশিং অমা শকলকউ।"

ঈশে হায়রা? তিল্লিনা ময়ামহু হায়কেৎ লাংতকনরমখি। সিগুম্বা মতমসিদাবু ঈশে কক শকনরনে? ভাসিসিবু হাম্নগী নুমিৎকুম্বরা? লৈবাক পুম্বদা হিন্দুশিংগী য়ুম-কৈ. লাইশঙ তুকান লুট তৌ খ্রি, থুগায়খ্রি মৈ থাদোকখ্রি। অহুগবু শুরঞ্জনা ঈশে তাবা পামলমলি।

খঙহৌদনা ঈশেগী রাকম তোকলগা শুরঞ্জনা হায়রকখি, "চাক য়াম্না লামলে, তামো কাজল, চাক থম্না শীজবিগনরা?"

"তাঞ্জাসিদবু চাক"। মখোয়গী মরক্তা অমা অনৌদি পাখৎলমই।

সুরঞ্জন মবুক থম্না চাক চাবা পামলমখি। চাক পুথম ১, ডা থোংবগা লোয়ননা। ভুং ভুং ভংলহুনা কৈথংশিং পায়রমই। মখুৎ ভইনা হয়িং তমগনি-মখুং য়েৎনা চাক চাগনি। মহাকনা মখোয়গী ব্রাহ্মনপাল্লীগী য়ুমদা কম্নগ রমতিয়ানা অৎমু চাবা উখিরমই। রমতিয়া রাজবাড়ী স্কুলগী রাই শিংপা মীনি। নোংমা স্কুলদা মায়া মবুক শুংভাইরকখিরমদে, মহাক য়াম্না পীকলিবা অঙাংসু নংলঙক্রে অহুনা ঈরুশকমদসুংচেনদা ময়ারম্বনি। মহাক্তা মাগী অভৌবা পায়জামাহুদা মখোং হাম জিল্লগা লমপাক্ত লেপলগা কপ্পুনা লৈরমখি। কৈদ মিসক্রেসনা রম্নাতম্বাগা লোয়ননা মায়ু খিলহৎলকখি। নুমিত্ত কিরনময়না রমতিয়াবু চাক শীজখিরমই। কয়া য়ামনা চাক অহু পামনা চাখিবগে হায়রবু রমতিয়ানা চাক অহু চাবা লোয়খিবা শুরঞ্জনা উহৌখিরমদে। অহুনা মী পীক থম্না লৈরিবা কাদা চাক চাবা পাম্বগী রা হোৎদোক্লকলিবসিবু মহাকপু রাখল চোয়নবজাংনা। তশোংনা ভাওবা নত্তে করিগুম্বা

অঙাওবা ওইরমবদি করিগী মথবাক্তা মখুৎ য়ৈ-য়ৈদুনা কপজগা চৎন্রিবনো ? মীয়াম্না করি য়ান্নুংদা য়াম্না অরুবা রাকম হৈনরমলি অদুগা অসিগুম্ব মতমসিদা মহাক্না শোম্বরকলিবসিবু ? কয়াদা করোইদোরবা নত্রা ! সুমিৎচুপ্পা মহাক মুংশাদা কোয়চৎ চৎলমই। পুলকী ময়ুমদা চৎপা তাখি। শেস হন্দোকপনি। মায়ানা পীরকপা নোট অদু হৌজিক ফাওকায়খোকত্রি। সুমিদাংদা অমুক হন্না পুলকী ময়ুমদা চৎপা তারি। মহাক চাকস্নু লামলক্লে অদুগা তুমস্নু তুমনিংলক্লে। সুরঞ্জন উইরি উৎপরি তৌনা কনানো অমনা হায়রকপা তাখিরমই মহুদি নরসিংদীগী লোহরকান্দা খুলগী বাসনা রাণী চৌধুরীবু খুলগী মীয়ামনা ময়ুমদগী তাম্লোকখিরমই। থাং উৎজগা বাসনাগী মচা নুপাবু হাম্পা নপনবা চেক্কমদা মশাগী শোই তৌহনখিরমই। চিরন সিগী মরমদ কনাগুম্বদা তাকুখোকপুবা খোকুবদি মগোয়না বাসনা দেবী অমসুং রাণী মচানুপা অনিবু হাত্তোকনি হায়না চৎলমদাহৈদ কিহল্লখি। বাসনাগী শককমত্তু কিদনা য়েংগুম্বরা ? কিদনমগুম তপ্পা, মশাদ অপাম্ব য়াওদবা, অকবা মী ওইত্র ? মদারীপুরগী রামজনপুর খুলদ সবিতারাণী অমসুং পুস্পারাণীবু য়ুনুস সরদারগী মীওইশিংনা নমজা নমথেক্কবরমখি। খুলনা পানাগী ডুমুরিয়াগী অচনা রাণী বিশ্বাপ অমসু ভগবতী বিশ্বাস কৌবা নুপী মচিন মনাওবু কেথেলদগী কল্লকপদা গাড়ীদগী নমহুনা চিংখবগা বালিদ অলাগী ময়ুমদা পুশিল্লগা নমজা নমথেরবিরমখি। কনানা মসি তৌরিবনো ? কন নো ? মথোয়শিংগী মমিংলা মধু, শোকত, অমীনুর। চটচগ্রামগী পাটিয়াগী পারিলদাসকী মচানুপ উত্তম দাসপু বাদশাহ মিয়া, নুর ইসলাম, নুর হুসেন্না নুমিদাং পুং ২ তাবদা য়ুমদা নমহুনা চঙলক্লগা হাংতোকপারমখি। উত্তমগী ইমা মনুংনা কেশ তৌবমই মহুগী মহৈ ওইনা মখোয়বু মশাগী মরূপ মথুম মরৌইংখোলদগী তাম্লোকুবা অরোনবা পাম্বি তৌরকলে। শিলহটকী বড়লেখা সুন্দগী নুপী মহৈরোই সবিতা রাণীদে, নুমিদাদ লাইরিক পারমই, তাঞ্জসিদা নিজামুদ্দিননা ফত্তবা মীওই থরগা লোয়ননা লাক্লগা মাপ হুত্না পুবাখ্রে। চটি ফাওবদা সবিতাগী পাউ অমত্তা ফত্রি। বগুড়াগী মৃগেন্দ্র চন্দ্রদত্তগী মচানুপী শেফালিরাণী দত্তবু হুদুন পুংগ ... মাপগী লাইরিং ওলহরখিবমই। মসিগী মরমদা ... শিংনা করিস্নু মতৌং পা বিথিরমদে। জেশোর পাগী শুভ ... গা

খুলদা খুংলাই পুম্বনা লাক্লগা মাইকৈ মবি কোযশিন্নগা হিন্দুশিংগী
যুম লুট তৌখিরমই। হিন্দুশিংবু মখুৎ পেন্না ফুবিখিরমই সুধী মচা
১১ বু অশিং চুম্না নমহুন ফম্‌দিন্নবিরমখি। মখাদি ? মখা কনাগুম্বন
খঙবা পামলমাখি। মখা তানা খঙনিংবশিংহুনা কিজহুনা মমিং
উচশিনমম্র নম্রগা তুক্কৎচবগী মিংথেংদা অহুগা ? গুবঞ্জন মমিং
উইশিন্নমই, মহাক তুমানিংলক্লমই। মতুংদা মহু য়েংনিংবগী হৈনিংবা
পোকলমখিদ্র মবমদি মাগীহু হবাঙনা তাবিনবা কনাসু লবমদ
মবমদ নোৱাখালীগী ঘে যবাগ লমদমগী সাবিত্রী বালা বায মপু-
রোহবা মোহনবাসী বায অমস্তুং মচা লৈশাবীগা লোয়ননা লম্বদা
চংলমই। অলীপুরগী অবহুল হাজিম নম্ন, অবহুর বব, বাচ্চু এখা
অ সনচিংবনা নো মা সাবিত্রী দেবীগী য়ুমদা চংলগা সাবিত্রীনা মচা-
নুপীগী লুহোংনবগী ই খোল যোল্লগা থমজনা লুপা ১০০১০ বু থাঙ
উংলগা মুনবিখি। লৈনহৌরিবা ইংখোলদু মখোয়গী মমিংদা য়েন-
থোকলমলগা ভারত চৎখিনবা হায়বমাখ অদুগা হাংকনি হায়নসু
কহল্লমখি। চৎন চৎন মখোয়ন শঙ্গালদগী শস্মোকাশংসু থাদোক
খিরমই। স নিতৌন। ভারত চংত্রবদি কমদে বা ? কৈদৌনি,
হাৎপনিদনা! শেরপুরদা সাপম রী খুলগী শললোইবা ইমু ৩৬০ বু
মশাগী লাইনিংদা যেন্ন থাজবা ফৎবা কাবুশিংগী মীওং মীনৈদা
খাব ঙমক্রহুন মপোবাক থাদোক্কুনা চংখিরমই। কিশোরগঞ্জগা
কুটিখাদীগী চারুচন্দ্র দে সবকার, সুমন্ত মোহন দে সরকার, অ চন্দ্র
মোহন দে সবকার, দিনেশচন্দ্র দে সবকারগী লৌ ই খোল মযম
অশাবা চেংচাগী মহেংদগী লমহুগী পাঙলশিন খুহুম চনশিনখিবাই।
ময়মনসিং দাপুনিয়াগী বঞ্জন নজ দেগী হমু মমুংবু শাজিন্নবা চেচাং
উংলগা মহুমদগী তাম্নোক্লনা হোংনবিখরমই বঞ্জনগী মচনুপী
অনী মালতী অমস্তুং বমরতিখাবু নমহুনা পাঙল ঙলহল্লগা লুহোং-
দোকলমখি। অহুবু লুহোংলবা ১ চুং সুমিং খবনিগী ১তুংদা মচিন
মনাও অনীহুবু তাম্হোকপিরকখিবমই জয়পুরহাটগী বাসী ঘাটা
খুলদা নরাযনচন্দ্র কুন্দগী লম বিঘ ১০ বু মশাগী শকক যাওবা
পাঙলশিনা মুনবিখি। মকমহুদা মখোয়না মহম থইশিন্নমই।
গুরঞ্জন তুমস্তু তুমনি লমদে। মহাক তাবদি পামলদ্রনি অহুবু
মগী মনাকোনা কন গুম্বা অমগী খোজেল অমা তারমই।
ম ইর, অবুল বখা অমস্তুং শচীন সানাবনা মখুত

নোংমা অমসুং ষ্টেনগন পায়রবনা কমান্দোগী মওদা নম্বর য়নগুম্বগী চবগোকুলগী হিন্দুগী ইমু ৬ না যুমকে লুট তৌরমই অমসু থুদক শাংতেক্রমই। মখোয়না সুভাষ চন্দ্র সরকারগী নিংথৌ ক্ষেত্র-মোহনগী লৈকাবা পুম্বা মুন্ডিরগ মগুমদগী তান্থোকপিরমখি।

কনাগুম্বা অমনা শুরঙ্গনবু কৌবকখি, হৌগংলো হৌগংলো শু জম, চাক লৈবে চাক চাবো।"

মাক'জলনা তংগে লাকৌবা ওইরমখি। মাবাংসু হুসুম্না 'তামো' চাক থাংদোকলে, চাবসি" হায়রমনি। মুমিদাদ মহাক মায়ান পীনকপা শেন মপুংমদু লৌগায়রবনি। ফুমনবগী গুড়ি শনা লৈগে তৌরমখি। মহাক 'তুমদনা কুইনবংলে হায়রমা হৌরক্তা খল্লমই। মাহুং চেক ওহনগা মাশা চৈকলনক ফমুংদ মান পীক থামই। অমাং ও নিংথৈ কিবনমখন' খুংনা ডমাইনা ফং ফং কল্লগা মা হাংপা দননাপা। মায়াদা ক্ষুংবগ মশিং অসি ওসিদি লোয়না ফাংদোকহনবা যাদ্রে। অহিং চুপ্পনা মখোয়না মাবু চৈকলে। শুজন মাপাক অমুকতন্না ডাওরমখি। অতুনগী ফবক্রমহে খবনা মচেৎপা হায়রকখি, "মাগী মযুমদি রাজবাড়ী নি। মহা তাপসকী খাংজেল ওইনম্বা যাই, ঐগী খোয়গী অসিরাইদ লাইশঙ ৩০ অতুগা মতুগী অমাংবদ লব যুম কয় মে থারে।" তাঙ্গাতুদা শ্যামনা ডাগুবি-ডাগুবি মুকুম-ম্রুকম শোননা তৌবকখি, "নোবাখালীগী পান্ডে নমংগ, নাবা সুন্দরপুর খুলদা যুম ৭ অমসুং অঘবচান্দ তাশমবুলী মেরগী মে থদোক্লমখি। ভগনান্দ খুলদা যুম ৫ লুট তৌনগা মে থদোক্লমখি। অতুগা গঙ্গাপুর খুলগী যুম ৩গসু মে থাদোক্লনা উ-পুলহনখি নাগরগাঁও, দৌলতপুর খুল ধাযবগ, মইজদী সোনাপুর কালী লাইশঙ বিন্দোদপুর ল ইনিংশঙ, চৌমুহনী কালী লাইশঙ, দুর্গাপুর খুল কুতুপপুর, সুলতান-পুরগী আখন্দ আশ্রম, ছযানী কৈথলগী লাইশঙ নযামনু থুনকখিরমই। বাবুপুর কেতুইযা মহেন্দ্রপুর, জগৎ কথল টেংগির ড কাজির হাট কৈথল) লক্ষ্মীপুর জমিন্দার হাট চৌমুহনী পাড়বাং ভবেন্দ্রা খুলগী লাইশঙ ১০ অমদি যুম ১৮বু মে থাদোক্লমই। কম্পানী গঞ্জগী বড়র জপুর খুলদা যুম ১৯ন লুট তৌবিবনা অমসুং মুগীমচা শিংবু ছায়দোকপা য়াত্রবা থোদোক কয় থোকহল্লমখি। বাঙ্গাদী থলনা ও স বিপলব ভৌমিকপু থাঙনা মখুংবরমই।

অশেঙবনিকে ! শুরঞ্জনা লশিংনা মবাকোং মেনশিন্নমলবদি। মা কৈ মথিদা বাবরী মসজিদগী রাথী ঙাক্লা, মকম খুদিংদা হৈথাই থু থয়ব ঙক্লা অমসুং হৈ থাবগী রা ঙাক্ল তশেংবনি ! শুরঞ্জন অচকপা মকম অমা ফঙজবরদিকো। তাঙ্খাসিদা ময়মনসিংদা চৎপনা করম্লনি। অসুম্না থৈথাই থুগায়বসি মফমতুদনা থবা মথৈ শাথৈ। গুমিং চুপ্লামা মহাক ব্রহ্মপুত্রদা লুপ্তুনা লৈরবদি মশাগী অচাকপা মৈচাকসি থবদি মকোকপা মন্নাবনি। মহাক থঙ্গৌ হৌগংলকখি। কাম্নুগী মী অযাম্বা অদুক থেঙলবদুদা চৎনরে। শুবঞ্জকসু চৎননবা মখোচ শাংদোরকখি। তা কাজললনা হায়রকখি, "টেবলদা চাক লৈরে, চারো। মতম চাদনা তুমদুনা লৈকারদো। হকচাং ঙমদবগুম তৌরা?"

শুরঞ্জন য়াওরগা হায়রকখি, "তৌজদে তাদা, চাজরবোই ! চানিংগুম তৌজদ্রে। হকচাংসু খজিক নু লাইগুম তৌরে।"

'কবি চিংনবা লৈরবগে?

"চিংনবগী রা নৎচদে, কবিবু তৌকপদগে, তাকপিয়ুনে। কবিগুম্বদনা চাক য়াম্না লামলকই অদুগা কারগুম্বদন পঙচং চদুনা মরি। অশিনব কাখৎলগনে, থবাকশি চাকলগনে। তুমনিংলক-লমই অদুবু তুম্না থেমলুরবসু তুম্বা য়াদে।"

জতীন চক্রবর্তীনা শুরঞ্জনগী মথেংবান্দ মখুং থমলগা হায়রক-খিরমই, "নঙনা বা য়াম্না কায়দে শুরঞ্জন ! অদুম্না ঐখোযনা নীংহন্নবগা ফগদ্রা? পুক্কি ঙপথো। হিদবা য়ানবনি"

শুবঞ্জন মকোক নোম্ববদুনা লেপলমাখ। তামো জতীনগী বাসু সুধাময়গী গুম্না তৌরমই। মশা শেম্লবা মপাগী মনাক্লা মহাক গুমিং কযানিদগী ফমলকত্রবনি। ঙসিদি যাম্ন থেঙনা মহাক মপান্দা লৈথোকলরে হই। তানো কাজলগীদবু চৎলবদি অসুম হেক্তা মথৌই। মথল কযাগী মী লাকই। ময়ামনসিংদুনা রাবী রা তাই তৌনে লৈঙাক-লোনগী খুন্নাই লানগী হিরমদা অকব রাফম কয়া অথেঙবা অহিং ফাওবদা থম্নদুন লৈথোকই। মদুদা শুরঞ্জনা থবসু তায় অদুগা থবসু মতাদে।

টেবলদা পুথোকলবা চাকু তুন্দোকলমগা মহাক চৎখ্রে। গুমিং কুইথব মহাক মযুমদা চাক চাদবা, ঙসিদি চাদগনি। ঙসিদি মহাক মায়, কিরনময় ১দি সুধাময়গা লোয়নন পুন্না চাক চামিন্নগনি।

মহাক অমদি ইমুং মনুংগী মরক্তা হায়কেং কাখোকনরে। কাখোক্লবগী মরমস্তু মহাক মশানি, অদুনা মহাক হৌজিক অপনবা অমত্তা থমন্নিংজ্রে। ঙসি অয়ুক্তা মপুক্লিং নুংঙাইবগুম্না মহাক মতম পুম্নমক্তা নুংঙাইদুনা লৈরগনি. পুম্নমক্তা হন্নাওমিন্নগনি, ৱারী ৱাতাই শান্নমিন্নগনি অঙাং ওইরিঙৈদা নুংশাদা মখোয় পুম্নমক ফান থারগা নুংশা য়াইদুনা ফম্বগুম্না। মতমদুদা কনানা মপানো, কনানা মচানো, কনানা মবুংনো নত্রগা মচলনো হায়বা লৈনদে পুম্নমক লোয়না মরুপনি, য়াম্না নকনবা। ঙসিদি মহাক কনাগীদস্তু চৎলরোই, পুলককীদস্তু, রতনাগীদস্তু। চুমনা টিকাতুলী চৎলগা ইচম চম্বা চাক ইনশাং লৈরম্বদুগা চারগা ময়ামগা লোয়ননা অহিং অথেংবা ফাওবা ৱারী শান্নরুরগে। অদুদগী নুংঙাইনা পোত্থারগে।

কাজলনা মাবু মখাগী কোন্থোং ফাওবা থিন্দোকপা লাকখিরমই। য়াম্না অমত্তা ওইবগী মওংদা হায়রককখিরমই, "নঙনা অসুমনা চৎথোকপসি ফত্তে। ঐখোয়না য়ুমগী চেকপল মরিসিগী মনুংদা সুম কোয়চং চত্তুনা লৈবনা কৈ, মসিগী মপান্দা চৎপদি ফত্তে। মসিদা কেক অন্নাকপমখৈ অথাপ্পদগী অমত্তা ওইদে। অদুগা নঙদি নতোমত্তা সহরসি কোয়দুনা লৈরে। করম্বা মতমদা কন্নি থৌদোক থোক্কদগে হায়বা ঙম্বা নত্তে।"

করি অমত্তা হায়রমদনা শুরঞ্জন্না অদুম চৎখিরমই। ফুরিংথাওদা শেল য়াওরি নুংঙাইনা রিক্সা তোংদুনা চৎপা য়াই। অদুবু মায়াগী শেলদু শুরঞ্জন্না পাম্মুরমই, মহাক্না মদু কায়থোকনিংলমখিদে। নুমিংচুপ্পা মহাক্না চুরুপ থককখিরমদে। শেলদু পাম্মুমন্দুনা সুম থাংলকপনা নুমিদাং য়োৎরকখি। মহাক হৌজিক চুরুপ থকনিংলকলমই। দুকান অমদা চৎলগা 'বাঙ্গালা ফাইভ" উপু অমা লৈরমই। মহাক মশানা মশাবু নিংথৌগুম খঞ্জরমই। চৎনা চৎনা কাকরাইলগী থেকচিনবদুদগী রিক্সা তোংলমই। ঙসিদি সহর পুম্বসি য়াম্না ঙন্না ইচিক হুল্লমই। মশা ফত্তবা মীনা ঙন্না শাতাদুনা তুম্বা মতো অদুম্না সহরস্তু ঙন্না ইচিক হুল্লমই। সহরসিবু করি করম্বা লাথ-াংনারবনো? খন্না খন্না নীংশিংলকখি, মাগী মরুপ অমা ম-মতপোমলমই, নুমিং চুপ্পা কপ লাওদুনতা লৈরমই অদুগা হিদাক থাবস্তু কিরমই। ইনজেক্সন উবদা মহাক মশা নীকলমই। অদুম্না সহরসিস্তু অপোম্বা মশাদা য়াওরবা জাংলা। সুরঞ্জন্না অদুম হায়না খল্লমখি।

"ফ্রে মায়া, গুরঞ্জন কদায় লৈখ্রে ? হৌজিক কাওবা কদায় চংলমগনি, অমুক্তা হায়য় ?" সুধাময়না হংলমখি।

"তামো পুলক খোয়দা চংকনি হায়রমই। অতুদা রারী তৌদুনা লৈরমলগনি।"

"অদু তৌই হায়দুনা নুমিৎ তাদ্রিবৈদা য়ুম হল্লক্কনি খন্দ্রবজাংলা ?"

"কনানা খঙনি, হায়কম খঙদ্রে, হল্লকপদি মফবনি।"

"য়ুমদা লৈক্লৌবা মীনা রারমগনি হায়বগা অমত্তা খন্দ্রব্রা কহিনো, হৌজিক্তি হল্লকপনা ফরবনি।"

মায়ানা সুধাময়বু খামলমই — —

'তুমিন লৈবিরসি। রা মায়া ভাংবিরবদি রারগনি। অতুগা রা ভাঙবিবসু ফত্তবনি। তুমিন্না পোত্থাবিরসি। হৌজিক খজিকতদি চাবিখিসি। অতুদগী লাইরিক্কুম্বা অমা পারগা তাহনজৌ হৎরবসু তাহনজগে। পুং ১০ হেক তাবদা তুমন্নবা গুল্লী চারগা তুম্বিয়ু। হায়নরিবৈ মতম্সদা তামো শোয়দনা হল্লক্লগনে, রাবিক্রবগু।

"নঙ ঐবু থুনা ফহন্নিংলবরো মায়া। নুমিৎ খরনিগা ঐ ফমুংদা লৈনিংলি। ইকচাং কল্লবদি খুদোথীবা লৈ।"

'কমদোনা'? ফমুংদা ফমলগা মাগী চাক শেমলহুনা মায়ানা হায়রকখি।

সুধাময়না নোকললকখি, "নঙনা চাক চখোম ইন্দুনা লৈরে, কিরনময়মা খোঙখুং নোইদুনা লৈরে। কোক নম্বুনা লৈরে। ঐনা কল্লবদবু অমুক য়াম্বা সেবাসি ফঙবিগদ্রে। অদুদগী অনাবগী সেবা তৌ, কৈথেল চংলু, মায়াগা মতম পুম্বদা খৎনো।" সুধাময়না নোকললকখি। মায়ানা সুধাময়বু মমিৎ কুপ্পুনা য়েংলমখি। নাকুরবা মতুংদা ভসিন্না অহানবা ওইনা মাল সুধাময়না নোকপা উজরমই।

মহাকনা কিরনময়দা হায়রকখিরমই, "ভসিদি খোঙনাউ লোয়না হাংদোকউ, কিরন। ইমুং ইমম মথ্নসি লুংভাইতে। ভাসদি লুংশিং-লুংশা খরা চঙহনসি। লিংথমগী অইংবা লুংশিং অমত্তা ফংদ্রে। য়েন্নিংথাগী লুংশিঙ্গবু লুংভাইব্রা। নহা ওইরিবৈদদি ক্রং ক্রং লাওরবা নীংথমগী অইংবদা ফক্লাংদা পোষ্টর থেংপা চৎলমলিবনি। ইদাদা অপাবা ফুরিং অমতমক লিংললমলিবনি। মনি সিংহগা লোয়ননা দুর্গাপুরগী চীংথক্তা কোয়না চৎলমলিবনি। মতমদুদা অন্দোলন

(লৈবাক ইরাংহৌবা) কল্লমলিপোংনি। কিরনময়, নঙবু "হজ য়াদব" গী মরমদা খঙ লাকপ্রা?"

ঙসিদি কিরনময়স্তু মপুক্লিং তরাওজরমই। হায়রমখি, "ঐখোয়গী লৈহোংলবা মতুংদা কয়ারক হন্না নেংকোনাগী শকখঙনদবা মনিাসংগী তমুংদা অদোম্না অহিং কয়া লোকখিরমই।"

"কম্বে কিরন, শুরঞ্জন কি অথাবা শেৎচখিব্রা।" মায়ানা তপ্পা মতুগী ওন্ন-তৈনবদা হায়রকখি, শেংখিদে, পাবুংগুম্না মপাবা ফুরিং লেংখি। অহুবুদি মহাক্তি 'এ' কলেজগী য়াওনলোইনে। মহাক্কী মশাদা মহৌশা লাইরেম্বগী অচংবা চঙদে। মহাক্তি মতমগী নুংশিংকী শাফুনা য়েরকপগী ঙাকপদা রাজরবা মীওইনি।'

কিরনময়গী বাঙাংদা আশাওবা পোক্লকখি, "নুমিৎ চুপ্প কদায় লৈরিবা, কৰি চারিবা, চারিগরা চারিরোইরা, কনানা খঙান লাইনা খঙবা হায়বতুনি। মাগী লমহেনবসি নোংমা নোংমগী হেনগংলক্লে।

তাঙ্গাডুনা খোঙদা তপ্প-তপ্প তক-তক খিল্লকখিরম্মি। শুরঞ্জন লাক্রবরা করিনো? সুধাময়গী লুপুমদা ফম্লম্মী, কিরনময় হৌগংলকখি, খোঙজাওরোমদা চংখিরমই। শুরঞ্জনা অহুমনা হেক মখোল তাহল-লকখি। অহিং য়াম্না থঙলবদি মহাক মাগী কাদ অহুম তুমিন্না চঙখি। করি-করিগুম্বদা মাগী কাদা খোঙ শো লোনশিল্লমই। শে লোল্লবস্তু মপান্দগী মহাক্না চিৰ্কিনি হাংদোকপা হৈরম্মী। অহীং য়াম্না থেঙবাদি নত্রি অহুনা শুরঞ্জন ওইরমগনি। মখোয়া সুধাময়গীদমক চাক অপেংপদা হন্নাই থোংবা হৈথরমই। মরমদি মতুখরা নমনব অহুগা সুধাময়না চাবা নুঙাইনবনি। মতম ফনা কুইরে মাবু চাক অপেংপা পীজরকলিবসি। ডাক্তরনা Semi Solid (য়াম্না কন্দবা) চাক চানবা হায়রবনি। ঙসি মাগীদমক "সিংগী ঙাগী" ঙারেল শেনলমই। মায়ানা ঙারেল অহু চাক্তা খরা হেক তোৎলিন্ডৈদা খোঙদা তক তক লাওনা খিল্লকপা মখোল তারকখিবনি। কিরনময়না খোঙ মনাক চঙলগা হঙলকখি, 'কনানো'? অসোমদগী কৰি খোঞ্জেল লাকপগে হায়বা সুধাময়না মনা থাঙ্গতুনা তাখিরমই।

কিরনময়না খোঙ হেক হাঙদোকলকপা খঙহৌদনা নহা ৭ খক ইমুংদা ফম চোংশিল্লকলমই, মখোয়গী মমুংদা ৪গী মথুক্তা চৈতুপ অচৌ অচৌবা পায়রকখি, অতৈগী মখুক্ত কৰি পায়রিবগে হায়বতু য়েংবা নংদনা কিরনময়বু ইম্মেকলগা মমুংদা নমতুনা চঙলকখিরমই।

ম:খোয়গী চহী ২১/২২গী লমদা ওইগনি। অনীমদি টুপী উল্পী, পায়জমা শেংলি ফুরিং, অচোনবা লীংলি। অতে ওন্না খোংগ্রাও-ফুরিং শেংলি। মখোয়না ইমুং চঙলকলগা কনাদস্থ করিস্থ হায়বা তৌদনা টেবল, চৌকী, মিংশেল চনবা অলমারী, টেলিভিজন, রেডিও, কোল-লক, লাইব্রিক, বোয়, ড্রেশিং টেবল, ফিয়োল কাদি-কয়, কেন অখিনবীনচিংবা মমাংদা হেক উবা পোৎ-চৈ মখৈ অঙাও-অকৈদৌরা. ৎগায়রমখি। সুধাময় হৌগৎলগা কমনিংলমই অদুবু হৌগৎপা ঙমলমখিদে। মায়না 'পাবুং' হায়না লাউখ্রকখি। কিংনময় খোঙ পায়হুনা উয়ুংগুম লেপ্তুনা লৈখিরমই। কয়াদা তমখীরবা শকফমনো। অমম্বা মখাংদগী খাঙ লোখোকলগা হায়রকখি, "কত্তবশিংনা বাবরী মসজিদ থুগায়রিবনি। নখোয়বু হিংনা থানি খনবা?"

ইমুংগী পোৎ অমত্তা থুগায়দনা থাকলোই। পুম্নমক দোং-দোং লাওনা থুগায়রম্মী। মীকুপ্তা পুম্নমক পুমতুম তুম্নমখি। কনাস্থ খনকম খঙলমদে মায়াস্থ লেঙদনা উয়ুংবগুম য়ুংহুনা লৈরমাখ। খঙহৌদনা মহাক্না লাওরকপদা মখোয়হুগী মনুংদগী অমম্বা মাবু মথুদাং পায়হুনা চীংখরম্মি। কিরনময়স্থ মাগী খাংবা ঙম্বগী পনখৈ নমখায়হুনা খাঙ-ঙমদনা খংলাও লাওরকখিরমই। সুধাময়দি শুপ্নগা নাহেহুনা লৈরমই। মাগী মচিন্দগী রাহৈ অমফাও হায়রকখিরমদে। মাগী মমাঙমক্তা মখোয়-না মায়াবু চিংখিবনি। মায়ানা কমুংগী চাকয়েন পাইনা য়ান্দুনা মখোয়দগী নাম্বোক্কবা কন্না লাওরমখি। কিরনময়না চেনশিল্লগা মায়াগী মখুৎ অনী পায়হুনা চিংজরমই। মখোয়গী থৌনা অমদি আকবা খোল্লাওহু থদত্তুনা মায়াবু চিংহুনা পুবিখ্রে। কিরনময় মখোয়গা মতুং ইন্না তান্নজরমই। লাউজরমই, "ইচাশা, মাবু থাদোকপিরমু। ঐগী মায়াবু থাদোকপিয়ু।"

লম্বীদা টেক্সী মচা অনী থামলমই, মায়াগী মখুত্তা সুধাময়গীদমক তোংলম্বা চাক অত্ত তৈরমই। মহাকী ইন্নকি নাম্বহুনা লৈবাক্তা চীংলমচ। মহাক্না "ও, ইমা! ও, ইমা!" হায়না লাউজরমই। মমায় লৈখোক্লগা মিপাইরবা মিংয়েংদা কিরনময়বু য়েংজরকখিরমই। কিরনময় মাগী মথৌনা লোয়না ফুদোক্কনস্থ মায়াবু কাদোকখৌবা ঙমজরমখিদে। মখোয়গী থৌরবা খাঙহু নাচুন্দ্রবস্থ মখোয় অনিবু ইস্নোক্কুনা নাম্নোকহনবা পামজরমই। অদুবু ঙমলমখিদে। চেল্লগা টেক্সী মচাহুগী মতুং ইন্না ইন্না মানা তান্নজরমই। লম্বীদা চংলম্বশিংদা

হায়জরমখি "ঐগী ইচানুপী ফাহুনা পুবিখ্রে, অমুক্তা খামবিয়ু ইবুংশিং"। ঙকলহুনা কিরনময় হুকান্দা লেপলমই। মশম মনা ইফা ফারদনা, মখোঙদা করিস্সু তোংদনা কিরনময়না মোতী মিয়াদা হায়জরমই "তাদা য়েঙবিয়ু হৌজিক্তা মীওই থরনা ঐগী ইচানুপী মায়াবু ফাহুনা পুবিখ্রে, ঐগী মায়াবু।" পুমমক্তা ইচম চমনা কিরনময়দা য়েঙলকখি। কনাগুম্বী অঙাওবীনা লম্বীদা কৈরেং তুরেংগী রা ঙাঙবগুম্বা থল্লমই। কিরনময় তুংইল্লা তান্নজরমখি।

শুরঞ্জন য়ুমদা হেক চঙলকপদা থোঙ হাঙদুনা লৈরম্বহুনা পাখংলমই। পোং-চৈ পুম্নমক পুমচাই-চাইরমই, টেবল মথক মখা ওল্লমই, লাইরিক-লাইশু পুম্নমক লৈবাক্তা লোয়না চায়-খায়রমই। ফমুংদা থাবা মোম্পাক ফিদক নিংথিনা লৈরমখিদে। ফিয়ানখোক তেকলমই। ফিরোল ফদি-ফরা ইমুংদা লোয়না চায়খায়রমই। মহাক নিংশা থিংলকলমই। মহাক্তা কা অমদগী কা অমদা চঙলমই। লিক্লি মচেৎ, চৌকী অতেকপা, শেগায়বা লাইরিকশিং, হিদাক্কী লিক্লীশিং লৈমায়দা চায়খোকলমই। সুধাময় লৈমায়দা মমায় য়ৈশিল্লগা নাহেহুনা লৈরমই। মায়া, কিরনময় কনামতা লৈরমখিদে। য়ুমদা করি তৌখ্রবগে হায়গদবা শুরঞ্জন কিরমই। সুধাময় করিগী মথাদা তারমলিব? মখোয়না কদায়দা চংখ্রবা? হঙলুবদা শুরঞ্জন মথনাউ কংথংলকলমই। মহাক অশাবা শক্রমগুম লেপ্লুনা লৈরমখি।

সুধাময়না তপনা নাহেরহুনা হায়রকখিরমই "মায়াবু ফারগা পুবিখ্রে।"

শুরঞ্জন মশা পুম্বা নীকলমই. "ফাখ্রে হায়বা. কনানা পুখ্রিবা? কদায়দা? করম্বা মতমদা?"

সুধাময় অহুম য়াতাহুনা লৈরমই, লেঙ লাকপা ঙমলমদে, কনাবুসু কৌজবসু ঙমলমদে। তপনা তপনা শুরঞ্জন্না সুধাময়বু ফমুংদা থাংগৎপিরমই। মখোয় নিংশা ফুয়না ফুয়না হোল্লমই অহুগা হুমাংসু অর অর শিন্থরকলমই।

"ইমাদি"? শুরঞ্জন্না তপথবা লৈতবা খোঞ্জেলদা হংলকলমখি।

সুধাময়গী মায়খোংহু নীঙমদবগী মৈখুনা ইমম মম শিল্লকলমই। মশা পুম্বা থক থক নীকলকলমই। ঈনী খোঙজেল (প্রেসর) হেনগৎলক্রবদি কৈনোমা তৌবা য়ারিবনি। হৌজিক মহাক সুধাময়বু

শেন্নহুনা লৈগদ্রা নত্রগা মায়াবু খিরুগদ্রা পলেপকম খঙলমখিদে। মখোঙ মখুৎ পুম্নমক নীকখৎলকমই। মাগী মকোক্তা অশাঙবগী মৈবুল থোংগৎলকপগুমখ্রে। মহাক্কী মমিত্তা শাহিং চাবা হুইয়ামগী মরক্তা তারবা অপিকপা মরাইবক থীরবা উচিগী শককমহু মায়াগী মফমদা তাবা উরমখি। খোঙথাং কন্না সুরঞ্জন খোকখিরমই। চৎনা চৎনা সুধাময়গী করিস্থু তৌবা ঙমজত্রবা মখুত্তু পায়রগা হায়রকখি, "মওং অমা তৌহুনা ঐনা মায়াবু পুরকনি, পাবুং।"

সুরঞ্জন হৈদরগী ময়ুমদা কন্না কন্না খোঙ থীল্লমই। কয়াম কন্না থীনবগে হায়ববু হৈদর মশামক্তা খোঙ থাঙদোকলমই।

সুরঞ্জন উবদা পাখৎলমই। করি তৌরে, হায়য়ু? নঙ কৈদৌরে ?"

অহানবদা সুরঞ্জন করিস্থু হায়রমখিদে। মাগী মখনাওদা চৈনা পুম্বা পন্দূনা লৈরমই।

"মায়া ফাত্রে" হায়রগা সুরঞ্জন মখা তাখিদ্রে। কনানা মায়াবু ফাখ্রিবনো হায়বা মঙোন্দা অমুক মৌহৌরুবগী মখৌ তারমদ্রে।

"করম্বা মতমদা পুখ্রিবনো ?"

সুরঞ্জনা মসিগী পাউখুম হল্লমখিদে মরমদি ফাহুনা পুখ্রে হায়বসিনা করম্বা মতমদা পুখ্রিবনো হায়বসিদগী হেন্না মখৌ তারবা নত্রা? হৈদরগী মায়খোংদা ন্ধিংঙমদবা পোকল্লকলমই। পাটিগী মীফম ফমলমলুবনি হেক লোয়বগা হৌজিক্তা য়ুমদা লাকলমলিবনি। ফি ফাওবা হোদোকত্রিবনি। ফুরিৎ কুদামদমক লোথোকলমলিবনি। সুরঞ্জন য়াম্না নীংবা কায়বগী মিৎয়েংদা হৈদরবু য়েংলমখি। ঈশিং ঈচাওনা মপোৎ-মচৈ লোয়না চেন্থ্রবা মীগী মায়খোঙগুম মাগী হৌজিক্কী শককমহু ওইরমলি। সুরঞ্জন খোঙ পায়হুনা লেপলমখি। মাগী খোঙ পায়ব্রিবা মখুত্তু থক থক নীকলকলমই। মখুৎ নীকপহু ফম্নবা মানা খুত্তুম তাশিল্লমই। মাগী মরেংবান্দা মখুৎ থমলগা হৈদরনা হায়রকখিরমই "নঙ ইংনা লৈরো, য়ুমদা হল্লো, ঐ করি তৌবা য়াবগে হায়বহু য়েংলকে।"

মরেংবান্দা খুৎ হেক থমলকপহুদা সুরঞ্জন নিংথিন বাঙাঙলকখি। হৈদরগী মখুৎ অনিহু পায়রগা হায়রকই, "হৈদর, মায়াবু পুরকউকো মায়াবু পুরকউকো।"

কপ্প কপ্প শুরঞ্জন নোম্থরমই। মকোক নোম্থ-নোম্থনা মতাক্ত হৈদরগী মখোঙ শোক্লমই। হৈদর পাংথলমই। য়োংকুম কল্লবা লুপাসিনা মমিত্তুগী মপী চাবা মানা নোংমতা উখিবমদ্রি। মানা মাদু তৌগংশিবমই। মতমতু ফাওবদা হৈদর লুমিদাংগী চবা চারমদ্রি, চাক চাদনা লৈবমল্লি। অদু ওইবরস্তু 'চংলদি' হায়না থাক্লকবি। 'তোন্দাগী মনীংদা শুরঞ্জন্না মমুগা টিকাতুলীগী লৈবক কানশা নৈহনা শিবমই। শুরঞ্জনদি অসিগুম্বা কাশিংসিদ চংলমগন তয়বা নুঙবু খঙলমখিদে। মৈ মুশি মুশি থাম্লমই, অদুগা ক-বড়ী রে নব পোংকমদা চঙলগ মুকম-মুকম শোন্নরম্মি। টিকাতুলী লক্ষোব্রগা ইংলিস রোড, নবাবপুর, লক্ষ্মীবাজার, লালমোহন সাহা স্ট্রীট, বনী বাজার, লালবাগ, সুত্রাপুর বাংলাবাজার ঘাট, সদরঘাট, প্যারে মোহন দাস রোড, অভয় দাস লেন নারিন্দা, আলুবাজার, থথেরী বাজার প্যারীদাস রোড, বাবু বাজার, উর্দু রোড, চক বাজার—মফম পুম্নমক্তা হৈদরনা তোন্দ খেতুন থিবমখি। খুদ থংবা লম্চি। কযাগী থুকউ য়োনা পুথরব লম্বীগী লৈথ মনৈনা নক ফাওদুনা অমম্ব কাংশব অমমম প্রকংপীন্দুনা হৈন্দরনা কবিগুম্বা অমা থবক শুরঞ্জনদ কবিমু মদ কবিরমদে। মফম মফম থদিংদা হৈদরনা কুমথরমই অদুগা শুরঞ্জন্না মাথা শেংবদ মফম মদা ফলদ হায়না হল্লম্মী। মফমসিদা মায়াদু শোয়দন নখোচ-মখুৎ পুন্নগা থংবরগনি, মাদু খুদা খুবিরমগদ হন্নগা অইত খরস্ত তৌরমগদ্রা! কবিগুম্বদা মায়াগী নঙগী মথক লাত্র হায়না মতাক্তা মনা থাঙ তুনা তাবমচ।

লক্ষ্মীবাজারগী মনাক্ত কয়াগী মখাল তারবদ শুরঞ্জন্না তোন্দা খামুবা চংরকখি। হায়রকই 'নাও' নাগী কপ্পগী খোঞ্জেল নদা?

কপ্পগী খোঞ্জেলদা মখোয় মাক্তি চঙলম্মী। অদুবু চঙলুরগনি টিল্লা কুপ্পা যুম অমগী মথক্ত অডা অমা কপ্পা ওইরমখ। হৈদরন শাম্মা কুপ্প মফম অমমমদ ওইনা থিবমই। অহিমু বেগ জল্লক্লম্মী। অদুবু শুরঞ্জন্না শাম্মা চেংবমখিদে। লম্বী খুদিংদা মমিৎ কোরী কারগা নাহারোল মপৈ মচৈ। লেৎলম্মী। মখোয়বু উবদা শুরঞ্জন্না, শোয়দনা মখোয়না পুবা ওইরমগনি হায়না নীংলম্মী, মখোয়শিংসিনা মাগী শাক্লোন য়াম্বী, চম্মবী মচন লুপীবু ফাজিন্দুনা থম্বিরম্লগনি।

"হৈদর, কবিগী মায়াদু উন্নবা ফঙ্গাদ্রবনো? হৌজিক ফাওবদা মায়াবু থীবা ফংদ্রিবদে?"

"ঐদি কন্না তোংন্রিবনি।

"মওং অমা তৌহুনা ঙসি অহিংসিদা মায়াবু থীবা ফংদবা য়াদবনি।"

"ঐনা থীবসিদা লমহেনবশিংগী মকোন অমা ফাওবা থীদবা য়াওদ্রে। করিগুম্বা থীবা ফংদ্রবদা করম তৌনি, হায়য়ুরে।"

শুরঞ্জন চুকপ অমগী মথংদা অমা চমথংলমই। মায়াদা থীবা শেলহুনা লৈরম্লিবনি।

"সুপন ইবাবদা চংলসি খরা-চা থকলুসি, য়াম্না লামথ্রে।"

হৈদবনা শাগী পারোথাগা হায়খিরমই। পুথম অনী। শুরঞ্জন চাবা পাম্লমই অদুবু পাবোথা মচেংদু মাগী মখুত্তা অদুম লেবমই। মচিন্না ফাওবা শোক্লমদে। মত্তম অদুক হৌখিবদা মতাকী মপুক্রুংদা অরাবা মেচাক হেনগংলম্মী। হৈদব তাথু তাথু চারম্মী। চাবা লোয়বগ চুরুপ চম্লম্মী। শুরঞ্জনা মাবু খরা থুনবা হায়দকখি, "চংলসি হোত্তিক যাওবদি ফংদ্রে।"

"অদু কদাযদা থিকখিসিগে, হায়দু! মফম অমা ফাওবা খাক্লমদ্রবনি। নমিৎথিংনা উববা মত্রা।"

"নকা পীকতকপা সতরনি। মসিদদি মাযানু থবা ফংদ্রে, অসিবু অরুবা ৱারাগ থানাদা চংলসি।"

থানাদা বাকংলম্মী অদুনু থানাগী মীওইশিংনা কয়া পৌওইদনা তপ্না বেত্তিস্তাদ বোয় লোশিল্লগ নিংলৈফম পূম্নমক হাশিল্লগা থম্লমখি। ফরে, থানাদগী থোক্লক্লগা শুরঞ্জন্না হায়দকনি, 'মীওইশিংসিন করিসু তৌবক্কদবা ঐগী পুক্লুংদা মাল্লক্রে।"

"তোবদি ঙম্বাজাংলে।'

'সিফাই ময়াম লৈফমলোমদা চংলসি। মদুদা লংগী খুঙনা চাপ্পথা কল-কনা লৈবগে?"

"ঐনা পাটিগী অডাংশিংদা তাকখ্রে। মখোয়সু থিবকখিগনি। নঙ করিস্ত বাক্রগনু?"

হৈদবনা থরায় য়াওনা থীজবমক অদুবু মিপাইববা মন্ত পানবা খোইনিংনদ মাবু অহানলম্মী। অতিং চুপ্পা হৈদবন হোন্দা থোক্তুনা সহব পুনা কোনথি থিবমখি। লমহেন-কাহনবশিংগী নুগী মকোনশিং জনার শগ্নবশি, ওয়াংলপোং ললোনবশিংগী হবোনবা মফমশি থি-থিদুনা ল কপনা নোংডালনদাইগী লাইশোল শোল্লক্রম্মী। অয়াকপা খোঙ্জেন্দা

লাউরকপা নোংঙাল্লমদাইগী লাইশোল তাবা শুরঞ্জনা য়াম্না পামজরমই। অদুবু ঙসিদি মঙোন্দা মসি তাইওল্লগ্রে। অজান (নোংঙাল্লমদাইগী লাইশোল) শোল্লকপা হায়বদি অহিংগী মতম লোয়রে হায়রকপনি। অদু ফাওবদা মায়া খিবা ফংদ্রি। টিকাতুলী থৌরকপদা হৈদরনা হোন্দা থাল্লম্মী। হায়রকখি, "শুরঞ্জন রারগম্মু. হয়েং করি তোব উত্থগে হায়বদু য়েংসি।" মফম মরাং খঙদনা কিরনময় অঙাওবীগুম থোঙলোমদা য়েংদুনা লৈরম্মী। শুরঞ্জন্না মায়া পুরকনি হায়বগী রাখলদা সুধাময়সু মাগী পঙথরবা হকচাংদুনা তুমদনা, মপুক্কিং ইরাং লাংনা মতম লেল্লম্মী। মখোয়না মচানুপানা করিসু পাঙথোক্কনা হল্লকপা উখিরমই। মাগ মায়া লোয়নরক-খিরমদে। চোকথরবা, অরেম্বা ওইরবা, মকোক নোম্থরবা, মপুক্কিং নুংঙাইতরবা শুরঞ্জনবু উবদা মখোয় মচিন কাথোক্লমখিদে। অদুদি মায়া হৌজিক কংলরোইদ্রা? অমিমক কিরনুনা হক্লোইরপ তৌরমই। য়ুমগী থোঙ, থোঙনাউ লোইনা খিংলমই। ইমুংদা মঙাল অমফাওবা চঙলমখিদে। ইমুংগী নুংশিংতু চপ লেপ্লম্মী। ইমুংতু লৈনিল মনম নম্লম্মী। মখোয় মথুকউদা মকোক নোম্থরমই। য়েংবদা অঙকপা ভুংকী মতৌ মাল্লমই মখোয়। কনাগসু রা ঙাঙনবা শুরঞ্জন্না পায়মখিদে। মখোয়গী মিংয়েংদদি হন্নীংবা রাহং কয়া লৈবা উরমই। রাহংশিংদুগী পাউথুমদি মায়া খিবা ফংদে হায়বনা ওইরমখি।

শুরঞ্জন লৈমায়দা মখোঙ তিংথোক্লগা ফম্মখি। মহাক মপী ঈরা চেল্লমই। অদুক কুইবসি মায়াবু মখোয় ময়াম চঙদুনা নমজা নমথেকতুনা লৈহৎপীরম্লগনি। ফরে, অদুগা চহী ৬ তা ঙাইরিবী মায়ানা নুমিৎ নিনি লৈরগা হল্লকখিবদানা হন্দকসু হল্লক্লরোইদ্রা! শুরঞ্জন্না থোঙ হাংদুনা থম্লমখি, মায়া লাকখি হায়দুনা, মায়া হল্লক্লমই। অঙাং ওচরিভৈগী মতৌগুম মপুক্কিং নুংঙাইতবগী খোঙথাংদা হল্লকখিরমই। অসুক লীকথরবা, পুম্নাঙ মাংলবা, খুন্নায়সিদা লৈতবনা পং তৎলবা ইমুসিদা অমুক হল্লকলে মহাক। হৈদরনা মায়াবু ফংননবা থৌখিগানা চায়না রাশক্লমখি। হেক রাশকপগা শুরঞ্জন্না মায়া হল্লক্লনি হায়না খনবা য়ারমগদ্রা? করিগী মায়াবু মখোয়না ফারিবনো? মায়া হিন্দূ ওইবনর? অদুগা নুপী কয়াবু নমজা নমথেক্লবিরবা, মী কয়া হাংথ্রবা, লন-থুম কয়া মাংলবা হিন্দুশিংনা লৈবাকসিদা হিংদুনা লৈবা ঙমখিগদ্রা? থেঙ্গুগুম্না মশক লোংতুনা!

কয়াম কুইনা ? গুরঞ্জন মদোম পাউথুম পামজরমখি। অদুবু ফওবদি লৈরমদে।

কিরনময় য়ুমগী কাচিন অমদা ফক্লাংদা ভাবগা মদোম ভাওজরম্মী, মখোয়না হায়রমই, "ইন্দোমচা, ময়ামবু উন্নবা ল.কচবনি, কমদৌ-বিরিবগে ? ঐখোয় লৈকাই (খুল) শিগী নহারোলনি। খোঙ হাংদোকপিয়ু। মখোয়বু চহী কয়ামুক সুম্নগদগে ? চহী২০/২২ গুম্বা শোয়দনা ওইরমগনি। ঐনা মখোয়বু করম্বা লাম্বা পাবা ঙমগদগে ? লৈকাইগী য়ুমখোঙ খুদিংদা কয় হায়জরুই, পূম্নমক্না 'টস-ইস' হায়বা নত্তনা করিস্থু মতেং পাংবিরকখিদে। মখোয়দুগী মরক্তা রাফীক কৌবামা য়াওই, টুপী উপ্পা নহা অমনা কৌবকপদা খঙহৌবনি। পারুলগী ময়ুমদা লোৎতুনা লৈরম্লবদি নাম্থোক্লমগদবনি। ময়া তশেংনা লাক্লরোইদ্রা ? মসুম তৌববুদি য়ুমসি মৈ থাদোক্লমবনা হেন্না ফবনি। মসিদগীদি হাক্তোকপীবদনা হেন্না শাফরম্বনি, ঐ মকপু লাংপীরম্বা অদুগা অপঙবী ইচানুপীদু থাদোকপীরম্বনা। ঐদি লৈমন চল্লরুব পুক্সিনি, মাদি হৌজিক্তা হৌগৎচরকলিবনি।

গুরঞ্জন মকোক শাথীনা ভাওরম্মী। মহাক ঈ.শংকোল মনাক্তা চঙলগা মকোক য়ুংদুনা নিংশা হোয়ে-হোয়ো হোল্লমই।

মঙ্গোলন্থ মুংশা য়ৈশিল্লমই। হৌদোং অমু-অরাংবীদুনা হনগৎ চন্দা চৎতুনা লৈরমই। মহাক ঙা মরু থিরিব্রা নত্রগা মায়া থিরিব্রা ? মায়ানা মাবু পুদুনা কোয়না চৎলি,, মাগী কাম্বা মনুংদা গুম্বা. অদুবু মাসু মায়া লৈতে খঙলমগদ্রা ? মায়া তশেংনা য়াম্না কপ্পল্লগনি। "তশেংনা তামো-তামো, হায়না কৌদুনা কপ্পল্লগনি। মখোয়নবু মায়াবু মখোঙ-মথুং পুন্দুনা পুখিব্রা ? মচিন্দা ফবুল নম্লগা পুখিব জাংলা ? 'চহী ৬' অমদি চহী ২১ মান্নবা হৌনদে। চহী মতাং অনী অসিদা লৈবা নুপীবু ফাদুনা পুবগী পান্দম অমত্ত ওইরোই। চহী ২১ গুরবী নুপী অমদা নহা ৭ না করি লিচং চৎফম খোকপগে তায়বদু গুরঞ্জন খঙলমই। মহাক মশা পুম্বা শাউনিংবা অমসুং অরাবগী বাখলনা লমুক্লশিল্লমই। অশিবা মীগী হকচাংনা উগুম্বা কনশিল্লকপা অদুমনা মহাকসু তৌরক্লমই। গুরঞ্জনবু হিংলিব্র ? হিংদি হিংসি অদুবু মায়াদি লৈত্রে। মায়া লৈত্রবানিনা মায়াগীদমক্তা মহাক হিংলিগদ্রা ? পুক্সিগী কনানসু কনাদা

পুন্সিবু শিন্নবা ঙমদে। তাইবঙ মীদগী হেনবা মশাগী ওংজবা তানবা তাইবঙদা অনী সুদে।

তশেংনমক হৈদয়না কন্না থিরমই। অদু ওইরবসু হৈদরনা মপুক্লিং চঙনা থিদে হায়না শুরঞ্জন্না লৌরমখি। তিংথংনা তিংথং হনবগুম পাঙলনা পাঙলমশাদা থিবনি হায়না শুরঞ্জন্না খনখি। তশেংনা মায়া কনানা ফাবিবনো হায়ব হৈদরনা খঙাঙ। মহাক্না 'সুপরষ্টার' দা মথরায় মুংঙাইনা চাবা মতমদুদা মাগী মায়থোংদা অরাবৈ মমি মখিক অমত্তা পকলমদে। তৌইগুম্বসুং পেন্না চাবদুনা থগেরকলমই, অদুগা চুরূপ অমা চিংলগা মৈথু কামথোকলমই, মতমদুদা মহাক মশাদা য়াম্না হৈনিংলমদে মরমদি মাবু ঊবদা কনানসু মাবু করিগুম্বা অমা থিরিবনি মদু কংদবা য়াদবনি হায়বগী শক্তম মঙোন্দা ফাওখিদে। মহাক্কি আহংচুপ্পা ময়াই কাবা পোং (নিশা) চারগা সহর কোয়বসু য়াম্না পামজৈ। অদুদি মাগী পামজবদু থুংলরিব্রা? তশেংনা মহাক মায়াবু খিনিংবা পোকলমদবাজাং ওইরিব্রা? করিগুম্বা খরা খিনিংবা লৈরমলবসু মরূপ ওইবগী মতেং পাংবা ওইরিনি। খানাদসু মহাক রা কন্না থরায় য়াওনা ঙাঙলমখিদে। পাটিগী নহারোলশিংদা রা হায়বদসু অহানবদা পাটিগী রা ঙাঙলগা অকোনবদা মসি মথা তাশিনখিবনি। তশেংনমক মায়াগী রাফমসি মঙোন্দা খরা কোমলপ লৌরমই। হিন্দুশিংসি লৈবাকসিগী অনিসুবা কাংলুপকী মীওইনা হায়না তৌরিবা ওইরিব্র?

থংনবা কাদা মায়া লৈতে হায়বসি শুরঞ্জন্না খাজরমখিদে, মান্না কাদুদা চঙবদা মায়ানা সুধাময়গী য়েংথংবা মখুং শাজেল্ল তৌদুনা লৈবগুম খল্লি। কাদুদা মানা চঙলুবদা লৈশাবী মপুঙ ফাজরবীদুনা মিপাইজরদুনা হায়রক্কদগুম খল্লমই "তামো, করিনো অমা তৌবিরসি।" সুধীমচাদুগীদমক ঐনা করিসু তৌবিখিরমদে। মবুংগী মফমদা হায়জদুনতা লৈজরমই, ঐবু কোয়বা পুবিয়ু সি লৈবিয়ু, আদগীসি লৈবিয়ু। মায়ানদা হায়জরমই, শুরঞ্জন থোওইবিরমখিদে। মহাক মশা মতোমতা অয়ুক নুংমদাং খাক্কনা থবক চিনজরমক। মরূপমপাং পাটিদা মহাক্কি কদায়দগী শঙ্গনি! কনানা মায়, কনানা কিরনময়, কনানা সুধাময় মংথোরগা অরা নুংঙাইগী রা তাক্করদুনা করি কান্ননি। মহাকনা লৈবাকসিবু 'মী' ওইহনবা পামলমখি। অয়োয়বদা শুরঞ্জন্না মংজরিবা 'মী' ওইবগী মংলান্দুবু ফংথ্রব্র ?

পুং ৯ হেক তাবদা সুরঞ্জন হৈদরগীদা থুংলমখি। অদু কাওবদা হৈদর তূমহুন। লৈরমই। মহাক্কু মপানগী কাদা কমহুনা মাবু ঙাইহুনা লৈরমখি। ঙাইনা ঙাইনা নহারোল ৭ অদুগী মনুংদা অমদি রক্তীক কোই হায়বা নীংশিংলকখি, হৈদরনা নহাসি শোয়দনা খঙলমগনি। পুং অনীগী মতুংদা হৈদর তুম্বা হোৎলকলমই। সুরঞ্জন কমহুনা লৈরম্বা উবদা হংলকখি, 'হল্লকলত্র'?

"হল্লকলবদবু মঙগী ননাক্তা লাকখিত্রা?"

'অদুস্তু!' হৈদরগী রাঙাংদা থোওইদবগী মওং খরা চেল্লমই। মহাক লোংগ্রীদমক শেংলি ফুরিং লিংলমদে। মথুং অনিনা মশাহ্ হাকজবা খোংলমই। হায়রকখি, হন্দক্তি থোইনা ইংদে নত্রা? ঙসিস্তু থোবুরেনবীগী য়ুমনা মীকম লৈ। মীয়াম পেন্দবা ফোঙদোকপা খোঙচং চংপগী রা খন্নগদোবা মাল্লি। গুলাম আজমগী রাফমদু অয়োবী থাক য়োনরবদা ফত্তবহুনা খংনবা হোৎরকখি। তশেংনমক পুম্নমকসি বীঃ এনঃ পীঃ গী থুজল থোরাঙনি, খঙলত্রা। থোদোকসি থোকহল্লিবস্তু মখোয়গী অশ্লোনবা লোনচনংনি।

"ক্রুর হৈদর, রক্তীক কোবা নংা অমদি খঙ লাকপ্রা? মখোয়হুগী মরক্তা রক্তীক কোবা নহা অমা য়াওই।"

"কারি লমদগীনো?"

"লৈফম খঙদে। চহী ২১/২২ রোমগী লেচ ওইগনি। লমসিগীস্তু ওইরম্বা য়াই।"

"অসিগুম্বা নহাদি অমত্তা খঙদেবো অদু ওইরবস্তু মী থাহুনা খঙনবা থীহনগে।"

"চৎলসি। পম্বুরুবা কাল্লদ্রে। ইমা পাবুংগী শকফম য়েঙবা নুংঙাইদ্রে। পাবুংদি থম্মোইগী লায়না লেবান। মফমাসদা খোই-দোকপা শাথিবা ফত্ত-নুংদা থোক্তবা ওচসনু।"

"তাঞ্জাসিদা মঙগা ঐগা চৎমিন্নবা ফত্রে।"

"কবিগী ফত্রিবনো?"

"খনবদা থোকপা ঙমদ্রবা কবিনো? খঙনবা হোৎনো।"

সুরঞ্জন ময়েকশেংনা খঙলমই, মদুদি কবিগী হৈদরনা মাগা লোয়নানিংদ্রবনো হায়বা! মহাক্তা লোয়নবা অকবা ওইরোই মরমাদ সুরঞ্জন হিন্দুনি। হিন্দু ওইরগা পাঙলশিংবু খিহুনা লৈবা অকবা

মীচাংপসু ওইরমসনু। পাঙলগী মথুঙগী হিন্দু নুপীবু মুল্লগা পুরকপা হায়বসি তশেংনা য়াম্না ঙন্থবা মওং উংপা খরা লৈ।

সুরঞ্জন ঙল্লক্রমখি। কদায়দবু ঙল্লুনি মহাক? ময়ুমদ্রা? পুমচিক চিক্লবা ইমুংতুদা মহাক হন্নিংবগী রাখল লৈরমখিদে। সুরঞ্জন্না মায়াবু পুরক্কনি হায়বগী রাখলদা নোঙ্গৌবিনা লাইজ ভাইবগুম্না খৌরাংনা কমতুনা ভাইনরম্মী। মায়া পুদনদি মহাক ময়ুম হন্নিংবগী রাখল লৈরমদ্রে। তৈদরনা মী শাতুনা মায়াবু থিতল্লি, মহাক মপুক্লিংদা থাজরমই মতুংদি নোংমদি মাগী মশিংনা মায়াবু শোয়দনা থিরক্কনি অতুগা অমরোমদা চিংনবসু লৈরমই, মতুংদি মায়া লৈত্রবনিনা মতুংদা মানা কৈদৌরক্নি? মঙোন্দদি মায়া কনাসু নত্তে। হিন্দুশিংগীগুম্না পাঙলশিংগী মায় ওইরিগদ্রা? মায়ানা করিগুম্না মখোয়গী ওইবম-ববদি য়ুমলোন্নবদা লৈরিবা পাঙলগী য়ুমদা লুট-পাট তৌদ্রবনি, মখোয়গী ময়ুম থুগায়রমদ্রবনি। থুগায়বা তারবসু সুরঞ্জনগী ময়ুম শক্তা, মৈ থাবা তারবসু গোপাল হালদরগী ময়ুমদমক, কাজলেন্দুগী ময়ুমদমক। সুরঞ্জন ময়ুম হন্দ্রে। লম্বীদা কোয়ভাওনতুনা লৈরে। সহর পুম্বা শাংনা মায়াবু থিবমল্লি। মায়াগী করি মরাল লৈতুনা মখোয়না মাবু ফাবিরিবনো? হিন্দু ওইরমলুবগী মরাল সিদংগীরা? সিখক্লগীরা মানী ময়ুম থুগায়বিরিবা, তমথিনা ফবিরিবা। মহাকপু কাদুনা পুবিরিবা অমসুং নমতুনা নমজা নমথেক্লবিরিবা। সুরঞ্জন হনগং-হন্দা কোয়চং চংলি, কোয়চেন চেল্লি। লম্বীদা কমাগুম্বা চহী ২১/২২ গী লেঙগী নহা চংপা হেক উবদা মসিনা মায়াবু শোয়দনা পুবা ওইরমগনি হায়না মপুক্লিংদা চিংনবা হৌরমখি। অতুগা অহোয়নরম্মী।

ইসলামপুরগী পোংচোই-চেংজোই য়োনবা তুকান অমদা লেপ্লগা কবোক মুরি চেখাও অমা লৈরম্মী। পোংয়োনবতুনা মঙোন্দা ফল্লপ-ফল্লপ য়েঙলক্রমখি। তশেঙনা মীতুনসু মাগী মচনুপী ফাগ্রে হাম্নবা খঙলমই। মহাক ফৈরেং-ভুরেং চংলতুনা নয়া বাজারগী মওং চাত্রবা লম্পাক্তুদা ফম্লমখি। সুরঞ্জনগী মশাদা অপেনবা মুংঙাইবা হায়বতু মচেৎ অমত্তা ফঙলমখিদে। মী অমগী ময়ুমদা হেক চঙলুবদা বাবরী মসজিদকী রাখোকী রারী। নোংমা সলীমনা হায়রমখি, 'নখোয়না ঐখোয়গী মসজিদ থুগাইবা ঙম্নবনিনা ঐখোয়না মন্দির করিগী থুগায়বদা চিংনগদৌরিবনো?" রাহৈসি সলীমনা কাগী-জুগাই

ওইনা হাৱখিবনি, মাগী মপুক্লিংদা ৱাসি হায়বদা য়াবনি-য়াদবনি হায়বগী ৱাখলককা খল্লহৌদনা।

হল্লকে হায়রবদি মতমসি ফাওবদা মায় হল্লকপা য়ারে। মশাবু নমব্দা নমথেক্লবিথ্রবস্তু হল্লকে হায়বদি হল্লকপা মধারে! শোয়দনা মায়া হল্লক্লগনি হায়না খন্ন-খন্না শুরঞ্জন ময়ুমদা হল্লক্লস্বদা মনা থাঙ্গৎতুনা খোৱাংবা মিংয়েংদা মায়াবু হল্লকপা ভায়ত্তুনা লৈরম্বা মীওই অনিত্থু উরমখি। মায় হল্লক্রে, সিদগী হেন্না শাথীবা মুংভাইতবা পাউ অতৈ করি অমা লৈরিবগে? মোন্দা মমায় উপশিল্লগা শুরঞ্জন লৈরমই। কাত্তুদগী সুধাময়গী নাহে খোল লাকখিরমই। অহাংগী অচিকপা থুগায়দুনা তন্দনগী মতৌগুম অক্লিকপ খোন্থোক্লা কিরনময়গী কপ্পগী খোঞ্জেলদুনা মহাক অহিং নোংশোয়বা য়াতাবা য়াহল্লমখিদে। করিগুম্বা হু কণ্ডলয়বদি মখোয় অহুম্মক চামিন্নরগা পুন্না শিখিবনা হেন্না শাফরবনি! হিংলুবগী করি কান্ননি! হিন্দু ওইনা বঙ্গলাদেশ অসিদা হিংলুবগী করি মহাও লৈখিনি।

সুধাময়না খঞ্জরমই মহুদি মতোন্দা "সেরেব্রল থ্রংবসিস" নত্রগা "এমবুলিসম" গুম্বা লৈরে হায়না করিগুম্বা "হৈমরেজ" ওইরবদি থুনা শিৱগদবনি। শিবদস্তু করিগী চিংনরুনি? সুধাময় মপুকনিংদা য়াম্না শাথীবা 'হৈমৱেজ' গী ৱাখল অমা মওল-মওল পোক্লকখি। মহাক্তি মশা তংখায়তমক শিরিবনি অদুনা মায়াবুদি কলহৌবা মৱারবনি। মুপীমচাহু হিংবা য়াম্না পামজরিবনি। মতোমতা পারুলগী ময়ুমদা চংলুরবিনি। মহাক মশাগী ফিভম চাদবদুনা মহাক ফাখিবগী মরম ওইরবনি। মরাল লৈভবগী ৱাখলদা সুধাময় ফোঙডমদবা ৱাকমশিংদু খন্দুনা লৈরমই। হন্না-হন্না মমিংতু মশেন-মরাং তৌদুনতা লৈরমখি। মহাক্লা কিরনময়বু মতেং পাংনবা হায়ৱিরমখিদে, কনানস্তু তৌসু তৌখিৱমদে। শুরঞ্জনস্তু মনাক্লা নকশিল্লক্রে। মায়াগস্তু মরৈত্রে। মহাক ঈশিং থকনিংলমই —খোগংনবদগী মরৈ, মতৌ, মখনাও তিংখংগুম কনশিনখ্রে।

মানা কিরনময়বু অৱাবা ঈপাক্লা তাহন্দবা নংখিদে। কিরনময় লাইদা থৌনিজবা য়াম্না পামজৈ। লুহোংলবা মতুংদা সুধাময়না মাগী ময়ুমদা লাইনীং লাইশোল তৌবা য়ারোই হায়খিরমই। কিরনময় ঈশৈ কজনা শকই, মীরাম্না ভাৱদৈ 'ইকাই-ইকি নাইদবী মুপী,

হিন্দূ নুপীশিংদি ইকাই নাইদে” অস্বস্থা ল্লকুবগী ৱাঙাংশিংসিনা কিৱনময়বু ওংলমই। মশামা মশাবু খুত্নম চনজ-চনজনা কিৱনময়না তপ্ন-তপ্না ঈশৈদগী লাপথোকচরকখি। মহাক্না ঈশৈ থাদোক্লকপদুদা সুধাময়না মাবু কয়াদা লুনা তৌজখিবা। মীনা খীন-খীনা ঙাংনরক-পহুনা করি তৌশিগে হায়না মহাকসু খঙ্গরমখি। চহী ২১দগী মহাক কিরনময়গা পুন্না য়াহিপমিন্নৱমই। চুম্নতা য়াহিপ্নবনি। কিরন-ময়গী নুপীগী অশেংবা লমচত্তু ঙাকপীৱমই। মাগী গোয়নবীগী অশেঙবা লমচৎ ফঙলুবপা মঙোন্দা করি মথৌ তারিবগে? মসিসু মখল অমগী হেনজিনবা মওংনি। ফিৱোল লৈতেদা থোয়না মীক্নৌরুদে। কিৱনময় কৈদৌঙৈদসু সাড়ীসি পামই নত্রগা নাগী নাইনসি পামই হায়জখিৱমদে। সুধাময়না ওঙুনা হংলমখি— কিরনময়, নপুৱিংদা করিগুম্বা লুংঙাইতবা অমা লাৎতুনা থম লাকপ্রা? কিরনময়না হায়ৱমখি, “লৈতে! ইমুংসিদা লৈজ গা ঐগী লুংঙাইজবা পুম্বা ওইজরবনি। ইশাগীদমক তোঙানবা লুংঙাইবা ঐ পামজদে।” সুধাময় নুপী পোকপা য়াম্না পামজরমই। সুরঞ্জন পোক্লিকৈদা কিরনময়গী মবুক্তা ‘সেটোসকোপ’ থম্লগা হায়রকখি, “ঐগী ইচানুপীনা চোঙবগী মখোলতারি, কিরনময়, নঙ তানিংব্রা?”

সুধাময়না হায়রমখি, “মমা মপানা অরোয়বদা মচা নিঙোলতবু পামজৈ। পীবাদি মৌ খিৱকলগা তোঙানগ্রনি। নিঙোলনা মপু-ৱোইবা ময়ুম-মকৈ পুম্নমক থাদোকলগা মমা মপাবু কোল্লনি। ঐদি লায়য়েঙশঙদদা লেবনিনা য়াম্না তোয়না উরে, মশা শোল্লবা মমা মপাগী মোন ময়াদা মচা নিঙোলশিংতনা ফমহুনা লৈ, পীবানা মীতোপকুমনা লাকই অহুগা য়েংলমলগা মচংখি। সিদগী হেনবা লৈত্রে।”

‘স্টেথিসকোপ’ কী মচিন্দু কিরনময়গী মনাকোংদা হাম্নীৱগা মহাক্না মচাগী থম্মোয় চোঙবগী মখোল তাহনবিৱমখি। তাইবঙদা মীওইবনা মচা পীবা পোকপা পামনৈ অহুবু সুধাময়দি নিঙোল পামলমখি। অঙাং ওইৱিৱৈদা সুরঞ্জনবু ফ্রোক শেংচিনবিৱগা সুধাময়না কোয়থোকপদা পুবিৱমই। মায়া হেক পোকলকখিবদগী সুধাময়গী নীংজবা থুংজখিৱমই। ‘মায়া’ হায়বা মিংসিসু সুধাময়না থোনজবনি। ‘মসি ঐগী ইমাগী মিংলৈমনি’ হায়না হায়ৱমখি। “ঐগী ইমা অপোকপী অমা চংগ্রে. তত্তোম্ন অমা লাকলে।”

নুমিদাংবা মায়াদনা সুধাময়দা হিংদাক পীথকলমই। হিংদাক থকপা মতম য়াম্ল কেনখ্রে। "মায়-মায়া' হায়দুনা পামজবী মচা নিডোলবু কৌজরমখি। য়ুমলোন্নবা পুম্নমক তুমখুন তাম্লখ্রে। মায়া কৌবদুদা তারদুনা কিরনময় মিকপ থোকলমই, শুরঞ্জনসু তারমই. য়ুমলৈমা অরাংবীদুসু ফাওবা তারমই।

উত্তর প্রদেশকী অযোধ্যাদা বাবরী মসজিদ শীদোকখ্রবা মতুংদা ভারত পুম্বদা ঈগী-ঈথেং রৈন-শুনবদগী তাথ্রবদু হৌজিক্তি খরা খরা তংথরকলে। থোদোকসিদা ভারত্ত মীওই ১৮০০০ লোম হেন্না শিখি। কানপুর অমস্তুং ভোপালদা হৌজিক ঈহৌসিগী মনিল লৈরি। মসিনু থিংনবা গুজরাট, কর্নাটক, কেরালা, অন্ধ্র প্রদেশ, অসাম, রাজস্থান অমস্তুং নোংচুপ বেঙ্গলগী লম্বীশিংদা লাণ্মী না মিকুপ নাহুম শিংনা লৈরি। মখোয়না কোয়চং চত্তুনা ঙাক শেন্নি। ভারত্তা অথিংবা থমখ্রবা পার্টিশিংগী লোয়শঙশিং শো লোনশিল্লমই, শান্তি অমস্তুং চান্ন চিন্ননা লৈমিন্নবগী রাখলগীদমক ধাকাদা পার্টি পুম্নমক্কী অপুনবা পেন্দবা কোংদোকপগী খোঙচং চংলি, অদুবু অদুনা কৈদৌনি! তসোমদা গোলকপুরদা হিন্দু নুপী ৩০দা নমদুনা নমজ্জা নমথেকনখিখ্রে, চংচলী. সন্ধ্যা মনি ....। নিকুঞ্জ দত্ত হাংখিরমই। ভগবতী কৌবী অহল ওক্টরবী অমা কিবদগা পাখংলদুনা থম্মোইগী খোঙজেল লেপখিবদগী শিখিরমই, গোলকপুরদা মুংথিল পোবোপন্না নুপীশিংবু নমজ্জা নমথেকনবিবগী থৌদোক কয়া থোকখিরমই। পাঙলশিংগী মযুমদা চঙজকম লৌজরিবী নুপী মচাশিং ফাওবদা মশাগী ইকাইথুম্নবা মাঙহনবিরমখি। "দাসের হাট" বাজারগী 'নানতু' গী কা সুপারী মন ১৮,০০০ থমবা গুদাম (পোং থম্নফমশঙ) বু মৈ থাদোক্লুনা উং ওলহনবিখি। ভোলা সহরগী লাইশঙশিং থুদেকপা মতমদা থানা, মজিস্ট্রেট, ডিঃসিঃ পুম্নমক তুমিন্না লেপ্লুনা কুম্মৈ য়েঙদুনা লৈখি, সনা লুপাগী লৈতেং য়োনবা দুকানশিংবু ময়াম মমাঙদা লুট তৌখি। হিন্দুশিংগী ফিভমশঙ মৈ থাদোক্লুনা উং ওলহনখি। মনিকগঞ্জ সহরগী লক্ষ্মী মান্দপ, মীয়ামগী ওইবা শিববাড়ী, দাশোরা, কালীখলা, সনা শাফমশিং, গদাধর পালগী বেবরেজ (ফিশাশঙ), পক্কী চুরুপ দুকানবুসু থুগায়রমই। মী হরা মপোং অহুমনা তন্না, বানিয়াপুরী, পুকুরিয়া,

উথলী, মহাদেবপুর, জোকা, শিবালয় থানাদা লান্দারমখি। সহরদগী কিলোমিটর অহুম লাপ্পা নৈবা বেতিলা খুলদা হিন্দুশিংগী য়ুম লুট তৌখিরমই। মৈ থারমই। বেতিলাগী চহী ১০০ শুরবা জগোই-শঙদা লান্দারমই। গড়পাড়াগী জীবন সাহগী য়ুমদা মৈ থারমই। মাগী শঙ্গোল অহুম তুমনা মৈ থাদোক্লম্মী। কৌ মন কয়াম্থু উং ওলহনখি। ঘিওর থানাগী তেরশ্রী কৈথেলগী হিন্দু দুকানশিং, গাংগছুবী বালিয়াজুরী, সেনপাড়াগী হিন্দুগী য়ুমশিংদা মৈ থারমই। হিন্দু মৌ অমবু নমহুনা নমজা নমথেক্লবিখিরমই। পিরেজপুরগী কালীবাড়ী, দেবার্চনা লুপকী কালী লাইশঙ, মনসা লাইশঙ, দুর্গা লাইশঙ, শীতলা লাইশঙ, মহাদেব লাইশঙ, নারায়ন লাইশঙ, পিরেজপুর মদন মোহনগী শক্লমগী লাইশঙ অখাড়াবাড়ী, রায় কাঠী কালীবাড়ী লাইশঙ, কৃষ্ণনগর খাইসংগাজ সেবাশ্রম, ডুমুরতলা শ্রীগুরুসংঘ আশ্রমগী লাইশঙ, নোংচুপ দুলুরতলাগী সুরেশ সাহাগী য়ুমগী কালী লাইশঙ, ডুমুরতলাগী নরেন সাহাগী য়ুমগী মনসা লাইশঙ, সোমেশ সাহাগী য়ুমগী মনসা লাইশঙ অমসুং য়ুম, ডুমুরতলাগী মীয়ামগী কালী লাইশঙ, সুচরন মন্দল, গৌরাঙ্গ হালদার, হরেন্দ্রনাথ সাহা, নরেন্দ্রনাথ সাহাগী য়ুমগী লাইশঙ, ডুমুরতলা হায়-স্কুলগী নাকলগী কালী লাইশঙ, রানীপুর পঞ্চদেবীগী লাইশঙ, কুলার হাটকী মীয়ামগী দুর্গা লাইশঙ অমসুং কার্তিক দাসকী শীং য়োনবা দুকান, কালাখালা সনাতন আশ্রমগী কালী লাইশঙ, জুজখোলা অমসুং গোবিন্দ সেবাশ্রম হরি সভাগী সনাতন ধর্ম্ম লাইশঙ, রঞ্জিৎ শীলগী য়ুমগী কালী লাইশঙ, জুজখোলাগী মীয়ামগী পুজাপন্দাল (ইরাংফম), গাবতলা স্কুলগী নাকলগী মীয়ামগী দুর্গা লাইশঙ কৃষ্ণনগরগী বিপিন হালদারগী য়ুমগী লাইশঙ, নমাজ-পুরগী মীয়ামগী কালী লাইশঙ, কালীকাঠী বিশ্বাস বাড়ীগী লাইশঙ অমসুং লাইনিংফম, লাইরাগী কালী লাইশঙ, রূপকাঠী থানাগী ইন্দের হাটকী মীয়ামগী লাইশঙ, ইন্দেরহাট কাহ্নাই বিশ্বাসকী য়ুমগী দুর্গা লাইশঙ, নবুল সাহাগী সিনেমা হোল, অমল গুহাগী য়ুমগী দুর্গা লাইশঙ, হেমন্ত শীলগী য়ুমগী লাইশঙ অমসুং মঠবাড়িয়া থানান কোনবা লমগী যাদব দাসকী য়ুমগী কালী লাইশঙ মৈ থাদোকখিরমই। সৈদপুর মিস্ত্রি পাড়াগী শিব লাইশঙ থুগায়খি। নারাইল পানাগী রতদা গা খুলগী মীয়ামগী শঙদোক্লগম ওইরিবা লাইশঙ, কুহুলিয়াগী

মীয়ামগী পোংলোইফম, নিখিলচন্দ্র দেগী ইমুং-মনুংগী লাইশঙ, কালীপদ হাজরাগী ইমুং-মনুংগী লাইশঙ, শিব প্রসাদ পালগী ইমুং-মনুংগী লাইশঙ, বাদন খুলগী দুলাল চন্দ্র চক্রবর্ত্তীগী য়ুমগী লাইশঙ, কৃষ্ণচন্দ্র লস্করগী য়ুমগী লাইশঙ, তালতনা খুলগী মীয়ামগী লাইশঙ, পঙ্গবিলা খুমগী বৈদ্যনাথ সাহা, সুকুমার বিশ্বাস পগলা বিশ্বাসকী ইমুং-মনুং (মপা মপু গী লাইশঙ, পঙ্গবিলা খুলগী মীয়মগী লাইশঙ, অমসুং লোহাগর থানাগী দৌলতপুর পূর্বপাড়া। নরায়ন লাইশঙ-শিংবু মৈথাই থুগায়দুনা পুমতোই তোইহল্লমখি। খুলনাদা লাইশঙ তরা থুগাইখি। পাইকপাড়াগী শহুলী, সোবানদাস অমসুং কাকাখুলগী লাইশঙ ৪/৫ সু থুগায়খি, য়ুম কয় লুট তৌখি। রুপসা থানাগী তালিমপুর লমগী লাইশঙ অনীসু থুগায়খি। খংনবক লৈবা হিন্দুগী য়ুমশিংগা লুট তৌখি। দীঘলিয়া অমসুং সেনহাতীগী লমদমদা দিসেম্বর ৮ গী অহীংদা লাইশঙ অহুম থুগায়রগা মৈ থাদোক্লমখি। ফেনীগী মহাদেবপুর খুলদা পেন্দবা কোতদোকপা থোতচৎকী মীওই-শিংনা য়ুম ১৩ দা লান্দারমই। ছাগলনাইয়াগী জয়পুর খুলদা লান্দাবগা মরি লৈননা মীওই ২০ শোক্লমখি। লাংগলবোয়া খুলদগী মুআজম হুসেনগী মতুংইন্দুনা মীওই ২০০ রোমনা গৈ বিন্দ প্রসাদ রায়গী য়ুমদা লান্দারমখি। কমল বিশ্বাস কৌবা মীওই অমা য়াম্না শাথিনা শোকখিরমই। তুংদা তাংশন শিখিরমই।

ভিরুপাক্ষ, নয়ন-দেবব্রত ও সুরঞ্জনগী মমাংদা ফল্লগ মৈথাই থুগাইবগী থৌপোকশিংদু নৈনরমই। সুরঞ্জন মমিৎ উইশিল্লদুনা হিপ্লমই। অদুক য়াম্না মৈথাই থুগায়বগী রা ভানরিবদুদা মহাক রৈ অমফাও হায়রমখিদে। ময়ামদুগী মনুংদা কনানসু সুপ্নগী ভোলা, চাটটগ্রাম পিরোজপুর, সিলহট, কুমিল্লাগী হিন্দুশিংগী য়ুমদা লুট তৌদে, টিকাটুলীগী য়ুম অসিমদসু মায়া কৌবী ফজরবী হুপীমচা অমবুসু লুট তৌরমগ্রে হায়বা খঙলমহিদে। নুপী ওইবী হায়বসি লন থুমগা চাংদমনৈ অদুনা সনা, লুপা, লৈতেং, লন-থুমগুম্বা মায়াবুসু মখোয়না ওইনা পুবিখ্রিবনি।

'কদ্রি তৌরবগে সুরঞ্জন, নঙনা তুমিন লৈরিববো? নঙবু কৈদৌরবগে?' দেবব্রতনা হংলকখি।

'য়ু থকনিংডি। ঙসি য়ু পেন্না থকপা ফঙগদ্রা?'

'হোয় করিগী থক্তনি ?'

'ঐঙোন্দা শেল য়াওখ্রি, কনানো অমা ঐগী উইসকি লিক্লি অমত্তং লৈরুদনা।'

'য়ুমদা কম্লগা থক্কদৌরিব্র ? ইমা পাবুংখোই লৈরিবসিদি ?'

"মখো তাদে ইমা পাবুংগী। ঐ থকনিংডি, থককনি, ভীরু চৎলে', 'শাকুরা পিয়াগী' দগা কংবা য়াই।"

'অদুদা তামো শুরঞ্জন ....।'

'অদুক হাকনা চিংনগনু, চৎলো।'

থংনবা কাদগী কিরনময়ীগী কপ্পগী মখোল তারকলমই "কনানো কপলিবসি, ইনেরা ?" ভিরুপাক্ষনা হংলকখি।

'হিন্দু ওইনা পোকলুরবদি কপ্প নত্তনদি করিনি মতেং ওইনি ?"

নহা অহুমস্তু তুম্বিন লৈখিরমই। মখোয়স্তু হিন্দুনি। করগী মখোয়না কপ্পা তাম্বিবনো হায়বা মখোয় থওলমখি। পুম্নমক্কী থম্মোইদা মখোল খোক্তনা কপলমখি। ভিরুপাক্ষ শেলশোরগা থুনা চৎখ্রে, চংখোকলগ অরাবা পুম্নমক্কু কোকপা ডমগনি খল্লা। শুরঞ্জন্না য়ু থক্লগা অরাবা চৈনা কোকনিংবগুম্না।

ভিরুপাক্ষনা চৎলমদাইদা শুরঞ্জন্না হায়রকখি, 'করে, দেবব্রত্ত, মজ্জসিদাতি মৈ থাদোকপা য়াদ্রা ?

"মসজিদ ? নঙগী নকোক্তুবু বেরা লৈরব্র ?"

"করে ঙসি অহিং 'তারা মসজিদ' মৈ থাদোকউসি।"

দেবব্রত্তনা চঙচকনবা মিংম্নেংদা শুরঞ্জনবু অমুক নয়নবু অমুক য়েংদুনা লৈখি।

"ঐখোয় হিন্দু করোর অনীনি" তৌবু তৌশি হায়রবদি রায়তুল মুর্করমবু মৈ থাদোকপা ডমগনি।'

'নঙনদি নশাবু হিন্দুনি কায়না হায়দ্রি। ঙসি ইঙক ঙকনা করম্না রাকমসি হায়রকলিবনো ?"

'মীনি কায়খিবদুরা, মীগা মান্নবগী রাকম হায়বনি। পাঙল-শিংনা ঐবু মী ওলহল্লকত্রে। হিন্দু ওলহল্লে।"

"নঙ য়াম্না মওং ওল্লেকো, শুরঞ্জন।"

"সিদবু ঐগী করিস্তু ইরাল লৈতে।

"মসজিদ থুগায়রগা ঐখোয়দা করি তোংজগনি ? ঐখোয়না লাইশঙ হজিনবা ঙংগদ্রা ?" দেবব্রত্তনা চৌকীগী পাস্বাম

অতেকপদা খুজিল্লা শীকলহুনা হায়রকখিরমই।

"তোংজাব্রবস্তু, ঐখোয়স্তু থুদেকপদি ওমইদনা ঐখোয়দস্তু অশাউবা লৈ হায়বসি অমুক্তংদি কোংদোকপনা কব্রা? বাবরী মসজিদ চহী ৪০০ পুল্সিরবা মসজিদনি। চৈতন্যদেবগী শওস্তু চহী ৪০০-৫০০ শুরবা লীরবা মীংশিঙ খুদমশিংস্তু লৈবাকসিদা উফুল ওনখিদবা য়াওরিব্রা? ঐদি স্তুভানবাগকী মসজিদতু থুগায়লিংঙি। কণ্ডরবা মওংগী লাইশঙসি সাউদি আরবকী শেলনা শাখিবনি। চংলে', মত্তু খুহুম চনশিল্লগা লাইশঙ ওস্কোকলুরসি।"

"হায়ল্লিবত্তবু কল্লিনো শুরজন? নত্তবু ভাওরব্রা। নত্ত নব্রা হায়না লাইশঙ অমস্তুং মসজিদ অমত্তা থব্বা পার্মলমদে হায়রমখিবা।"

"লাইনীং শঙশিং পুমত্তুম ভুমগ্রসনু অদুনবা মৈরীনা লাইশঙ, মসজিদ, গুরুদ্বারা, গির্জাগী চেকশিং ভূগ্না চাকগ্রসনুতা হায়না হায়খিবতা নব্রা। অদুগুম্বা মাঙ তাকলবশিংগুদা নৌঙ্গৌরনা থুংশিবা মনম শন্দোকনবা পুক্লিং শুমহৎলিঙ্গোই ওইবা লৈকোলশিং, অরনৌবা অঙাংশিংগী মহৈ তমকমশঙশিং, পাওজেল চেনচিংবা পাকম শেল্লবা হায়খিবনি। তাঙকঙ মীওইবগী য়াইকনবগীদমক লাইশোমকম শুইরমলবস্তু লায়য়েংশঙ ওইরসনু, কনা লৈজব্রবশিংগী য়োকখম-লৈকম, মহৈতমকমশঙ তাইবঙ মহৈকোল ওইরসনু হৌজিক লাইশোনকম ওইজরমলবস্তু খুৎশা হৈবগী মহৈশঙ মাও য়োকখৎশঙ বিজ্ঞানগী রাখল্লোন মৈনকম ওইরসনু। হৌজিক লাইশোনকম ওইরমলবস্তু অয়ুক অডনবগী কোরবৌগী মশেক্লা রৈরবা ভাঙানবা জৌবুক, অহাংবা লমহাং, তুরেল, ঈথক হোরবা ইপাক ওইরসনু। লাই-নীংগী অতোপ্পা মশিং অমা মসিদগী তাইবঙ মীগী নুংশিনবা হায়বসি ওইরসনু।"

নোংমা দেব রায়গী অইবা অমা পাখি। ইরমথি অরোইবা গুলাম অলীনা য়াম্না নুংশিবা খোস্থাংদা জগোই শানাশানা ঈশৈ শকলমই — "হরি ওম তৎসৎ, হরি ওম তৎসৎ।" ভসিস্তু অথোইবা গুলাম অলীনা ঈশৈদু শকুনা চংলমলি। অদুবু বাবরী মসজিদপু থুগায়দুনা উফুল ওলহনখ্রগা মকমদুনা ইবুংঙো রামগী কোলু থনল্লগা চেল্লকখিবা হিন্দুশিংদুনদি ঈশৈসি তাবা কংখিদব্রা। ঈশৈসি অডবানী, অশোক সিংহলনা তাবা কংখিদ্রব্রা! ঈশৈসিবু রাষ্ট্র স্বয়ং সেবক সংঘ নত্রগা বজরঙ্গ দলনা কাংবুনা তাবা কংখিব্রবা! অথোইবা গুলাম

অদী পাঙলমি। অদুবু মঙোন্দগী থোয়রক্লিবা 'হরি ওম তৎসৎ' হায়বা খোংঙোনতুবু মসজিদ থুগায়ববগী অমত্তা ঙায়ববা মায়োকনবদি লাইশঙ থুগায়বনি খল্লিবা পাঙলশিংহুনসু তাত্রব্রা।"

"হায়রিবসিগী রাহন্দোক্তি নঙোন্দদি লাইশঙ থুগায়খিবদা দমক্তা মসজিদ থুগায়বা ফত্তে হায়বঃ নত্রদো। মঙদি ঐগী পাবুং শুম্না ফিদমগী র' ঙাক্তা ঙাঙহুনবা লৈবে। ঐ মাবু তুকচৈ। মহুগী অহলহু ঐ তুকচৈ।"

সুরঞ্জন ময়াই কাখৎলকপগা লোয়ননা ফমুংদগী হৌশৎলক-লগা লেপখৎলকখি।

"তপথখো সুরঞ্জন তপথখো। নঙনা ঙাঙলিবহু করিগুম্বা রাথোক অমগী অশেংবা রাতাই নত্তে!"

"ঐ অসুমবা রাতাই পামজে। ঐগী ইখুত্তসু থাঙ, নোংমৈ, পিষ্টোল পামলে। অচৌ অচৌবা চৈতুপ পামলে। মখোয়না অরিবা ধাকাগী লাইশঙ অমদা মপান থোকচিল্লমখিবা নত্রা? ঐসু মখোয়গী মসজিদতা মপান থোকচিনবা পামই।"

"ইহে, সুরঞ্জন! নঙ কাঙলুপকী ওইবা রাখল পোকলেম্রা।"

"চুমই, ঐ কাংলুপকী ওইবা রাখল পোকলে। শাথিবা কাংলুপকী ওইবা রাখল।'

"দেবব্রত সুরঞ্জনগী কাংবুগী নহানি। থবক কয়াদা মখোয়না পুনমিন্নরমখি। মহাক সুরঞ্জনগী মঙংহুনা মিপাইবা পোকলমখি। য়ু থকপা পামলকখি। মচিন্দগীমক কাংলুপকী রাখল পোকলে হায়রকখি। মাবু পোকপা মপাবুংবুসু তাথবা মীচৈ পীরমলি।

মীয়াম উংখৎনবা হায়বাসদি ঈশিং ঈচাউগুম্বা নত্তে, ঈচাউদি ঈশিং কংথ্রগ খুদোংথীবা পৃম্নমক কোকই। অদুবু অরাবা খুদোং-থীবা খবা লৈজরবসু মতেং হেক ফংবদা মতম খরগী ওইনদি অরাবহু কোকহনবা ঙমই। মীয়াম উংখৎনহুনা খংনা চৈনবা হায়সিদি মৈগুম্বা নত্তে ঈশিং কৈথরগা মুংথৎপা য়াবা মীয়াম খৎনচেনবদদি মীনা মশাগী মী ওইবগী মওং তৌহু মাঙখ। মীয়াম খৎনবদা মীওইবগী মপুন্নিংগী ফজবা রাখলশিংহু মপান থোরকই। মীয়াম খৎন-চৈনা তৌনবা হায়বসি মহৌশাগী ওইবা থোদোক নত্তে, মসিদি মীওইবগী মওং-মতৌ ফাঙদোকলকপনি।" সুধাময়না

মিংশা শাংনা হোল্লমই। কিরনময় ইমুংগী কাচিন অমদা লাইমাংদা কমলগা মরাইবক শুরি। লৈবাক্তী কোল্লুনি। মহানগী ধুমিত্তুদা, মখোয়না থুগায়রমলবনি। রাধা-কৃষ্ণগী অয়েকপা শক্তম (চিত্রবোর্দ) অমা কদায়দনো থমলমখিবনি। অদু মমাংদা থমলগা কিরনময়না মরাইবক শুজরিবনি। অদুগা তুমিন্না মপি শিন্থজরবলি। সুধাময়না মশা লেওঞমদনা হিপনা হিপনা থল্লকল্লমই, রাধা অমসুং কৃষ্ণনা মায়াবু হলহল্লকনবগী কবিগুম্বা থৌজাল (শক্তি), অমত্তা লৈত্রবা জাংলা! অয়েকপা লাই হায়বসিদি অয়েকপা হায়বত্থনি — চুমগী রাবীগী বানি! মসিন্না কমদৌনা মায়াবু অকনবা, অরুবা, তমথিববা মশাগী লাইনীংথুদা থাজরবা মীওইশিংথুগী মথুত্তগী কনবিবা ওমগনি! লৈবাক অসিগী মীওই ওইজববসু লোলগী ঈহৌদা য়াওরুরবসু, লালহৌথুনা পাকিস্তানবু তাম্হোক্লুনা লৈবাকপু নীংতমহল্লবা তুংদসু লৈবাকসিদা মখোয়বু নিংথিনা ওাক শেনবিত্রে। অদু ওইরবদরু বাধ-কৃষ্ণনা কৈদৌনি। ওাংম-শানরুদবশিংথুনবু হেন্না ওাক শেনবিগদৌরিব্র? মখোয়দি চাব-থকপগা নত্তনা অতৈ থববসু হৈত্রে। অওাং ওইরিঙেদগী লুনা চান্না তিন্নরকলবা যুমপোন্নবনা নয়ুম মুল্লরে, নওগী যুমথংনবদা লৈত্রিবা নচিন ননাওমকনা নচান্নুপীবু যাত্রে। অদুগা নঙগী খুদোংচাদবত্থ কোকহন্নবা "মাখোয় হুরানবত্থ" অদুদা লাকথিত্রা! আয়োম ঘোষকী ভুপী (রাধা) লাকত্রা! অরাব খুদোংথীবা কোকনিংলবদি ময়াম পুল্লপ পুনশিন্নগা অপুনবা কাংবু অম ওইনবগীদমক লালহৌরিবা মীওইশিংথুনা তৌত্রিবদৌনা তৌগদবনি।

সুধাময়না চোকথববা অমসুং মিন্নবা খোঙ্গেলদা কিরনময়বু কৌজবকথি —"কিরন, কিরন!"

কিরনময়না অশাবা শক্তমগী মতৌগুম্না মমাংদা লাকলগা হেক লেপলবমক্তা মহাক্না হংলকথি—

"শুরঞ্জনবু ওসি মায়া থীবা চৎখিত্রা?"

"থওদে।"

"অদুদি হৈদরনা থীননবা মী থাদোকই হায়বদাই। মাবু লাকথত্রা?"

'লাক্তে।'

"অদুদি মায়াগী লৈফম অমত্তা থওত্রিবা নত্রা?"

'মেন তাদে।'

"ঐগী নাক্তা ওাইহাক্তং কয়গেরা, কিরনময় ?"

কিরনময় মথরাই য়াওত্রবা পোংকী মতৌগুম্না ঙেক হেক লাওনা কমথরুমই। অতুম কমছুনা লৈরমই। ম্যাগী অকম, থঙত্রবা মখোং মখুত্তা পায়বিনবা মথুং-মশা তিংথোক্লকপা লৈখিরমদে, অদুগা অনাবা মপুরোইবদা অমুক্তং কাওবা য়েংলমখিদে। থংনবা কাদা ইরাং লাংখি। সুধাময়না হংলমখি "করিগীনো গুরজন্না লাংলিবা ? মহাকপু হৈদরগী মনাক্তা চঙলুত্রব্রা ? ঐ ইশানা হেক চংচবা ঙমজরবদি। লায়নাসি ঐঙোন্দা কৈদৌনা নারমলিবনো ? ঐনা ইশা কল্লম্বদি মায়াবু কন্নাসু শোকপা ঙম্মশোইদবনিকো। ফুদত্তুনা লোয়না হাংলমগদবনি ! হকচাংসিদং কুংঙাইরম্বদি ম্যায়াবু থিরমলুগদবনি....।" সুধাময় মত্তোমতা হৌগংনিংলমই, হৌগংপদা রাস্থুনা ফমুংদা তাশিল্লমই। কিরনময় মাবু হৌগংপিরমখিদে অহোয়েননা কন্না লোনশিল্লবা থোঙ-জাও য়োমদা য়েংহুনা লৈরমখি। করম্বা মতমদা থোঙ হাংবগী মথে ল তারকনি, মায়া করম্বা মতমদা হল্লকনি।

"নঙগী মতিক চারদা নচাত্থ অমুক্তা কৌরকউ। মীকত্তু ছু ! মচন কাত্রে অহুগা মযুমদা শাকৈ য়ুনৈরগা ইবাং তৌহুনা লৈথোক্লি। ভুকচৈদা।"

কিরনময়না শুরঞ্জনবুসু কৌরুদে অদুগা সুধাময়বুসু খাল্লমখিদে। মহাক অখিংবা থোঙলোমদা য়েংহুনতা মরৈখি। যুমগী কাচিন্দা রাধা-কৃষ্ণগী অয়েকপা (শক্তম) লৈ। হৌজিক মা অমদি মপুরোইবা নত্রগা মচান্নুপা মরি লোয়না থদংনবগা লাই থাজদবগী রাখলদা লৈরে হায়বা য়ানিংলমখদে। তাঞ্জাসিদা মতেং পাংবিনবা মীওই কনাসু লৈরমখিদে, তশেনা লাইবক্রা মতেং পাংবিরবদিকো !

সুধাময় লেপনিংলমক্ত অমুক্তং জানাথম স্বিক্ট কুম্না হায়বা প্যাম্নমখি — "মযাম নুংশিনদবগী লাইনিংসি ঐথোয়গীদা য়ামশ্রে অদুগা অমনা নুংশিরবগী লাইনীংদি যাম্না রাংলি। মীওইবগী পুরাবীদা লাইনীংগী চয়েংনবা, লাল. জেহাদ (ফিভম চাদবদগী মিংচং থীব) নি।" ১৯৪৬ তা সুধাময়না খোল্লাও কন্না লাউদমখি — "হিন্দু-পাঙল মচিন মনাওনি।" অসিগুম্বা খোল্লাওসি ঙসিসু অতুম মবাওরি। মতম অসুক কুইবসিবু খোল্লাওসি কারিগী হন্ন-হন্না লাউরিবনো ? অপীকপা মহাদেশসিদা খোল্লাওসি কয়া কুইনা লাউখিগদগে ! হৌজিক কাওবদা মন্নামবু কৌথোকতুনা মেন তাহনবগী কান্নবহু লোই ত্রব্রা ?

খোল্লাওসিদগী অক কক্তা খনবা ওন্নদবা মীওইশিংত্তু করকশিগন্নো ?
মীওইবনা মনুংদা কাংলুপ নাইবা ওইত্রবসু খোল্লাওসিদগীদি খরা হনখিবদি য়াই অহুবু কাংলুপ নাইবগী রাকমদি লোইশিনবা ওন্নোই।

শুরঞ্জন হৈদবগী মমুমদা চণ্ডখিরমই। মহাক নৈবকখিদে। 'ভোলা'দা চক্তখিরমই। হিন্দুশিংগী খুদোংথীবা কিভম য়েংশিনবা। হন্নকপগা তশেংনা অরাবা পোক্লগনি। মকম : ০দা রাজাওলমগদি। মীয়ামনা থাগৎনরকনি, 'অরাম্বী লীগকী মীওইশিংদি মীনুংশি য়ারু চাউইত্ত, য়াম্না কাংলুপ নাইদবা কাংবুনি।" মসিগী মহৈক্তা হিন্দুশিংগী ভোট কদায়দা লৈখোকখিনি। মাগী য়ুমলোন্নবী 'মায়া' ত্তু মাগী মকমদদি মায়া নত্তে, মাদি অথাম্বগী মায়া কয়াবু য়েংবা চংলিবনি! মনুংহ হাংদোক্লগা লিকলিদগী গুং গুং লাওনা খরা শুরঞ্জনগী মথকাওর্দা তাহল্লমই। অতৈ মীওইশিংত্তুদি খোইনা থকনংবা পোকলমখিবমদে। অহু ওইরবসু ঈশিং য়াল্লগা খরা খরা লোয়না থক্লরমই। চাকখাউ হাংনা য়ু থক্লবদি ওবা নক্লগা খগেবা ভোগল্লি।

নুমিদাং রাইরমসি ঐ কোয়খোকপা য়াম্না পামজবনি। মায়াসু কোয়খোকপা য়াম্না পামজবনি। :নাংমা মাবু 'শালবন বিহার' পুবিগে।"

ভিরুপাক্ষ না হায়রমখি— "জানুয়ারী ২দগী উলেনা মথায়খোয়গী অশাংবা খোঙচং লৈ।"

"করিগীদমক অশাংবা খোঙচং চংকদৌরিবা ?"

"মখোয় মখোঙনা ভারত চংকনি, বাবরী মসজিদপু অমুক শাগৎনবা!"

"হিন্দুশিংত্তুসু খোঙচংত্তুদা লোয়নগন্রো ? লোয়নখদবা ওইরবদি ঐসু য়াওগনি। নখোয় কনা কনা চংকনি ?" শুরঞ্জননা হংলমখিরমই।

পুম্নমক তুমিন্না অমনা অমগা য়েংনহুনা লৈনখি।

দেবব্রতনা হায়কেং কিহনবা খোলকমদা হায়রকখিরমই "নখোয়না করিগীদমক হিন্দু পাঙল। হিন্দূ-পাঙল" হায়হুনতা লৈনরিবনো। নখোয়গী হিন্দূত্বনবু করি হেন্না চাউখংলকখিবগে।"

"করে দেবাবাবু, মুপামচাশিংসি লমথৈ নাইহল্লবসু মখোয় হিন্দুনি হায়ব খঙলে। অহুবু মুপীমচাশিংবু হিন্দুনি হায়না খঙবা করি মতেং লৈবগে, হায়বিয়ু? মায়াবুসু লৌরগা খমরসি। করিগুম্বা মায়াসি লমীদা হুন্দোকলালে হায়না খন্নরসি। মখোঙ মথুংসু

পুন্দুনা থনমলে হায়না খল্লসি অদু ওইরবদি মাবু কবম্না তিন্দুনি হায়না খঙগদগে ? পাঙলগুম্না মাগীস্নু মমিৎ-মনা, মনাতোন, মখোঙ মখুৎ, মমার মমিং পাল্লি।"

শুরঞ্জনগী রাহুংগী পাউথুম অমত্তা নীবা তৌদনা দেবব্রতনা হায়রকখি। — "জিয়াউর-রহমানগী মতমদা ফরকাগী ঈশিংগী দমক্তা ঙমখৈ য়ৌম্বা লৈঙাকলোনগী ওইবা অশাংবা খোঙচং চৎখিরমই। খালিদা জিয়াগী রাথোককী মতমদা কুমশিং ১৯৯৩ হৌগৎলকপদা বাবরী মসজিদ নৌনা শাগৎনবগী কাংলুপকী ওইবা অশাংবা খোঙচং-সিগী মরকসিদা ফরকাগী খোঙচত্ত ঈশিংগীদা নত্রবা অদুমনা বাবরী মসজিদকী খোঙচৎতুনা মদু নৌনা শাগৎহন্নবগী রাকম ওইরোই। তশেংনা বাবরী মসজিদতা পাদম ওইরগা অকনবা ঈহৌ শাগত্তুনা খুৎথোক-নবগী মরমদি লৈঙাকলোনবু (রাজনীতি) কাংলুপকী ওইবা ঈহৌনা হুমত্তুনা পুননবা অমসুং গুলাম আজমবু য়াদবা মীয়ামগী পুক্নিং থৈদোক্লবনি। তাঙ্গাসিদা লৈঙাকপশিংনা চেজেৎ-চেৎনা তুমিন্না লৈখিবত্তুন্নু পুক্নিং খিনজিন্ননিংঙাই ওই। অসুক য়াম্না ঈরাং থোক্লবস্নু লৈঙাকপশিংনা "লৈবাকসিদা কাংলুপ মশেল চান্ন-চিন্ননা লৈ" হায়না ফোঙদোকই।

তাল্লকসিদা পুল্লক চৎশিল্লক্লমই। হংলমখি। "করি তৌনরবগে ? থোঙ হাংদোক্লুনা ফমত্তুনা লৈরব্রা ?"

"থোঙ হাঙদোকলিবনি, শানৈ-য়ুনৈরিবনি, লাও-খোংত্তুনা ঈরাং তৌরিবনি। করিবু কিগদৌরিবনো ? শিকম থোকলে শিদোকলি। করিগী নঙদি মপাল থোরক্লিবনো ?"

"ফিভম হায়কেৎ নিংখিনা ইংথরে। অত্তুনা মপান থোকলকপগী ধৌনা লৈরবনি।"

"অত্তদি য়াম্না ইরাং তৌনব। ওইরবদি য়ুমদা শো লোল্লগা ফমত্তুনা লৈগে হায়বনিদনা" শুরঞ্জন হৌনা নোক্লমখি ।

মীপাইবগা লোয়ননা পুলকনা শুরঞ্জন্না য়ু থকপত্তু য়েংলমখিরমই। মহাক য়াম্না কিনা স্কুটরদা লোন্না লাক্লরনি। কয়াদা অকিবগী মশক ওইরবা লৈবাকী ফিভমনো! অত্তুগা শুরঞ্জনগুম্না লৈবাক শেমগদবা অনৌবা খুন্নায় পূরক্কদবা নহানা য়ুমদা ফমত্তুনা লৈরে, শানৈ য়ুনৈত্তুনা লৈথোক্লে। অসিগুম্ব ফিভমগী মঙং মতৌসি মানা খনবফাও থনবা ঙম্নমখিদে। কমদৌনা অসুক থুনা শুরঞ্জনসি ওল্লমলিবনো ?

গুরজম্মা য়ু য়াগতু অমুক্তং চিংলগা হায়বক্তখি, 'গুলাম আজম. গুলাম আজম. গুলাম আজম, গুলাম আজম! গুলাম আজমনা ঐভোন্দা কৈদৌনি? গুলাম আজমমা চৈরাক ফজলগা ঐনা কৈদৌদৌরিবানো? মাগী মায়োক্তা পেন্দবা কোঙদোকপুনবগী ঐভোন্দা কৈনিংবগী থৌনা অমত্তা লৈতে। মায়াদি মাগী মমিং ফাওবদা হেক তুক্কচজবনি। মহাক্তী মমিং হেক তাবদা হন্নোকখিংবনি। নীংতম লান্দা পাকিস্তানশিংনা ঐগী মরি-মতাগী থুড়া অনী অমসুং মাপা অহুমবু মোংমৈনা কাপতুনা হাংতোকখিরমই। কন্নিগীদমক মীওইং শিংতুনা পাবুংবু হিংহত্রম্লিবানো হায়বা ঐ থত্তবা ওয়খিদে। মীংকম্বগী মুংডাইব রাথয়োন লৌননবগী তাংখংজা ওইরম্ব য়াই। কৌজিঙ্কি মুংডাইবগী মহাও তংলেদনা? মুপী অডাংগা লোর্মনা নীংতম্বগা অশাবা মৈশা কতলবা নত্রা, ডাক্তর স্মৃধাময় দত্ত?

ভবম্বম লৈমায়দা থাবা ফিদাদা মংথাত তিংথোক্কুনা কমমই। পুল্লকম্বু কম্রমই। ওকুলগী উফুলমক্তা ওায়রবা কা. অতেকপ চৌক্তি, চায়থোক্কুন লৈরবা লাইরিকশিং, কা মনুংদা চায়রিবা চুকপ অতেক কাচিন অমদা অতেকপা অম্বাৱী। ভরজমগী অপাম্বদি য়ু থকচিন্নবা পুমমক থুগায়বনি। করিগী য়ুমবু অস্থক তং-ওয়া? ইমুংসিদা কনাবুম্বু লৈহন্নিংজে।

"ইকবাম হুসেন 'ভোলা' দা চংখিরম্মী। হন্নকমগা হায়রমখি. পুলিস. লৈবাক্কী রায়েন থৌদা তৌবা অমসুং বিঃ এমঃ পী গী কাংবুশিংনা হায়রমই মহুদি "ভোলা'গী থৌদোক্তু বাবরী মসজিদ থুদেকখিবগী চুম্না কোকথোক চামথোকপনি। হায়বদি স্পোনতেনিয়সনি! মহুদি হুম্নামবগী মথৌনি, অতৈ কম্বিশু নত্তে। হিন্দুশিংগী মথক্ত লান্দাবগা মরি লৈননা থুল পুমমক মৈ থাহুনা তুম্না উং ওলহনখি। নুংশিত্তা ওপ্রতগী চাকখিবগী মনমহুদা ডায়হৌরে। পুআলগী শঙ্গোল ময়ামহু কাওবা থাকলমদে। পুমমক তুমথ্রে। ইমুংগী ফিবোল, থোংউপ, মোম্পাক মোন্নুম, ইন্নফিদগীনা থাও লিকলি বাই শিংনবা ওমজিং কাওবদা কেরোসিন হৈজিল্লগা মৈ থাদোকখিরমই। মৈ চাক্কুনা তুমথ্রে কৌ হৌবা লৌবুক কয়া, য়ুবীগী তংথোল কয়া। অডাংবা শেংচবা লুংগী কাওবা মুন্দুনা পুবিখি। হেক থেংনবা লৈশাবী মচা মখৈ নমহুনা নমজা নমথেকনবিরমখি। লিক কোল. গাড়ী মুন্দুনা পুবিখি। হিন্দুশিংনা কৌংক্ত চেন চেন্দুনা

লোৎনরম্মই। সমভুপুরগী খাসের হাটি স্কুলগী ওজা মিকুঞ্জ দত্ত লৌরিক্তা লোৎলমই। শেল-ধুম লৌমবগীদমক মাবু কারগা কুবিখ্রমখি। মিকুঞ্জ দত্ত ভংেংনা শিখদোন তৌরমখি। ভোলা'দ খোল্লাওসি লাওনরমই. "হিন্দুশা হিংমিংলবদি বকল' থাদোক্কুমা ভাঙ্গা চংগ্রো।" হিন্দুশিংবু কিহল্লমই, "কৈদৌউৈ চৎকখি নক্রবদি শর্ল কাইলগী পীক্রগনি।" হিন্দু পুন্নমক্কী ফিভমসি চপ মান্নবা ওইরমই। লৈজবা পুম্বা মৈদা উং ওস্থোকপিত্রবনিজ্ঞা মখোয়গী মথুংদা করিস্থু লৈজরমখিদে। হৌজক য়ুবী মনিংদা ঈশিং থকপে, লাদা চাক চারে। অছুস্থু য়াম্না রানা হিংজবা কংবা চেংনি। নোংমন্দ। অমুক্তমক মঙ্গগী শাক খোংবা চারমই। মপুরোইবগী মমা দা লোয়নবীবু, মপাগী মমাংদা মচানুপীবু, মবুংগী মমাংদা মচনবু নমচুন মা খোক্লপীরমই। মমা অমস্থুং মচানুপীবু পুম্না নমজা নম্বথেকনখিবস্থু ম্রাওরমই। মী কয়ানা কোঙনা হায়রমই. "মীভোন্দগী মীরগা চাবস্থু চাগনি অদুগ মসিদদি লৈজররোই"। কনা কনাগুম্বা চেঙজেন পীবা চৎলুবশিংনা অস্থুম হায়নবস্থু মথাওই, "চেঙজেন কংলুবগী ২ থী তাত্রে, ঐখোয়বু থাদোকপিরো. চৎচথ্রগে।" শমভুপুব, গোলকপুরদা এম: এ: বাচ্ছেত অমস্থুং সিরাজ পটবারী অহানবা পনকমগী লুচিংবা ওইবশিংহু কৌজিক বি: এন: পী: দ লান্দারমই। লোর্ড হায়দিংসকী হিন্দুগী য়ুম অমত্তা মৈ থাদোকলমদবা য়াওখিরমত্রে। প্রিয়লাল-বাবু নীংত্তম লান্নীনি, মাগী ময়ুমদস্থু মীওং-মীনৈ তৌবিবমই। মখোযগী থুলদা অরামী লীগকী লুচিংবা অবদুল কাদির, গৌবুরেল বিলায়ত হুসেন্না লন্দারমখি। ববলুদাসকী "পারার টেলর" অছুম মৈ চাকখিরমই। ইকরামনা মভোন্দগী মথা করি চৎথবা পাম্বগে থঙমিংলকপদা মহাক শাওগৎলকলমই। হায়রকখিরমই, "খুদোংচাবা হেক কওবগা চংখিনি।" পুলকনা অছুম হায়দুনা লৈরমই অদুবু শুবঙ্গন্না মাবু চৈতত্তুনা তোকহল্লমই। হায়রকখি, "শট অপ! রা মথা তারকনু। মথা তারকলবদি কুবকলগনি।"

পুলক অহানবদা শুরঞ্জন্না চৈহৎপত্তুদা পাখৎলমই। শুরঞ্জন্না মতৌ অস্থুম্বা হান্নগা মান্নদবা মওং মতৌ উংস্কলিবসি করিনো হাইবা মহাক থন্থবা তমলামখিদে। য়ু থকপনম্বা? ওইরম্বস্থু ময়াই। দেবব্রত্ত লোমদা রেংলগা কংনেক নোকলমখি।

ফনা কুইনা কনাস্থ কবিস্থ হায়নরমখিদে। শুরঞ্জন্না থুনা গিলাসতু থকচিল্লমই। মহাক যু থকপগী-হৈনবীদি লৈরমদে। করি কবিগুম্বদা কনাগুম্বগী যুমদা কমলমগা থকপস্থ ময়াওরমখি। অদুস্থ খজিক্কনি। অদুবু ঙসিদি মনিং তোরে, লিকলি কয়া খুখক অমুক্তা লোয়শিল্লে। পুলকপু তুমিন লৈহনখিবদগীদি পুম্নমক পুম্নাচিক চিকখ্রে। অচিকপদু থুগায়দুনা শুরঞ্জন্না হৌনা কপখৎলকলমই। মহাক্না পুলকী মরেংবান্দা মকোক ঙাথরগা তেংথারকলমই। পুলকী মরেংবান্দগী নম্বহুনা মহাকী মকোক লৈপাক্তা য়োশনলমহ। মমতক তৌবা কা মন্নুংগী থাউমৈ, য়ুগী-মনম অমস্থুং শুরঞ্জনগী থম্মোয় কায়বগী তেংথ খোল তাবদা কা মন্নুংদা ফমলিবা মশাদা চৈনাখোল ফংলবা কংবুশিংদু চিংনদুনা চপ লেপলমখি। মখোয় ঙবাং হুমিদাংগী ফিদুমক অদুম শেংলমখি। হৌজিক ফাওবা হোংদোকচবা শংলমদ্রি। মশা শেংদোকসমদে (ঈরুজবা, চাস্থ চাবমদে। মশা পুম্না উথুল রাইফুল মক্ত। অদুগুম্বা ফিভমদুদা শুরঞ্জন্না উথুলদা ওন্না ওন্না হাযবকলমই, "মখোয়না মায়াবু ঙরাং হুমিদাং ফাদুনা পুবিখ্রে।"

"করি হায়বা ?" পুলকনা ঙকনা শুরঞ্জন্দা য়েংলমখি। পুম্না অমুক্তদা দেবব্রত, নয়ন অমস্থুং ভীরুপাক্ষনস্থ য়েংলকখমখি।

অদুফাওবদা শুরঞ্জন হিকনা হিকনা কপতুনা মশাদু ফাইরি। যুদি অদুম ঙাওরি। গিলাসতু উপতুনা লৈরমই। লেমহৌবা গিলাসশিংদু লৈমায়দা তাওনা লৈরমখি। 'মায়া লৈত্রে' হায়বা ৱাহৈসিগী মখ লৈখিদ্রে। কনাস্থ কবিস্থ হায়বগী থৌনা লৈরমখিদে। মসিগীদি পুক্নিং থেমজিনখিংঙাই ওহবা র'হৈ অমত্তা লৈত্রে, অনাবা মীদা থল্লুবস্থ, থুনা ফবনিনচিংবা হায়বদৌনা।

কা মন্নুংদা পুমচিক চিকনা লৈরিবৈ তাঙ্গাহৈদা বেলাল চঙলকলমখি। মানা কা মন্নুংগী মওং মতৌদু য়েংলমখি। লৈমায়দা তানিবা শুরঞ্জনবু মশা মোমলদুনা হায়রকখিরমখি, "শুরঞ্জন, তত্রিব্রা মায়াবু ফাখ্রে হায়ব্রা ?"

শুরঞ্জন মকোক হায়রকখিদে।

"জং দীং এনত্রি তৌরুরব্রা ?"

অদু ফাওবদা শুরঞ্জন মকোক হায়গৎলকখিরমদে।

বেলালনা মীয়ামলোমদা য়েংলগা পাউথুম পীরকনবা ঙায়রমখি। ... মখোয়গী মওংদু য়েংবদা কনানস্থ খোদোকসি থঙদবগুম তৌরমখি।

"মক্কম খঙলত্রো, কনানা পুখ্রিবনো?"

হন্দকস্থ শুরঞ্জন মকোক হায়গৎলকখিরমদে। বেলাল ফমুংদা ফমথরমই, অদুগা চুরপ চমখৎলমই। হায়রকখি, অকোয়বসিদা করি করিবু তৌবগে! লমহৈনবা ফত্তবশিংনা খুদোংচাব। য়াম্না লৌরে। ভারততলা নস্থ ঐখোয় ময়ামবু হাংলে।"

"মরম হায়বদি?"

"মাঙজাশিংদ! বিঃ জেঃ পী দি ফারগ কৈশুমশঙদা থমখ্রে।"

'অদুরা!'

'অশোমগী পাউ তাবদস্থ মহাক মকোক ভাওরমখি। কনাদবু মরাল শিরুনি! আদনা ঐখোয়বু হাংলে. সিদনা নখোয়দ। মসজিদ থুগায়রুবগী করি কান্নবনে! চহী অস্থুক কুইরবা মসজিদপু। ইন্দিয়াগী মীশিংনা মহাকাবাগী রামগী পোকফম থিনবা মসজিদ খুগায়খ্রে। খরা লৈরগাদ তাজমহলদা হানুমানগী পোকফমনি, অদুনা তাজমহল খুগায়রে। মরে, থুগাযরনি। ভারতভা লাইনীং অমগুদ, মিচং-মিথাই নায়দবা লৈবাকনি হায়রিবনি। কন্নিগী ভুসি মায়াবু ফাহুন পুখ্রিবনো? মরু ওইবা লুচিংবদি অডবানী অমস্থং জোশানি। অস্থুম তাই, "মন্দিরাংর্জ' গী ফিভমস্থ লুবি হায়না।"

শুরঞ্জন খুনগৎপানবা লৈজত্রবা অশিবা হকচাংগুম লৈপাক্তা তাহুনা লেরমলি। থানবা কাহুদগী কিরনময়গী অহিকপা মীকপখোল অমস্থং সুধাময়গী নাক্কেখোল তারুবদা বেলালগী অরাবগী ঈরোং অহৌয়নখিরমখি।

"মায়া শেয়দনা হল্লকনি। মখোয়না হিংলিবা নুপীবু হাক্তোকলোই। ইনেদ হায়বিয়ু, রাখল পীকথখিগনু। অদুগা নখোয়না নুপীদোনা দাবগী কপলিবনো? কপলগবু রাথেক লোয়শিনবা য়াগত্রো? অদুগা মথামনা কাংগী ফমদুনা লৈথোকলিবনো? নুপীদু কদায়দা লৈবগে, থীবা ওমত্রব্র?"

ভিরুপাক্ষনা হায়রকখি, "ঐখোয়দি হৌজিক্কদা মখঙবনি। কনাগুম্বু ফাগ্রগ! থীবা ফংনবিত্রা? অদুগা থীবনা কদায়দা থিরুগদৌরিবনে?"

"শোয়দনা গঙ্গা-ভিগোইন থবপন ওইরমগনি, লৈকাইসগী মী ওইরমগনি। নুপীদুবু পাম্বা ওইনমগনি। অদুনা খুদোংচাবা ফলিতৈদা পুখিবা ওইরমগনি। অফবা মীনবু অদুম তৌগত্রো? হৌজিক্কী

নহানবু, লম্নুহেন্নবনব অওবপা থবক তৌরিব্রা। মসিগী মরুদি শেল থুমগী, কিডম কল্লকতবননি থউব্রা ?"

ভিরুপাক্ষ মরু লুকথম্নমখি। মখোয়গী অমত্তলী কমানন্দু বেলাজবু শকথউলম্নখিদে। বেলাল খৌনা হেন্নগংলকসমক্ট, কুরিংথাউরগী 'বেংসন' অমসুং মৈখেং লৌখোকলমই। মখুত্ত চুরুপ পায়রমই। হায়ব্রকখি, "যুনা করি ব্রাখোক কোকপ্পবগে? ময়ামসু হায়বিয়ু, যুনবু ব্রাখোক লোয়শিন্নবা ওম্রা ? লৈবাকসিদা থংনচৈনবা কয়া থোকব্রা? মসি পুন্নমকসিদি কবিসু থংনচৈনবা নত্তে। অচাংপোং মিক্কৌবুদগী অঙাংশিংনা অচাংপোং য়ানকখদা। হুরানচগুস্তনি। হৌজিক কাওবদা ভারত্তা মীওই ৪০০-দগী ৬০০ক কাওবা হাথক শুনখ্রে, হায়না তাই। পাঙল লিশিং-লিশিং থশিংথ্রে। থসিদবু হিন্দু কয়া শিথ্রবগে? হিন্দু লৈবা থুল থুদিংদা থানাগ পাভী মপোং মপোং লৈডুনা লৈরি।"

কনামসু কবিসু হায়রমখিদে। গুরঞ্জনসু তাবরমখিদে। [illegible] বা ওাংনখা প্যুমলমখিদে। মহাক য়াম্না তুমনিংলমখি। বেলাল চুরুপ চুমসমখিদে। মনাক্তুদা থবক অমা লৈরি হায়ডুনা মহাক চংথ্রে। অতেসু অমমম ওইনা চংনখ্রে।

গোপালগী য়ুমদা লুট তৌবিখ্রে। অমি গুরঞ্জনগা হেক থংনরদা লৈবা য়ুমনি। চহী ১১/১২ রোমি গুরঞ্জনগী লুপা অচা অমা গুরঞ্জনগী য়ুমদা লাকলমখি। মহু গোপালগী মচম লুপী অতোপ্পীমি হেক লাকপগা মান্না, মখোয়গী অতেক অকায়না থম্নবা য়ুমহু য়েংলমখি। মুহাক খুনিং কাংনা কাংনা কঁ মথুংদা চওলকখি। ওড়াডুনা ক্লিপনা ক্লিপনা য়েংডুনা লৈরমখি, মহাকনা লুপীমচাগুবু য়ুমলৈরা ওইনা উরমখি। চহী অসিদসু মহাকী মায়থোংদা অকিবা ফাওরখ্রি। মহাক গুরঞ্জনগী কাগী থোডজাউ মনাক্তা লেপলগা কোইচংং জেডুনা লৈরমই। গুরঞ্জন অহিচুপ্পা লৈখাঁয়দা তাডুনা লৈরমই। মাঙ্গোলগী মুংশা উবদা লুমিং কয়া হায়গংলে হায়বা মহাক থঙলক্রমই। মহাক্তা মথুংনা ইঙ্গিং তৌদুনা মাবু কৌরমখি। হংলকখি, "নমিং করি কৌই" ?

'মাদন'!

'করি স্কুলদা তম্বগে ?

"শেরে বাংলা গুপীমচাগী স্কুলদা।"

অহানবদা স্কুলশিংগী মমিং "নারী শিক্ষা মন্দির" কৌরমই। মসি লীলা নাগনা কংলমি। ভসি অরিজনল লীলা, নাগকী মমিং য়াওরিব্রা ? 'সুলশিংনা' মহৈ তৌবা চংনখ্রিবা। মহাক্না য়ুম য়ুমদা চত্লগা 'সুলমচাশিংবু স্কুলদা তমহনবা কয়া হোৎনজরমখি। মহাক্না কোয়চেৎ চেন্থরিংল থাকা সহরাদা স্কুল লিংখৎচরমখি। অদুনি ডসি লেপ্লিবসি। হায়রবদি উসিস্তু শজু লৈঙি অদুবু মমিংদি হোংলে। তশেংনা হায়রবদা লীলা নাগকী মমিং পনবা য়াব্রে, "নারী-শিক্ষা মন্দির"গী মিং পল্লুবদস্তু অহৌবা লৈত্তবা অমিংহনা লৈরে ঃব্রগা লৈতে করমদা খঙগদি? অস্তুমনা বীঃ এমঃ কলেজস্তু এমঃ সিং কলেজ কৌনব্রে। মরমদি পাকিস্তানগী লমদমদা হিন্দুগী মমিং অমুক হন্না লৈদনবনি। ১৯৭১ দস্তু থাকাগী লম্বীগী মমিং হোংদোকনবা অরোনবা থৌরাং তৌনরমখি। পাকিস্তানগী মীশিংনা সহরগী ৩খী ৩৪০ গী মমিং পাকিস্তানগী মমিংদা থোন্নমখি। লালমোহন পোদদার-লেনবু অবদুল করীম গজনবী স্ট্রিট, শংখারী নগরলেনবু গুলবদন স্ট্রিট, মদনচান্দ গোস্বামী রোডপু বখতিয়ার খিলজী রোড, কালীচরন সাহারোডপু গাজী সালাউদ্দিন রোড, রায় বাজারবু সুলতানগঞ্জ শশিভূষন চেটর্জীলেনবু সৈয়েদ সলীম স্ট্রিট, ইন্দিরা রোডপু অনঞ্জকলী রোড হায়না ওন্থোকলমখি।

সুলীমচানুনা হংলমখি 'করিগী লৈপ ক্লা হিল্লীরিবনো ?"

'লৈপাক্তা হিল্লসি থ্রগী তৈনবীনি।"

"লৈপাক্তি থ্রস্তু য়াম্না হৈনে। থ্রখোয়গী মাঙ্গোল য়াওরা য়ুমসি থাদোক্তুনা থ্রখোয় চংলমি, অনৌবা য়ুমহুদদি মাঙ্গোল য়াওদে। লৈপাকস্তু লৈতে।'

"অঁতুদি নঙ শাক্কস্তু কংলবোইদো-?"

মহাক্না সুরঞ্জনগী মকোক ময়াগী চৌখিঙী মপান্থেংদা থাবদুনা কর্মথরমখি। মহাক্না সুরঞ্জনগা রাথী শান্নবা পাম্লমই। মহাক্না ঙাইহাক-ঙাইহাক নিংশা শাংনা হোল্লমই অমস্তু হায়বকখি, "থ্র সিদরা চংখিবা 'মাম্নাদোনা তৌরে" দুংখচাহুনা মায়া হায়বা রাহৈহু হাঁয়রকপা হেক "তাবদা" সুরঞ্জনগী মপান্থ থকপ্রক- নীরমখি। মহাক্না মাবু থবগী নকশিন্না কল্লনবা হায়রমখি, হৌজিকমাক্তু মায়া ভুইনা মহাক্না কে র। ভড়াং ওইদ্বিড্ডৈগী মাথাদো, মবুংগী মনাক্তা ফমহুনা

রা হেক ঙাঙবা নুপীমচাহু! স্কুলগী রাশিং, শাম্নবগী রাশিং। মায়াগী মনাক্তা কমদুনা মহাক্না রারী শান্নদবা মতম কুইরক্লে। অঙাং ওইরিবৈদা অঙাং ময়ামগা গোয়ননা তুরেলমপান্দা শুরঞ্জন্না লৈঙোইগী য়ুম শারমখি। মায়াম্ভু শারমখি। মুংমিদাংরাইরমদা শাহুনা থনমই অদুগা মুমিদাং অমমম্বদা ঈশিংগী ঈথক্তা য়ুমশিংহু চামথোকখিরমই। মিঠাই অহাওবা (ময়াং মকোই) চারগা লৈ ঙাংশং ঙাংহনবা নুমিৎ, জাম-হৈত্রোই চাবা নুমিৎ, য়ুমদগী চেন্দূনা কাশ নাপী মরক্তা কোয়চেন চেন্দূনা শাম্নবা নুমিৎ ...... নুপী মচাহুবু শুরঞ্জন্না মখুৎ তিংথোক্লুনা শোক্লমই। মায়াগুম্না মোন মোন লাওবা খুৎ। কনাম হৌজিক মায়াগী মখুৎ পায়রিরমগনি, তশেংনা কনাগুম্বা মিনুংশি য়াওদবা, থম্মোই কনবা অমনগা ওইরমগদ্রা! মায়াহু চেল্লগা নাম্থোরকপা পাম্লমগদ্রা? চেল্লকনিংলমগনি, অদুবু চেল্লকপা ঙমদবা ওইরমগনি। মহাক অমুক হন্না মশা থক-থক নীক্লমই। মহাক্না মাদলগী মখুৎ পায়দুনা লৈরম্মী। মাবু মায়ানি হায়না খল্লমালে। থাদোকলুরগা মাবু কনাগুম্বনা ফাবিগ্রবদি। অকনবা থৌরিনগা পুন্দুনা থম্বিগ্রবদি মাদলনা হংলমখিরমই, করিগী খুৎ নীকপীরিবনো?"

"নীকপ্রনে? "নঙবু উবদা মায়া ওইরবোই নীংলুরে। নঙনা চংগ্রগনা করম তৌবা!"

"মাঙ্গোলদা থোক্লগা লেপ্তুনা কপ্লমই। কিবদগী মখোয়না ঐখোয়গী টিং ভিং স্থু থাংখ্রে। অম্বারিদগী লিক-কোল হাপ্না উপুম্নু পুবিখ্রে অদুগা পাবুংদগীম্নু শেল লৌবিখ্রে।"

"নঙবুদি মখোয়না করিম্নু হায়রমদ্রা?"

"চংলমদাইদা মখোয়না খজাইদা খুপাক্লা কন্না থারমই অমস্তুং হায়রমখি, তুমিন লৈয়ু কপকনু।"

"অতৈ করিস্তু হায়রমদ্রা? নঙবুদি ফারগা পুগে কক্লা তৌদ্রা?"

"তৌদে। ইচে মায়াবু মখোয়না য়াম্না ফুবিরমগদ্রা? ঐখোয় তামোবুম্নু য়ম্না ফুবিরমখি। তামোদি তুমহুনা লৈরম্বনি। মাগী মকোক্তা চৈতুপন থাবিরমই। ঈ য়াম্না থোক্লমই।"

মায়াম্নু মাদলগী লেঙগা ওইরম্নবদি করিম্নু তৌরমলোইদবনি হায়না শুরঞ্জন্না খল্লকখি। অম্নুম্ন মাবু ফা-পুন্দুনা পুবিরম্লোইদবনিকে?

মায়াবু মীওই কল্লানা নমথুনা। নমজা নমথেকনবিরম্লগদ্রা ? মগুনা ? তল্লানা ? নত্রগনা অদুদগী হেনবনা। মায়াহুবু ঈ য়াম্না থোকলম-গদ্রা ?

মদননা হায়রকখি, "ইমানা ঐবু ইমাহলগ উন্নরু হায়না খারকপনি। ইমা-লদি কল্লা কপ্পুনা লৈরে।"

"মাদল নঙ ঐগ লোয়ননা কোয়রুসিন্না ?"

'ইমানা পাখৎকনি।'

'ইমাদা হায়রগা চৎসি।'

মায়ানা শুত্তনা হায়খি "তামো কোক্স বাজারদা কোয়রবা অমুক্তা পুবিরোইদ্রা ?" মধুপুরগী উমংদসু চৎলুসি। ঐ য়াম্না ফজবা উমং য়েংনিংঙি।" নুমিৎ শরা জীবনানন্দগী শৈরেং খরা পারুবগা নীংঙাই তৌজরকখি, 'নাটোর' চৎকনি। মায়াগী নীংঙাই খুদিংমক শুরঞ্জন্না 'দত' হায়রগা তোকলমখি। "নঙগী নাতোর-ফতোরগা হোকখোদ" হায়খি। অদুদগী হন্না ফবদি তেজগাঁও খুলদা চৎসি মফমদুগী মীশিংদু য়েংউ। মীশিংদুগী পুন্সি মরেলদু য়েংউ। উ-রা, চীং-মানশিংদু য়ে লুদুনা নাঙান্দা করি কান্ননি।" মায়াগী নীংজবা পুম্বা কায়খিরমই। ঙসিদি শুরঞ্জন্না খল্লকলমখি, পুন্সিবু হিংলুহুনা করিবু কান্নখিগনি ? হেক পোকপদগী মীওইবগীতা ফননবা খলুবনা করি কান্নরিবা ? লৌমী-শিন্মাশিংগী নৈপাক হোৗবা ঈরাং, শিগ্নী-শিংবু চাওখৎহল্লুবা, খুন্নায় পাকথোক চাউথোকহল্লুবা, পুম্নমকসিবু খল্লুহুনা কবিবু কান্নবিব। মমৈদদি মান্নবা খুন্নায়গী রাখলদুদি লৈখা তারকলে। থোবা থুদুনা লেনীনবু চিংথখে। মমৈদদি, মায়খুদনতা মতোকলে, মীওইবগী অশেংবা রাগল চেল্লুবা নহাদু, মাগী মযুমমক্তদা য়াম্না থোওইবাদন লান্দাবিবমলে।

মাদল শপনা হৌগৎলমখি। মাগী মথুৎনা মায়াগী মখুৎকুম মোল্লবা মাদলগী মখুত্তু শোকলমখি।

হৈদর ঙসিসু লাক্লে। মহাকপু লাকজদুদগী নীংহন্নখ্রা ! মহাক রাথোক্তুন অমুক হন্না য়াওনিংবা পোকলমখিদ্রে। মায়া থীবা অরেম্বনি হায়বা শুরঞ্জনসু হল্লমখি। মায়ানা হল্লকপা তারবদি চহী ৬ তা ঙাইহিদৈগী মতমগীগুম্না হল্লকলমগনবনি। শুরঞ্জন মশাদু য়াম্না ঙথাং তংশায়রমই। মায়ানা পারুলগী মযুমদা লৈথিদৈদসু, খুমসি পুমচিক চিবলমলবনি অদুবু মতমদুদদি অসুম

থক তৌরমখিদে। মহাকনা হললমই, মায়া হিংলি শোয়দম্মা লাকখিনি। অদুবু হৌজিক্তি য়ুমদু মোংকমগুমদ্রে চিকপনা। কনাগুম্বমা শিবদৌনা তৌথে। কাদা, য়ুগী-লিক্লিগ, মখোঙ ময়াদা তুহুনা লৈরিবা গিলাসশিংদা, চায়খোকলিব লাইবিকশিংদা পূম্নমক্তু উরুবদা শুরঞ্জনগী হাংলবা থম্মোইদু পাখংলকলমই। মিংকী পী পূম্নমকনা মশা পুম্বদু পুমচোং চোংপগুমখে।

হন্দকমুক কমাল, রবিউল শুরঞ্জনগী মঙং মতৌ য়েংবা লাকলমখি। মাগী পুক্নিঙ কমদৌনা লল্লিবগে হায়না খেঙবা লাকপা ওক্তরমগনি। ঙরাং মুমিদাং বেঙ্গাল লাকলম্বদুনু শুরঞ্জন্না রাকমদু অদুম তাখিরমই, নখোয়না বাবরী মসজিদ করিগী থুগায়খিবনো?" শুরঞ্জন্না খনখি, বাবরী মসজিদ ভারতকী মসজিদনি, মসিদা বেলালগা করি মরি লৈনবগে? অদুগ শুরঞ্জন্নবু বাবরী মসজিদ থুগায়ব্রা? মাদি ভারতা অমুক্তসু চংলুব্রে। মনা কমদৌনা মসজিদ থুগায়দৌরিবনো? অদুদি বেলালনা ভারতকী হিন্দুগা লৈবাক অসিগী হিন্দুগা অমত্তা ওইনা লৌরব্রা? হিন্দুনা মসজিদ থুগায়রু, মসিগী মরুংগী রাখলদি শুরঞ্জন্না থুগায়রে সিবা? অযোধ্যাগী পুকচেল পিকলবা হিন্দুশিংদুগা শুরঞ্জনগা অমত্তা ওইরব্রা? ভারতকী মসজিদ থুদেকপগী মরাল শুরঞ্জন্না কংগদৌরিব্রা? লাইনীংগী মতাংদা লৈব ক অমসুং কাংলুপ (জাং) করিসু ওইরব্রা? মপাঙ্গলশোনবা মহৈ হৈতবাশিংদগী ওইরম্বা য়াই, মসাগী লাইনীংবু উখুং য়ুংবদৌনা লৈহন্নিংবা কাংবুশিংদা অদুবু বেলালনা করিগী অসুম খগনদৌরিবা? রাহংশিংসগী মানা পাউখুম অমত্তা কংলমখিদে। মাগী টংল মথক্তা লফোই অনী অমসুং বিস্কুট অমা থমলমখি। কিয়নময়না তুমিন্না লাকলগা থমলম্বনি। মহাক্না চাক চাদনা লিক্লিদা লেম : ব য়ুদু থকচিননিংলমই। ঙরাং অহিং মাম্না কম্না তুমখুল ভাল্লিউদা মমডদা মায়ানা মাবু হন্না হম্না নৈরমখি। মঙকাওনরপলবদা মুনী-মচাদুগী মপক্তু উরকলমই। মামং উইশিন্দুনা লৈরুবদা হুইয়াম অমনা মাবু শেং-শেঙ্গনা চাবা উরমখি।

মায়াগী লৈফম খঙলব্রা খঙব্রিব্রা হায়বা অমুক ফাওবা হৈদর হংবা ল কথিজে। ঈশ্বাং তৌরিবশিংদু হৈদরনা খঙবদৌরা। শুরঞ্জন্না খঙলমদে অদুনা মানা মঙোন্দা চঙজব তাখিবনি। নত্রবদি মানা মকম থুদিংদা থি হুম্বা তৌরমগদবনি। হৌজিক্তি হিন্দুশিংবু নমজা

নমথেকনবগী থবক চংথবগীদমক্তা অথুপ্পা মকমদা চংলুবগী মথৌ তারকয়ে, পামবু পাম্মবদি ইকো ফোংনা তৌব য়ারে। অম্সুম তে'মা ইকোং ফোংনা লুট পাংস্নু তৌনরে। য়েখাই থুগায়বস্তু তৌই, ময় থাবগী পবকস্নু মতৌই। হিন্দুশিংগী মথক্ত মীওং মীনৈ তৌবদা হৌজিক্সা অয়োন-অথুপকী য়া লোয়না লৈরে। অমদি মদম্মা লৈঙাকপশিংনা মসিবু শোগংকনি মঙ্মদি লৈবাক অসি লাইনীং পুম্মমকপু ইকাই খুমনবগী লৈঙাকলোন লৈবা লৈবাক নত্তে। মরম অসিনা তাং তৌদুনা মপুকচেল পীকপশিংদুগী ওইজবদা থন্দুনা থনমই। নোংমা সেখ হসিনানদি হায়খি, ভারতকী পাৎলে করোর ১৪গী মথরাই মরল কম্মনবগীদমক্তা ঐখোয়না ইশাগী লৈবাক্ত কাংলুপ পুম্মমকপু মিৎয়েং অমত্তদা য়েংগনি। সেখ হসিনানা অহানবমক্তদা করিগী ভারতকী পাঙলশিংগীদমক্তা থনবিগ্রিবনো? লৈবাক অসিগী মীওইশিংগী মশাগী ফংকম থেকপ। শরুকশিং ফংতম্নবগীদমক্তদি কারিগী কাংলুপ খুদিংদা মাপ্পবা মিৎয়েং য়েংবগী মথৌ তাতভ্রিবনো? মশাগী লৈবাকী মীওইশিংগী মথরাই মরল-মথুম কনবদগী হেন্না ভারতকী পাঙলশিংগী মথরাই মরল-মথুম কনবদনা হেন্না মীনুংশি পোকপিরকবগী মথৌ করিগী তাবগে? অহুনদি জমাতী ইসলামী "ভারতকী মায়োক্তা লৈবা অমস্তুং ইসলাম"গী রাকমন য়ুমফম ওইহুনা মীয়ামদা ঈরাং শন্দোকলকলিবসি অরামী চীগনস্নু মঙবু শোগৎলব নত্রা? মসিস্নু কমুনিষ্টশিংনা ইসলামগী লুত্তপ উপতুনা লৈবগী হৈশিংবা থোরাং নত্রা? ভারতকী পাঙলশিংগী ওইজব কম্নবগীদমক নত্তে মসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা অমদি নৈননিংঙাই ওইবা রাকমদি "লৈঙাকলোনগা মপ্পি লৈনবা ফংকম থোকপা শরুক পুম্মক নিংখিনা ঙাক শেনবনি।" মশগী লাইনীং অমস্তুং থাজবগা লোয়নদা পুন্সি অমস্তুং মরল-মথুম ঙাক শেনবগী ফংকম থোকপ শরুকতু লৈবাকসিগী মীওই অমা ওইনা হিন্দুশিংনা ফংনবস্তুনি। করিগুম্বা লাইনীং নত্রগা লৈশেম্বা কাংলুপ অমগী মীপুংশিদা ফংবা নত্তে, কনাগুম্বা হেন্দোক থোইদোকপা মীওই অমগী থৌজালদগী নত্তে হিন্দুশিংগী হিজনবগীদমক লৈবাকী লৈঙাকলোনগী চংনয়োলদা য়াওবি মরম অসিনা মখোয়স্তু অতে মীওইগুম্বা হিংহনগদবনি। করিগী তংঙন্না কমাল, বেলাল নত্রগা হৈদরদা চঙজংহুনা মগী মীনুংশিদা হিংজরুগনি।

চটটগ্রামগী মীর সরায়গী মহৈরোই লুপকী লুচিংবা কমাল ভৌমিকী ময়ুম মৈ থাদোকপদা মাগী মনে মৈনা চাকখ্রে। কুতুকদিয়াগী হিন্দুগী খুলগী অগজরীদা অঙাং অহুম মৈনা চাকখ্রে। সাত কাইনিয়াগী নাথ পাড়াদা সুর্য মোহন মৈনা চাকখ্রে। মীর সরায়গী বাসুদেবদা খুলহৌদা মী কয়া অশোক অপন নওখ্রে. হংলুবদা বাসুদেব ? হায়রকখি, "নুামিদাংদা মীয়াম হাৎখিবহুগী অরাবা ফোঙদোনপিবা ওইনা হায়রমাখ" নখোয়গীদমক্তা থরায়শে রাদবা ভমদে।" খাজুরিয়াগী তাএমোহন নাথদা হংলুবদা হায়রকখি, 'মাসদগা হেন্না কবাদি ঐবু নোংমৈনা কাপ্পনি। মহুনা খাইদগী হেন্না শাফরগদবনি।' অহুগা অশোমদা কাংলুপকী ঈরাং হৌখ্রবা মতুং মুমিৎ তরুকনিগী মতুংদা বঙ্গলাদেশকী কাংলুপ নাইদবা লৈশেন্বা লুপশিংনা পুনশিন্দুনা শেন্বা লৈপাক্কী তায়শিন্নবা লুপনা নাংকী অমদি কাংলুপকী শরুক য়াবা ওহনা লুপ পুন্নমক্কী ওইবা কাংলুপ পুন্নমক্কী অফবা রাখল্লোন পুথোক্রবা লুপ অমা লিংখৎখিরমই। লুপসিনা শেন্বা মতমদা কাংলুপ মশেলগী হৌরবা মৈরিহু মুৎথখিরমই। লুপসিনা ময়ামগী ওইবা শান্তিগী খোঙচৎ অমা অমসুং মীয়ামগী মীকম অমা কমনবা শিনখিবা নত্তনা অতৈ করিসু থোয়দোকপা অতৈ তৌবা ভমখিদ্রে। মীয়ামগী মীকমদা মীয়ামগী অপুনবা নীংতম্বা লৈশেম লুপকী কাংলুপপু অম্বিংবা থমুবা হায়জগনি। হায়জবাস অফবা রাখল পুথোকপা লুপনা কয়া য়াম্না থরায় য়াওগনি, লৈঙাক চুকলি পায়খিবশিংদগী অপুনবা নীংতম লৈশেম লুপপু থিংজিন্দ্রবাদি মখোয়না লৈপাক শিন-থুংনা লৈপাক ঈরাং হৌগনা হোরোইদ্রে। অমদি হিরমসিদা লুচিংবা কনা অমত্তনা মচিন কাংথোক্লমলোই হায়বা শুরঞ্জনা মুন্না খঙলমখি। লুপশিংগী কনা কনাগুম্বা মীওইশিংনা লুট-পাট তৌরমলিবশিংদগী মথক্তা চৈরাক পীহন্নবা থবক চৎথগনিপাসু হায়রমখি। অদুবু শনি লাইশঙগী অর-অনা নংলবা মীওই অমনা হায়রমখি, "শনি লাইশঙদা থুগায় য়ৈথায় তৌরমলিবা মীওইশিংহুনা ঐখোয়গী য়ুম মৈ থাদোক-খিরমখি, লুট তৌবিখি, মখোয়শিংহুনসু ঐখোয়বু মশক খঙজি। অদুবু ঐখোয় মখোয়গী মথক্তা চৈরাক পীহন্নবা রাকংলোই মরমদি লৈঙাকপশিংগী মায়োক্তা লৈবা কৈশেন্বা কাংবুনা ঐখোয়গী ইথক্তা লান্দারকপদা থিংবিখিদে, অদুনদি মখোয়গী মথক্তা রাকংলুবদা ঐখোয়না করি হেন্না শাফবা ওইগনি।" রাকংলুরবা মতুংদদি

লৈপাক শিঙ্গথুংনা অসিগুম্না থৌদোকসি থোক্লকনি।' য়াকংপগী থোংজংবু শুরগুন্না লেপাক্কী ওইবা তৌকমথোকপনি খল্লমখি। মীয়ামগী নীংতম্বগী থৌনাশিংভু থুনমক থবক ওম্বোক্নুনা কাংলুপকী হাৎন- শুনবদা থিংননবা তৌরকলোই।" মথোয়গা চাংদম্নকর্রবদদি কাংলুপকী ইউনিটদগীদি অপুনবা মওংনা হেম্না থুমাং চাওশিনগনি। চয়োল অমগী মতুংদা "সর্বদ দ্বীয় সদভাবনা কমিটী" (লুপ পূম্নমক্কী ওইবা অকবা রাখল্লোন পুখোক্নবা লুপ)। শেমখুনা মীয়ামগী ওইবা লৈশেম্না কাংলুপশিং অমদি লুপ কয়ানা পুক্কি' লুপশিনবগী থোইনা ক্রান্নবা মবম লৈতে। পাকিস্তান অমসুং ভারতকা চাংদম্নকুম্নবদি বঙ্গলা- দেশতা হাৎন-শুনবগী মশিং হল্লে, অমসুম্না খন্দুনা শেম্বোকচবা তৈশিংলবা মীওই কয়াসু লৈ অহুবু শুরগুন্না কয়ি মরমগী মীওই শিংহুনা বঙ্গলাদেশকীদ, থৌদোকশিংদ নামতা য়েংবা য়াখলনি শায়বা খুড়ত্রিবনা হায়য় য়াখল লাম্না কউলমখিদে। সিদা লৈবা তিল্মশিংদি ভারত্ত লৈবা পাঙলশিংগুম্না ওনশিন্দুনা মায়োকুবা ঙমদে। মসিননি লমসিনা হাৎন-শুনবগী মশিং হল্লরিবা। উপ মহাদেশশিগী লৈবক অহুমগী অকনব লুপশিংনা লৈশেম্নদা খুদোং চাবা ফংনবগীদমক মশাগী লাইনীংদা পামজবা ফেসিস্টকী থৌনাশিংগা খুংশম্নে। মশাগীদা নীংজবা কাংবুনা থৌনা খোমগংলি। ভারত, তাজি- কিস্তান, অফগানিস্তান, পাকিস্তান, অলজীরিয়া, মিশর, ইরান, সাই- বেরিয়াদা মখোয়গী অপাম্বা পান্দম থমলহুনা মীয়ামগী ওইবা অপুনবা থৌনাবু থুগায়নব লাক্লরি। জমনীগী লৈঙাকপশিংনা তুবক মীওই ও বু মৈ থাবগা হাৎখিবগী ময়ালদা ফেসিস্ট কাংবুশিংবু অথিংবা পীরমখি। ভারতা কাংলুপকিদমক ওইবা লুপ খুদিংমক অথিংবা থম্লমখি। অহুবু ভারতকী অথিংবসি কয়া বুইদগে হায়বদি ঙমদে। অলজীরিয়াদা অথিংবা থম্লমখি। মিশর লৈপাক্কসু য়াম্না কন্না কাংলুপকীদা খনবা কাংবুশিংবু কন্না লাকশিল্লমখি। তাজিকিস্তান্দা মশাগী লাইনীংদা য়েংব কাংবুশিং অমসুং কম্যুনিস্টশা মাক্ত খুৎ থোক্লবমখি। বঙ্গলাদেশকী লৈঙাক- পশিংনা কদিগুম্না কাউহুনগা মশাগী লাইনীংদমক খনবা মীওইশি ফেসিস্টশিংগী মথক্ত অথিংবা থমনবগী য়া হৌদোকখি! বরি... লৈপাক অমাপু ওইবরসু অমদবু ওইরবসু লাইনীংদা য়ুম্ফম ওইবা লৈশেম কাংলুপপু অথিংবা থমলমখি, অহুবু লৈপাকসিদদি ওইথোক্তে। "ভারত" চুথৎলকপা কাংলুপকীদমক ...ব লুপশিংগী

খোঙ্গাঙলগী মৈখিনা লৈতাক চুকনী পায়খিবা মীঃ এনঃ মীঃ গী ম্যাসেজ খোঙদা "গুলাম আজমগী রাখোক্কী মতাংদা পুক্কি চংশিল্লগা লৈপাক্কী ইহৌগী য়াওনবু কাংলুপ মশেলগী হুংশিনদবগী মায়কৈদা পুখিবদা খুদোং চাহনখিরমখি। হিরমসিদা অপুনবা নীংতম লাম্বাগী লুপ" অমত্তুং কাংলুপ যাইনবা লুপশিংগী থরায় য়াওখিনবদগী লৈচাক-পশিংনা মতেং ফংলম্মখি। অপুনবা ইসলামী মীওইশিংগী অমরোমদা চঙনখিল্লুমা গুলাম আজম রাখোক্কী ইরাং হৌবনু নমথন ঙখৌ তাখি। নাৎ কনবা লুপশিংগী কাংবুনা হৈশিংনা হৌখিব মীয়ামগী খোঙচৎতা খোল্লাও ওইনা লাক্লনখি, "হৌজিক বঙ্গলাদেশতা কাং-লুপকী ওইবা মঙন-চৈনবা লিংলুসি।" হুংঙাইদা, বঙ্গলাদেশ! গুরুণ্ডা চুরূপ মুথং-মুথংনা হায়রমখি, "কত্তবা ওকী মচাশিং চ'ক্তা ওইবা বঙ্গলাদেশ।" অথীবা মীয়ৈশি মহাক্না কপ্প-হুন্না হায়রমখি! মত্তু হায়জনরা মতোন্না হায়কেংঙ হুংঙাইজবা কাওরমখি। খঙহৌদনা লোকথোক্লমখিরশি! মহাক্কী মিনোক্তু মথন্তা য়াম্না তমখিবা মওং মাল্লমখি।

মাদল, কিরনময়ীগী মশাদা ঙাওহনা কয়মখি। হায়রককখি, ইমহান ঐখোয় মীরপুরদা চৎলগনি। মত্তুদদি লমহেনবশিংনা লাকপা ঙমলোই।"

"করিগী য়োবা ঙমলোইদৌরিবা?"

"মীরপুরদি য়াম্না লাপ্লি, নত্রা?"

"মাদলনা লমহেনবশিংদি টিকাজুলীদা লৈরোইবা খঙরমখি। মীরপুর লাপ্লি অতনা মখোয় অত্তুদা চৎপা ঙমদে। কিরনময়ীনা খঙ-রমই, হিন্দুগী য়ুম লুট তৌখিবা, থুগায়খিবা, মৈ থাদোকখিবা, মায়ার কাহনা পুথ্রিবা মীওইশিংহু কত্তবা লমহেনবা ঙাক্কগা? গুন্দাদি হিন্দু পাঙল থায়দে, পুম্মক্কী মযুমদা লান্দাই। লাইনীং য়েংলগা লুট তৌরিবা মী কারিবা মখোয়বু 'গুন্দ' হায়না কৌবদি গুন্দাগী মীংচৎ থীহনবা ওইগনি।

সুধাময় য়াত্তাহনা লৈরমখি। তুম্বা নঙ্গমদি মাগী থবক অতৈ লৈত্রবনি। লেঙ ঙংপা ঙমত্রবা, অয়েম্বা পুন্সিত্তু হিংলুবগী করি কায়খিনি। তশেংনমক কিরনময়বু অরাবা পীরবনি। মালেম লৈমগুম্ব অরাবা পুম্বা থাঙনবী কিরনময়ীনি, মশাদা চোকথবা

লৈজরক্লবিনি। অহৌং চুম্বা মনী শিন্দুহনা লৈজরমখি, অহূনা অয়ুক্তা চাক খোংজিংবা পোক্লখিরা! অদু ওইরবসু খোংবদি তাবনি। পুকী অরাবদি পুরবক মাচ খানরম্মি। ওরক্তা ঐরু মায়রকগা খংদোক্লরবি, কিরমররসু অসুম হায়দেং তৌরে, সুধাময়সু চাবদসু পুক্লিং চওলম্মিদে। ওজিসু মাগা হলক্নরে। মায়া হৌজিক কাওবা হলকক্লিরে? তংগংনা মাগী পুনসিগা ওম্রনা মায়া হলক্লবনি। কমিওইগ লংগোং মখি কাংবনা লেপ্তুনা হায়বা য়াম্লবদি, "মাধাবু হলহল্লকপদা ঐগীসু ঐখো লৈ।" ঐখো? মাহৈসি হৌজিক সুধ মরদা মচাও মাওরে। ১৯৪৬ তা মাগী চহী পঙয়াব য়াম্ল-ক্লহৈদা কালীবাড়ীগী তুকাম অমদা অচাপোং চারহুনা মানা হায়খি, 'ঐশিং পিলাস অমত্ত পীবু ইচিন ইখাও!" মতমহুদা সহরদা হিন্দু পাঙলগী মরক্তা মান্দবগী মৈখু য়াম্না করমখি। মিঠাই য়োনকম হুকান্দা কমলিবা পাঙল থরনা মাবু অপাওবা মিংরেংনা খেংলক্লমখি। সুধাময় ঐশিং লৌবা ওল্লমখিদে। কিবদগা? কিবদগী কল্লবদি করিদি ওইনি।

হিন্দু অমসুং পাঙলশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইবা অমসুং অপুন-বনী থাখলহ থুগায়ক্লবদি মখোয়না ভারতা লোয়নমগী লৈপাক অমসুং বায়েল তৌবদা ওইখোকপাই হায়বসি ইংরেজশিংনা খিংখিনা থৎলমখি। মখোয়গী অখোনবা লৌনম লোনচংনি তোথায় তাহল-লগা ন্নমথবা দিতাইদ এবং রুল হায়বসি, পাঙল লৌউবনা চাদা ৯০ ওইরগা লমগী মপুনা চাদা ৯০ হিন্দু ওই হায়বসি ওই-খোকতে হায়রা সুধাময়না খনখি। লমগী মরমদা রুশিয়া চিন্নাগী লাকহৌ অমসুং বঙ্গলাদেশতা হিন্দু পাঙলগী হাংনা ওইবা, লম মুরবগী থাখোকনা লাইমীংগী থাখোক ওনখ্রে। ইংরেজশিংগী লৈলইনবগীদমক্ত বঙ্গলাদেশসিদা কাংলুপকী ওইবা থাখলদা "মুসলিম লীগ" কুমজা ১৯০৬ তা লিংখৎখি। ভারত থয়াদোকক্লিবগী থুম্নায়গী লৈবাক শেন্নগী লীক্লমগী মরমদা কাংলুপ মাইবগী হু চায়হুনা অমগা অমগা য়েংশিনহন্নবা থাখল পোকহনবদি লুপসিগী হোংনজমনবগী মহৈনি। অতুমনা কংগ্রেসসু মরাল মখোকপা যাম্নোই। কুমশিং ১৯৪৭ কী মতুংদা চহী ২৪ কাওবা লোয়নম শম্নোকপা পাম্বা পাকিস্তানগী লৈচাকপশিংনা ইসলামগী পুবারী, ভারতকী মাম্নোক্তা লেপ্পবা খোল্লাও অমসুং কাংলুপ নাইবগী মেথুম্না

কুপশিন্দুগা লৈপাকশিগী মীয়ামগী মশা মশাগী কংকম থোকপা শরুকশিংদু মংতুরা লাক্রমলি। ১৯৭১ দা অহুমগুম্বা কংকম থোকপা শরুক্তু অমুক হানজিল্লক্রবদা সুধাময়না নীংথাইদবগী নিংশা হোনজরমখি অদুবু মাগী নিংশাদু মরক-মরকতা থীং লমখিং। বঙ্গলাদেশনা নীংথম্লবা তুংদা লৈপাকী মরু ওইবা লৈতাক কুচু অয়াম্বদা লায়নীং অমত্তদা পান্দম ওইবা হায়না মকম লৌর্হনা লৈখি। মসিনি কাংলুপ মশেলগী নোংহৌমা চাম্না-চিন্নবগী মায়োক্তা অকনব অথিংবা ওইরকলিবসি। ১৯৭৫ গী আগষ্ট ১৫ গী মতুংদগী কাংলুপ মশেল মাকপাক তামবগী পোক্লরকপা হৌরকখি। কাংলুপ মশেল মাকপাক তামবগী থোক্লরকপা মরু ওইবা থৌদোকশিংদি মীহাং মীপুম তৌবনি, পুকচেল পীকপা অরনাই লাইনীংদা লুপচবা কাংবুশিংনা, মশাগী লাইনীংদা মমিৎ তাণ্ডলবশিংনা, তৌনিংবতা তৌবা কাংবুশিংনা। কাংলুপ মশেল মরক্তা অকবা মরি থমলবগীদমক্ত য়াম্না ফিদমনিংঙাই ওইবা থরগী মথৌ তাকখি। পাকিস্তান লিংখৎত্রিবৈদা পান্দমসিগী মমিং থোনখি। "অনীশুবা লৈপাকশেম্বগী পান্দম" অমসুং বঙ্গলাদেশতনা ১৯৭৫ গী মতুংদা মসিগী মমিং "বঙ্গলাদেশকী মীওইশিংগী লৈপাক শেম্বগী রাখলন" হায়না কৌখি। চহী কয়াগী বঙ্গলাদেশকী কংকম থোকপা শরুক্তু থদোক শেংদোক্লুনা মখোয়না অশেংবা বঙ্গলাদেশ ওইহনবনি। বঙ্গলাদেশকী শল. উং, কো লিমেন্নচিংবগী মতৌগুম্বা মীসু ক্লৌজিক "বঙ্গলাদেশকী মীওই" ওইরে। কুমশিং ১৯৮৮ গী ৮.লক শুবা শেমদোক্লকপগী মতুংদা বঙ্গলাদেশকী লৈতাক লোন্দা অসুম্না ইরমখি — **The State religion of the Republic of Islam, but other religions may be practised in peace and harmony in the Republic.** মসিদা **may be** হায়বা রাহৈশিংগী রাহন্দোক করি ওইবা য়াবগে? **Shall be** হায়না করিগী ওইহল্লিবনো? মরু ওইবা কংকম থোকপা শরুকশিংগী মরমদসু অসুমনসু ইরমই, "লাইনীংগী ওইবা, কাংলুপ, কুচু, সুপী, সুপা খেন্নবা নক্লগা পোকফমগী মরম্না মরম ওইহনা কনাগুম্বা লৈপাকী মীওই খুদিংগী মাম্নদবগী রাখলদু পুথোক্লোইদবনি।" অদুবু মাম্নদবগী রাখলদু য়ানরকত্রবদি কয়ম তৌনি, মাম্নদবগী রাখলদু করিগুম্বা লৈরমক্রবদি করিগী মায়াবু ফাহনা পুবিথ্রিবনো। করিগীদমক্ত "হল্লানলকপগী

মচা" হায়রগা তাথৌনা চৈরিবনো ? গুন্দাশিংনা "হুল্লানলকপগী মচা" হায়না তাথৌনা হায়খিব্রা ? করিগুম্বা মহু হায়রম্বস্তু গুন্দা তৌরিবশিংহুন্বা হায়বা নত্তে অতৈ অতোপ্পা খরম্ভু য়াওরি। মহুনা নোংমা নোংমগী অস্থম অস্থম হেনগৎলক্লি। স্কুলগী মহুত্তা লৈবাকসিদা মক্তাম্বা মশিং হেনগৎলক্লি, মসজিদ মশিং হেনগৎলক্লি, ইসলামগী লাইনীংগী ঈশৈ হেনগৎলক্লি, মাইক্কা লাইশোন লাউবা হেনগৎলক্লি, খুল লৈকাইদা য়ুম অমা অনীগী মরক্তা খন্না খন্নবা মসজিদ শান্নরকপা, মাইকৈ মরিমক্তা মাইকী মাইক ওাক্কনা লাউ খোংলকপা অহুগা হিন্দুশিংগী লাইনীং লাইশোন্দনা মাইক পানবা থৌংবিবা। মাইক পানবা তারবদি পাওলশিংগীদত্তা করিগী পানগদৌরিবনো ? মালেম লৈবাক অপুনবগী মীওইবগী কংকম থোকপা শরুক কন্নবগী রাফোং চেগী ২৮ শুবা পন্দুপ্তা হায়রি, "পুম্নমকপু রাখল খনবা, অক-ফন্তা নৈনবা অমস্তুং লাইনীংগী নীংতম্বা কংহনগদবনি। মশাগী লাইনীং অমদি থাজববু ওন্নবগী নীংতম্বা অমদি মশা মথন্তা নত্রগা অতোপ্পনা পুল্লগা মীযাম মমাংদা নত্রগা লোম্না থুপনা মশাগী লাইনীং নত্রগা থাজবগী মতুং ইন্না মহৈ-মশিং তম্বীবা, লাইনীং শন্দোকপা, ঈরাৎ থৌনী তৌজবা অমস্তুং পাংথোকচবগা মরি লৈননা নীংতম্বা কংজবগী শরুক্তু মসিদা অথিংবাথম্বীরে। "মসি লৈরবদি করিগী হিন্দুশিংগী লাইশঙ থুগায়রিবনো, অহুম ওইমমক সুধাময়দি লাইশঙ থাজবা লৈতে, অহু ওইরবস্তু মহাক্তা লাইশঙ থুদেকপদদি য়াম্বিংবা লৈরমখিদে। অহুগা অস্থুম্না য়ৈথাই থুগায়রিবা অমস্তুং মৈ-লাং থারিবশিং অসিগী মথক্তা চৈরাক লৈব্রা ? রায়েল চৈরাক লোন্দা (পেনেলকোড) মসিগী চৈরাক চহী অমা, সিদগী হেনবনা চহী অনী নত্রগা অসিদগী হেনবনা চহী অহুম ইহুনা লৈ।

সুধাময়গী মশাগী অনাবহুগা নওমা অতৈ লাযনা কয়া মাগী মশাদা পোক্লক্লি। অমমম ওইনা মথং মথং মশা শোক্তবা হেল্লকলি। মতম কুইনা লাল তৌনরুরবা মতুংদা পাকিস্তানগী খুবামদগী বঙ্গালীশিংনা নাপ্লেকপা কজরমখি, নীংতম্বা লৈবাকী লৈঙাকলোন অমা শেমজরমই, "We the people of Bangladesh having proclaim d our Independence on the 26th day of March 1971 and through a historic Struggle for national liberation, established the independent,

Sovereign peoples' Republic of Bangladesh."

Pledging that the high ideals of nationalism, socialism and democracy and secularism, which inspired our heroic people to dedicate themselves to and our brave martyers to sacrifice their lives in, the national liberation struggle, shall the fundamental principles of the constitution.

Struggle for National Liberation 1978 ডা ওল্লগা a heroic war for national independence ওইরমই। অদুগা .... high ideas of absolute trust and faith in the Almighty Allah] nationalism, democracy and socialism meaning economic social justice ওইরমই, অসিদা নত্তনা liberation struggle Independence ওইরমই।

১৯৭২ গী লৈঙাকলোনবু শেমদোকল্লগা ১৯৭৮ গী লৈঙাকলোনগী অহৌবদা বিসমিল্লাহির রহমানী রহীম (থৌজাল লৈবা, হেন্না থৌজাল হৈবা, অল্লাহগী মিংলেন্দা) হাপচিল্লকখিরমই Secularism and freedom of religion.

12 : The principle of Secularism shall be realised by the elimination of

a) communalism in all its forms.

b) the granting by the state of political status in favour of any religion,

c) the abuse of religion for political purposes.

d) any discrimination against or persecution of persons practising a particular religion.

লৈঙাকলোলগী ১২ শুবা তাঙ্ককপু মপুং ফানা উংলি। সেকুলারিজমবু লোয়শিনখিনবা ২৫ (২) শুবা মশিংশিংগী তাঙ্কক্তা "ইসলাম লাইনীং চংপা লৈবাক্কা মরি লৈননা পাঙল লৈবাকশিংগী মরক্তা মচিন-মনাও ওইবগী মরি থমনবা, হোংনবা অমদি মতুবু মপাঙ্গল কনখংহন্নবা অকনবা থৌদাং লৌবা" হাপচিনলমই।

১৯৭২ গী লৈঙাকলোলগী মশিং ৬শুবা তাক্তক্তা অস্তুমনা হায়রি The cit zenship of Bangladesh shall be determined and regulated by law; citizens of Bangladesh shall be known as Bangalees, মসিদা জিয়াউর রহমান্না The citizens of Bangladesh shall be known as Bangl - deshis হায়রমই।

সুধাময়গী মমিং অহু মমশিল্লকপগুম তৌরকলমখি। মুমিংস্তু য়ুংত্রি, হৌজিকপু কা মমুংদা অস্তুক মমলিবসি কমদৌনা তৌরিবা ওইরবনো। অহু নত্রগনা মাগী মমিংকী উবগী মপাঙ্গল য়াওত্রব্রা। নত্রগা মতম কুইরে আনোক শেমদবা অহুনয়া। করিগুম্বদা মিংসি শোকচিল্লক্কুনা তৌরিত্রা। নত্রগা মাগী মমিত্তগী পী গাঙ্গা তামন্দুনা ডব। য়াংলহুনা মশেল মরাং তৌরত্র।

শুরঞ্জনস্তু কয়া য়াম্না ওল্লবনো। অমুক্তস্তু ইনাক্তা লাক্কুনা কমলমত্রে। মায়াবু কাহুনা পুখিবা মতুংদগী মান কাউথোকখিহুনা কা মহুংসিদা চঙলকখিত্রে। সুধাময়না কসিদগী থবনবগী কাদা শানৈ-য়ুনৈবা অমদি রারেম ঙাঙবগী খোঙ্গেল তরমই। মাগী মচ তুবু লমহেনবা হেনগংলবা জাংলা? মহাক্না য়ুমদা শুরঞ্জন্না য়ু থকপা কৈদৌঙৈদস্তু উখিদ্রি। হৌজিক্তি মহাক কনাবুস্তু চিংনবা লৈখিদ্রে। মুমিং নিনিগী মমুংদা মহাক মাগী অপোকপী ফাওবা কাউথোকখ্রে। সুধাময়না থাজবা লৈখিরমদে, শুরঞ্জনগী খঙহৌদনা তুমিন্না ওনখিবা মওংসিদা। সুধাময় অহোয়বনা লাওতকনরমখি। অঙাংসি পুমমাও মাংবদি ওইরমদ্রি!

সুধাময় কৈদস্তু চংলোই। মায়া থিরুবদা করিস্তু কান্নরোই হায়বা মহাক খঙলমই। লখীদা হেক থে কখিবদা মীয়ম্না, "হায়রককনি, "হুল্লানলকপগী ফত্তবা মচাশা"। সিদগীদি য়ুমদা লৈবনা হেন্না শাকরে। পুম্নমকসি তানা তানা লাকপনা শুরঞ্জনগী মনাকোংশি শীংজানা য়ৈরে। হৌজিক মহাক্না খুন্নায় শেমগংপা লুপ, লৈঙাকপগী মায়োক্তা লৈবা লুপকী লুচিংবা কনা অমত্তদা থাজবা থমলক্রে। মহাক্না অয়াম্বা লৈঙাকপগী মায়োক্তা লৈবা লুপশিংবু "ফত্তবা, হুল্লালকপগী মচা" হায়না ওথি রাহৈ চৈনবা তাখিরমই। কৃষ্ণ বিনোদ বাবুনু ময়াম্না কৌনৈ কবীর ভায়।

নবীন দত্ত মমিং ওন্থোকলগা অরক্স লনাম কৌবা তরমখি"। কম্যুনিষ্ট পার্টিদা য়াওরবসু মমিংবু ওনবা তাথবদি করম্বা লুপ (পার্টি) না থাজবিগনি! মরক্তগা মাবু জমাত পার্টি (মীয়ামগী লুপ) তা মমিং হাপপিগন্না? ঙচম চমনা নিজামীদা চংলগা হায়গনি "হুজুর, অসসলাম রালেকুম।" মথংগী হুমিত্তা খাওজেল চেশিংদা মরোক অচৌ অচৌবনা ইহুনা কোয়োকককনি. "হিন্দুগা জমাতে ইসলামগী পুনশিন্নবা" হায়না। অমুমনা তাই, অঙেংবা হিন্দু ওইরবা ফাওবদা জমাতে ইসলামীদা ভোট পী হায়না। মহাক্কী মরমদি শেলনি। থা খুদিংগী লুপ। নিশিং মত্তা কংলরদবু কনানা ভোট পীরোইদৌরিবনো? ওরজনা লৈঙাকপগী মায়োক্তা লৈবা লুপশিংবু (Communist) লমন খুম্বা খামজমখি। মখোয়না মাবু অনৌবা য়েন্নিং চোংহন্নবগী মহুত্তা ন্যকেম্বা ওইহল্লে। লুপকী মীওই পুম্নমক অমমম ওইনা অতোপ্প লুপতা চঙখিরমই। ঙসিনা রা অমা ভাংই অত্তুগা হয়েংনা অম্না ভাংঙি। কমরেড ফরহাদ লৈখিদ্রবদা পী: পী: বী: লোয়শঙদা কুরান পাবা অমসুং মিলাদ মহফিল (মীয়াম হরাওনা পুনবগী থবক) তৌখি। য়াম্না চাউনা শেম শাহনা কমরেডকী লৈরোল চনবগী থবক পাঙথোকখি। করিগী অসুম তৌখিবনো, করিগী মমৈদা কম্যুনিষ্টশিংনা ইসলামগী ফিরাল মখাদা চঙজরিবনো? মীয়ামনা "লাই থাজদে হায়না মরাল শীরকপা"দগী নাম্থোকনবগীরা! মসিদগী মখোয়বু নাম্থোকপা য়াগনরনে? অতুক রাখল থল্লব ফাওবদা লৈবাকী খাইদগী লিরবা পার্টি (লুপ) পু করিগী মীয়ামনা থাজবা থমদ্রিবনো। মসিগী মরাল ওয়গুম্না মীয়ামদা পীদে, মায়কৈ লক্নাঙনরবা লৈঙাকপগী মায়োক্তা লৈবা লুপকী লুচিংবশিংদা মরাল শীরমখি।

ঙসি লৈবাক পুম্বদা মক্কাস মশিং য়াম্না হেনগংলকলি, লৈবাক অমবু শেল-থুমগী ফিভমদা শোন্থহন্নবগী সিদগী হেনবা অনৌবা রাখল্লোন কার অমবু ওইরোইদগে। সেখ মুজীব মশানা খুল খুলদা চংলগ মদ্রাসা মশিং হেনগংহনখিদ্রা। কদায়দগী কনা লাক্কুনা লৈবাকসি মাং-তাকহল্লরিবনো খঙদে। ফুরুপসিনা লোলগীদমক লৈবাক পুম্ব ঙরাং হৌখিবনি, ১৯৭১ দা নীংতম লাল শোক্লখিবনি, অদুগুম্বা ফুরুপতুগী মাংশিল্লকপা মওংহু মিংনা শঙ শঙ উঙ্ক্রিবমখৈ থ জরমদে। কৈদা লৈথ্রবগে বঙ্গালীগী মহৈ হৈরবা নাং খঙবশিং,

"কদায় চংখ্রে বঙ্গলাগী হিন্দু, বঙ্গালীগী বৌদ্ধ, বঙ্গালীগী খৃষ্টান বঙ্গালীগী পাওল ঐখোয় পুম্বা বঙ্গালীনি" হায়রম্বগী খোল্লাওড়ু, অচেৎপা রাখল্লোন্দু? ওগঙ্গন মশা মথন্তা তাডুনা লৈহৌরে মতোমত্তা। মহাক বঙ্গালী মত্তবগুমে, মী নত্তবগুমলে, অদুগা মশাগী মরমদা মীতোপ' ওইনা লৈরে।

লৈপাকসিগী লোয়শঙশিংদা "লাইনীং লোইশঙ" কৌবা লোইশঙ অমা লৈ। লৈপাকী চহীগী শেনবা-থুম্বাদা লাইনীংগী চাদিংদা তৌখিবগীদু য়াম্না মতেং ওই। ওরঙ্গন্না মসিবু য়াম্না কান্নবনি হায়গনি। শেমগৎ শাগৎপগী মতাংদা লাইনীং লোইশঙসিংদা ভেঙবাং পীবা যাবৱা শেনফমশিংদি: ইসলামী ফেদরেশন্দা লুপা ১,৫০,০০,০০০, ঈগাৎ থৌনীগা মরি লৈনবদা (রকফ) লুপা ৮,০০,০০০, অতৈ লায়নীংগা মরি লৈনবদনা লুপা ২,৬০,০০,০০০, অতৈ মীশিং য়ামদবা কাংলুপকীদমক খাক্লুনা থম্বা শেলকমনা লুপা ২,৫০,০০০ নি। মসজিদতা লেম্না মৈ থান্নবগী লুপা ১,২০,০০,০০০ নি। মসজিদতা লেমনা অরাং-অপা মেন্নবগী লুপা ৫০,০০,০০০ নি। মসজিদতা ঈ-পাউ চৎনবগীদমক্তা লুপা ৩,০০,০০০ নি। পুন্না লুপা ৮,৪৫,৭০,০০০ নি। বয়েতুল মুকরম মসজিদকী য়েংথোক য়েংশিল তৌনবা লুপা ১৫,০০,০০০ নি। মতুদা অতৈ মশিং লাকওমজবা কাংলুপশিংগী খাক্লুনা থমলিবা শেলফমনা লুপা ২৫০,০০০ নি। করিগুম্বা লম অমদা হেন্না মমুং তানা তম্বা (Training) অমসুং হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্নবগী থৌরমগী লোয়শঙ অমসুং শন্দোকপগীদমক্তা অমদি অপুনবা লাইনীং লোয়শঙ ১৪৪ গীদমক্তা লুপা ১০,৯৩,৩৮০০০ নি। লৈবাক পুম্বদা তোঙান তোঙানবা লাইনীং চৎপগী মশিং করোর অমা মথায়নি। মী করোর অমা মথায়গীদমক লুপা লাখ অমা মথায় থম্বা হায়বসি য়াম্না খম্বনিংঙাইগী রানি।

লাইনীং লম্বী চাউখৎনবগীদমক লাইনীংলোয়শঙদা লুপা ২০,০০,০০০ নি। বঙ্গলা লোলদা ইসলামগী লাইনীংগী রাখল্লোনবু খোমজিনবা অমসুং ফোংদোকপগীদমক্তা লুপা ২০,০০০ নি ইসলামিক ফাউন্দেসনগী ইসলামগী নাৎ কী লোয়শঙ লিংখৎনবগী-দমক্তা লুপা ১,৯০,০০ ০০০ নি। ইসলামিক ফাউন্দেশনগী ফোংদোক্লবা, হন্দোক্লবা অমসুং শেংদোকপগীদমক্তা লুপা ১,৬৮,৭৫,০০০ নি। ইমাম ওইননবা হোৎনবগীদমক্তা, ইসলামি ফাউন্দেসনগী লাইরিকশঙ

চাউথোকনবগী থৌরমগীদমক্তা লুপা ১৫,০০,০০০ নি। মসজিদতা মহৈ তমলিবশিংগী লৈকমগীদমক শেম শানবা লুপা ২৫,০০,০০০ নি। অনৌবা পানাসিংদা ইসলামগী নাৎ য়োকখৎনবা লোয়শঙ লিংখৎপগীদমক্তা ইমাম ট্রেনিং একাদমীগীদমক লুপা ১.৫০,০০,০০০ নি। পুন্না লুপা ৫,৬৮,৭৫,০০০ নি। অদুগা খন্না কুপথবা শেনবাদনা লুপা ২,৬০,০০০ বু মথাগী অস্মুমনা খায়দোকলমই — ইসলাম লাইনীং ফুরুপ। থৌদোক-থাথোক অসিনচিংবগী লুপা ৫,০০,০০০ নি। ইসলাম লাইনীং ফুরুপকী ওইবা খবকীদমক মপুং ওইনা মতেং পাংননবা য়াৎথোকলবা শেলকম লুপা ২৮,৬০ ০০০ নি। ইকাই খুমকম ওইরবা কংলা ফঙ্গে ফম্বশিংগা মরি লৈননা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মসজিদশিং অমুক পুমশা শান্নবা/শেমজিন শাজিন্নবা অমসুং লৈকম মকমগীদমক্তা লুপা ২,০০,০০,০০০ নি। লৈবাক্কী রাংমদগী লাকপা অমসুং চৎখিবা লাইনীংগা মরি লৈনবা মীওইশিংগী ফিভম কাংবুগী চাদিংগীদমক লুপা ১০,০০,০০০গী শেনকম কায়থোক্কুনা থমই। মালেমগী ওইবা লাইনীং মশিং ময়ামগা মরি লৈনবগীদমক মতেং ওইনা লুপা ৬,৪০,০০০ থাকই। ১৯৯১-১৯৯২ গী লাইনীংগী চাদিং তৌনবা মীয়াম মমাংদা পুথোকলকপা শেনকমদগী খঙবা ওমই মতুদি চাউখৎনবা অমদি চাউখৎনবা চাদিংগী অপুনবা য়ানবা শেলকমদি লুপা ১৬,৬২,১৩ ০০০ নি। শেনবাসিদা পাঙল মহাস্মোলশিংগী লৈকমগী শেলকমসু য়াম্না খন্ননিংঙাইনি। মসিগী চাদিংগীদমক্তা লুপা লাখ তরা কাইথোকলমই। অদুগা শেমগৎশাগৎনবগী হিরম কয়াগীদমক্তদি শেনকম অমা কাওবা শেম শারমদে। লাইনীং কয়া, কুচু কয়াগী মীওই লৈবা লায়রবা লৈবাক অমদা, করিগুম্বা লাইনীং অমতবু লৌহন্নবা, মতুবু চাউখৎনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না ইকাইনিংঙাইগী মশক ওইবা রাক্কমনি। লৈবাক্কী শেল থুমগী য়াংলেন শরু তেকলে। মীওই খুদিংদা শেন্দোনগী পোৎলুম কয়ানো, মসিগী মরমনা ঐখোয়না অমুক্কং পাড়না খেংনরব্রা! লৈবাক্কী অসি য়োম্না শেল থুমগী ফিভম চাব্রবা মতমসিদা লৈবাক্কী শেনবা থুমবাদা ইসলামগা মরি লৈনবা হিরমশিংগীদমক্তা অমুক য়াম্না শেলকম পুথোক্কবা থাঙ্গৎলকপগী করি রাকম ওইবগে? অসিদসু নত্তে, শেনবাসিদা খেন্নবনা থল্লবা থাঙ্গৎলকলিবা রাকম কয়ানা লৈবাক্কী অপুনবা রাখলগী রাক্কসু

মমি শামহুন্‌খ্রে কনানসু হিন্নমসিগীদমক লৈরক্রবা ? শুরঞ্জন হিরবসিগীদমক্তা খঙ্‌হৈদা উরকখি, কাজল দেবনাথনা থোঙ হাঙ-দোক্লা মনুং চঙলকখিবা !

"করি তৌরে, শুরঞ্জন, মতম চাদনা ভুম্লব্রা ?"

"ঐগীদমকপু মতম চাবা-চাদবা লৈব্রা ?" শুরঞ্জন হন্দোক্লুনা কাজলবু ফমুনবা ফমফম পীরমখি।

"মায়া হল্লক্লব্র ?"

"হল্লকখ্রে।" শুরঞ্জন্না নিংশা শাংনা হোমমখি।

"করি তৌসি হায়বগে, হায়য়ু। ঐখোয়বু করিনো থবক তৌবা ফৈদা।"

"করি তৌবা ঙমগনি ?"

কাজল দেবনাথকী মপোক হৌরবা মকোক, মশাগী চহী ৪০ গী মথক, চাহোপ-চাহোপ্পা ফুরিং অমা লিংখি। মহাক্কী মায়থোংদা চিংনবগী শকফম উরম্মী। চুরুপ লৌথোক্লগা হায়রকখি, "থক্কদ্রা ?"

'পীরকউ'। শুরঞ্জন মখুং তিংথোরকখি মহাক্না চুরুপ লৈদবা ঙমিং কুইরক্লে। কনাদগী শেল হায়রুনি মহাক্ত। কিরনময়দগীরা ? ইকাইবদগী মান কাদা ফাওবা চঙলমখিদে। মায়া মাঙাইবদা ইকাইরিবসি মাগীনি, শুরঞ্জন্না মস্তুম নৈরমখি। মরমদি লৈবাক্কী মফম খুদিংদা ঈরাং থোকহন্দুনা লৈবাকসিদা লৈবা মীওইশিংদি কাংলুপ নায়বগী রাখল লৈতে হায়না মহাক্না কন্না লাউরুবত্রগী মতিক চাবা খুদম ওইবনা. মসিদা মহাক্না ইকাইবগী ফিরুক খুম-জিবনি। মহাক্না ইকাইবা নংলবা শকফমসি উংতুনা সুধাময়গুম্না য়াম্না ফিদমনিংঙাই ওইবা মী, অচুম্বা পাম্বা অমসুং রায়েনচুম্বা মীওইগী মমাংদা লেপ্পা পাম্নমদে। শুরঞ্জন চারা হেন্না চুরুপ থক-চিল্লমখি। মায়ান বরিংক উংরবদি 'তামে থবদীক্ত' চাক য়াওদনা চুরুপ থকচিল্লবদি হকচাং ফরোই। কেন্সা শাক্রগা শিত্রুনা তোক্কনি হায়রমগদবনি।

শুরঞ্জন্দা করিগুম্বা কেন্সর লাক্লবসু অকায়বা লৈত্রে। হিপ্পা হিপ্পা শিবা ঙাইবনা করিগুম্বা পান্দম অমত্তা লৈতনা হিংবদগী কেন্না শাফরে।

কাজলদেবনাথ করি খল্লি হনফম থোকত্রে। মহাক্না হায়রকখি,

"ঙসি নঙগী নংঙ্গ ফাংখ্রে, হয়েংনা ঐগী ইচানুপী ফারবনি। শোয়দনা ফারনি। ঙসি গৌতমগী মঙক্তা থাংনা য়ানখ্রে, হয়েংনা ঐঙোন্দা নত্রগা নঙোন্দা য়াল্লরবনি।"

সুরঞ্জন্না হংলকখি, "অহানবমক্তদা ঐখোয়সিবু মীয়া নত্রগা হিন্দুরা অমুক্ত তাকপিয়ু?"

কাজলনা ক মন্নুংদা কোয়েং য়েংলগা হায়রকখি, "সিদসু লাক্লরবা নত্রা?"

'হোই।'

"মঙমহুদা মায়া কৈদৌরমই?"

"পাবুংগী চাক ইল্লমই, হায়না তাই।"

"মখোয়বু ফুবা ঙমহৌদ্রব্রা?"

"কমদৌনা ফুরুনি? মখোয়গী মখুংতা চাউর-চাউরবা উতুপ, য়োংচৈ অমসুং য়োংশুক য়াওরমই। ভারতকী মশিং লাকঙমদ্রবা পাঙলশিংনা ওনশিন্নহুনা খুং থোক্লবহুগী থৌনাহু লমসিগী হিন্দূশিংনা পাঙলশিংদা তৌবা ঙম্বগী থৌনা কদায়দগী লৌরুনি। ভারতন্দি নাকল অনিমক হাংনা শুনবা তৌই। মহুবু খুং থোক্লহুনা হাংনা শুনবা কৌই। মকমহুদা মীয়াম ১গা ১গা খুং থোক্লরি অহুগা মীয়াম্না লৈপাকসিগী থৌদোকশিংবু মীয়াম খুং থোক্লবা হায়না কৌনরি। মসিদা থোক্লিবশিংসিদি কাংলুপকী য়েংথিনবগী ঈহৌ শাগৎপনি মসিদি ওংপি-নৈবিবা হায়না কৌবা য়াই। কাংলুপ অমনা অতোপ্পা কাংলুপ অমবু মনিং তম্না ফুবী অমসুং হাংনী।"

"মায়াবু হল্লক্কদৌবা মালিব্রা?"

"হায়বা ঙমদে।" মায়াগী ৱা হেক পল্লকপদা শুরঞ্জনগী মখনাওহু ৱা ঙাঙবদা পল্লকখি, মথবাক মন্নুংদা অকনবা চৈনা অমা ফাওরকখি।

"তা কাজল নৈবাকসিদা অতৈ করি-করি থোকলিবগে?" শুরঞ্জন্না মায়াগী রাখীগী ঈচেল থৈবা পাম্লমখি।

কাজলদেবনাথনা য়ুমথক লোমদা মৈথু কামথংলগা হায়রকখি, "য়ুম-৮০০০, কলোন-ইতিক তৌফম ২,৮০০ লাইশঙ, ৩,৬০০ মাংহন-তাকহনখ্রে, থুগায়খ্রে। মীওই ১২ হাংখ্রে অহুগা লুপা করোর অনী মাঙহনখ্রে। খুল মথং-মথং মাঙ-তাকহনখ্রে। পানা ৪৩ দা মাঙহন-তাকহনবগী ঈহৌ হৌখ্রে। নুপী ২৬০০ অরা-অনা নংহনখ্রে। য়াম্না শাথীনা মাঙ তাকহনখ্রবা লাইশঙশিংগী-মন্নুংদা

সিলেটকী নোংচুপ্তা লৈবা চহী ৫০০ শুরুবা গৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী লৈরবা লাইশঙ বনিয়্যাচংগগী চহী ৭০০ লোম শুরবা কালী বাড়ী. চটটগ্রামগী কৈবল্যধাম, তুলসী ধাম, ভোলাগী মদনমোহনগী অখাড়া শুনামগঞ্জ অমসুং ফরীদপুরগী রাম কৃষ্ণ মিশনসু য়াওখ্রে।

শুরঞ্জনা হংখিরমই, "লৈবাক্কী থৌপুবশিংগী মায়কৈরোমদগী তেংবাঙগা করিমন্তা ফংদত্রা ?

"ফংদ্রে, লৈঙাক লোইশঙনদি পীব্রে, কমাগুম্বা মীয়ামগী য়াই-কনবা খনবা লুপ অমত্তনসু মতেং পীনিংবগী অয়্যাবা পীরকখিদে। লৈঙাক লোয়শঙগী মত্তবা মরনাই লিংখৎপা লুপ খরগুম্বনবুদি মশানা হোংনজতুনা কন্না অনৌবা থৌনা পীবিরকখি। মী লিশিং কয়া কয়া ময়ুম লৈতদুনা লমহাংদা অশংবা অত্তিয়াবু থাগোননা লৈনখি। শেংনবা কি লৈতে, চান্নবা চিঞ্জাক লৈতে, লৈন্নবা য়ুম লৈরমদে। নমজা নমথেকুবগী ঈপাক্তা ঈরারুরবী মুপী মচাশিংদু মরোল থোক্লমখিদে, মখোয়গী মচিন্দা খোস্তোক থোকখিদ্রে। পাম্বৈ লৈত্রদুনা পুন্নমক মাঙ প্রগা মথুং পুল্লগা কমদুনা লৈখ্রে। হৌজিক ফাওবা মখোয়বু কিহল্লগা শেল খোমলি, ময়ুম ইংখোল মুল্লি। বরিশাল পানাদা চাউরাক্লা লুপা করোর ৭৫ রোম মাংহনখ্রে। চটটগ্রাম পানাদা লুপা করোর অমগী হায়বদি পুন্না লুপা করোর ১০৭ কী শেলফম মাংহল্লমই। সলোন ইতিক তৌফমশিংগী পুন্না লুপা করোর ২২ অদুগা লাইশঙ শিংদুগা পুল্লগা করোর ৫৭ কী লন-থুম মাংহনখি।

"অদুবু ফত্তনে তা কাজল! অদুবু ফত্রমে ?"

"খায়দগী ফত্তবা কব্রিনো খঙলত্রা ? লৈবাক থাদোকপা। হন্দক্কী খাইদগী শাখিবশিদদি লৈবাক থাদোকপদা থিংলুবগী পাম্বৈ লৈত্রে। লৈঙাকপগী মায়কৈদগী তত্তনা হায়দুনা লৈরি, হিন্দুশিংনা লৈপাকসিদগী থাদোক্কুনা চেন্দবা লৈতে। কলিকতাগী 'দেশ' চেফোঙনা অসুম ইখিবা নত্রা — "চহী অমগী মনুংদা লৈপাকসিদা বঙ্গলাদেশকী মীওই চাউরাকনা লাক্ষ অমা মখায়রোম তুমিন্না চঙশিল্লকখি অদুগা মখোয়শিংদু অয়াম্বনা হনখিদে।" হৌখিবা চহী ২০ সিগী মনুংদা মীশিং লাখ ২৫ হেন্না লৈপাকসিদগী চেনবদা থিংখি। মীকোক মরিরক থীখিবগী চেফোঙনা করি হায়রি য়েংসি ! ১৯৪১ দা পাঙলগী মশিং চাদা ৭'৩ নি, হিন্দুগীনা ২৮'৩ নি ১৯৫১ দা পাঙল মশীং চাদা ৭৬.৯ নি অদুগা হিন্দুশা ২২,০০ নি।

১৯৬৬ তা পাঙলগী মশিং ৮০,৪ ওইখি. হিন্দুনা ১৮.৪ ওইখি। ১৯৭৪ দনা পাঙলন ৮৪.৪ চাদা হিন্দুনা ১১.১ ওইখি। ১৯৯১ দা পাঙলশিংগী অপুনবা মশিং চাদা ৮৬.৪ ওইরকখি অদুগা হিন্দুনা ১২.৬ ওইখি। মসিদগী তশেংলে মদুদি চহী খুদিংগী পাঙলগী মশিং হেনগৎলকই অদুগা হিন্দুগীনা তাথরকই। কদিগী হন্থরিবনো, কদায়দা চৎখিরিবনো মীয়ামসি? লৈঙাক লোয়শঙনদি খুল তোংখিব লৈতে হায়রক্কনি অদুদি করম্না মীকোক থীবগী চেরোলদা অসুম্না ফোঙলকলিবনো। হৌজিক্কি অনৌবা মীকোক থীবগী লানচং করি ওইরক্কনি খঙলব্রা? হিন্দু-পাঙল তোঙন তোঙান থীবনি।"

"মসিগী মরমদি?

"মরমদি তশেংবা হন্থরবা হিন্দুগী মীশিং থডনবনি।"

"অদুদি লৈঙাকশিংসি তশেংনা লৌনম নাথাক হৌরবা কাংবু ওইরেদনা। নত্রেদো, তা কাজল?" সুরঞ্জন্না য়াওল্লদুনা হায়রকখি।

কাজল দেবনাথনা করিমত্তা হায়দনা মচিন্দ চুরুপ অম চুপ্লমখি। অদুগা হংলকখি, 'চুরুপ মথী হাপ্লবা লৈব্রা?"

'কা পুম্নমক্কু চুরুপ মথী কপ্লোকফমনি খনবীয়ু।"

'নঙগী ইমাগা পাবুংগদা করি মপুক্কিং সুংঙাইনব হায়রম্মুগে, হায়য়ুদনা।" কাজলদেবনাথ ইকাইবনা মমায় লুকথহনা লৈরম্থ। মহাক অদুক্কী মতিক ইকাইরমখি মদুদি মাগী হেক মনাক্তা মায়াবু ক্ষাহুম পুখিবদৌনা তোরমখি।

মায়াগী রারী অমুক নৌহৌননা, অমুক হন্না মাগী মথম্মোইদা মৈগী চীংগুম্না অচাকপা মৈরি হৌগৎলক্লমখি। সুরঞ্জন্না রারীসি থৈদোক্লগা হায়রকখি, "ফরে তা কাজল, "জিন্নানদি ভসিদগী ঐখোয় পাকিস্তানগী মীওই হায়বদু ওইরবনি হিন্দু-পাঙল অমত্তা লৈত্রে। অদু ওইরবসু করিগীনো হিন্দুশিংনা ভারত থাদোকপদা মশীং হন্থক্লিবা?

জিন্নাদি পাঙলগী কৈদানি (মীনাই)। পাঙল ওইরবা ফাওবদা মহাক্কি হিন্দুগী মথং মথং ফমফম থোকপা কুচুলোম্বু য়ারমখি। মহাক্কী মিংথোলদি মীনাইনুবীনি। মমিংনা "জীনা ভাই মীনাই মহাক্কী মিংথোলদি মীনাইনুবীনি।" জীনাদং লৌহৌরগা মহাক্না অতৈ মমিংগী শরুক-শিংদু থাদোকখি। জিন্নানা হায়বদু তশেংবনি অদুগী মতুংদা হিন্দুগী

মীওইশিংনা য়েংথিনবগী শরাকতমক্ষম ওইহ্রে। অসুমত্তৌদনবগী দমক ১৯৪৮ দা নোংপোক পাকিস্তানগী হিন্দু ল'খ ১১ করিগী ভারতা চংখিরনো? ভারতা মখোয়বু শাইদাংবা ওৎনা লৌরখি।"

"নোংচুপ বঙ্গালদা কাংলুপ মশেল পুং থোকৎবদগী পাঙল কয়াসু লৈবাকসিদা লাকখি।"

"চুমই, নোংচুপ বঙ্গাল অমসু আসামদগী পাঙল য়াম্না লৈবাকসিদা লাকখি। মবমদি ভারত-পাকিস্তানগী লৈঙাকলশিংগী মবক্কা "নেহরু-লিয়াকত য়ান্ন চে" লৈখিবননি। য়ান্ন চেত্নদা হায়খি, 'লৈবাক অনীগী মশিংয়ামংবা কাংলুপকী লাইনীং মান্নবা মীওইগীদমক্কা মান্নবা শরুক ফংফম থোকপা লৈ" মখোয়গী মপুন্স, লাৎ অমসুং মরল-মথুমগী ফংফমথোকপা শরুক লেপতুনা পনংই মখোয়গী রাখল পাকথোকচাউথোকচনবা অমসুং লাইনিং লোনচৎকী নীংকনবসু যাবিরমই। য়ান্নচে অসিগী রান্নখিবগী মতুংইন্না মচুদগী লাকপা মীশিংতু হনখিরমই। অতুব মসিদগী চংখিবা মীশিংদি অমুক হল্লকত্তে। হল্লকত্রবসু মতম খরগী ওইনা মীযাম্না মফমতুনা চংপা থিংলমখি। তৌইগুম্বসুং ৯৫১ দা পাকিস্তানগী চংনপথাপকী মীফমনা অশুমনা লোমচৎ অনী চংনখবা য়ান্নরমখি 'ইষ্টবেঙ্গল ইভাকরী প্রোপরটী এক্ট ওফ ১৯৫১" অমসু "ইষ্ট বেঙ্গল ইবাকরীজ এক্ট ওফ ১৯৫১।" মসিগী মবমশিংদগী নোংপোক পাকিষ্টানদগী লয় থাদোক্কুনা চেন্নকপগী মশিং লাক্ক ৩৫ ফাওবা যৌখি। মসিগী রাফমশিংদি নপাবুংদগীনা হেন্না মখিক চুমনা খঙগনি।"

পাবুংনা পূম্নমকসি ঐঙোন্দথক হায়বিরোই, লৈপাক থাদোক্কুনা চৎপগী রা-হেক হৌদোকপদা মহাক মৈ হৌরকখি। কবিগুম্বা অমা তৌবতুনা রাফমসি মহাক খাঙবা ঙমদে।"

'লৈবাক থাদোক্কুনা চৎপবু ঐখোয়না অফবনি হায়না খনগদ্রা? অতুবু চংখিরবশিংতু য়াম্না লোম্না-থুপনা চংখিবা ঙাক্কনি। মখোয়বু অরি হায়না হায়তুনা নঙনা হলহল্লকদৌরিবনো? করিগুম্বা থাজহনবা অমা মখোয়দা পীবা তাই। অত্রবদি কনানবু মনীং তৌনা মমা লৈবাক থাদোক্কুন চৎনিংগদগে? শাস্ত্রনা হায়বা অমা লৈ "মরৈবাক থাদোক্কব মীতুনা খাইদগী হেন্ন নুংঙাইবনি।" পাঙলশিংদি হিজরত মুন্না খঙলবনি। লৈপাক অমদগী লৈপাক অমদা কোয়হুনা লৈরবনি,

হৌখিবা পুরারীনা (ইতিহাসনা) মরেক শেংনা উংনবনি। অদুবু হিন্দুশিংগীদমক্তদি পোক্কমগী মগুন মাম্না লৈ।"

হায়না হায়না কাজল দেবনাথ হৌগংলগা মাঙেল্লোমদা চংখিরমই। মহাকী শাগংলকপা ঈচু টংখনবা। হন্জিল্লকপা হায়রকখি, "চা য়াম্না কন্না থকনিংলকইদা। চংসি, কদায়দনো চা য়োনবা তুক্যান অমদা চংলুসি।"

শুরঞ্জন মফি হোংদোক্লমখিদে। ফি শেংলিবতুনা লোয়রে, মশা ইরুক্তদে, মমিং কয়ানি চবা হেল্লি, মশাদগী কান্থা লোথোক্লগা হাথু হাথু লেপথংলম্মি। হায়রকখি, "লেওলসি, হকচাংসি হিপমন্দুনা করেক থাংলে?

শুরঞ্জন থোঙ হাংদোক্তুনা থনমলগা থোরকখিরমই। হৌজিকপু কম্বিগী অমুক লোল্লুখিনি। থোকন্দবা থোংদাক্তু হৌজিক্কি থোক্তুনা লোয়খ্রে। চংনা চংনা কাজল দেবনাথনা হংলকখি, "নখোয় ইমুংদবু চাক-ঈশিংগা থোং লাকলিব্রা?

"ইমানা কাদা থনমখি। করিগুম্বা চায়, করিগুম্বদসু চাদে। চানিংবা পোক্কে। ঐ করিমতা হৈনিংদে।" শুরঞ্জননা ঙাওবদা খুদোনবী য়াওরমই. মশমু হায়গংনবা নংলমদে, মশাগী মপূকনিংগী লুংনাংবসু ময়েং তানলবনি।

অতুদগী মহাক্না অমুক্ক হংলকখি, "১৯৬৯-৭০ দা তশেংনা হিন্দু-শিংগী লৈবাক থাদোক্তুনা চৎখিবগী মশিং য়ামলমক্রব্রা, তা কাজল।"

"১৯৬৬ তা" ৬ লক হন্না লৈবাক থরাং হৌখি, ১৯৬৯ দা মীকম হৌবা. ১৯৭০ গী মীখলদগী নীংতম লালগী মমাং ফাওবদা হিন্দু মশিং হন্থরকখি। ১৯৫১ দগী ১৯৬০ ফাওবদা চাং য়াম্না হেন্না লৈবাক থাদোকত্তুনা চংনখি। ১৯৬০ দগী ৬৫ গী মরক্তা চাউরাক্না মীশিং লাক্ষ ১০ রোম চংখ্রে। লাল হৌগৎলকপদা চাওরাক্না মী করোর অমরোম ভারত্তা চঙজখিরমই। মসিদা চাদা ৮০ দি হিন্দু ওাক্তনি। লাল লোইরবা মতুংদা হল্লকপদা হিন্দুশিংগীদি মখোয়গী ম্যুম-মকৈ পুম্নমক লৈরমদ্রে। মী হায়কেৎ য়াম্না মতমদুদা অমুক হনখিরমই অদুগা খরনা নীংতম্বা লৈবাক ওইবনা মখোয়বু ঙাকপী শেনবিগনি খন্দুনা লৈপখি। অদুগী মথাদি নওনা উরেদনা ১৯৭৪ দা মুজিবকী রায়েলনা 'য়েক্লবগী লন থুমগী' মিং পুথোক্লত্তুনা করিস্থু অহোংবা পুরকখিদ্রে। জিয়াউর রহমন্না বঙ্গলাদেশকী নীংতম্বগী

মায়োক্তা কাংলুপকী মপাঙ্গলন। লৈঙাকলমখি। লৈঙাক পথাপতগী লাইনীং অমত্তুদা মীচঙ চঙদবা হায়বহু লোথোকলমখি। সিগী তুংদা ইরশাদ লাকলে মানা ইসলামবু অমুক পুমনৌ নৌনা শেমগৎপা তৌগৎলমখি। ১৯৮১ গী ২২ ডিসেম্বরদা ইরশাদনা ইসলাম অমসুং কুরানগী চৎনলোমচৎপু অনৌবা লৈঙাক পথাপতা য়াওহন্নবা লাওথোকখি। চহী ২৪ চুপনা লাইনীংগী মিংদা শুমলবা মতুংদা অমুক হন্না লাইনীংবু লৈঙাকলোনগী ঈচেলদা মৌহৌনা চেম্হল্লকনি হায়বা কনানা খঙনি।" চা য়োনকম অমা উবদা মখোয় লেপ্লমখি। কাজল দেবনাথ. শুরঞ্জনবু খোঙদগী তোন ফাউবা মুন্না য়েংলগা হায়রকখি, "নঙ মপুক্লিং য়াম্না সুংঙইতনা উই। নঙনা হেন্না মুন্না খঙলবা মাহংশিংহুবু ঐঙোন্দা অমুক মৌহৌনা হংলি। করিগীনো? নবুক্লিং য়াম্না খোয়রাংলবা মাল্লে। তাঞ্জাসিদদি য়াম্না ইংনা তপথনা লৈযু শুরঞ্জন। নঙগুম্বা মথৌনা নগুন লৈবা অঙাংনা নীংবা কায়রবদি কমদৌনি?"

টেবল অমদা অনিমক মায়মায় ওনশিন্নহুনা কমলমখি। কাজল দেবনাথনা হংলকখি, "চাগা লোয়নননা অতৈসু চাসিদনা?"

শুরঞ্জন্না মকোক হায়বমখি, 'হোয়'। মহাক্না সিংহার অনী লৌরমখি। কাজলদেবনাথনসু সিংহার লৌরমখি। চাবা লোয়রবদা হাতেলগী অঙাংহুদা হায়রকখি, "ঈশিং পুরকউ।"

'ঈশিং' হায়বা ব্রহৈহু শুরঞ্জন্না তাখিরমখি। কাজলদেবনাথ য়ুমদদি 'জল' হায়বনি। অতুবু ঙসি মহাক্না 'ঈশিং' হায়রকখিরমখি। ঈশিং হায়বসি অসুম হন্না হন্ন' হায়বদগী হৈনবী ওইরকলহুনা হায়রব্রা নত্রগা কিহুনা তৌরিব্রা? শুরঞ্জন্না য়াম্না খঙনিংবগী ইখৌ লাংলমই। হংনিংলমলবসু হংলমখিদে। মহাক্না য়াম্না য়েংনিংলমখি। মহাক য়াম্না থুনা চা থকলমখি। কিবনরা? মঙোন্দা অতক অকিবা পোকলুরিবা কবিগীনো? চা অশাবহু থুনা থকচিনবদগী মরৈ পোক্লে। কৈরপ তৌবা মিংয়েং অমথক মাগী মনাক্তা কমলিবা নহাহুনা য়েংলকখি, মহাক্কী মচিনবান্দা মকোই খব্রা হৌরমই, মকোক্তা ক্রুশকী তুম্পা উপ্পী। চহী ২১/২২ রোমগী লমদাগী ওইগনি। মায়া পুখিবা নহাশিংহু মখোয় সিগুম্বদগী অমনা শোয়দনা ওইরমগনি হায়না শুরঞ্জন্না খনখি। নত্রবদি করিগী মনা থাঙ্গত্তুনা তাৱিবনো? নহাহুনা মচিন খুমল খুমলহুনা নোকপহু শুরঞ্জন্না উখি। অসুম

তৌৰগীদমক নোকলিব্রা মতুদি কয়াদা মহাও হাওনা তত্তলবা, নভগী নচন্নদগী ঐখোয়না অপাম্বা অনিংবা কয়া পাওথোকলবা। শুরঞ্জন চা থকপা লোয়ব্রি। হায়রকখি, "চৎলসি, লেভখৎলো কাজল। কয়া হৈনিংব্রে।"

"অস্তুক থুনা চৎনিংলকলিবসিবু ?"

"কয়া হৈন্নরক্রে।"

কুমজা ১৯৫৪ দা লৈবাকী ফম্বৈদা শুপনগী অপুনবা মীওই ৩০৯ দা লৈরমখি। মীশিং য়ামজদবা কাংলুপকী ৭২ ওইরমখি। ১৯৭০ দা ৩০০ গী মনুংদা মীশিং য়ামদবা কাংলুপকী ১১ ওইরমখি। ১৯৯৩ দা অপুনবা ৩১৫ দা ১২ থক। ১৯৭৯ দা ৩৩০ দা ৮ নি। ১৯৮৬ তা ৩৩০ দা ৭নি। ১৯৮৮ দা ৪ থক অহুগা ১৯৯১ দা ৩৩০ দা ১২ নি। বঙ্গালাদেশকী লান্মীদা মীশিং য়ামজদবা কাংবুগী মেজর নত্ত্রগা ব্রিগেডিয়র য়াওদে। কোলোনেল ৭০ দা ১, লেফটিনেণ্ট কোলোনেল ৪৫ দা ৮, মেজর ১০০০ দা ৪০, কেপ্টেন ১৩০০ দা ৮, সেকেন্দ লেফটিনেণ্ট ৯০০ দা ৩, লাণ্মী ৮০,০০০ দা ৫০০, বীঃ ডীঃ আর ৪০,০০০ হিন্দু ৩০০ থকনি। থানাগী প্ৰবক তৌবা মীওই ৮০,০০০ গী মনুংদা লাইনীং তোঙানবা কাংলুপশিংগী অপুনবা মশিং ২০০০ থকনি। এডিসনেল আইঃ জীঃ অমত্তা য়াওদে, আইঃ জীঃ স্তুনি। থানাগী অচৌবা ৮৭০ গী মনুংদা মীশিং য়ামজদবা কাংলুপকী মশিং ৫৩ থকনি। ইমুং-মনুং, মপাল লৈবাক ওাক শেন্নবগী থৌবুরেলশিংগী লোয়শঙশিংগী অচৌবা ফমদা, মীরৈবাক্তা লৈবা বঙ্গলাদেশকী লোয়শঙশিংদা মীশিং য়ামজদবা কাংলুপকী মীওই অমত্তা য়াওদে। Secretariat Office ৩দি অমুক হেন্না নীংবা কায়নিংঙাইনি। Secretary নত্ত্রগা Addl. Secy. গী ফমদা মীশিং য়ামদবা কাংলুপকী মীওই অমত্তা য়াওরমদে। Joint Secy ৩৪গী মনুংদা শুপ্নগী ৩ থক, Deputy Secretary ৪৬৩ গী মনুংদা মীশিং য়ামজদবা কাংলুপতগী ২৫ নি। Autonomous Body (মশাগী মথা পোন্না রায়েন তৌজবা লুপ) শিংদা অহানবা থাকী অচৌবা ফমনাইবা ৪৬,৮৯৪ নি। মসিদা ৩০০ না মীশিং য়ামজদবা কাংবুগী মীওইশিংনি। লৈবাকী মপুগী মপুং ওইবা, লৈবাকী মপুগী তঙ্খায় ওইবা, Autonomous Body শিংগী অহানবা অমম্ভুং অনীশুবা থাকী ফমশিংদা মীশিং য়ামজদবা কাংবুগী মশিং

শুপনগী চাদা ৫ দগী হেন্দে। Excise অমস্তুং কাংগং লোয়শঙদা শুপনগী থবক তৌবা মীওই ১৫২ গী মনুংদা অমা, Income Tax লোয়শঙগী শিগ্মী ৪৫০ গী মনুংদা ৮ থক লৈবাক্কী থবক ইমথাং অমস্তুং ললোন ইতিক্কী পোৎ-চৈ শাবগী মকমশিংগী ফমজাউ পায়-বশিংগী মশিং চাদা ১, থবক তৌবনা ৩/৪, থবক লোম্বা কাংবুন ১/৪ দগীস্তু তায়। অসিদস্তু নত্রে বঙ্গলাদেশকী অপুনবনা বেঙ্কতা (শেল-থুমগী লোয়শঙ) ডাইরেক্টর, চেয়ারমেন নত্রগা এমঃ ডীঃ গী ফমদা হিন্দূ অমত্তা য়াওদে। অসিদা নত্তনা শেল থুমগী বেঙ্কশিংগী মশাশিং অমত্তদস্তু হিন্দু অমত্তা মেনেজর ওইবা য়াওহন্দে। ললোন ইতিক তৌবদা পাঙলশিংগা শেল পুথোকমিন্নহুনা তৌমিন্নদবা হিন্দূগী লুপ অমত্তদা শকথঙ চে পীরমখিদে। অসিদা নত্তনা লৈঙাকপনা লিংখংপা বেঙ্ক মরু ওইনা চাউখৎ খোঙথাং শেমনগী লোয়শঙদা পোৎথোক কেনগংনবা পোৎ-চৈ শানবগী শীনশঙগী শেল পুবস্তু ফংহন্দে।

শুরঞ্জন অহিং চুপ্পহুমা তুমনিংবগী লাইরেন্বীগা উন্নখিরমদে। মঙোন্দা মপুক্লিং নুংঙাইতবগী লায়না অমা পোকলকলমখি। কিরনময় অয়ুক্তা অমুকথক কাদা লাকলমখি। তশেংনা মায়াগী রা হুংগদগী লাকপা ওইরমগনি। হৌজিক ফাউবা করিস্তু তৌদ্রব্রা হংবা? মায়া য়াওদনা অস্তুম লেলগদ্রা? নুমিৎ অস্থক কুইবসি কিরনময় শিরুম-নারুম তৌদুনা লৈরমখি। মিৎপান্দুস্তু লোংনা খামলে। থ্রক থ্রক কংলবা চিনবানদুদা কবিস্তু ঙাঙলংদে, নোকস্তু নোকসমখিদে। শুরঞ্জন ফমুংদা হিকথরি, য়েংবদা তুম্বা মাল্লি। মাগী মপুক্লিংদা য়াম্না নুংঙাইতবা চৈনা অমা লৈ হায়বসি কিরনময়দা থঙহল্লমখিদে। কিরনময়না নুমিং খুদিংগী চারা অনৌমক টেবল মথক্তা তুমিন্না থাদোক্লগা চংখরমখি। শুরঞ্জন্না করি করিগুম্বদা মপুরিংদা অশাউবা পোক্লকখি, মসিবু নুঙগী শক্তম ওল্লব্রা? মহাক্কী মপুরোইবস্তু পঙথহুনা লৈরে, মচানুপীস্তু মাংখ্রে, মচা নুপাস্তু লৈরবস্তু লৈতবগুমলে, অদুবু পূম্নমক মহাক্না কনাদস্তু পেন্দবা ফেঙদোকচরম-খিদে। অশিবগী মতৌগুম রাকৎচবা লৈতনা, রাখল য়াওদনা লেল্লবা অংকপগী পুন্সিনি কিরনময়গী।

মহাক্না থল্লমখি, নুমিং চুপ্পা তুমদুনা লৈখোক্কে। মহাক নিংথিনা য়াতাবনস্ন মফৈ। অহিং কয়া তুমদনা মিংশেল খাঙলক-লবনি। মমিং হেক উইশিনবদা অকিবগী মশক ফংলবা খুৎ অংনা

মচেৎ লেৎমদা সুম চঙ্শিল্লকপগুমলমখি। মাগী মখোৌরি মেৎকন্নবগী তৌরম্ম্প। মাগী মথরাই লৌননবগীদমক মথুং ময়াম মথং মথং বিন্দোকলমখি। মচোন্দ অচৎবা কোৌবা লৈত্রে, মিকুপ অমত্তসু ইংনা পোখাজবা ফজলমজরম্মখিদে।

ননীগোপাল মল্লিকগঞ্জদগী লাকলমখি। মহাক মাগী লোয়নবী অমসুং মচাশিংসু য়াওরকখি। ননীগোপাল সুধাময়গী অথাপপা মরূপনি। সুধাময়খোয়গী ইমুংগী পোৎ-চৈ অতেক অকায়শিংতু উবদা ননীগোপাল খোয়না পাঁৎপা পোকলমখিদে। হায়রকখি, "অদোমগী য়ুমদসু য়োৌরমলেদনা?"

ললিতা, ননীগোপালগী লোয়নবী, মরাইবক্তা শিন্দুর নমলমদনা মকোক খুমলমখি। মহাক্না কিরনময়গী মথুং অনৌহ মথবক্তা থমলগ 'ইনম্মা' হায়না কন্না কপথৎলকখিরমখি। ললিতাগী মচানুপীনা মনাক্তা পেকৌ শেহৌ লেপলমখি। মিং কম্বি কৌবনো মাগী. সুধাময় নীংশিংবা খোকলমখিদে। মহাক মায়াগী চহী লেওপা ওইরমগনি। চহী ১/২ তারগসু ময়াই মহাকপু সুধাময়না মমিং কুপ্তবমখৈ য়েংহুনা লৈরমখি। মাগী মমিত্তু অমুক মশেল-মরাং তৌরমখি। মায়া নত্তে, হায়বসি মপুক্তিংনা ইয়া য়ানিংলমখিদে। মানি, য়ুম-লোম্নবা অমগীদা চংলুবনি। নত্রগনা ট্র্যাশন তম্বিবা চংখিবনি, মুমিদাংরাইরম হল্লকনি। তশেংনা হায়রবদা ইমুংগী মী পূম্নমক্কী থাজবদি মশাবু নমজা নমথেকপীথ্রবসু, নৈহৎপীথ্রবসু, অশোকঅ-পনবু নংলবসু নংত্রবসু নোংমদি মায়া শোয়দনা হল্লকখিনি।

"তাম্মো, লৈবাকসিদা অমুক হন্না লৈনিংত্রে চাউশিল্লকলবী নুপী ওইবনিনা, করি-করি তৌরক্লদগে, পুক্কিংদা পঙকিদা কিরকলে।"

সুধাময়না নুপীমচাহুদগী মমায় লৈথোকলগা হায়রকখি, "চৎপগী রাসি ঐগী ইমাংদা সুকভাং ভাওবিগনু। অসুম তাই, থংনবগী গৌতমখোয় লোয়না চৎত্রে হায়না। কন্বিবু খল্লিবনো? কৈদবু চৎকদৌরিবা? চৎকদৌরিবহুদবু, লমহেনবা ফজবা মীওইশিং লৈতবা জাং ওইত্রা করিনো? মফমহুদি অকিবা লৈতবা ওইরত্রা? নুপীশিংবু নীংথিনা ভাক শেনবিবগী রাফমদি লৈবাক পুম্বগীনি। ... দাইনে, তরেলগী ...ংজোনা হায়রি নিংশা হোনবা লেপলো,

অশোয়মগী চাংজোদদি স্বর্গ (সুংভাইবা) লৈবনি ঐনা থাজে ! নংসু অদুম তৌরব্রা ।"

নবীগোপাল পাইজম্মা ফুরিং কয়েক লিংলমখি । মহাক মকোই কোক্তবা মুমিং নিনি-হুমনি ওয়ে । মহাক মকোক্তা মখুৎ হাপলগা তুমিন্না কয়লমখি ।

ললিতা কপলমখি । চিংনবদগী কপ্লম্বনি, অদুগা কিরনময়না ল্লুগী শক্তমগুম্না .তংথাবন্থ তাগ্নমখি । রাকমসিগীদমক মহাক্না রাহৈ অমকাগুবা কাংথোকলকলমখিদে মহুদি মখোয়না মায়াবু ফাবিখ্রে, হৌজিককাগুবা হল্লকত্রি হায়না ।

নবীগোপাল ও য়োনবগী থবক তৌরমই । মখোয়না উ পৈফম মৈ থাদোকপিখ্রে । মসিদসু নবীগোপাল করিসু নীংবা কায়রম-খিদে ! মহাক্না কিজবদি অঞ্জলিতগীনি । মহাকপু করিগুম্বদা ফাবিবিনবনা মহাক্না হায়রমখি, "য়াম্মুং ললিতাগী মরি মতা ফেনী কোন্নুগী ম গী চান্দপুরগী ময়ুম অমসুং লৌ-ইংখোল মিহৌবদগী. ফাবিখি অমসুং মশা হাত্তোকলগা হুন্দোকপিরমখি । জয়দেবপুর পিংগাইলগী অশ্বনী কুমারচন্দ্রগী চহী ১৪ শুরবী মচানুপী 'মিকো' বু ফাবিখ্রে অমসুং মহাকপু নমজ নমথেকনবিদুনা নৈহংপিরমখ্রে, তাবিরব্রা ? মমৈদা নুপীমচাদু শিরমখি, গোপালগঞ্জগী বেদ খুলগী হরেন্দ্রনাথ হীরাগী মচানুপী নন্দিতা রানী হীরাবু ফাদুনা পুবিখ্রে । বাংছারামপুরগী ক্ষিতিজচন্দ্র দেবনাথকী মমোম করুনা বালাবু খুলদুগী পাওল মচানা ফাদুনা পুবিখ্রে অমসুং মাবু নমজা নমথেক্ল-বিরমখি । ভোলাগী কাশীনাথ কৈথলগী শোভারানীগী মচানুপী তন্দ্রা রানীবুসু ফাবিখ্রে অদুগা মাবু 'রেপ' তৌবিখ্রে । তংগাইলগী আদাল তপাড়াদগী সুধীর চন্দ্রদাসকী মমোমলোই মুক্তিরানী ঘোষপু অবদুল কয়ুম কৌবা নুপী ললোনবা অমনা ফাবিখ্রে । ভালুকাগী পূর্নচন্দ্র বর্মনগী মচানুপীবু নমদুনা ফারগা ময়ুমদা পুখি । রংগপুদা তারাগঞ্জগী ভীন কৌড়ী সাহাগী মমোম জয়ন্তী রানী সাহাবু ফাবিরমখি পুন্নমকসিবু তাবিত্রবা জাৎলা ?"

'পূন্নমকসিবু করম্বা মতমদা থোকখ্রিবনো ?" সুধাময়না খোঞ্জেল পীকনা হংলকখি ।

নবীগোপালনা খুমলকখি, "১৯৮৯ দা ।"

"অসুক কুইরবা রাবু নীংশিংদুনা লৈরিব্রা ?"

"পুম্নমক্সিবু কাঙবা য়াব য়াফমনে?"

"করিদৌনা কাউরোহৎদোরিবনো, পরীবানু, অ ব. মনোয়ারা, সুফিয়া সুলতান, মখোয়গী পাউদি নাইখ্রিবনে? মখোয়দু লোয়না শাবিখিবনি। মখোয়বুসু ওইংনৈবিখি, 'বেগ' তৌবিখি।

নীগোপাল অমুক হন্না মকোক্কী মথুং থাপলগা ফমথখিরক্তে। ওাইহাক কান্নরগা হায়রকখি, "অদোমগী হকচাং ঙমদবগী পাউ তাজখি। হৌজিক্তা লাকচনি লখমি, অহুবু ইশাগীত খনবদগী নাস্তে-রকপা ঙমজখিদ্রে। চৎনা-চংনা খঙরকপনি, তমুক্তং উংজাংগে হায়না। ঙসি অহিংসিমক্তদ "বেনাপোল" দা চৎচৎগনি। খুমং মোমোতাককে কৌবসু খুদোং চাদ্রে। ললিতাগী মমগালগী ম ... হায়জবমক্তে, খুদোং হেক চাবকপদা মাংনা য়াম্তাকখ্রগনি।"

সুধাময়না খঙখি মাংনা নীগোপালবু থিবা ঙনমদোই হবদ। মহাক্না খনখি চৎলগবু কনানা করি ওইগদৌরিবনো। লেপ্লাক সনা লৈহৌবা মীশিংগী মশিং, অসুম হন্থরকবদি মখোয়দা মীওই-মীরম অহোয়নবকনি। কান্নগদৌরিবসিবু চৎখিবগীদমক নত্রগা লেহৌরিবগীদ? সুধাময়না খনখি, তশেংনা কান্নবা কনাসু ওইদোই পুন্নক অমাংব ওইগনি। অমাংঙবদি লাযর-অনংশিংগী, মীশিং য মঙনবা কাংলংশিং-গীনি। কৈদৌঙনবগীদমক মতম কয়াম শিবগীদমক লেপ্লাকলগী হিন্দুনা ভারতকী ইবাং হৌদোকপা হিন্দুশিংগী হৌখিবগী হৌজিককা, তুংগী মবাল পুম্নমক কেকপেক চাম থাকদৌরিবনে? পুং মখনা মসি নচনিংব লোক্ৰখি, থাইগৎসিনা মখোযদি মশম থাংচননি মীয়ম্নসু মদোম থাংচনবা হৌরব তশেংনা মহুনা হৌজাক্না হিন্দুশিংগীবু ফববদি

পুমিদাং য়াইরম শরীফ শরুমবকি লোয়নবা লাক্রমখি অলিয়া বেগম। অহানবদদি য়াম্না লৈহায়না লাক্লমনি হৌজিক কপ থোয়না লাকখিদ্রে। হৈদরগী মমা-মপাসু খুমিং কুইরে লাকপিদনা সুধাময়না খনজখিবমক্তে কিরনমথসি মশক্ত থাহৌনা লৈরে হায়না। আলিয়া বেগম হেক উবদা কিরনময়না মিপাইবা খর লোক্ৰখি ইমুংসিদা মী অমত্তা চংহন্নি দ্রবা। মাগী ইমুংসিদি মৈথাক নঙগ্রবা খুমঙ্গনি। অলিয়া বেগমগী মোমেন তৌবা মীনোক, ফজরবা সাজ্জা, মশাগী লৈতংশিংদু উবদা সুধাময়না মংক্লদা শঙ্গদ কিবনময়সু মাগী

মমংদা মশাবু মশানা হম্বনা লৈজবমলগদ্রা? অম্বুক কুইবা মতমসিদা মানা কিরনময়দা নৈবিরমখি। য়ুম্না মরল-মথুম লৈরবা, মহৈ মশিং হৈরবা অপাম্বতা তৌরবা ইমুংগী নিঙোলবু য়াম্না লায়রবা, নীংবা কায়রবা ইমুং অমদা পুরক্কুনা চহী ২১ চুপনা মশাদা চৈনা পীহুনা লাক্লে। সুধাময়না মশাগী তা পন্দুনা কোংশিন্দুনা থমলে নত্রবদি করিগী মগু ঙমুক হন্না হৈতোপ্পা হেংজখ্রো হায়রম্ব্রিবনো। হায়রগবুস্মু কিরনময় চেক ম কত্র? মহাক্কী রাখলদবু আলিয়া বেগমগুম লুংঙাইনা মপুনসি লেননিংলম.লাইদ্রা? মীওইবগী পুকচেলনি চংখিবস্মু ময়াই। মসিগী চিংনবসিনা সুধাময়না কিরনময়বু মতম পুম্বদা মনাক-তগী লাপথোকহন্দবনি, মরুপ মপাংবু যুমদা লৌয়না লাকহন্দবনি। করিগীম্সু কৌদনি সুধাময়না নারকপগ হেরোইননা মশাগী আশোন-বহু উংচখ্রে। হায়রমখি, সুধাময় নহাক নোংমা নোংমগী মরুপ মপা শিংগী লাপথোকরুবা হোংনরক্লে, মরমদি যুমদা মরুপ মপাং লাংরবদি কিরনময়না কনাগুম্বগী মিংদৈ কৌদনা চল্লকনি হন্দুনা তশেন তৌবনি। কিরনময়না সুধাময়বু য়াম্না লুংশিজবদি মশাগী ওইজবা থাদোকপনি। মরমদি ফিভমাসনা কিরনময়না মাবু থাদোক তুনা চংপা ফত্রে হন্নে পুংশিবনবু পুক থনবা য়াত্রা? চহিস্মুক কুইরবদি সুধাময়বু লোয়নক্লিবনি, লুংশিবনদি পুক থনবা য়াংদ্রে, অদৈ অতোপ্পস্মু মখোয় তাদকই।

আলিয়া বেগমনা মুমগ পোংচ অতেক-একায়শি য়েংলমখি সুধাময়গী চংপা ওমদ্রবা খোঙ-খু মথমদি মায়া ফাখিবগী পাউ তাখি অমস্মুং "ইস লুংঙাইদে" হায়না অরাব খোঙদোক্লমাখি। মরা ঙাইহাক লৈবগ হায়রকদি, "ইনম্মা, দাদাগী নখোয়গী মনী-মত পক অমত্তা লৈত্রব?"

"লৈবুদি লে। এগী মরা-মতা অয়স্ব অহুস্মু অহুদা লে।"

"এহু ওইবগা, করিগী সিদা রানা লোত্লবা?"

"হুশাগা ইরেপাকনিনে, অহুনানে।"

কিরনময়গী পাউখুমদা আলিয়া বেগমহু হায়ফেং পাখংপগুম তৌরমখি। মরমদি মাস কিরনময়গীস্মু মবৈপাকনি, রাহৈাস মানা ইহান হান্না হেক তাবদোনা তৌখি। আলিয়া বেগমনা কন্না খোনা ফুদোক্কুনা হায়রকখি। মসি "এগী লৈপাকনি" হায়না কিরনময়না কন্না হায়দোরকপহু ফজনিব্র হায়না অলিয়ানা খল্লমখি। ঙাসদি

সুধাময়না উরে অলিয়া অমসুং কিরনময় পুন্দ্রে হায়বা। করিগুম্বা অমদা খরা খেন্নবা লৈরে।

ঙসি নীংতম্বগী নুংঙাইবা ফোংদোকপা সুমিৎনি। ঙসি সুমিৎ-সিদা বঙ্গলা লৈপাক নীতমখিবনি। 'নীংতম্বা' হায়বা ৱাহৈসি তাবদা সুধাময়দা মহু পানবা তীলন চীকপগুম তৌরমখি। লৈবাক পুম্বদা নীংতম সুমিৎ পাঙখোক্লি, তোপ থাক্লি, মায়কৈ মরিমক্তা হৱাও নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি। শুরঞ্জন্দ নুংঙাইবা ফাওরমখিদে। মতম পুম্বদা শুরঞ্জন সুমিৎসিদা অয়ুক্কুগী হৌনা য়ুমদগী খোকখিরমাখ, অমদা অমদা খোরম কয়া তৌদুনা লৈরমখি। হরা ট্রক্কা কোয়চং চৎতুনা ঈশৈ শকুরমখি। মতম সুক কুটবসি অরেম্বদা মতম মাংহল-লুরেদকো হায়না শুরঞ্জনা খল্লমখি। মঙোনদবু করিদা মনীং তম্লবগে, "বঙ্গলা লৈপাক"না নীংতম্লগা মানা কম্নবা করি ফংলিবা? 'বঙ্গলানা য়াইফরে, বঙ্গলানা য়াইফরে ......' 'নোংপোক হারমদগী কোরোহনবা থোরক্লে......" 'ঈনা ইঙাং ইঙাং ঙাংনা" "মালেমগী শৈরাংবগী (বিশ্ব কবি) সনাগী বঙ্গলা", নজরুলগী বঙ্গলা লৈপাক পুন্সিগী নুংঙাইবগী মওং ওইরবা বঙ্গলা মহুগী ফজবগী ঙমখৈ লৈতবা" "ঈগী ঈথেংনা ঈপাক্কী মহুৎ শিন্দুনা পুরকখি বঙ্গলাগী নীংতম্বা, ঐখোয় নখোয়না কাউফম থোকপ্রা?" "লৈপাক অমগুনি ঐখোয়না কল্লিংলম্বা মহুগীদমক নীংতম লল, ময়ামগী অপুনবা মীনোক্কীদমক নীংতম লাল তৌখি" —ঈশৈসি শুরঞ্জনগী মচিন্না হন্না হন্না লাকহন-নিংখি। অদুবু মানা লাকহনখিদে। শুরঞ্জনা পুন্নমকসি তানিংবা পোক্লম্বদি। মহাক থরায় য়াওনা থম্মোয়গী তয়াং তশোয়বদু হন্থল্লমগদবনি

নুমিৎ চুপ্পা তুমলুৱবা মতুংদা মঙোন্দা য়াম্না অরোনবা রাখল অমা পোক্লকখি। মহাক্কী অনিংবদু কায়হনদনা থম্লমখি মরমদি মহু অদুম লেঙদনা লৈরমখি অমসুং মপান-মরা তাদুনা লৈশাং তম্লমখি। সুমিৎ চুপ্পা মহুদা ঈনোৎ পীদুনা লৈরমখি। মতুংদা পামজবদু লৈশাং তম্লকখি অমসুং মহুগী লৈমমসু লোজখি। অসুম নীংজবগী ঈপাক্তা সুমিৎ চুপ্পা লুপলুৱগা সুমিদাং পুং ৮ দা য়ুমদগী মপান থোক্লকখি। রিক্সা খৌবদা হায়রকখি, "খৌনিংবা লমদা থৌ" কিক্সা খৌবনা মহাকলু তোপখানা, বিজয়নগর, কাংকরাইল, মগ

বাজার কোয়রগা রমনাদা পুরমখি। শুরঞ্জনা লুমিদাংগী মৈগী ফজবত্নু য়েংলমখি। ফজগ্রবা লম্বীদুনা মাবু কম্নম্না হিন্দু মচানি খঙগনি। করিগুম্বদা খঙলমলবদি ফত্তবা লম্বীদুনা কাওবস্থু হন্দোকউ হায়রমগনি। ঙসিদি হৈনিংবসি লৈত্রবস্থু থম্মোয়দদি মাইল কয়া কয়া চৎনিংবগী মৈচাক অমা লৈরিবসিদি মুৎলরোই। অস্থুমনা থবকসি তৌরবদি য়াম্না হঙ্গোইনা হিংদুনা লৈরিবা পুন্সিসিদগী অরান খুঙম ফঙবা ঙমলোই। তশেংনা থবকসিনা কম্বিগুম্বা রাথোক অমগী রাকায় ওইবদি নত্তে অহ্ ওইরবস্থু মহুবু হেক থেমজিনবদি তাবনি। থবকসি তৌরগা মহাক্না মশাগী অশাউবা, পুক্নিং মরাং চৌব অমদি অরাববু খরদা ওইরবস্থু হন্থহনগনি।

বার কাউন্সিলগী মমাংদা শুরঞ্জনা রিক্সা থামহনখি। চুরুপ চমথৎলমখি। মায়াবু হলহন্নিংবগী রাখল মহাক্না থাদোকলমখি। সুধাময় অমস্থুং কিরনময়দস্থু হৌজিক মায়া হল্লকপগী রাখল তৌরুরনু হায়রনি খল্লে। করিগুম্বা লম্বী চৎপগী খুদোংথীবা অমদা মায়া শিংখ্রে হায়না খল্লু হায়নি লমখি। লুমিং অতুক কুইরবা নীংথিনা লৈমিন্নরকপবা, মতিক চাবা সুধাময়গী অসিগুম্বা লাইরবা, চিকলবা, শৈখ্র লৈজত্রবা ফিঙমসিদা শুরঞ্জনা খাঙবা ঙমলমখিদে। মহাক্না মায়া ভাংবী মীহু হল্লকবী অরাবা চৈনানা লুমিং চুপ্পা নাহেন্থনতা লৈরমখি। কনাগুম্বা লংজা অমনা তাইবঙ মীবু শেন্থুনা চাবগুম্না শোয়দনা মতৌ অহুমনা মায়াবুস্থু চারমগনি, শেং শেন্থুনা, শেগায় শেগায়হুনা। থায়নগী মীশিংনা শাগী শহুম অহিংবা চাবা মওং অহুম্না তৌরমগন্না? করিস্থু খল্লুদবা অরাবা রাখল অমনা শুরঞ্জনগী থম্মোইদা মচেং মচেং তাহল্লখি, কনাগুম্বনা শেং শেন্থুনা চাবদোনা তৌরমখি। মীহিংচা তরেংকী খুৎপুনা। মহাক্না চুরুপতু লোয়শিল্লমখ্রি, তাল্লক্নদা মাগী রিক্সা মনাক্তা লৈশাবী অমা লাক্তুনা লেপলমখি। সোদিয়ম থাউমৈগী মঙালদা মাগী ফজবা শকফমহু উরমখি। মাগী মায়থোংহু শোয়দনা খুংশেম চঙলমগনি। চহী ১৯/২০ লোমগী লেং ওইগনি।

শুরঞ্জনা চুরুপ, হুন্দোকখ্রগা লৈশাবীহুবু কোরমখি হায়রমখি, "তারিব্রা!" লৈশাবীহুনা রিক্সা মনাক্তা লাকলগা তুমিন্না লেপলমখি। লিরি-খোইরীনা নোকলমখি।

শুরঞ্জনা হংলমখি, "মিং করি কৌবগে?"

লৈশাবীহুনা নোকলগা খুমলকখি, 'পিংকী!'

'অশেংবা মিং হায়য়ু'।

'শমীমা বেগম'।

'অপোকপগী মিং ?'

'অবদুল জলীল।'

'লৈফম ?'

'রঙ্গপুর।'

"মিংবু করি কৌই হায়বা ?"

'শমীমা।'

লৈশাবীত্থু পাখৎলমখি। অসুমনা কনানসু অপোকপগী মিং, লৈফম হংখিদে। মসিবু করম্বা মীতারোইনো ! মিৎচিনা কৈরূপ শুরঞ্জন, শমীমাদা য়েংলমখি. লৈশাবীত্থুনা অরানব হায়বা মানবনরা।

'ফরে, রিক্সাদা কাখৎলকলো।'

শমিমা রিক্সাদা কাখৎলকলমখি। শুরঞ্জন্না টিকাটুলী চৎনব হায়রমখি। লম্বী লমশাংত্থুদা মহাক শমীমাদা রাহৈ অমত্তা হায়রমখিদে। মঙোনলোমদা অমুক্তা কাওবা য়েংলমখিদে। লৈশাবী অমা মাগা নপননা ফমিন্নরে, মরম লৈতনা রা ঙাওনবা, ঙাঙহাক ঙাইহাক ঈশৈ শংবা. শুরঞ্জনগী মশাদা নোকফেং নোকফেং তৌহন্নি বনি অত্থুবু পুন্নমকসি শুরঞ্জন্না পামলমখিদে। মহাক য়াম্না পুক্নিং তানা চুরূপ থক্তুনা লৈরমখি।

রিক্সা থোৌবত্থুসু হায়ফেং মপুক্নিং মকা শামজরমখি। মহাক্না নোমহৌ নোমহৌ রিক্সা থোৌরমখি, হিন্দী ফিল্মগী ঈশৈ ঙং ঙংত্থুনা চংলমখি। সহরসি ঙসিদি নীংথিনা লৈতেংথ্রে, অঙাংবা, অশংবা মৈঙালনা ইরং লংনা। মহাক্না ঙসি চংথরিবা পুন্নমকসি য়াম্না অশুংবা রাখলদনি। মঙোন্দা ময়াই কাবা (নিশা) ককা শাজিন্নবা লৈরমখিদে।

মপানলোমদগী মহাক্না ক'থু শো লোল্লগা লাকলমখি। য়ুমগী থোংঙত্থু অমুক থিল্লুবা তৌদনা শো হাংলগা তুমিন্না কা মন্নুংদা চঙবা য়ারমখি।

কাদা হেক চঙবগা শমীমানা হায়রমখি, 'শেল থুমদি তিংলোইদ্রা।'

শুরঞ্জন্না মাবু খামলত্থুনা হায়রকখি, 'তুমিন লৈয়ু রা অমত্তা ঙাওলকনু। য়াম্না তুমিন্না লৈয়ু।'

কাল্ল হান্নগী হান্নগুমলমখি। মোম্পাকক্কিদক্তু ফমুংদা তংখায় য়াম্থহুনা লৈরমখি। থংনব কাদগী মখোল অমা ফাওবা তারমখিদে। মখোয় চাননা তুমগ্রমাল্লে। শুরঞ্জন্না মনা থাঙ্গত্তনা তারমখি, সুধাময় নাহেল্লমখি। মখোয়নবু মরৌশিং লৈরবা মচা ইবুংঙোনা ময়ুমদা ওক্কবী পুশিল্লকলে হায়বা খঙলমগদ্রা? মহাক্না মহাকপু ওক্কবীনি খঙদবনা অতোপ্পা রাফমনি। মহাকনা মহাকপু অশেংবা পাঙল লৈশাবিনি (পাঙল লুবীনি) হায়না খনখি। মাগী মপুক্লিংদা অকনবা অপাম্বগী ঈকুং অমা লাকখি মতুদি পাঙল লৈশাবী অমবু 'রেপ' তৌবনি। মহাক্না শমীমাবু নৈহংকনি, শুপনতগী নৈহংপা। কাগী মৈ মুথংলমখি। লৈশাবীতুবু লৈবাক্তা ইন্দুরগা মফি থোক-তোকলমখি। শুরঞ্জন নিংশা ফুয়না হোনগংলকখি। মহাক্না লুপীতুগী অথিফমদা খুজিন্না খোংলমই, মথাদা ময়ানা চিকলমখি, অসুম তৌবসি লুংশিবা নত্তে হায়বা শুরঞ্জন খঙলমখিদে, অতুম তৌনা তৌনা মহাক্না মশাম পায়হুনা চিংলমখি, মখজাই, মখনাও অমসুং মথবাক্তা ময়ানা চিকলমখি, অখিফমদা, মবুক্তু, মনিংদা, মফৈদা খুজিন্না কন্না কন্না চিকলমখি। লুপীহুনা অশেংবা ওক্কবী ওইবনা মানা তৌবা খুদিংদা "অয়ো, না রে. ইস ... ..." অসিনচিংবা হায়রহুনা নাহেশন্নরমখি। মতু তাবদা শুরঞ্জন্দা অপেনব পোকচরমখি। মহাকনা অমতুবু চৈনা য়াম্না ফংহল্লহনা, নম নমহুনা নমজা নমথেকনবিরমখি। লুপীতু পাখংলমখি। মহাক্না হান্না মুক্তা শিদগী তেন্না তমথিব পামজরোই থেংনজখিদ্রি। কৈগী মখুবাক্তগী শজী অমোমনা নাম্থোকপা পামজ-বগুম লুপীতুসু মফি মরোল শেমজিনজরগা থোঙগী মনাওয়া লেপ্লুনা লৈরমখি। তশেংনমক মহাক্না অশুক শাখিবা পামজরোই থেংনখিদ্রি।

শুরঞ্জন ঙসিদি য়াম্না ইংথরমখি। মহাক মশা য়াম্না রাই শঙবগুম তৌরমখি। লুমিৎ চুপ্পদা মশাদা অপাম্বা পোকলম্বতু তন্না ফংজরে। হৌজিক লুপীসিবু কাউথোক্তুনা য়ুমদগী তাম্থোকখিবনা মঙোন্দা হেন্না লুংঙাইবা ওইরমগনি। মহাক অমুক নিংশা ফুয়না হোনবা হৌরকখি। পাঙলমুবীতুবু মহাক্না অমুক তাম্থোকপিখিগদৌরিব্রা? লুপীতু মশাদা মফি থোংদবমখৈ লেপলমলি, অহিংসিদা লেককদ্রা নত্রগা চংহিগদ্রা হায়বা খঙজরমদ্রে। মরমদি মহাক্না তুমিন লৈয়ু হায়বনা কিজহুনা হংবফাওবা হংজরমদ্রে।

মায়া হৌজিক কদায়দা লৈরমগনি. থোঙ লোনশিনবা কা মনু-দা মখোঙ মখুৎ পুনশিল্লগা নমজা নমথেকপীত্থনা নৈচৎপীব্রমগল্লা মখোয় তরেংত্থনা? তশেংনা মায়া য়াম্ম রারম্নগনি; মতমত্থদা মহাক য়াম্মা কপলমলোইরা? মতম অমগী রানি। মায়া চৗ ১৫/১৬ শুরকপগী অত্থরাইদা নোংমা মমংদা 'তামো তামো' হায়না লাউত্থনা কপ্পকখি। শুরঞ্জন্না চেম্নশিন্দুনা য়েংবদদি মায়া নিংশা ফুয়না ফুয়না হোল্লত্থনা তুমলমখি, 'মায়া, করিগী কপলকখিবনো?'' মিকপ থোকলকলবদস্থ মায়া নিংশা ফুয়না হোনবা তোকললমখিদে। রাখল চোয়বগুম্মা মড তমলকখি, ''ফজরব খুল অমদা ঐখোয় অনী কোয়রমখি। লৌবুক ময়াদা ঐখোয় চংলমখি, রারী শারমখি। মনাক অত্থরাইদা মী ৩/৪স্থ চৎলি, মরক মরক্তা মখোয়না ঐখোয়দা রা ভাঙলকনি। ইখং শংহৌদনা উরকখি, লৌবুক লৈখিদ্রে, মত্থগী মত্থত্তা অহাংবা লমহাং, অত্থগা নঙস্থ (তামো) য়াওরমখিদ্রে। খৎহৌদনা উরকখি, মীওই খম্লনা ঐবু ফাগদবগী চঙ শল্লকপা, কিজত্থনা ঐনা চেল্লমখি, নঙবু থিরমখি।'' অরাবনি, মায়া! শুবঞ্জনগী নিংশা ফুয়না হোনবা হেল্লকলমখি, মায়াত্থ য়াম্মা কপলমগনি খল্লকখি। কপলমখি। কবিগুম্ব অমম্বা কা অমগী মনুংদা তমথিরব উমংগী শা শঙ্গত্থগী মরক্তা কপ্পুনা লৈরম্নগনি। হৌজিক মায়া কদায়দা লৈরম্বা য়াই, পিকথবা সহরনি অত্থবু মাগী নু শিজরবী মচলত্থ ফত্তবা অমোং অকাই মরক্তা, ওক্তবী মকোলদা নত্রগা ঈচেল কল্লবী গঙ্গাগী ঈরোয়ুংদা লৈথরা হায়কম মহাক খঙলমখিদে। মায়া কদায় লৈথ্রে? মপুক্লিংদা পুলীসি লুশম পায়ত্থনা মপান্দ ইন্দুনা তান্থোকথসিরা খল্লকখি।

নুপীত্থনা শুরঞ্জনগী মওং মতৌত্থদা অকিবা পোকলমখি। থুনা য়াওনা মফি শেংচিল্লগা হায়রকখি, ''পৈশা পীবিরো।''

''তুমিন লৈয়ু, হৌজিকমক চংথ্রো। শুরঞ্জন্না শাওগংলকলমখি। শমীমা থোঙ হাংদোকলগা মখোঙ নামা থাংদোকলগা অশাউবা মিংয়েংনা য়েংলকলমখি, মখনাওগী তক ফাংপত্থ ঈ থোকলমখি, হায়রকখি, ''লুপা ১০ খক্তং পীবিয়ু।

মতাংত্থদা শুরঞ্জন মশাদা য়াম্মা শাথিনা শাউনিংলমখিবনি। অত্থবু নুপীমচাত্থগী নুংশিবা মিংয়েং অত্থদা মীনুংশি পোকলকলমখি। লাইররবী নুপীমচা। মবুক্কীদমক্তা মশা য়োলিবা। খুনাই অসিগী কায়ত্ত্রবা লোনচং মত্থ চংম্নবা, রাখল লৌশিং অমক্তা শীজিন্নবা

ফংদনা মশাবু চিংথজরি অমম্বা লম্বী অমদা। ঙসি ফংলিবা শেল অসিনা মানা শোয়দনা চেং খুয়া অমা রাল্লগা চাজগনি। তম্বা ঙমজ্রে, কয়াম কুইনদগী চরা হেল্লকলবা হায়বদু। শুরঞ্জন্না খোংগ্রাও ফুরিৎখাউদগী লুপা ১০ চৎপী অমা পুথোক্তুনা মথুত্তা শিন্নম্বগা হায়লকখি, "নঙ পাঙলদি পাঙলনিকো ?"

'মানি।'

"নখোয়দি নমিং ওস্তোকনববনি নঙদি ওন্দেনা ?"

'ওন্দে।'

"ফরে, চৎলো।"

শমীমা চংখিরমই। শুরঞ্জন মশাহু য়াম্না নে-না তাবা ফংজরমখি। ঙসিদি মহাক পোৎ অমত্তবু য়েংলুবদা মুংঙাইতবা লৈরমলরোই। ঙসিদি মায় পাকপগী মুমিংনি। মীপুম খুদিং নুংঙাইনরমখি, মৈকাপপী-বামবুলা থানরমখি। চহী ২১ গী মমাংদা ঙসিগী মুমিংসিদা নীং তমলমখি, শমীমা বেগমস্মু শুরঞ্জনগী ময়ুমদা লাকলমখি। অদুগুম্বা নীংতম্বদু, নুংঙাইরে ! শুরঞ্জন বেঙ্গুল (পেরে শিঙ্গ) খোংগৎনিংলমখি মহাক ঈশৈকপা শকনিংলমলোইত্রা, "অহানবদা ঐগী বঙ্গলাদেশ,। মীয়ামগী বঙ্গলাদেশ, পুন্সিগী হিংফম ওইরিবা ঐগী বঙ্গলাদেশ, শিফম ওইগদৌরিবা বঙ্গলাদেশ"।

শমীমানা অমুক্তস্মু মাগী মমিং পন্দুনা কৌরমখিদে। মহাক্কী মমিং শুরঞ্জন দত্তনি, মসি তাকললকফম থোকপনি। মরমদি মহাকপু শিকতৎ খোংতত্তুনা ঈ থোকহল্লিবা মীওই অদু হিন্দুনি অদুগা হিন্দুস্মু নুপীবু মমজা মমথেকনবগী শাজৎ চৎপা হৈ হায়বা শমীমানস্মু খঙলমফম থোকপনি। মখোয়দস্মু মশাদা মখোং, মখুৎ, মকোক পাল্লি. থৌরবা ময়াশিং হৌই. মখোয়দস্মু শিকপা-খোংপা খঙঙি হায়বা। শমীমা মশাদা অপাম্বা মীহৌবা পক্তুবী মুপীনি, অদুগীস্মু মথক্তা পাঙল মুবীনি। পাঙলগী মমায়দা খুপাকনা অমুক্তং থাবা ফংবদা শুরঞ্জন্না মশাদা নুংঙাইবা পোকচৈ।

অহিং চুপপদা য়াম্না কন্না মপুক্লিং লৈত্তাদনা লেলমখি। করিগুম্বদা রাখল লৈতারমখি, করিগুম্বদা লৈত্তাদনা অহিং চুপ্পা শুরঞ্জন মদোম, ভুটকী মতৌগুম লেঙদনা, চেকশিন্দনা, মশাহু অকিবদগী মথং মথং কিখৎলকপদগী ফিজং মরুমদা রানা খাঙলমখি, মহাক নিংথিনা য়াতাবা য়ারমখিদে। মহাক্না ঙসি করিস্মু লৈতবা

লমন অমা খুমনিংলমখি, অদুবু ঊমখিদ্রে। লমন খুম্বদু মহাক পাঙথোকখিদ্রে। অহিং চুপ্পা শুরঞ্জন মিংশেল খাংদুনা খল্লমখি মদুদি শমীমা কৌবী নুপীমচাদু মঙোন্দা মায়া ওইনা খনখি. মীন্নুংশি পোকলকখি। মশাদা কল্লক মীহৌবা পোকলমখিদে। শাউস্তু শাউনিংলমখিদে। অদুদি কব্রিদা লমন খুমনিংবা পোক্লম্লিব। মদুমক মায়থীব মওং অমনি। শুরঞ্জনবু মায়খুহৌরবা? অদুদি শুরঞ্জন মায়থীবা হায়বদুমক ওইরেদনা। শমীমাবু মহাক্না নমথাক তৌরমখিদে। মরমদি নুপীমচাদু হান্নমা নমথাক তৌবিগ্রবননি। মঙোন্দদি "ফমদিন্নব অমস্তুং 'নমজা নমথেকনবা" পূম্নমক তোঙানবা অমগুম্বা ওইরমদ্রে। শুরঞ্জন ফমুংদা মশাদু কোনশিন্দুনা লৈরমখি, অরাবা অমস্তুং ইকাইবদগী। অহিং ফনা থেংজিল্লকলমখি, অদু ওইরবস্তু শুরঞ্জনবু করিগী তুম্বগী মবেম্মনা শুম্বা ঊমলমগ্রিবনো। মাবু মং তাকলব্রা, বাবরী মসজিদকী রাংথোক্তগী মাবু মাংহন তাকহনখ্রে, মহাক্কী থম্মোয় পিকশিল্লকলে হায়বা মহাক খংজখি। অস্তুক য়াম্না রারিবসি করিগীনো নুপী মচাদু মহাক্না চুপ্পা ১দি চিকথংলুবিরুবা অদুগীদমক্তা রারিবা ওইরিদ্রা। তশেংনা নুপীমচান্না চংব্রিঙেদা মাগী মঙকশম্নদগী থোকলকখিবা ঈদু রুমালনা (মাইতৈ ফি) তেথোক পিরমলবদ্রিকো। নুপীমচাদু অমুক হন্না উহুবা ফংখিদ্রে বার কাউন্সিলগী চিথেক্তুদা লেপ্তুনা লৈরম্বনি। করিগুম্বা থলরবন শুরঞ্জন নুপীমচাদুদা ঙাকপিনবা হায়জগনি। নিংথমগী অদুক ইংলবা অহিংদুদস্তু মহাক মশাদা হুমাং মরিক কারমখি। মহাক মশাদগী কান্থা লৌথোকলমখি। মাগী মোম্পাক ফিদকস্তু মখোঙ ময়াদা পৈশিন্দুনা লৈরমখি। মনম নমথিরবা ফমুং মথক্তুদা মহাক মথুকউ য়ুম শাংগা তুমথখিরমই। হুইগুম্না মশা কোনশিল্লদুনা। অয়ুক্তা মহাক ঈশিং য়াম্না চৎলমখি। অদু ফাওবদা হ্যোগৎনিংলমখিদে। কিরনময় চা থনমলগা চংখ্রে। মহাক করিস্তু চানিং-থকনিংবা পোকলমখিদে। ওনিংবা পোকলমখি। মহাক ঈশিং অশাবনা ঈরুজনিংলমখি। অদুবু অশাবা ঈশিংদি ফঙনি কদায়দগী? ব্রহ্মপল্লীগী য়ুমদদি পুখ্রি লৈ, নিংথমগী অয়ুক্তা পুখ্রিদা কুম্বদা তু চুংলম্বনি। অদুবু পুখ্রিদা ঈরোইদ্রবদি মশাদা ঈরুবা মপুং ফাজরমদবনি। ঙসিস্তু মহাক ত্তশেংনা পেন্না ঈরোইজরবদিকো, অদুবু পুখ্রি (ঈকোম) দি কদায়? অদুক য়াম্বা ঈশিংদি কদায়; টৌটিদনী চপ্তুনা শিংদ্রাকপা ঈশিংদদি

ঈরুনিংলমখিদে। পুন্সিদা অস্তুক য়াম্না কন্নম্না এওনবা লাকখিব।

শুরঞ্জন অয়ুক পুং ১০ দা য়াহৌরমখি। মাঙ্গোলদা লেপল্লগা মহাক মচিন কুপলমখি। তাঞ্জাহুদা থাদিম অজিগী মচাংতুপা অশরফনা কিংন্নময়দা হায়রম্লম্ন তারমখি, "ইনে ঐখোইগী য়ুমগী পুটুন ওরাং লুমিদাংরাইরমদা মায়াগুম্বী নুপী মচা অমগী অশিবা হকচাং গেন্দুরিয়াগী য়োংকী থোং মখাদা ঈশিংদা তাওহনা লৈরম্মবা উরমখি।"

শুরঞ্জন য়াখিন্ন পেংমোং পায়ম্নিবা খুং অত্তু থঙ্কোদনা লুঙদোল্ন কনশিল্লকখি। মশাঙ্গ ইলেক্ট্রিকনা চিংবদোনা মহাকী মশাঙ্গদা অকনরা ঈথক অমা হৌরকখিরম্মী। ইমুংলোমদা কপ্পগী মখোল তাখিরম্মদে। ইমুংত্তু পুমচিক চিকলমখি। রা হেক ঙাংলুবদা ফকলাংদগী খোম্থাং লাক্কদোবা মালম্মী। য়ুমসিদা চহী কয়াদগী মী চমত্তা লৈরকত্রবদোনা তৌরমখি। মপানগী মাঙ্গোলদা পুম্নমক লোয়না থঙলবদোনা শুরঞ্জন্না লেপ্তুনা লৈরমখি. ওরাং অহিং মায়-পাকপগী নুংঙাইবা থোরম প ঙখোকলবা তুংদা সংবুগী মীপুম খুদিংমক হৌজিক ফাওবা য়াকাইনত্রি! মখুত্তা য়াখিন পোমোং পায়রম্নতুনা মহাক লেপ্তুনা লৈরমখি, হৈদর জরশি লিংলগা লম্বীদা কোয়চং চংলমই, মাবু হেক উবমক্তদা লেপখিরমই। মিংচানরুবা থোকল্লুংনা মহাক অফব মীগী মতৌ তমলত্তুনা লেপখিরমই। মহাক তপনা তপনা মাপী মনাক্তা লাক্লমখি। হংলকখি, "কমদৌবিরিবগে হায়না?"

শুরঞ্জন্না নোক্না হায়রমখি, "নুংঙাইজরি।"

থুনমক মায়াগী রাক্কী-রাখোং কৌদোকহন্নিংলম্বনি অত্তুবু হৈদরনা মত্তু তৌরমখিদে। মহাক রেলিংদা নপশিন্ন লেপলমখি। হায়রকখি, 'ওরাংগী মীয়াম পুনবা" (কেম্প) কী মীওইশিনা রাজাসাহী তাইবঙ মহৈকোলদা 'জুহা'গী মতমদা জন বলিদান কত্র (মীয়াম্না থরায় কংনবগী মোংফমদা থমলিবা নীংশিং উপাক্তু থুগায়খিরমই।

শুরঞ্জন্না লৈখেংনা মচিন্দগী কোঙ্গোলশিং লৈপাক্তা খেতোকলমখি। হংলকখি, মীয়ামগী কংথোকপগী 'মোংফম' শাগদৌরি হায়বা?"

"মীয়ামগী মোংফম হায়বগী রাহন্দোক অদোম থঙত্রে।" হৈ হনা য়াম্ন ওককপগা লোয়নন্না শুরঞ্জনবু য়েংলমখি।

শুরঞ্জন্না মকোক হায়রদুনা, অদু নত্তে ইকাইবনা হৈদর মমায় ঊচপ-মুক ঙাঙলমম্মি। মহাক মেন তাবা ঙম্নমখিদে মদুদি শুরঞ্জন নীংতম লানগী নীংশিঙ লুপকী লুচিংবা ওইবনা মরম ওইদুনা মীয়াম কংথোক্পগী মোংফমগী মরম কন্নিগী ঙাঙলিবনো। "কেম্প" কী মীশিংনা কংথোক্লবা মাংফমগী মীয়ামগী মোংফমগী নীংশিং উবাক করিগী খুগায়রি। অদুদি থুগায়রসনু মখোয়গী মথুঙা হৌজিক থুংলায় য়াওরি, মদুনা মখোয়না থবক ওইনা ওম্বোকলি. কনানা মখোয়বু থিংলুবা ঙমগনি। তপ্না তপ্না মখোয়না থুগায়বনি মায়খীবা পীবা ঙমদ্রবা বঙ্গলাদেশপু, মশানা তানজবা নীংতম্ববু, মাঙহল্লগনি খুংঙাইরবা বঙ্গলাদেশপু, নীংতম লৈবাকী নীংতম লানমীবু। সিদবু কনানা অপনবা পীরুন্নি। মীতিন ১/২ তৌগনি। মীয়ামগী পেন্দবা ফোংদোকপগী খোঙচৎ :/ঃ চংকনি। "জমোত শিবির যুবা কমান্দ লৈবাক শেম্বগী মওং লেপপু" হায়বদুনা থরা হেন্না চাউখৎপা পাম্বা লৈশেন্বা লুপ থরনা ফোঙদোক-লরনি (লাউরনি), সি নত্রা। সিনবু করি তৌনি, শুরঞ্জন মবুক্তা মওল মওল খল্লকনি, দোং হৌরগা ফগনি।

হৈদর হায়ফেৎ কুইনা মকোক নোম্থদুনা লেনুরবা তুংদা হায়-রকখি, "কন্নিগুম্বা অমা তা-লাকপ্রা, পরবীন সিদা লৈরে। মহাক খায়নরকলে।"

শুরঞ্জন তাবদি তায় অদুবু পাউখুমদি কন্নিম্নু পীখিরমদে। পরবীন খায়নরকলে তাবদা মহাক থোইনা লুংনাংবা পোকলমখিদে। তৌবদদি মবুক্তা মওল মওল খনখি, ফরে হায়না। হিন্দুদদি লুহোংদে পাঙলদা লুহোংখ্রে হৌজিক্তি কমদৌরেদো? মবুকলিংদা পারবীনবু অমুক্তং 'রেপ' তৌরমখি। অদুক অযুক ঙন্না মচিন কুপনা কুপনা 'রেপ' তৌবা পামলমদ্রবস্নু, মপুক্তিংদদি 'রেপ' কী অপাম্বগী ঈথক হৌরকখি।

মতম থরা কান্নরগা হৈদরনা হায়রকখি, "চৎলগে।" মহাক্না হৈদরবু থিংলমখিদে।

সুধাময় হৌজিক হৌগং-কাংখত্তুনা ফম্বা ঙমলমলে। নঙ্গলদা মোন ঙাকলগা উয়ুংগুম ইমুংগী অচিকপা তারমখি। সুধাময়না খনখি, ইমুংশিগী মীয়ামগী হিংনবগা মচাকসি মায়াতনা ওইরম্বনি মহাক্না মশাগী খুদোংথীবদু লৈরমদ্রবদি মায়ানা পারুলগী য়ুমদগী হল্লক-লমলে ইদবানে। অদুগা মহাকস্নু মাংলমলোইদবনি। কনাগুম্বনা

মহাকপু য়োংকী থোং মখাদা উম্মলবা জ্যাংলা। অত্তবু অশিবদু কনাম্না য়েংবিরক্নি চত্তুনা? কনাস্থ চংলোই হায়বা সুধাময় খওলমখি। মবমদি, পুম্নমক্ক' মায়া নোংমদি হল্লকখিনি শোইদনা হায়বা থাজনরি। করিগুম্বা থোং মখাগী অশিবা হকচাংদুনা মায়া ওক্টরমলবদি মায়া মতম পুম্বগী ওইনা হল্লকপগী নীংনম্বিবা রাখলদু তায়ওন্নরনি। ওসিরা, হয়েংলা নক্সগা হংচিংলা নত্রগা চহী ১ লৈরগরা, চহী অনী নত্রগা চহী ৫ গী মতুংদা মায়া শোয়দনা হল্লকখিনি, হায়বা রাখলসি মতোল চোংহন্দুনা থম্বা তাবনি। অসিগুম্বা রাখলশিংনা মীওইববু কন্দুনা থমই (হিংহল্লি। তাইবওদা তি.বগী মচাক রাংলকপবদি য়ামক্সবদা অনিংবা থরগী পান্দম থম্বা কৈ। মতম কুইরবগী তুংদা মহাক্না গুরজনবু মনাক্না কৌশিল্লমখি। মনাক নকনা কমনবা হায় রমখি। মতেক মতেক ওইবা খোন্থোক্না হায়রকখি, "থোও, থোওনাউ লোনশিল্লিগা লৈবসি য়াম্না ইকায়বা পোকই।"

"পাবুংনা ইকায়বিরিত্রা, ঐদি শাউনিংবা পোকলকই।"

"নওগীদমক থনবদা য়াম্না অরাবা পোকই।" সুধাময়না মথুং ওইখংবদু মচানুপাগী মনমদা থমবা পামলখি।

"করি তৌবিরবগে?"

"অহিং থেংনা হল্লকপ্রা? ওবাং কুরিপদ লাকলমখি, ভোলাগী ফিওম য়াম্না ফত্ত্রে হায়না তায়। মী লিশিং কয়া অহাংবা লমহাংদা ফমদুনা লৈরে। য়ুম-কৈ অমত্তা কনকুহৌত্রে। নুপীমচাশিংবু 'রেপ' তৌবিখ্রে।"

"হায়বিরিবশিংদুবু অনৌবা ওইরা লৌবিরত্রা?"

"অনৌবনিনে। অসিগুম্বা থৌদোকশিং হান্নবু থোকখি লাকখিবা লৈত্রনে? অসিগীদমক ঐনা কিরিবনিনে।"

"ঐঙোন্দবু অকিবা লৈরিত্রা? অদোম কিরুফম থোক্কেনা। অদোমদি হিন্দু মংপিদবা নত্রা?"

"ঐখোয়বু করি হায়না কৌগদগে?

"অদোমগী কোক্তু শন্থী হাল্লে। হৌজিক ফাওবদা নৈবাপসিগী মীশিংবু মশক থওবিত্রি, হিন্দুশিংবু হেক উবদা 'লোয়শিনখিনি', অহল-নহাগী রা লৈতে।"

সুধাময়গী মরাইবক্তা শিংলি চোওথোকলকলমখি। মহাক্না হায়রকখি, "নওবু নৈবাকসিগী মী নত্রব্রা?"

"নত্রে, ঐ হৌজিক লৈবাকি অসিগী মী ওইহ্রি হায়বা লৌ ত্রে। য়াম্না হন্ন হুম্না খন্নবা লাকনরবনি অহুবু থনবগী ওইথোকপা ওইবা য়াত্রে। অহানবদা তা কাজলনচিংবগা য়েংথিনবগী ঙ হৌদোকপদা ঐনা মখোয়বু শাউরমখিবনি। হায়রমখি 'রারেম ঙাঙলিব্র, লৈবাকী তৌগদবা অচৌ অচৌবা থবক য়াম্না লৈরি, কদায়দা হিন্দুশিং করি তৌরিবা, কয়া য়াম্না শিরবা, অহুম্না রারী শান্নবহুব করি কান্নরি-তৌখিবা, কয়া য়াম্না শিরবা, অহুম্না রারী শান্নবহুব করি কান্নরি-তৌখিবা? হৌজিক অস্থুম তপনা তপনা য়েংলিবনি, মখোয়না লাম্না বনো? হৌজিক অস্থুম তপনা তপনা য়েংলিবনি, মখোয়না লাম্না বনো? অস্থুম তৌগে। হায়খিদে অহুগা ঐস্থু অঙকপা মওং অমা ওইরকলে। অস্থুম তৌগে। হায়খিদে অহুগা ঐস্থু অঙকপা মওং অমা ওইরকলে।" খঙহৌদনা সুরঞ্জনগী খোজেল পীকথরক্রমখি। থজবা নংচদে, পাবুং।" খঙহৌদনা সুরঞ্জনগী খোঙ্গেল পীকথরক্রমখি।

সুধাময় মচাগী মনমদা মখুৎ থমজরমখি। হায়রকথি, "মীয়াম্না লম্বীহুদা লাকনরকলি, অয়েংপা পীনরকলি। পাউজেল চেশিংদা কয়া হন্নরকলি। লৌশিং লৈবশিংনা নুংতিগী ইন্নরকলি।

"আস পুম্নমক তৌরবস্থু অয়েম্বা ওইগনি।" সুরঞ্জনগী রাঙাংদা অশাউবা পোকলকখি, "থাং-তেন পায়হুনা কাংলুপ অ-নম্ব চৎথরকলি, মহুগী মায়োক্কা খুং থোক্রুহুনা করিস্থু কান্নবা ঙেরোই। খুংলায়দি খুংলায়না পাউখুম পীগদবনি। খুংলায়গী মমাঙদা খুংলায় পায়দবনা মায়োক য়ারদি লৌশিং থনবগী রাখলনি।

"অহু ওইরবদি ঐখোয় পুম্বা ইশাগী ফিদম খোঙগোইনরগদ্রা?"

"হৌজিকপু করম্বা ফিদম অমুক? পূম্নমক তৌশিন্নবনি।"

মতম অহুক কুইবহুদা সুধাময়গী মকোক্তু পোক হেন্না হৌগংলকলমখি। নিংশা তংখিরমই। হকচাং কয়া হুংঙাইরমখিদে। হায়রকখি, "হৌজিক্তি মীয়ামনা অহুবু পুক্নিংদি হনবা তৌরমখিদে। অস্থুক চুমদবা খারেল, মীওং-মীনৈগী মায়োক্তা রা ঙাঙনরক্লে। মায়োকননবগী মশাগী কনবা থোনাসিবু অতৈ লৈবাক পুম্নমক্তা লৈত্রা, ফংকদ থোকপা শরুক (ঠক)?"

সুরঞ্জন তুমিন্ন লৈখিরমই। মহাক্না থনখিরমই, 'People's Republic of Bangladesh' কী মহুত্তা য়াম্না থুনা Islamic Republic of Bangladesh হায়না ওনথগনি। লৈবাক রায়েল্লানি শরিয়তকী লোমচংবা। মুসলিমশিং মায়থুম উপতুনা লম্বীদা চৎলগনি লৈবাকসিদা টুপী উপ্পা। অমস্থুং ফুয়িং খুদাং অচোনবী লিংপী মীশিং হেনগংলকনি, অস্থুম অস্থুম স্কুল-কলেজ মশীং হেনগংপগী মহুত্তা মসজীদ-মদরসা হেনগংলককনি, হিন্দুশিংবু তুমিন তুমিন্না লোয়শিনখিনি

খল্লুবদা মহাক মকোক ভাউরএখি। শুহা মতুংগী হঙোইগুম মহাক য়ুমদা লেঙদনা কমছুনা লৈবা ভাখি। মপান্দ লৈবাক ইরাং চৌব উমদা মায়োক্তা লৈবা কাংলুপশিংনা লমন্না থুমনিংবগী রাইহৈ ভাবদা মহুদা য়াওবগী মহুক্তা খোঙদা ভাশিন্দুনা কমলগা লৈরকপা ভাখিরমখি। মরমদি মখোয়গীদমক্তদি 'মিস্ক' য়াম্না য়ামই পাগলশিংনা ইকায়বা লৈতনা মখোয়গী অনিংবগীদমক খোল্লাও লাউখি, হিন্দূদি লাউবা ওমজদে। হিন্দুশিংদা মীওং-মীনৈ তৌখিদ্রি। হিন্দুশিংদা অরাবা মীনৈ তৌখিরকপদা মসি পাগল অমনদি মীপা থোক্না অকনবা খোল্ল ও লাউবা ওমই অদুবু হিন্দুনা অদুক হেৌবা খোঙ্হোক থোক-হনজবা ওমদে মরমদি ভাগুগে তৌবদা ঈস্লোলতুংগী লেমলৈগুম লৈয়েং থংপা থোকলক্লে, কমানা করম্বা অহিংগী অকন্বদা মাগীদম ক্রা মখোন ভাবথৈ অকনবা খোল্লাও লাউখিগনি হায়বা ওমদে। অহমদ শরীফপু 'মুর ভাদ' (লায়নীংগী য়েকনবা) হায়না ফোঙদোক্লবগু হিংহুনা অদুম মরৈবা অদুগা সুধাময়না কারম তুরম হায়রুরবদি তুমিন্না হাংপিখিগনি। হিন্দুশিংবু মচিন মেনশিন্নগনি মৌলুবীশিংবুদি কমানা কন্নি হায়বিনি, মসি চাউখংপা পাম্বা পাগল অমগুমা খাঙহুনা লৈবা ওমলোই। খল্লুবগা শুরঞ্জন মোকল্লিংলকসমই মহুদি চাউখংপা পাম্বা মীওইস্তু 'হিন্দু' অমস্তুং 'পাগল'গী মমিং লৌখি। শুরঞ্জন মশামকপু হৌজিকী মতমগী মীওই ওইমা লৌজরমখি মরমদি হৌজিক মহাক মশামক 'হিন্দু-হিন্দু' ওইরে। মহাকপু মাঙথরকলত্র ? অশেংবমক মহাক মাঙথরকলবনি। সুধাময়না শুরঞ্জনবু অমুক হন্না মমাক নকশিল্লকনবা হায়রমখি, মতেক মতেক ওইবা খোঙ্হোক্তা হংলমখি, "মায়াবু করিগুম্বা থিরুবদা ফংলরোইদ্রা ?"

"তম্বা ওমদে ?"

সুমিত্ত্রদগী কিরনময়দি অহিং অমত্তা খাতাদ্রে। মঙগীস্তু খন্দূনা লৈরমখি। হৌজিকপু মঙোম্দা কল্লিগুম্বা ফত্ত-সুংদগা থোরকবদু

'শিরগা শিরেদনা মী কমাস্তু শিনরি"

"হৌজিক কম্বা থরা ওমজে, কিরনময়না শমহুনা ঈরুজকমদা পুখিমখি। ছকচাং মপুং ফানা কল্লবদি অমাখ। য়েংবদা ফবা ওই-থোকলোই খা অমিগী মুম অরাবা মল লীব্রি। নঙ শেল থোকপা থবক থনা ককা .... "

"ঐ মীগী মীনাই ওইরোই।"

"ইমুং-মচুং তশেংবা . ঐখোয়গী মন ্ম, লৌ-ইংখোলচুস্তু হৌজিক্কি লেত্রে। কৈ থমবা ফৌ, পুম্নি থনবা ভা, শঙ্গোল থমবা শমবা লৈজবগী লুংডাইবা ঐখোই ফংখ্রবনি। মতনা নতগী মতমদা কম্মি কতখ্রবগে। খুঙ্গংগী-লৌ ই খোল য়োম্নোকখ্রে অদু লেত্তবদুনা পুন্স লোয়নমদাকাসদা খুঙ্গ দা চংলগা খাংপোক অনা খল্লগা মতম লেনবা য়াবমক।"

শুবঞ্জনা হৈংলমখি, "কম্মিনো অপ বদোনা য়া য়াম্ম ভাংলিবা? অদোমবু খুলদা চংলগা হি ঋিগদ্রা? ফুম্নবা হৈরব খুল্লাকপগী মকোক্তা চেত্তুপনা য়েথকমলগা পুম্নমক মুনবিখিবো৹ম্রা।"

"পুম্নমকপু কবিগী খাজবিম্রিবনো? লৈবাকসিদা অফবা মী অমা অনী ফাউবা লৈব্রবাজ হল্লা?"

"লেরে, শুকলৈ লৈরে।"

"অদোমম্ভু অতম তৌনা নীংবা কায়বগী পান্দমফম ওইদুনা লৈবিবে।"

"অদমদি নত্তেদ।"

"নংগোরগী মরুপ-মপাংশিংদুদি? অদুক কুইনা কমুনিজমগী লাইরিক নৈনবগা, লৈবাক ঈবাং হৌদুনা পেন্দব ফোংদোকলগা, মখোয়গা লোযনমা চংমিন খাৎিম্নবগা, মখোয়দুদম্ভু অফবা মী অম হা য়ংওরমদ্রা?

"য়াওবমদ্রে, কম খংদ্রা লৈবমদ্রে। পুম্নমক লোয়না কাঙলুপ নাইব ওইবমল্লে।"

"ঐনা ন্নবদদি নতস্থু কাঙলুপ নাইবগী রাখল লৈবদ্রা হায়না?"

চুমই, ওইরবনি। লৈবাকসিনা ঐবুস্তু কাঙলুপ নাইবগী য় খল পোকহল্লে। ঐগী ইবালদি কম্নিস্তু লৈতে।"

"লৈবাকসিনা অদোমবু কাঙলুপ নাইনবগী রাখল পোকহল্লে হায়বা?" সুধাময়দা থাজনবগী ঈকৌ অমা পোকলকখি।

"অগোয়, লেবাকসিনা ঐবু ওইহল্লবনি।"

শুবঞ্জনা "লৈবাক" হায়ব য়াহৈসিদা অকনবা খোন্দোক শীক্তিনর কখি। সুধাময় তুমিন লৈরমখিবমই। শুবঞ্জনা কা মলুংগী চেক-কাম্নবা পোৎ-চৈশিংদু য়েংলমই। মিংশেল মচেংশিং হৌজিক কাওবা লৈমায়দা চায়খায়রি। ময়ামসি খোঙদগাদি য়ুদদ্রা কম্নিনো? খোঙদা য়ুদ্রবস্তু লৈবাক্তদি যুশিন্দুনা লৈরে!

শুরঞ্জন ঙমিং চুপ্পা য়ুমদা তুংখোক্লুনা লৈখোকলমখি। মহাক কৈদম্মু চৎনিংদ্রা পোকলমখিদে। কনাগুম্বগী লোয়নন্না নুংঙাইখোক্লুনা অয়েম্বদা মতম লেপ্পোকপম্মু পামলমখিদে। অমুক্তং য়োংকী খোংনা চৎলুখিগদ্রা? অমুক্তং নোঙ্গরগা মায়াগী মখনাউ মেৎথায়রবা মশাহু য়েংলুসিন্না?" নত্তে, ঙসিদি মহাক করিদম্মু চৎখোকলরোই।

ঙমিং য়ুংবা মতুংদা শুরঞ্জনা নীংথায়রবা মাঙ্গোলদুদা হঙ্গৎ-হন্দা চংলমখি, মদোম, নীংবা কায়না। মিকুপ অমদা কা মন্নুংদা চঙ্খ্রগা লাইরিক ময়ামদু মাঙ্গোলদা লঙথোরকলমখি। কা মন্নুংদা ফমলমলিবি কিরনময়না খঞ্জখি, মহাকনা লাইরিকশিংদু মুংশাদা ফোদোকলিমালে, তীল কাগমলগনি। দাস কেপিটেল, লেনিনগী রচনা, এঙ্গেলস-মার্ক্সকী রচনা, মার্গেন গোর্কী, দোস্টোয়েবস্কী, টোলস্টোয়, জথাং পাল সাত্র, পারস্নোর, রবিন্দ্রনাথ, মনিক বন্দোপধ্যায়, নেহরু আজাদ .... খুনায়গী মরমশিং, লৈঙাককলান পুরারীগী চেক লোনগুমলবা অথা অথাবা লাইরিকশিংবু চেনা শেগায়দুনা মাঙ্গোলদা চায়থোক্লমখি, মদু খোমজিল্লগা মৈখেৎ মচৈ অমা খেৎলগা লঙশিল্লমখি। লমহেনবা, মশাগী লাইনীংদমক থাজবা তৌশিন্নবা মীওইশিংদুনা হিন্দুশিং লমথকনবগা মশাদা অশাউবগী ঈনোং হেনগৎপগুম, চেশিংদু হেনগৎলকপগুম, চেশিংদু হেক থেংনবদা মৈদু মৈচাক ফগৎলকখি। মাঙ্গোলদু মৈথুনা পুমথন থলমখি। মৈ চাকপগী মনমদুদা কিরনময় চেন্থোকলকখিরমই। শুরঞ্জন নোকলদুনা হায়রকখি, "মৈ তিকনিংঙ্গ লাকউ।"

কিরনময়না মখোল থোক্তবা খোঙ্গেলদা হায়রকখি, "নঙবু ঙাওরব্রা তৌরিবদুবু।"

"ঙাওরে ইমা। মতম কুইনা অকবা মী ওইরম্বনি। হৌজিক্তি ঙাওরে। ঙাওদ্রবদি পুক্নিংসি লৈতাবা ঙমলরোই।"

কিরনময়না থোঙদা লেপলগা শুরঞ্জনা মৈ থারিবদু য়েংলমখি। টোটিদগী ঈশিং শোকলুরগা মৈদু মুংকনি হায়বা ফাও মহাক রাখল থোকলমখিদে। মৈখুশিংদুনা শুরঞ্জনগী মশাদু কুপশিনখিরমই। কিরনময়না খঞ্জখি, শুরঞ্জনা লাইরিক মৈ শাবা নত্রে, শামবু মৈ থাজরবনি।

সুধাময়না থল্লমখি, থৌনা ফরবা লৌশিংশিংলবা অমত্তুং হু শিরবা মচানুপাহুনা হু চাবা কোকনবগীদমক লায়রেংলম্বহুনা ঙসিদি মশা মথন্তনা হু থকচিনজরে। হু থকনা থকনা মশাদু শওত্রিক শওলকলমখি। মহাকনা বা অমত্তা ঙাংদনা তুমিন্না তুমহুনা লৈখোকপা, মরুপ মপাং-শিংনা খোল কয়া কন্না ঙাংবা, মুমিদাংদা ময়ুমদা নুপী পুশিল্লকপা, পাঙলশিংবু তাথীনা ঙাংবা, লাইরিকশিং মৈ থাবহুদা ...

সুধাময়না খনখি. সুরঞ্জন অয়োবী চৈথেঙ ফংলে হায়বা। ইমুং-মনুং, খুন্নায়, লৈবাক পুন্নমকপু শাওরহুনা মহাক মশা মথন্তবু অতোনবগী রাখলগী মৈরিনা চাকলকলমই।

মৈ উবদা সুরঞ্জন য়াম্না হরাউজখি। লৈবাকসিগী হিন্দু পুন্নমকী হুম মতৌ অসুমনা মৈ চাকখি, মৈরি অসুম তৌনা। সুপনগী য়ুম-কে অমত্তুং লাইশঙদা চাকপরা. মীওইবগী থম্মোয়দদি চাক্কবরা? তৌজিক অমুক হন্না সুরঞ্জন-সুধাময় ফিদমনিংঙাই ওইবা রাখল থাদোকলগা ওন্নবা রাখলদদি চংখিরোই। সুধাময় কমুনিষ্টপু থাজবা মীওইনি, সুরঞ্জনসু থাজবা অতুদা মশা মথন্তা খোঙদাজরকখি। অতৌবু মহাক মসিদা তৌজিক থাজবা থমলকত্রে। মহাক্না কমুনিষ্ট পুন্নমকপু 'ফত্তবা, (মালাউনকা) হুল্লাকপগী মচা" হায়না অথীবা মীচৈ কয়া চৈবা থেংনম্মে। "মালাউন" হায়রিবসি মহাকনা মহৈ তমকমশঙদগী তাহুনা লাকখিবনি। ক্লাসকী মমাল্লবশিংনা কন্নিগুম্বা শাউনহুনা হায়রি অমা অনী হেক হায়নরকপগী মতুংদা মখোয়না "মালাউনকাবচা" হেক্তা হায়রমখি। সুরঞ্জনগী মমিত্তু শাউনিংবনা ঈ কাখি মপী ঈরা চেন্নকখি। মহাক্না খঙবা ঙমলমখিদে মতুংদি কন্নি অন্নাবদগী মমিত্তা মপী ঈরা চেন্নকলিবনো হায়বা নত্রগনা ফিদম-নফমগী রাখল মৈন্নাইরকপদগীরা। মপি তাবা লোয়রগা সুরঞ্জন্না চিংনুবা লৈতনা নিংশা শাংনা হোল্লমখি। হিপ্তুনা লৈরবসু মাগী মিংকমদি লাইরিকশিংহুদা তারমখি, মহুদা মখল মখা কয়াগী লোনচংকী মরমগী মহিকশিংনা মাবু হুং-হুত্তুনা চিকপগুম তৌরমখি। মহাক অতৈ লোনচং-রাচং কন্নিমত্তা য়ারমম্রে। অশেংবনি। মতম অতুক কুইনা মহাক্না থাজবা থমলকপগুনা অকমবা চৈফু/চৈনা অমা পারকলমখি। কন্নিগী মহাক্না মসিবু কাজিন্দুনা থমলুখিনি লৌশিংগী পুকৈসি মীওইবনা চিনবালদগী থোকহল্লি অতুগা খনাউগী মথাদা

থমই। রুক্মিগী অহুনা মদোম থনাউদা চঙঙ্গিরবনো ?

মৈ থাবা লোয়রগা মহাক য়ান্না মুঙোইন য়াত্তাহুনা লৈবা পামলমখি। অহুবু তুমনিংব কৌবদি লৈখিক্কমজ্রে। রতনাবু নীংশিংলকখি। মতম কুইরে উন্নদবা। করম তৌবগে ফুকীহুবু। রতনাগী খোয়-খোয়না মুরবা মিংকী মিংচিহ্ন উরগা থঙগনি! মাগীদমক থোয়না হায়রুবগী মথৌ তাদ্রে। মহাকনা থজরমগনি, নোংমদি শুরঞ্জন লাকলগা মাগী খোঙ তক তক খিল্লকনি, চা থকপগা লোয়নবা পুন্সিগী রাম্মী কয়া লীনহুনা অহিংহু লেনখিনি। শুরঞ্জনা থল্লমখি, ঙসি অহিং মহাক রতনাগী য়ুমদা চংকনি। হায়রুগনি, ঐনা উনব লাকত্রা ? অহুগা কনাগুম্বা অমবু উন্ননিংবগী রাখল পোক্কত্রা ?

শুরঞ্জনা থঞ্জখি, নোংমদি থঙহৌদনা মেথলব' ফুমিদাংবাইরম অমদা রতনা শোয়দনা মাগী য়ুমদা লাকনি। হায়রগনি, "য়াম্না চীকগ্রেদা শুরঞ্জন।" নুমিৎ কয়ানিদগী মহাকসু কনানসু চুপপিবা তৌরমখিদে। পরবীননা চুপপীরমখি। পরবীন্না মঙোন্দা কোনশিল্লগা হায়রকখি, "নঙসি ঐগীনি, ঐগী, ঐগী নত্তনা অতৈ কনাগীসু ওইবা য়ারোই, নঙবু ঙসি চামরক হন্না চুপকনি।" কা মন্থুংদা কিরনময় চঙলকপদগী মখোয় অনী থায়দোকনরমখি। পাঙলুগা লোয়নবা লুহোংবদা কখিসু অখিংবা লৈতে, অহুনা মহুগী পুন্সি ঈচেলগুদা মাম্না তাওথজখি। রতনাগী মরমদদি কাংলুপ/জাংকী অরাবা লৈরমখিদে। মহাক্না মঙোন্দা মাগী মাঙলুরবা পুন্সিহু শিন্নগনি। শুরঞ্জনা অসুম থল্লকখি মহুদি ঙসি এহিংহুম চংলুখিগে হকচাংদা পকলিবা উফুল-রাইফুল অমোং-অকাই চামখোকলগ অশুবা কুরিং অমা লিংলগা রতনাগী য়ুমদা চংলুগনি, তাঞ্জাহুনা খোঙদা তক তক খিল্লকখি। খোঙ হাঙদোকলুবদা মহাকনা উরমখি, রতনানা চপ লেপ্পুনা লৈরম্বহু। য়াম্না কে-মৌরমই। অরাংবা কাপ্পা স ড়ী, মখুত্ত শিরিবা খুজি চবুলশিং, তশেংনা মহুদগী জিং জিং লাউব মংগাল অমা থোকলকখি। রতনানা য়াম্না ফুংশিবা মীমোক অম নোকলমখি। মহাকী মোমোন মীনে ত্তুদা শুরঞ্জন শমহংখিরমই অমসুং পুমঙক ঙকখিরমই। "লেঙশিনবিরকউ, মফুংলোমদা লেংশিনবিসি হায়না হায়না মহাক্না মুম্না য়েংলমখি, মশক ফজরবা মীওই (লুপা) অমনা রতনাগী মফুংদা লেপলমখি।

রতনানা মহাক্কপু কদায়দা ফমহনগনি। য়ুমহুগী মওং মতৌ ফরমদে। অদু ওইররবসু "ফম্বিয়ু লেঙশিনবিয়ু" হায়রদুনা তেকাল তেকলি তৌরবা চৌক্রি অমা পুশিল্লকখি। রতনানা নোকল্লগা হায়রকখি, "কনাগীদমক পুৎরিকলিবনো অদুবু?"

রতনাগী মবুং শুরজন্না অমুক্তা উখিত্রি। থল্লকখি, কয়িগুম্বদা মহাক্কু নত্রব্রা। শুজনবু রতনান্না রাখল য়াম্না থলহনবগী তাঞ্জা থমলমখিদে। মখুত্তগী খুজিশিংদু জিং জি খিংনা মোমোন নোকলদুনা তাকলকখি, "মসি হুমায়ুনি, ঐগী ইপুরোইবা।"

মীকুপ অমগী মতুংদা মাগী থম্মোইত্তুংদা অকনবা নোংলৈ নুংশিংকী ঈহো অমা হোরকখি, নোংলৈদুনা মাগী অরোয়বা মতেং ওইহজরিবা পাম্বীদু মরু য়াওনা ফুকতোকখিরমখি। পুন্সিগী অয়াম্বা ঈচেল কয়া অরেম্বদা চেন্থরবসু লেমহৌরিবা শরুক অদুদি রতনাগা লোয়ননা য়ুমলেপ চায় তমদুনা তাইবঙ ঈপাক লানগে খঞ্জরম্বনি। অদুগা রত্তনানা ঈরাং হোরবা লৈবাকসিদা হিংননবগীদমক্তা অওনবা রাখলদা পাঙল অমবু পুন্সিগী লোয়নবা ওইনা খনখি। শুরজন ইকায়বা অমসুং অশাওবা রাখলন্না মমায়দু কাহংখিরমখি। মহাক্তা মাগী মথোং-মরম খঙত্রবা লায়রবা কাদুদা রতনা অমসুং মাগী মশক ফজরবা, রাত্ত-পাদবসু ওইবা য়ারবা মপুরোইববু ফমহল্লগা লৈবাক মচা তাবা মীওই অমগুম্না রারী-রাজাই শাল্লগনি, হুমায়ুঁনদা মখুং তিংথোকনরগা থুং শোকননগনি, চা পীথকনি, হনখিবদা মোমোন নোকলগা মতুংদসু "অমুক লেঙলকউ" হায়খিগনি। নত্তে, শুরজন্ন মাস শুকহায় হায়রোই। অম্মুম্না মীবু তরামনা ওক্তুনা লৈবাক মচা তাবা মাগী মপুক্লিংদা উৎনিংলমখিদে। খঙহৌদনা মহাকনা ময়ুমদা লাকলিবা মী পোংশিংদুদা ইঙক ঙকপগা লোয়ননা হায়রকখি, "ঐহাক য়াম্না থুবা থবক অমা লৈরে অদুনা চংথোক্তবা য়াদ্রে, ময়ামগা রারী-রাজাই শান্নবা ফংলোইদোরে।" মখোয় অনীমক কয়াম্না ইকায়রম্বগে হায়ববু 'শোরী' হায়না হায়রগা থুনমক মপান থোকলমখি। শুরজন্না থোঙনা অনীদু কম্না য়ৈশিল্লমখি, অদুগা থোঙদা মনমনা ঙাদুনা লেপলসমখি। হায়ফেং কুইনা লেপলবা তুংদা কিরনময়না মমুং চঙলকপা মতমদা হায়র কখি, "শেল পুররকপদু শিংদোকখ্রব্রা?" অদুদদা মহাক্কী রাখল হন্থরকখি। "পুরুবা" হায়বা রাহৈদুনা মচিন থোরবা তেঞ্জিলগী মতৌগুম শুরজনগী

থম্মোয়দা হুরম্বিশি মহাক্কী কিরনময়গী মিপাইরবা মায়থোঙ অহুতা য়েংলমখি, কারিস্থ হায়রিবরদে।

শুরঞ্জন্দু শিংখা খিংথঙুম তৌবা মাল্লমই। কাসি য়োংকী উপুংশুমলংগে, মহু হাংদোক্লগা মপান থোকপা চমজদবা। ভাইহাক লৈরগা মাঙ্গোলদা হনগং হন্দা চংলমখি, অহু ওইরবস্থ ইঙেলগী নোংজুপুম থম্মোয় মৈচাক থাঙজরমখি। কিরনময়না তুম্মিল্লা চা য়াস অমা চৈরল মথক্তা পুরকলগা থনমখি। শুরঞ্জনস্থ উরমখি অহুবু চাক্ত লোথংলমখিদে। ভাইহাক্কুং অমুক হিপলমখি, অহুগা অমুক তৌমংলকখি। মহাকপু য়োংকী খোংলোমদা অমুক্কুং চংলুখিপত্রা? য়োংকী খোংগী মা হেক নীশিংলকপদা মাগী মথম্মোয় মরাং হৌরকখি। মহাকনা থনখি, মাগী অশিবা হকচাংস্থ পৎ-পুমহনা থোঙবান্দা তাহনা লৈরগনি। হুমলি লেঙজবা পুথৌ (ঈকোম) শুম্না লৈরবি। ঈশিংদা লৈবা থরাথং পানবশিংনা মা ভাংদনা ঈরোমুংদা কোয়না চংপজুম ইমুংসিগী মীওই অহুমস্থ মা ভাংদনা চত্তুনা লৈরবি। কনানস্থ কনাগী খোঙথাং মথোল কাও তারখিদে।

থঙহৌদনা বিরনবয় য়াম্না তুমিন লৈরমথহু থুগায়রমখি, কম্বিস্থ নক্তে মিকুপ থম্মগী মমাঙদা শুংঙ্গন্দা চা কপ অমা পীরমখিবনি, মহাক কপজমখি। মহাকী তেংথাবগী মখোল তাবদা ওকলহনা মুধাময় শৌগত্তনা কমলমখি। শুরঞ্জনস্থ চেনশিল্লকখি। উরমখি, কিরনময়না থোঙদা মরাইথক শুর-শুরহনা কপলম্বহু। মঙোন্দা কিরনময়বু কপপা তোকহনবগী থৌনা লৈরমখিদে। কপলিবা মীকপশি তোকনবা নক্তে মসি শুম তেংথানবনি, থোদোক রাথোক হেম্না থোকলক্লগা অমদি অহিং থেঙলক থেঙলকলগা থম্মোয় মৈচাকী চাংজো হেনগংলকই, মতম্মিদা কনাম্বু তেংথানিংববু থাজিন্দনা থম্মা ওমলমখিদে। মুধাময়স্থ মকোক নোল্লবহনা লেঙদনা, হিক হিক কপপগী চৈমাহু মাগী থম্মোয়দস্থ হৈরকখি। তেংথাবা লেপলমখিদে। করিগী অহুক কিরনময়না তেংথা-নুংওইরিবনো, কনানস্থ হুংলমখিদে মরমদি মাগী কায়রবা থম্মোয়গী মৈচাক্কু মুধাময় অমস্থং শুরঞ্জন অনীমক থঙলমখি অহনা হুংবগী মথৌ তারমখিদে।

শুরঞ্জন থোঙদা লেপলমখি, তুম্মিল্লা ইমুং চঙলকখি মরমদি মাগী খোঙথাং মখোল তারগা কিরনময়গী তেংথাবা লেপত্রবা। মাগী থম্মোয় লামহুম নোংথাম্বে পুমতোই তোইত্রে. মৈচাক কনা

চাবগে, উং ওনগে মাগী পামজরবা মঙলান্দু। অমুম তৌবা কিরনময়না ইমুংগী অচিকপা থুগায়হুনা তেংথাবগুম্বা শুরুজরম্ব খঙহৌদনা লাউরকখি — "পাবুং!"

সুধাময় খঙলমখি। গুরুজম্বা মাগী মখুৎ অনী কম্বা পায়শিল্লগা হায়রকখি, "পাবুং, ঐ ওয়াং অহিং চুপ্পা বাকম অমা থলমখি। অদোম ঐগী বা য়াবিরোই, ঐ খঙজে। অহু ওইরবসু হায়জখি, ঐগী বাসি অমুক্তা য়াবিয়ু। পাবুং য়াবিরুকো। লেঙলসি, ঐখোয় কদায়দনো অমা হোংলসি।"

সুধাময়না হংলকখি, "কদায়দা?"

"ইন্দিয়া"

"ইন্দিয়াদা?" অমুক্তা ভাখিত্রিবা বাহৈ অম ভাবদৌনা সুধাময়না ঙকখিরমখি, "ইন্দিয়া" হায়বা বাহৈসি য়াম্না অচোম্বা বাহৈ, কল্পবা বাহৈ, মহু হেক ভাঙখোকপদা মরাল কংবা ওইবা বাহৈগুমলমখি।

তপনা তপনা কিরনময়গী তেংথাবা লেপখিরমখি। মহাক হিক হিক লাউরমখি, হিক হিক লাউনা লাউনা মহাক মীংগাংনবা কমলমখি। সুধাময়গী মায়থোংদা মথরায় সুত্তাইতমগী মওং হেনগৎলকখি। হায়রকখি, "ইন্দিয়াদা নঙগী নপাগী য়ুম লৈত্রা নত্রগা নপুগী লৈত্রা? নঙগী নপা-নপু পুম্নোম ১৪গী কনাগী য়ুম লৈবগে ইন্দিয়াদা. ইন্দিয়াদা অহুক চংজিংলিববু? নশাগী পোক্লফম লৈবাক থাদোকলগা চেনগদৌরিবহু ইকায়বা মচেৎ অমত্তা পোক্রা?"

"শঙ্গোম য়োম্লগা ভারী চাবগুম, লৈবাককীদমক্তা থম্ববদা শাউদাংকম থাদোকলগা শিরশি ছায়বিগদৌরিত্রা পাবুং? লৈবাকসিনা করিবু কায়বা পীবিরিবগে? ঐভোন্দা করি পীরিবগে? মায়াদনা করি পীবিখিবগে অদোমগী লৈবাকনা? ইমান্না করিগী কপতুনা লেনগদৌরিবনো? করিগী পাবুংনা অহিং চুপপা নাহে খোজেলদা লেমকিরিবনো? ঐবুনা করিগী অহিং তুম্বা য়াহক্রিবনো?"

"খংন-চৈনবাদি মকম থুদিংমক্তা থোক্কবা লৈতে। ইন্দিয়াদদি থোক্কবরানে? মর্কমহুদা মীকঙ্কা শিদবরা? মী করাম শিরিবনো খঙজা?"

"খুং খোকনবা হায়বসিদি অকবা থবকনি অহবু সিদদি মহু নাস্তে, পাঙলনা হিন্দুশিং হাংপনি।"

"মশাগী হিন্দুনি হায়না খনত্রা ?" সুধাময় শাউরগনা কমুংদগী হৌগৎনিংলম্মখি। মহাকপু মথুৎ অনীনা খাম্লহনা শুরঞ্জনা হায়রকখি, "ঐখোয়না করম্বক হন্না লাই খাজনরুবনি, মীগা মীগা মায়নবগী রাখল খঙ্গবরম্, মীয়ামনদি ঐখোয়বু 'হিন্দু' হায়গনি, 'মলাউন' হায়গনি। লৈবাকসিগীদমক্তা অতুকী মতিক মুংশিরুব, অতুগা ইশাগীনি হায়না খল্লুরবামখৈ লৈবাকসিনা ঐখোয়বু অহোয়নলা তামখোরকখিগনি। মীওইববু মুংশিরুবা অতুক তোঙাম্না তারকহনগনি। মখোয়দা খাঙবা খগ্না 'স্নাত্রে পাবুং।' অদোমনা পাওল ইমুং কয়া লেম্না লৈম্না লায়য়েংবিগ্রবনো. ওসিগী কিতম ঙাঁরবা মতমসিদা কনা অমত্তা লাকুনা তুংদা লেপ্লিরব্রিব্রা ? ঐখোয় পূম্নমক্ম্ মায়াগুম্না য়োংকী থোং মখাদা শিন্থনা তাবা তারি। পাবুং লেঙলসি, চৎপীনবা তৌবিরো।" শুরঞ্জনা সুধাময়দা নোঞ্জরমখি।

"মায়াবু হল্লকখিগনত্রা ?"

"মায়া অমুক হন্না লাকলরোই, পাবুং। মায়া হল্লকলরোই।" শুরঞ্জনা মথম্মোয়গী অন্নাবহু ফুদোক্নুনা মুংঙাইতনা হায়রকখি।

সুধাময় তুমখুন তাম্বখিরমই। মশাহু চোকথরমখি। মুরুম মুরুম শোল্লহনা হায়রকখি, মায়া ফাওববু কনবা ওমত্রবদা,. কনাবু কল্লুখিগদৌরিবনো ?

"ইশাবুনি। মাং-তাকত্রিবশিংহুগী মুংঙাইতহনা মুংনাংবা কোওহন্না লৈখিগত্রা ? অমুক তমথীন্নবা খাওকম খঙত্রবসিদা ? সিদগী হেন্না শাকবদি চৎপনি, লেঙলসি।"

"অতুদা করি তৌরুনি ?"

"থোকঅবা অমা তৌরুবা তারে। সিদবু করি তৌরিবগে ? ঐখোয়বু য়াম্না কবা মীওইরা ? য়াম্না মুংঙাই য়াইফবরা ?"

"য়ুমকম লৈত্রবা পূন্সি .... ।

'য়ুমকম লৈকম লৈরগা কৈদৌরুনি পাবুং ? ইশাগী খয়া লৈজরম্না তারবসু অসুমনা থোঙ লোম্দুনা করিগী লৈকম থোকপগে ? পূন্সি চুম্না-শুহাদুংগী হঙোইগুম লেনবা তারত্রা ? রাহৈ খুদিংগী কঙবা মীওই-শিংসিনা ঐখোয়গী ইথক্তা লান্দারকপা অতুগা ঐখোয়বু ওক কঙুনা হাৎপনা হৈনখী ওইরকলবসিদা। উচিগী মতৌগুম অসুমনা লেনবা পূন্সিসিদি ঐদি হেকায়রজে পাবুং। শাউরিংবসু পোকলই। অহুবু ঐনা তৌবা করিসু ওমখিদে। ঐনা শাউনিংই হায়হনা মখোয়গী

হৌম অমা-অমী কাওবা মৈ থারবা ওইরম্বী? অপঙ্গবগুম্বা ঐখোয়গী ইপাগী য়াং-ভাবকপা রেংগুনা লৈরক্লব? কৰিগুম্বা অমা হায়রকপগী পাওদা অমনা খুব কনা থাম্বুকপদা. মতুংগী পাউথুম অচাবা পীবগী ঐতোম্বা শক্ক রেংকম খোকপা থরক্ক লৈরিব্রা? লেঙ্গলসি, চৎখিবনা করনি।"

"হৌজিক্তি ইরাংগী কিক্তমক্কি ইংথরকলি। অমুক হেন্নবা করিগী খুমুকিরনো? য়াম্না মিপাইনা পুন্সি হিংবা হৌনদে।"

"ইংথরকলবরনে? পুম্নমক মপাঙ্গোংগী ভাক্কনি। মনুংদা তমথীবগী শাজং অমুম মথৈরি। মনুংদা অকিবদগী মশক কংনা হাংপাক্লবগী থবক তৌনবা লাং থাক্কুনা লৈরি। অদোমনা. ওসি কৈজোমগী মহক্কা করিগী পায়জামা শেংপিরকলিবনো? অদোম কৈজোম শেংপগী মীংতম্বা কংখিরবরা? লেঙ্গলসি, চৎপিনবা তৌবিরো।"

সুধাময় শাউরহুনা ময়া ক্রক ক্রক চিকলমখি, হায়রকখি, "য়াদে। ঐদি চৎলোই। নঙনা চৎনিংবা পামলগা নঙ চৎখিবা য়াগনি।"

"অদোম চৎপীরোই হায়রা?"

"চৎলোই," তুক্তচনা অমদি পামুহনা মমায় লৈখোকখি।

"অমুক্ক হায়জরি পাবুং. লেঙলসি. চৎপনা করনি।" শুরঞ্জনা য়াম্না অমেওবা রাহৈনা মপাবুংগী লেঙবান্দা মথুং থমলগা হায়রমখি। মহাক্কী মখোঙ্গদু য়াম্না নীকলমখি; মপীসু তারমখি।

সুধাময়না হায়রগীগুম্না অয়েম্না রাঙাংদা হায়রকখি, 'য়াদে।' 'য়াদে' হায়বা রাহৈসিনা শুরঞ্জনগী মনমদা শগোল শাজেনা য়ৈরগুমলমখি।

শুরঞ্জন মায়থুরমখি। মহাক মায় পাকলোই হায়রব মশানা হান্না থংজখি। সুধাময়গুম্না থম্লোই কনবা মীওইদা কয়াক হুম্না য়ু-চৈহুনা লাকনরবসু মথা চিক্কুনা লেঙদম্না লৈবাক পায়হনা থাওগনি। লৈবাক্কুদগী লিন, মহুচেনবা তীলশিংনা চিকলবসু মহাক লৈবাক্কুদা থাওহনা লৈগনি।

কিরনময়গী কপ্পা লেপখিরমই। মহাক রাধা কৃষ্ণগী অয়েকপা শক্তম অমগী ময়াংদা মকোক নোম্নহনা লৈরমখি, মসিগী ময়াংদা শুরঞ্জন, মায়দা গনেশকী শক্তম অমা উম্নখিবনি মহু পাঙলসিংনা পুশায়রম্বা য়াই। কিরনময়না রাধা-কৃষ্ণগী কোটোসি লোত্তম্না থমলমবা ওইরম্বা য়াই। শ্রীকৃষ্ণদা মহাকনা মীংথিনা ভাক শেমরিনবা, অরাবা য়াবল পোক্তনবা, ইংনা চিকনা কেনবা পুন্সি কংজনবা তেংথাজরি।

মীংথমলবগী উৎখোংলম্বুংদা শুরঞ্জন মথন্তা ঈরাকনরি। অহিংগী মতম ওইশিন্নকলমখি। অমুম অমুম খেংজিন্নকখি। মহাক মথন্তা ভৌতাম তাবগুম তৌরমখি। অনাফমা লৈরম্লে, তেংবাংবীনবগুম মাগী লৈরমখিদে। মপামকী খৈবাক মীতোপ ওইরে। মহাকী মরৈ, লৌশিং, অফ-কন্ডগী য়াখল লোয়নমক মপাদা পুমনমক লরমখি। মহাকী নোংমুক্কপা, অথাঙকনবা, মীগা মরৈ য়েংনবিংথকী পুকচেল, পেন্দবা লোঙদোক্পগী থবক, কদিংসু অমত্তুং মীয়ামনুং কিহনবা পোকহনবা লৈবাকসিদগী অথং অথং ওইনা হংলোইজরকলমখি। মহাক কোমখোকচরমখি, মাগী লোঙ লোমশিন্নবা কাহুদা অশেংবা মুংশিন্না নিংশিং হোমবা কংজরমখিদে। য়ুম্না অকিবগী মশক ওইরবা মীশিং অমা ভাবগুম তৌরমখি। হৌজিক মায়াগী যা লৈব্রে, মপাগী তুংগী চিংনবা য়াখলদ পুমনমক মিপুম ইনরক্খি। মথোয় লোড়াঙা তারে, থঙদ চায়রবা মীওইশিং, পাঙল মরুপ-মপাংশিং অমদি য়ুম লোয়নবশিং উয়রবা লক্কামখি, অদুবু কনানসু মথোয়গী পুন্সিদা পল্লেপকম লৈতবগুম লাকলিবশিংদুগীসু ওইরিবশিং হায়রমখিদে। অদোম অদুক হাকনা পঙথবিগনু। য়াখল পিকলিবিগনু। অদোম অকিবা লৈতনা লৈবিয়ু, অপনবা লৈতনা থবক ইংখাং তৌবিয়ু, পুক্নিং থুংভাইখোবপিয়ু, চিংনব লৈতনা য়াতাবিয়ু।

অতিংচুপ্প শুরঞ্জনা য়ায়া অকিবগী মওংদা লৈতাবা লৈতনা লেনখিরমখি।

অতিংগী অখেৎপা পুংজাদা শুরঞ্জনদু তুমলিংবগী লাইরেম্বীনা খুৎশিন্দখি। য়াতাবদুদা অঙকপা মঙলোন অমা উৎমখি। মদোম তুংলেন অমা কন্দুনা চংলমখি। চংমা চংনা তুংখেঙগী অভাওব ঈথকনা মহাকপু অকপা ঈংনাঙদা পুথরখি, মহাক ঈরৈদা লাকশিন্নখি, মনুংদা লৈদুনা পুথরমখি, মহাক্কা নান্থোকপা পামলমখি অদুবু মখুং পায়হনা তোর্বাম তায়া চিংখৎপিরবা মী কনা অমত্তা লৈরমখিদে। মহাক মপা পুম্বা হুমাংনা পুমচোং-চোংলমখি, মহাকনা ফু ফু কাম লহুন মকম খঙদনা ঈশিংদা লুপলমখি। তাঙ্গাসিদা য়ায়া তপলবা অমদি মীজুংশি লৈরবা খুং অমনা মাবু পায়রগা চিংখৎলমখি। শুরঞ্জন খঙখোক খঙলমখি। কিবনা মহক মচু থোকলমখিদে। ঈরৈগী ঈশিং অহুনা মাবু লাকশিনখিরমখি, মহাক য়ায়া কয়া লাউথকখিরমখি, নাগী মনা অমা কাওবদা মহাক্কা মতেং ওইনবা

লামলমখি। মমংদা মাবু কেনখিনবু পুং অমা িংথোকলক।গু থল্লমখি। গুরঞ্জমা সুধাময়গী অচৌবা মথুক্ত কন্না কংজিল্লমখি।

কিবনময়গী মরেংবান্দা শায়রতুনা মহাক হৌগংলগা লাকলমখি মাগী-মশাদা থৌনা থবা থবা লাকলমলে। মহাক্না গুরঞ্জনগী মো ময়াদা কমলমখি। মাগী মমিত্ত' মাম্না তান্না' তরংদা য়েংলমখি।

"পাবুং ?"

কোংদোকপা গুমদবা রাখল অমা গুরঞ্জনগী থম্মোইদা য়ৈরকখি মত্তাংহুদা অহিংগী অমমবা জোয়রকখি। থোংনাউগী অহোব মশাল থরা মমুং চগুলকখি। সুধাময়না হায়রকখি, "হৌগংদে ঐখোয় চংলসি।"

গুরঞ্জনা ইগুক গুকলমখি, "কদায়দনো পাবুং ?"

সুধাময়না হায়রকলমখি, "ইম্ফিয়াদা !"

সুধাময় হায়দোকপদা ইকায়বা পোকলমখি, মহাক নিংশা ফু ফুমনা হোল্লমখি, অদু গুইরবসু মহাক্না চংনবা হায়রমখি, মর' মাগী থম্মোইমুংদা চীংমুক চাউনা কম্না নৈরম্মা রাখলহ নো' নোংমগী অসুম অসুম হুম্বরকখিরমই।

× × ×

